পাফল মরোন

পাফলগী ব্রাহস্থোকতি ঃ—ইপাগী মথেক মখং হায়রবনি, মরম অতুনা শিংলি পাফল ১০৮ হায়নস্থ গংনৈ। মরম অতুনা পাফল মরোনদি ৭নি। ময়াইদা মনিং ময়োল ১ কোবা মপু, ২দা হুমিং চয়োল ৭ লৈনা ৭ মচু ৭। ৩দা মচিন ৩ লোংবা পোকপা, হিংবা, শিবা, মঙাং, লুরাং, থুমন মতম ৩। ৪দা মচিন ৫ লোংবা থরাই ৫ মৈ, ঈশিং, নুংশি, মালেম, অতিয়া ৫। ৫দা লিকলমপুবা পাফল খা-ব্রাং, নোংচুপ নোংপোক (স্থমদায়) কিশি ৪। ৬দা মালেমগী চুথেক ৪গী চুক লেপ্পা কৌক্রু, থাংজিং, চিংথৈ, ব্রাংব্রেন কিশি ৪। ৭তা নাওয়োম মপানগী অকোইবা, কুয়োম অসিনি হুমিং চয়োন ৭না মতুমতাবা মালেমদা কোইনা কোইনা লৈতুনা তায়বং থরাই পানবা পুন্নমকপু কোনবীরি অতুনা থৌরমগী মতাং লাকপদা থৌরম থৌরমগী মতুং ইন্না পাফল মরোন অসি থায়দোক্না য়েকপিরগা শিজননবীয়ু।

পুরুম থাজংবা

হো ঈ সিদবা, হায়া সিদবী চিংগু অনিমক্তা পলেম পম্থোগী শক্তম লৌবীতুনা মালেমদা লৈরিবা অচৎপা চংতবা পুম্নমকপু য়োক-পিরিবা থৌজাল হৈরবা চিংগু অনিগী চেংলৌ মায়থোং নিংথিবা ঙাংলৌ থম্বাল লৈকাংম্বদা ঙক্তা চরৈ য়েং খুকউ লৈদা তং, ফুবাক লৈপক্‌ননা কৈথা নোনবা তাওবগুম হন্না হন্না পুনেমজৈ কুবীয়ু।

হো ঈ মপাল থাদোবা

হায়া মউ লিংবীবা নোংদম্বা, নোংদম্বী, পালেন, পম্থো, থৌজান হৈবা, থৌজান হৈবী, চিংগু অনিগী চেংলৌ মায়থোং নিংথিবা ঙাংলৌ থম্বাল লৈকাংম্বদা নচানা পুংফাং ১০ লোন মুকমু লৈতোন কোন, কাওবী চিগা লুক, কোংয়াং চৈনা তাবগুম হন্না হন্না পুনেনজৈ কুবিয়ু।

লাইগী মচা নমু তায়বং অথোয়বা

অপংবা নচা ননাইবু শমু থুঙ্গেং পাম্লোইননা য়াংদৌ লমজিং-বীরকপা খংদববু খংনবা তাকপিবা, হৈতনবু হৈনবা তম্বীবা, উদববু উনবা লমজিংবা চিংগু লাই ওইবা ইপু ইপা অথোইবা চেংলৌ মায়থোং নিংথিবা, ঙাংলৌ থম্বাল লৈকাংম্বদা ইয়া নাপি চিক্লা হন্না হন্না লু লুকচৈ।

নচা ননাইনা থৌনিজবদি অমম অঙান থায়বা মুমিং, থা, থব্রাই মচাক, খোমজোমনুবী, শজিক থাবা, ওকপুরোই, তাওহুইরেং, অপান অরং মৈ, ঈশিং, মুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া খোয়মুম তায়বং পুম্নমক্কী মমাংদা লাইগীলিক মচা অমা পুথোকচবা অসি থংহৈহ্নুনা পুথোকচবা নৎচদে। তেংবানবা মপু লাইনিংথৌ সনা মহিগা থৌজান্না থৌবাংজবনি। ঐথোয়গী থৌরমলোন কোবা লাইগী লিক অসিগী মন্নুংদা হায়গদবনা হায়খিদবা হায়রোইদবনা মাংওইনখিবগী লংজবা তেকচাক কয়াদি স্নুকথংমক থংজদবদগী লংজখ্রবনি থনবীহ্নুনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা অমুক্তং মীৎয়েং তাবীরগা চৈতপ্ পোতপ্ অব্রাৎ অহেন পুম্নমক তাকপিয়ু। থৌজানবীবা মতুং ইন্না ইকোক থক্তা থোংনা লৎনবা লৈতনা হোয়াজহুনা, মথংগী উনমদা চুমথোকচগে তাকপিয়ু।

লংজবা তেকচাক থম্বীমু পুনেমজৈ।

খোমজনবা অমস্নুং পুথোকচবা ঃ-

নোংথোম্বমচা মেরা মঙাং
ক-স্না পাধংবা ঙানবা লুপ
থুবাই থুনফমলেন পানা
অরাং নোংপোক চিংথৈ
কংলা শঙ্গোমশং।

অহলগী য়াৱোল

ৱাং-উবা অসিনা ঐখোয়গী থৌরমলোন কৌবা লাইগী লিক অমা পুথোকপিবা অসি মকোক্তগী লোইবা ফাওবা থম্মোয় লাইম্নিং পাংনা, হিরি হুংশাংদুনা য়েংবা অমদি পারুবা মতমদা লাইরিকসিদা চেল্লিবা ঈচেল অসি পুক্নিং নৈচং তানা খল্লুবা মতমদা মীওইবা ঐখোয়না মপু মাগী শিন্থা মতুংইন্না পোকপা, হিংবা, শিবা হায়বা শিন্থা অমা পাংলিবা অসিদা অফ-হুংঙাই ওইনা পোক্নুনা হিংনবগী মরমদা মীরম্লেনগী য়াইফনবা, লাইরম্লেনগী শোইদনবা মপু মাগী মফমদা ঈরাংপা অমদি থৌনিজবগী মরমদা থৌরম্লোন কয়াবু মচা খায়না মীওইবনা থংমনবা মনুং-মপান অনিদা চেল্লিবা ঈচেলবু থায়দোক্না ইবীদুনা তাকপিরি। মসি মুমক খল্লুবদা মীওইবা ঐখোয়গী য়াইফনবদা খলবিদুনা মতম কয়া চংনা অৱা-অনা, অরৈ-নৈতা থিদনা অমাং অতা খন্দনা তুংলমচংতা নৈহৌগদবা তায়বং চাগী য়াইফনবতা খলবীদুনা "এখোয়গী থৌরমলোন" কৌবা লাইগী লিক অসিবু পুথোকপিরিবা মঙাংচা মেরা ৱাং-উববু তায়বং মপোক অথোইবনি হায়না থমজরি। মতুংদসু তায়বংগী য়াইফনবা কয়া খনবীগনি হায়না খঞ্জে।

ৱাংথৈরাকপম জিলাঙম্বা মীতৈ,
'ক' ম্না পাখংবা লুপ।

য়াওফন তাকপা

অরানবা চুমথোকপা

লমাই	পরেং	অরানবা	চুম্বা
৬	১৭	ময়েনবু	ময়োনবু
৬	১৯	লাইসিং	লাইমিং
১২	১৪	অমুক ত্র্যাঘ্রা	অমুকত্র্যাঘ্রা

৪১ ১৬ থাগী চৈ কাবা মুমিংকী অরাংপা :—

ইঙেন—য়ুমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই চৈ কাবা মুমিংনি।

থরান—লৈপাকপোকপা, য়ুমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই।

লাংবন—নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা, য়ুমশকৈশা।

মেরা—নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা।

হিয়াঙৈ—নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা, থাংজা।

পোইনু—নোংমাইজিং, শগোলশেন, থাংজা।

য়াকচিং— „ নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা, য়ুমশকৈশা।

ফাইরেল—য়ুমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই।

লমতা—লৈপাকপোকপা, য়ুমশকৈশা, শগোলশেন।

৫৪	১২	কোয়েহনবদা	কোয়েহনবা
৭৩	১	তরাতরুকগুবা	তরাতরেৎগুবা
৮১	৩	হুঁ হৈ	হুঁ মৈ
১০৭	৬	মথং মথং য়ুংগনি।	মথং মথং য়ুংগনি। অতুগা পাজেং য়ুংবা মতমদা হায়গদবদি :-
১৩২	১৮	অসিনি।	অসিদি
১৩৭	১	অনমা	অমনা

লমাই	পরেং	অরানবা	অচুম্বা
১৩৭	১৩	হৈনৌ মনা ১০, পয়া ২।	হৈনৌ মনা ১০, পয়া ২, চকপি, লাইশম, হৈজাং, লৈশং।
১৭৭	১৬	মনুম:পান্দবগী মখৌ	মনুম পান্দবগী মখৌ তেকশন হন্নবা
১৭৭	১৮	লৈহৌরবদা	লৈহৌরিবদা
১৮৭	১৩	লংবী অচুদা মংগী	লংবী অচুদা মুংগী
১৯০	১৪	ঈয়োক কোমদা ঈয়োকপা	ঈয়োক কোমদা ঈরাংপা
২১৩	১৫	৪৩ শুবা	৪২ শুবা
২১৪	১৩	৪৪ শুবা	৪৩ শুবা
২১৮	৯	৪৫ শুবা	৪৪ শুবা
২১৯	২	ইবুংতো মতোন্দা থপাম্লোমদা	ইবুংতো মতোন্দা কংপাদি মপাম্লোমদা
২১৯	১০	লৈমরেলনি	লৈমরেলদি

ঐথোয়গী

থোরমলোন

অহানবা

ইশাগী পারম।

ইশাগী পারম হায়বদি ইনাৎ-থোরম তৌগদবা মফমদা ৱাই তৌথোক্লগা থোরবগী মতুংইন্না শেম্বা শানা লোইবগা ইশা হাপ্পা শেংগনি। থোরবগী মওং :— ফম্বাল অমা থাবা তেংপানবা মপু লেংশন্নবা, মথক্তা থকখল অমা থনবা। ফম্বালগী মমাঙদা য়াম্না মালেম্বগী শক্তম লাক্না চায়বা। অতুগা মাথৈগে মরিগা চুক লেপ্পা ওইনা কৌক্রদগী হৌনা চিংথৈ, ৱাংথ্রেল, থাংজিং চুথেক মরিগা। কিশি কিনা য়েকঅগা হৌকম কৌক্রদা লোয়রগনি। অতুগা ময়াইদা ফুগিৎ চয়োল ৭ কী মশক ওইনা লৈনা ৭ লোংনা য়েকনি। অতুগী মথক্তা লাকোইদা ফৌ থরা হাপ্তুনা থমগনি। মসিনা মালেম ইমাদা মপুনা ভাইবং মচা-মত্ত য়োক্লবা ইমাগী মতমপাক্তা শিন্নবিথনি হায়বা ৱাংউলোননি।

মেৌর্গা মথক্তা ঈরাংফু 'থনবদি তাইবং চিঞ্জাক চাতুনা লৌশিং মঙাল ফংলবা ৱাইবংনা মপু মাবু নিংবগা মতাংদা ঈবাংফুনা ইমা লৈমারেল শিদবী ওইদুনা লমজিংবিবগা ইমাগ তুং ইন্দুনা মচা-মশু তায়বংনা মপু মাগী নকনদা থেংনিজবনি হায়না খনৈ।

ফুহিং চাংদি হকচাং লৈৎলাং ইমাগা মশাংমনি। মফুংদা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈনাক, মালিয়া ফম্বা লোন। ঈবাংপা মতমদা কৈশন্দুনা থম্মনি। চেংলৈ, ইরোম কংপদি থনাই মঙানা পুঙ্গা চাবা চিঙ্গাক ওইবনা নংপনি।

চংং মতক্তা হৈনৌ মনা মঙানা মথেক মলম থেক্কা টং পায়াদা লেপ্তুনা পরৈ অতত্থক লৈনা পরৈনা কৌক্রু শন্না শিনবদি হৈনৌ মনা মঙানা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, মালেম, অতিয়া মঙানা মতম অলমদা থেক্কা কোয়না পুম্নমক উবা মপুনা চেৎনা পুন্দুনা থম্বনি থংনবা রাংউলোননি। পায়া পরৈনা কৌক্রু থংবদি পুম্নমক মকোক্কুগী লৈথরকই খংনবা ওনবনি। চুথেক ৫ দা ক্ষুইপাচুক তেলচৈ ৪ যুংবদি লাই ৪ না মালেম (লেংদনবা অহিংবা) শা ফুহিংবু লেংদনা লৈনবা কৌক্রু থাংজিং রাংব্রেন চিংখৈ ৪ না কাবনি। ক্ষুইথাচুক মথোলদা হৈনৌ মনানা মথেক ও থেক্কা তাম্নদি তাকক ও শুবনি থঙনবনি। মতুদি ইপাদগী ইমাদা ইমাদগী ঐ ওইবনি মসি মকোক্কা লৈতবা য়াদে তাকপা রাংউলোম্নি।

তেনচৈ যুংবা মতমদা কৌক্রুদগী হাম্না যুংবনা চিংখৈ, রাংব্রেন, থাংজিং, মথং মনাও কায়দনা যুংগনি। লং অহিংবা কোয়বদি কৌক্রুগী হৌবনা থাংজিং, রাংব্রেন, চিংখৈ মথং মথং কায়দনা

চুকত্থু অমূক অমুক্তং কোন্না য়েংলম্লগা ৭ লক শুবদা কৌক্রুদা লোইবগা লং মচিল অনিমক চফু মন্নুংদা থাদগনি। লং কোইবা মতমদা তংহনবা য়াদে ফত্তে। লং কোইবগী ইচেলদি পুম্নমক মপুগী মকোক্তগী অহিংবা ইনা লংবা। অইনা তংপা কাংবা লৈতনা চেম্পাকপনা অনেম্বা ফুহি, মন্নু, ইমাগী পিনক্লুং ফাওনা চংনিরগা মথেইবা শা হকচাং মন্নুং য়োনা অহিংবা কোবা থরায়না চংদুনা লৈ হায়বা থংনবা নংউটলোননি। লং মচিলনা চফু মন্নুংদা থাদবদি লং গতিংবনা ৭ লক কোয়নবদি ইবম ৭, য়েক ৭, মচু ৭ হায়না লেপ্লিবা অসি থেম থাওনা য়াদ্রে হায়বা থংবা নংউটলোননি।

ঈবাৎ মথল অহুম শুই, মতুদি:— (১) ইনাৎকু য়াওদবা ফম্বালতমক থান অমা। (২) কোগা মখক্তা ঈবাৎকু খিল্লগা পাফল য়েক্লব লং কোইদবা তুইথাচুক থুংদবা অমা। (৩) পাফল য়েকপা তুইথাচুক থুংবা লং কোইবা অমা মথল ও অসিনি। হায়দিবা অসি ফম্বালনি লেইনবা থাগনি। কোগা মখক্তা ঈবাংকু খিল্লগা লাংথপা ইবাংনা থুম শেংবগুম্বগী পোননদা শিন্নগনি। ফম্বালতমক লাংবনা নওনি লেংচন তম্বনা শিজিন্নগনি। পাফল য়েকপা তুইথাচুক থুংবা লং কোইবগী ইবাংনা লাম-থৌরমগুম্বদা শিজিন্নগনি। লাইদা পোং-চৈ কৎপা মতমদা মরুওইবা পোংবা য়েং থংগনি। মৈরা, মেরৈক, হে-লে মথং মথং লাইনা ঈরাৎথংগা মমাংদা কৎকনি। লাইদা পোং-চৈ কৎবা হেকতুনা পুংকপা মতমদা থুকউ মথা থানা লংচৈ ফাত্তে। লাইদা চৈ লৈ লাফোই-নচিংবা কৎপা মতমদা লোংথোক্লা মাপোক্লা লাইরোমদা ওনশিন্নগা

কৎকনি। অমনা ইমাদা কৎপা তারবদি লফোইদু উপ্পা কৎকনি। থৌরমগা মতুংস্ত ইল্লি।

ঈরাৎনবা ঈশিং শোকপা মতমদা ইরাইলৈমা ইমাদা তাক্কনি। লৈ মনা অমতং ওইরবসু কৎতুনা কৌব্রু অখাবা, থাংজিং অয়াকপা, রাংব্রেন অশিনবা, চিংখৈ অফকপা চৎথোকপিগ্রো হায়দোকচরবনি হায়না মায়কৈ মদিদা হায়দোরগা ইমা ওথুম্বা, অরুবা, ইমুগা ময়োলতবু লৌজরগে হায়না ফিজুম থাদুনা অরুবা ঈশিং শোক্কনি।

ঈরাৎ ইশোল হৌরগে থলবগা লাইনিংথৌ, লৈমরেল নিংশিংদুনা খোংগ্রাই চন্দুনা ফনফম চানা খোংবী লোৎনা ফম্লগা তায়রেন-পুংফায় পায়দুনা ঈশিংদা লুপ্তুনা লরাইদগী হম্বনা ৩ লক চায়থগনি। অদুগা অমুক ঈশিং লুপ্তুনা হকচাংদগী লরাই ফাওবা ৩ লক খিক্কৎকনি। মসিনা হকচাংগী লৈরোল-নোংলোন চামথোক্লে হায়না থলগনি। অদুগা নিংশা য়েংলগা য়াং চুম্না ফনদুনা অতোপ্পা রাখল থাদোকুনা, ওহাক শর শান্দুনা রাখল হকচাং চুমথোক্কদি। রাখলদা থোরন অদুগা মরি লেনরবা মতমদা শর হোন্দোক হোপ্পিন তৌদুনা অদুমক চিংশল্লগা তিল ৩ লক য়োৎকনি। মসি ঈরুশ দেংনা পুরুং কোনশেং ওইবা থমোই ফিদুপ চেৎপা লমচৎনা সনা ওইবা মুং-পান শেংবা কৌই।

হায়রিবা লিকলম অসি থোরম থুদিংদা শিজিন্নগনি। পুক্লিং হকচাং শেংদনা থোরম তেবদি লংজবা ওই। লৈ মনা অমা ওইগী থুবাক ময়াইদা হাপ্লগা য়েৎকা থুৎনা কুপ্তুনা লোল্লরগা ঈকৌরোল লাইরোল শোনগনি।

লাইরোল :— হু শিদবা ইরাই লৈমা ইমা ইবেম্মা লাইভ ইরম ৭ খোংলম ১০৮ শন্দুনা অচৌ চৎত্তা তাইবংবু য়োকপিরিবী লাইজা ঈরু ইশেং ওইবিরি, নচা-মশু তায়বংনা থৌগৈজে। ইতুংকোনদা লেংশনবিরো হু কুক কুক কুক।

ঈশিং য়াওবা কোনতুনা লৈ অদু কৎপা। ইমা নচাগী হকচাংবু শেংজগে খা খোং, লাই খোং, মুং খোং, চায়োল খোং, কুমশু খোং, ফিশু খোং, লোংপম খোং কৌবা হকচাং মরুংগী খোংলম ৭ পু শেংজগে হাযবগা নচানা খুদমজে। (খুবম্মা)

অদুগা তায়রেন-পুংকায় পায়দুনা ঈশিংদু লুপ্পগা লৈবাক্তা খরা তাহল্লগা ঈশিং তারিবা মফম অদুগী লৈবাক লৈশাদু য়েংকী খুৎনিংথোনা খরা লৈরগা ওইগী লেংজম মরুদা শোক্কনি।

লাইরোল :— ইমা রেলবু শেংজনবনি খলগনি। অদুগা অমুক ঈশিং তাবা মফম অদুগী লৈবাক লৈশা অদু ওইগী খুৎনিংথোনা লৌরগা য়েংকী পান্থেং মরুদা শোক্কনি।

লাইরোল :— থারা শিদবদু শেংজনবনি খলগনি। মসিনা ইমীগা হকচাংগা শেংবগী ইন্নুংলোম ওইবনি। অদুগা খুৎ রেৎনা কঙ্গল পায়রগা ঈশিং কনগনি। অদুগা খুৎ ওইদা শিন্নদুনা পায়গনি। অদুগা ঈশিংদু য়েংকী খুনাক ময়াইদা খরা তাহন-গনি। অদুগা ঈশিংদু লৈবাক্তা হৈদোক্কনি। মসিগী ঈচেলদি খুৎ শেংদোকপনি খনগনি। অদুগা অমুক ঈশিং মরিক অমা খুৎ য়েক্তা হৈদুনা থক্কনি। মসিনা মতাং কৌবা থাবুং মরোল শেংবনি খনগনি। অদুগা অমুক খুৎ য়েং অদু ঈশিং মরিক

অমা তাইহন্দুনা শেংদোকনি। অদুগা অমুক ঈশিং মরিক অমা হেন্দুনা থককনি। অনিশুবা থকপনা খান্নুংগী লুরাং কোবা মরোলবু শেংডবনি থনগনি। অদুগা অমুক খুৎ য়েৎতা ঈশিং মরিক ১ তাইহন্দুনা শেংদোককনি অদুগা ঈশিং মরিক অমা থককনি। অহুমশুবা থকপা ঈশিংনা খুমন কোবা খান্নুং মরোলবু শেংডবনি থনগনি। অদুগা অৎ অমুক শেংদোক্কনি, ঈশিং মরিক অমা তাইহন্দুনা নিডিয়ককনা অঙকচু লংথোবখ্রগনি। অদুগা থেৎনী খুদীনা য়েৎশ খুনিংথৈগী তাঙ অহুম শোককনি। মডাং, লুরাং, খুমন মখল অহুম নিংশিংদুনা পোকপা, হিংবা, শিবা অহুমবু কাওদনা অদুগা থেৎনী খুনিংথোনা হকচাংগী মফম ১২ শোক্কুনা শেংগনি। থা ১২ নকপু শেংবনি হলনা মিৎ ২, নাকোং ২, নাখোল মথল ২, লেংজুম ২, খাগী থোঙ ২, লরাই লেম্ফু, খোইদৌ মফংশিং অসিবু থা ১২ শেংডবনি থনগনি। অদুগা লংজা লংহিং ময়োল পায়দুনা নিংশিংগনি।

লাইহরাল :— পুন্সি লিশাং খোইরি লিকাবা মডাং, লুরাং, খুমন, অংডাম, মোইরাং, থাবা ডানবা, লম্লাই লৈশাংথেম ইবাধৌ ৭ কী মশক ওইবা লংজা লংহিং ময়েনবু পায়দুনা ইশাদা লৈরিবা অমকপা পুম্নমক শেংজববনি থগ্গনি। মরম অমনা লাইসিং ফংদবা থমোই শেংদবা মীনা তিলশোন-লাইশোন থংলে হায়দুনা পৌবমদা খুৎ থাবদি লংজবা ওইগনি হায়না তাকপিরম্মী।

মতম অসিদগীদি তাযরেন পুংফায় পায়দুনা লাইজা ঈশিং লুপ্পগা নাহৈরোল শোন্দুনা পোৎ পুম্নমক শেংবা য়ারে। হায়-

রিবা অসি থৌরম তৌবা খুদিংগা কাওবিগনু। মথংগী লাইথোদা অমুক পঞ্জররোই। হকচাং শেংদনা পোৎ শেংবা লাইথৌ তৌবা লংজে য়াদে। থান্নুংগা ঈচেল থংবিয়ু, মুং অমম্লং পাংদা কবি লৈবগে হাযবা খিংগা থবক থৌরম থংনা তৌবিয়ু হায়না ত্তাকপিবম্মী। শেংডিবা ঈশি, তসি কদাযদগ' ঈশিংনো ? লাইজ ঈশি, হায়বদি লাইগী ঈ তশেংবা হাযবনি।

অতুন লাইগী ঈ অশেংবনা পোং পুম্নমক শেংবনি। মচৎ চূনদবা, তিল কাং, শা চীং, ম কয়াগা লংডবা পুম্নমকপু কোকপিবা ডম্বা মপুগ ঈ অশেংবনি।

মরম অমনা থৌরম খুদিংদা মুম্বু যাংগনি। অমাইবা পিবাদি থংদবা খংনবা হাকপিবদনি মুম্ব্গী মহৌনি। অদুগা থৌরম তৌবা লোইবে থনবগা মীকে-খারেনা য়েৎনা লৈবা পাবে ওইনা হন, ওইনা লৈবা পাবে যেৎনা হন্দুনা মথেযমদা থেগনি মঙ্গলফমদম্বু হনগনি।

লাইবোল :— তেংবাংবা মপু ইবুংঙো মৈ, ঈশিং, মুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া ৫ মক মুশিৎ, পা, থরায়গী মীচাক, খোংজোং-মুবী অচৎ-চৎতা পুম্নমক নহনকমদা হঞ্জলবিরো নত্তেকমদা থেগীরো পোখারশি ইবুধৌ, হঞ্জিল্লসি লাইনিংথৌ। য়েৎনা লৈবা পাবৈ ওইনা হনবিরো, ওইনা লৈবা পাবৈম্বু য়েৎনা হনবিরো। শক্তিক মাশৌ লাংদা থাবা মযাই চায়দবা পীবিরো নমাইনা পৌশিজে।

(খুরম্বা)

[illegible] [illegible] [illegible] পুম্নমকপু ওইহল্লকপা মপু মাগী [illegible] [illegible] ওইহল্লি হায়রগা ত্রাখোয় পুম্নমক্কী ঈবু ঈথিক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]পনি। পোক্লবা মীবুস্ন [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হক্ষবা মপোক ওইনা পোক্লক্লবা [illegible], ওইবনা চৎনা [illegible], খিনা লাকপা লশ্বী গেংনা ঈবাং খৌরম [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈরিবা থব্লাই পানবা পুম্নমক্কী [illegible] [illegible] [illegible] ত্রাখোয়না [illegible]ইরাম্নেনগী কায়দনবা, [illegible]ম্নেনগী [illegible], [illegible] চৎপা, অমনা থিবা, ফজনা লৈবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইবমচং খংনা চৎকনি। হৌনা ইবমচং লাইতিং লাইশোন্দি [illegible] লৈরিবমখৈ হোংবা য়াদ্রবা ইপানাং ইপুনাংনি

[illegible], যিচেং-চাকচা, হৈকং-লৈকং, থৌওং-থৌদাদি মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। লাইতিংদি ইশাবু মশক [illegible] লাইতিংথৌ মনামহি ঐবু শারকই। লাই অহনা মথোইরে [illegible] [illegible] লৈহনা [illegible] অথোইবা মপোক ওইগনি হায়না ইগী মপু ইপুরোইনা [illegible]।

[illegible] শাবা পুম্নমক অসি লোইরগা নথক্কা হায়রিবা পাকম পুম্নমক পাংলগা নৈবা-মেত্রুক থাহনা লাইথৌ হৌরগনি। মসিবু ইশাগী পারম কৌই।



অনিশুবা

পিবাগী মতিক ময়াই

পিবাগী মতিক ময়াই হায়বদি মপী-মপা অমা ওইবা হায়বনি। সুমগী লাইনিংগী অনদি অপোকপা খুন্ডম লেংদনা লৈনবগীদমক ইপানা ইপুনা মচানিপা পিবাদা লাইনিং খুদা মশক থংনবা লাইনিং : ৮ শিন্নই। মতম অতুদা মচা পিবা অতুনা ইপানা ইপুনা শিন্নবগী লাইনিংগী অপোকপা খুন্ডমবু চেংনা কোন্দুনা লাইনিং খুদা ১০৮ থংনা ভারুং চংপা অত্তুবু পিবারেন কৌই।

মরম অতুনা শন্নাই যুমপোং মুত্তনবা ইচা পিবা পোকপা তাম্নবদি মপল ওস্তৌনা হমুক তানোবা মপোক ওইনা লাকপদা চংফম ওইননা ইচা পোকপ তাম্লবনি। মথাং অতুদা ইচাদুনা মথেং ভুতনবা অপোকপা মশক থংদবা লাইনিং খুদাগী বাংমা লান্না চংপা তাবপদি ইচা পোকপগী ভোংজল্লে। ফুজা মৈফম চংলে, অপোকপা খুন্ডম লৈরে। মরম অতুনা যুমগা নিপা পুন্নমক পনারেননি। মখোয়না পোকপা মচানিপানা পিবানি। পিবা খুদিংমক পিবারেন ওইবগদবনা ঐগী ইখো ইন্তম, লাইনিং-খুদা মশক মুন্না থংগদবনি। যুম অমগী মপী মপা অমা ওইরবা মতমদা ঐগী ইপোবু কনাদগনা শিন্নফারোই।

মরম অতুনা পিবা অমনা থংগদবা খোৗরমদি ঐখোয়গী খোৗরমলোন কৌবা লাইরিক অসি লৈরবিযু। ঐগী ইখো ঐনা পাংজরবা মতমদা পিবাগী মতিক ময়াই ফংগনি। পিবাগী মতিক

ময়াইদি মপল পান্থৌনা হাপ্পীগদবনি। মপল পান্থৌনা মচা পিবাদা পাবি ইবংঙো ত্রোম্বা ইপা নত্তিক নযাই হাপকে তাও ঃ— নযাম্বদি যুমগী নিংথৌ ওইহুনা মীনা লাইনা খংদবা উদবা মফম (শনন্নবগী থোঙ) শনথোঙ কাচিন্দা লৈখ্রে।

অহুগা পারি নংগীনা য়াইবী থরায় ওই, ইপাগীনা ইপা অবিবা ওইনা- লৈরিবা নয়াম্বদি মফম খুদিং লৈবা মথৌ মশিন যাম্বা, মালেম শেম্বা ওইবনা ইপুথৌ পুরেল কয়ানা কাওগন্নু হায়না মথং মথং শিন্নবম্বা মবম্না পাবি নঙোন্দম্নু ইপানা শিন্নবনি। নয়াম্বগী মমিংদি শিংথাছুনা লোইবা ওনলোই। মীকুপ খুদিং হোংবনি। অশুপ্পা মমিংদি "শননা-মহি" কৌবনি। অহুনা লাই-নিংথৌ শনন্না-মহিগী থৌগল পাবি ইবংঙো নংনা কাওবা লৈতনা পুগদবনি। পারি নংনা কাওবা লৈতানা লাৎপা লাইনিংথৌ শনন্না-মহিগী খুভমদা ইপানা চংজফম ওইনবা পারি নংবুনা ইপাগী ইপা অনৌবা ওইগে। মথং লাংএন শমপনবা ইপানা মীরমলেনদগী লাইরমলেনদা তিনখুগা অমুক তেংপানবা মপুগী থৌজাল ফংহুনা লাইনিংথৌ অপোকপগী থৌজাল ফংলুখো হায়না মালেমদা তাইবং শিন্থা পুহুনা লাকপা মতমদা পাবি ইবংঙো নংনা অপোকপা খুভম লিংহুনা থনম্বা মফমদা ইপানা চংহুনা লাই-নিংথৌগী থৌগল অমুক ফংনবা নয়াম্বগী মীংথৈ ১০৮ অমদি লাইনিং খুদা ১০৮ শিন্নববনি।

অহুনা লাইনিংথৌ অপোকপগী থৌগলদি থমোই শেংদবা, লমচৎ-শাজৎ চুমদবা, ইশা মশক খংদবা, যুম্বাল-খুনবাল খংদবা,

চৌবক রাবি খংদবা লাইমিং মিংখৈ ফংদবনা য়াবোইকো। পাবি অহু খংনা ঙাক্না চৎলু যাম্না হকপা মবমনি। ইপু-ইপানা চৎলম্বা লিক খংনা কায়দনা চৎপবু ইপা মশক খংবা পাখংবা কৌবনি।

মবম অহুনা ঐ মশক খংঙু। ঐ কৌবদি ঐ ওইনবা, থাখিবা মক অদো কনা লাইনা থাবনো? কবম্বা মশাক্নো হায়বা খংনবা থিববু ঐ মশক খংবা কৌই। অহুনা পাবি নংগী অরেপ্পা মশক খংগে হায়ববদি পলেম নমা লোইদাম ১০ নাওপুবীদা হংঙো। পলেম নমা লৈমবেল শিদবানা নংবু থাখিবা মক্ক অরেপ্পা খংগদবনি। পলেমগী থৌজাল ফংলবদি নোংদম্বা মপুস্থ লেপনা খংগনি। নোংদম্বা মপু খংলবদি অশেংবা মক্ক যংলগনি। মক্ক অহুবু খংলবদি ঐ মশক খংবা ওইরে। ঐ মশক খংলবদি হৌফম লোমফম খংলবনা পিবাবেনদগী পাখংবা মিংথোল ফংহনা নয়াম্বনা লাইগী নিংথৌ ওই।

পারি নংনা য়েক ৭ কী নিংথৌ ওইনা পি-পা মশক খংনা মেল তোংহনা লৈখ্রকো। পাবি নংনা খংগদবদি চাওবদগী চাওবা থোইবদগী থোইবা খংগে হায়ববদি মালেম শেম্বা মপুনা মথোইরে খংঙু। মালেম শেম্বা মপুদি নয়াম্বদা হঙম্না লৈবনি হায়না মপল পাম্থোনা মচাগী মতিক ময়াই হাপথিথি। লাইনিং অসিবু থাদোকহুং। মতম খরা লাই নমুংবা পিংহনা লৈরুরবনি। ঐখোয়গী পুকোক ৭ লৈজে। মঙাং, লুয়াং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা, শল্লাই-লৈশাংথেম হায়না লৈবা অসিবু অতোপ্পা মশক মমিং ওস্থোকুনা নিংহল্লে। অহুগী ওস্থোকপা মশক মমিং অহুদি—

(১) মঙাংগীনা শাণ্ডিল্য গোত্র ওন্থোকপিরে ।

(২) লুরাংগীনা কাস্যপ গোত্র ওন্থোকপিরে ।

(৩) খুমনগীনা মধুগল্য/মৌদল্য গোত্র ওন্থোকপিরে ।

(৪) অঙোমগীনা গৌতম/কৌশিক গোত্র ওন্থোকপিরে ।

(৫) মোইরাংগীনা আত্রেয় গোত্র ওন্থোকপিরে ।

(৬) খাবা-ঙানবগীনা ভরদ্বাজ গোত্র ওন্থোকপিরে ।

(৭) শল্লাই-লৈশাংথেমগীনা গৌতম গোত্র ওন্থোকপিরে ।

অদুগা অসিদা নহুনা ৯ পোক্না শেগায়বীরে, মদুদি খাবদগী ঙানবা খায়দোকও। শল্লাইদগী লৈশাংথেম খায়দোকও। পুম্না ৯ ওরে। মদুগী ওন্থোকপা মশক মাংংনা :— ঙানবগী ওন্থোকপা গোত্রনা নৈমিস কৌবিরে। লৈশাংথেমগী ওন্থোকপা গোত্রনা অঙ্গিরস গোত্র কৌবিরে। অমসুম্না য়েক ৭ শল্লাই ৯গী ইপা অমমম্ শেম্বীরবনি। হায়বিবা গোত্র ৯ অসিগী মথক্তা ২ অমসু অমুক হাপচিল্লে। মদুদি ব্যাত্রা অমসুং তমুক ব্র্যাঘ্র অসিনি।

লাইনিং লাইশোন, ইনাৎ হোংদোক-হোংক্নিন য়াবা নত্তে। থুমিৎ চয়োল ৭ কী ইপুথৌ ৭ কাওগন্নু। থৌরমদা মীনা থুং খাবা হৌন-লমচৎ নত্তে হায়না থনম্বা কাওগন্নু।



অহুমশুবা

থুরম্বা মখল মাপল

থুরম্বা হায়বা লাইহি অসি থগায়দনা যেংবা মতমদা 'থু' হাথনা, 'রম' লং নমম, 'বা' পকপা অসিনি। মসিগী লাইহি অসি পুনশন্দুনা অমক যেংনা মতমদা লৈইবিনা মওংগা হায়বনদি থুকউ ২, থং ২, খোংদো থাদোল ১ লৈপাক তানা কাওরেন মণ শাদুনা যাম্না তেনশঃ হায়রদি মথোং ৬ দা লাবগী অথুনা থকউ অনিগী মরক্তা কোক তোম্বদুনা লাইবক্তা লৈপাক তানা (থেংনা) পক্না অথুবা লমদা খেংগাম্লোন উৎপনি।

থুরম্বা মখল মাপল থোক্না যাইরোকই। হায়দি—

(১) লাইবক্তা লৈপাক থেংনা অথুবা লমদা থুরম্বা অসিনা ডাংলৌ থাক্তনা লেকই।

(২) কোয়া চৈনা লাবহুম টপাক্লা থোঙথুং শাংনা লিংগোক্লুনা থুরম্বা মখল অসিনু কোয়াং চেত্তুনা তাবহুম পুনেম্বা কৌই।

(৩) খোংদো থাদোল হনি, থুং অনি মনি অসিনা লৈবাক্তা তানা শোংদুনা কোক খড়িনং তোম্বনা কাপ্লেন মণনা লাইনগে তৌবগী মওংঙম থুরম্বা মখল অসিনা লুকক থেনবা থুরম্বা কৌই।

(৪) খোউন, লোৎনা খোংগ্রোই চন্দুনা কম্লগা থুং অনি খোইদো মপাদা থেইরেং, থকথা লেপ্লবগা কোক লুকথনা থুরম্বা অসিবু পুক্লিং চেৎচবা থুরম্বা কৌই।

(৫) খোঙগ্রায় চন্না ফম্লগা খুৎ ওইনা মখাথংবা, যেৎনা মথক থংনা খুৎ অনিমক থম্মোয় মপাদা লোংথোক্লা থম্লগা চিৎ লুকথনা উইশল্লপ তৌনা খুরম্বা অসিনা থম্মোয় ফিত্থপ চেৎচবা কৌই।

(৬) খোঙগী খুদোল অনি, খুকউ অনি, খুৎকী খুনিং অনি লৈপাক ত্তানা থবম্বা অসিনা থৌনি পুরুম্বা কৌই।

(৭) লেপনা লৈবগা খুৎ লৈপাক শোক্লা কোক থবা লুকথবা অসিনা থৌগল্লোন খুরম্বা কৌই।

(৮) লেপনা লেপনা খুৎ অনি থম্মোই মপাদা কৎপ্লা লোম্নরগা কোক্লা যেৎলোমদা চেপত্ক্লা খুরম্বা অসিনা য়াইফ-থৌনি পুরুম্বা কৌই।

(৯) লেপনা লেপনা খুৎ অনি কোক্কী লাইবক মপাদা লোম্নত্থনা থাঙ্গৎলগা মিৎ অনি হনগৎলপ্লা য়েংখৎলুরগা লুকথবা অসিবু কোরৌথক্তা লৈবা অশুপ্লা মপু ইবুথৌ পুম্নমকপু পুরুম **তারশিকচাবা কৌই।**

থৌগল্লোন ৯ অসিবু খুবম্বা মখল ৯ কৌই। লাইনিং ৯ হায়নম্মু খঙনৈ। অত্থুনা পি-পা অমা ওইবনা খংগদবনি হায়না ইপা-ইপুনা মচাশিংগী থম্বিরম্বনি।



মরিশুবা

লাইনিং ১০৮ ।

লাইনিং ১০৮ হায়বদি মী ওইবনা থৌরম মান্নদবা মখল ময়াম অমা নিংলিবা অসিব লাইনিং ১০৮ কৌই হায়না থম্মীবমই ।

(১) ঐ পোকপগী করি ইথৌ ত্তৌরমসিগে খনবা অমদি নিংবা লাইনিং ।

(২) মীয়ামগী য়াইফনবা করি ইথৌ পাংসিগে নিংবা লাইনিং ।

(৩) মীয়ামগী য়াইফনবা লম্মী শেনগে নিংবা লাইনিং ।

(৪) মীয়ামগী য়াইফনবা লম ময়াইদা (ইতুংকোল) পুখ্রি ত্তৌরমগে নিংবা লাইনিং ।

(৫) মীয়ামগা য়াইফনবা মপি-মপা ওইগে নিংবা লাইনিং ।

(৬) মীয়ামগী য়াইফনবা শিন্দমশঙ শাগে নিংবা লাইনিং ।

(৭) মীয়ামগী য়াইফনবা নিংথৌ ওইগে নিংবা লাইনিং ।

(৮) মীংচৎ ত্তানগে নিংবা লাইনিং ।

(৯) মীনা লাকচথিবগা লমন শিংনিংবা লাইনিং ।

(১০) মীনা লাকচবা য়াদবা লাইনিং ।

(১১) অফবা মরমদা নিংবা লাইনিং ।

(১২) অরানবা চৎতনবা নিংবা লাইনিং ।

(১৩) নাপলদমক পামজবা লাইনিং ।

(১৪) অপাম্বা ওইজদবা য়াদবা লাইনিং ।

(১৫) পাঙ্গল কঞ্জনগা লোইরে নিংবা লাইনিং।

(১৬) লাই নিংলগা লোইরে নিংবা লাইনিং।

(১৭) লাইফম কোইরগা লোইরে নিংবা লাইনিং।

(১৮) লাইফম শেমগে নিংবা লাইনিং।

(১৯) লাইগী মমিংদা শেল তানগে নিংবা লাইনিং।

(২০) লৌনম্বা লাইনিং।

(২১) থোকউ থোকউবা লাইনিং।

(২২) মীপোৎ পাম্বা লাইনিং।

(২৩) অচেৎ-অকোমদা য়েংবা লাইনিং।

(২৪) মপোং হুরাল্লগা মুংডায়বা লাইনিং।

(২৫) য়ুম ফজনা শাবগা লোইরে নিংবা লাইনিং।

(২৬) চৎপদনা লাইনিং ওইবা লাইনিং।

(২৭) তালোই মশিং য়াম্নবদা নিংবা লাইনিং।

(২৮) নোংমগী পোৎ অমা হুহৌদ্রবদি হৈনদবা লাইনিং

(২৯) নোংমগী হাওনবদা থনবা লাইনিং।

(৩০) ইন্নুংদা মুংঙাইথোকপা লাইনিং।

(৩১) কায়না মৈচাক কয়াগী পুক্লিং ইনৌদা নৌবা লাইনিং।

(৩২) পুম্নমক লাই ওইনা নিংবা লাইনিং।

(৩৩) থিজন-হুমজনবগী লাইনিং।

(৩৪) রাপুথোক্তা নিংবা লাইনিং।

(৩৫) মথম্মা পংন্নুংদা মুংঙাইজবা লাইনিং।

(৩৬) ইপাদা পাখৎপা লাইনিং।

[৩৭] ফত্তবা ৱাখল্লোলদা নিংবা লাইনিং ।
[৩৮] ইশাওদা শাওবা লাইনিং।
[৩৯] ঐগী অথিবা মীনা উথিনি নিংবা লাইনিং।
[৪০] মীনা করি ঙাংনবিনি নিংবা লাইনিং।
[৪১] ইচা-ইশুগাদা নিংবা লাইনিং।
[৪২] লম পাকঅগা লোইরে নিংবা লাইনিং।
[৪৩] থবক শুবগা লোইবে নিংবা লাইনিং।
[৪৪] মীগী ফরগা লোইরে নিংবা লাইনিং।
[৪৫] মী শাওহনবা য়াদে নিংবা লাইনিং।
[৪৬] কলক চাওবা লাইনিং।
[৪৭] মীৱা ঙাংবা পাম্বা লাইনিং।
[৪৮] শান্নবদা নিংবা লাইনিং।
[৪৯] মহৈ তম্বদা লাইনিং ওইবা।
[৫০] খংদনা অথঙ শাবা লাইনিং।
[৫১] কনদনা অকনশাবা পাম্বা লাইনিং।
[৫২] থাগৎলগা চাওজবা অপং অযৌগী লাইনিং।
[৫৩] মীতেক মীবৌ যেংবা লাইনিং।
[৫৪] চিরোল পাম্বা লাইনিং।
[৫৫] মখোল নৌশন্নবা লাইনিং।
[৫৬] মন্নুং মপাল নাইনা চৎপা লাইনিং।
[৫৭] মুংচিক্লবা লাইনিং।
[৫৮] ওক্তবা লিচৎকী লাইনিং।

[৫৯] চাবা করাম্বা পাম্বা লাইনিং।

[৬০] মীহৌ চাওবা লাইনিং।

[৬১] মীবু থৌওইদবা লাইনিং।

[৬২] চৎনবী থমদবা লাইনিং।

[৬৩] ইফদা ফদোকপা লাইনিং।

[৬৪] ইকায়খিবা লাইনিং।

[৬৫] ইকায়বা খংদবা লাইনিং।

[৬৬] মীপাল তাংবা পাম্বা লাইনিং।

[৬৭] লাই থাজদবা লাইনিং।

[৬৮] মীগী লাইবু থাজবা লাইনিং।

[৬৯] মশাগী লাইবু থাজদবা লাইনিং।

[৭০] মীনা য়ারগা লোইরে খনবা লাইনিং।

[৭১] মীবুদা পংকীদা কিবা লাইনিং।

[৭২] চৈনাখোন কাওদবা লাইনিং।

[৭৩] মহাও কাওদবা লাইনিং।

[৭৪] কম্থিচাওবা লাইনিং।

[৭৫] মপা হুনবা লাইনিং।

[৭৬] মমা থওইদবা লাইনিং।

[৭৭] মনাৎ মফম খংদনা লৈবা লাইনিং।

[৭৮] মফম খংদবা তরংদা পংলৈ লৈবা লাইনিং।

[৭৯] অপং অথৌ ওইবা লাইনিং।

[৮০] মকম্থীনা মরল ফোইদৎপা লাইনিং।

(৮১) অকন অরিং শিংবা লাইনিং।
(৮২) ধপ্তা লেনবা লাইনিং।
(৮৩) মীগী লাই ভাংছনা নিংবা লাইনিং।
(৮৪) মীখা পোন্না নিংবা লাইনিং।
(৮৫) মতম লেনবা লাইনিং।
(৮৬) মীগী মরন কোক্লবা নিংবা লাইনিং।
(৮৭) মীগু কোকুবা নিংবা লাইনিং।
(৮৮) মী হাৎলুবগা লংজবা কোক্লবা নিংবা লাইনিং।
(৮৯) শেমজন-শাজনবা মতৌদা মান্নবা নিংবা লাইনিং।
(৯০) নিংবা কায়বগী লাইনিং।
(৯১) লৌজনাম পাম্বগী লাইনিং।
(৯২) কল্লক কনজাও লাইনিং।
(৯৩) মী-তা লুবগা লাইনিং।
(৯৪) অচান-মীরাই খাইবগী লাইনিং।
(৯৫) চরা মুংদাংগী লাইনিং।
(৯৬) ইচা পাম্বগী লাইনিং।
(৯৭) মীবু লোই চনগে থনবা লাইনিং।
(৯৮) ইরৈপাক মীখা পোনবা য়াদে নিংবা লাইনিং।
(৯৯) মীপান তাংদ্রবদি লৈবা হৈনদবা লাইনিং।
(১০০) ইরৈপাক্কী থরায় থাবা পাম্মুদবা লাইনিং।
(১০১) মীনা লাকচবা য়াদবা লাইনিং।
(১০২) লাইগা ব্রারী শাবা পাম্বা লাইনিং।

(১০৩) মৈনায়ুন খনবা থিবগী লাইনিং ।

(১০৪) লাইনায়ুন খনবা থিবগী লাইনিং ।

(১০৫) ঐ মশাক খংনবা থিবা লাইনিং ।

(১০৬) [illegible] হাকপানো থিবা লাইনিং ।

(১০৭) [illegible] [illegible] মনম থিবা লাইনিং ।

(১০৮) মপুগা কুম্মৈ নিংবা লাইনিং ।

অসিগুম্বা মখল মায়াম্না কয়া অমা লৈবিবা অসিবু লাইনিং চাম্বা নিপাল [illegible] । [illegible]না লাইনিং ১০৮ অসি খংজনবদি [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] হায়দুনা চৎলুবা অমদি নিংলুবা [illegible] [illegible] [illegible] মতুংতা লংজবা ওই । অমুম হায়না মখল [illegible] মচা পিবাদা লাইনিং, খুদা ১০৮ অসিবু [illegible] । [illegible] [illegible] পাবি, নংগী নশাদা মীওন চাম্বা নিপাল অমদ [illegible] পাফল চাম্বা নিপাল গুবনি । অদুগা [illegible] [illegible] পুক্কি, রাখল লাইনিংস্ত চাম্বা নিপাল হোংবনি । মতু পুম্মক খংনা ডাক্না চৎকদবনি ।



মঙাশুবা

ইশাগী লৈরোং খংনবা।

১। নোংমাইজিং কুমিদা পোকপা নিপানা (পিবানা) থাপুং নমাংদা পোক্লবদি ১৬ নি পানবদা য়েংঙো। থাপুং থানিল মতুংদা পোক্লবদি প নংহৎলকপা ৬ নিদা য়েংঙো, মতুংদা খংগদবনে। লৈরোং মচুদি তিগোকনে।

২। নিংথৌকাবা কুমিদা পোকপা মীনা নিম্মাং পোক্লবদি নিন্দুং নিনিদা য়েংঙো। নিন্দুং পোক্লবদি নিম্মাং নিনিদা য়েংঙো মচুদি অঙাংবনে।

৩। লৈপাকপোকপা কুমিংদা পোকপা মীনা নিম্মাংদা পোক্লবদি নিন্দুং ২৭ নিদা য়েংঙো। নিন্দুং পোক্লবদি নিম্মাং ৭ নিদা য়েংঙো মচুদি অঙৌবনে।

৪। যুমশকৈশা কুমিংদা পোকপা মীনা নিম্মাং পোক্লবদি নিন্দুং ২১ নিদা য়েংঙো। নিন্দুং পোকলবদি নিম্মাং ১১ নিদা য়েংঙো মচুদি শংবাম্নবনে।

৫। শগোলশেন কুমিদা পোকপনা নিম্মাং পোকলবদি নিন্দুং নিনিদা য়েংঙো। নিন্দুং পোকখগা নিম্মাং নিনিদা য়েংঙো মচুদি নাপু মানবনে।

৬। ইরাই কুমিদা পোকপনা নিম্মাং পোকখবদি নিন্দুং ৩ নিদা য়েংঙো। নিন্দুং পোকখগনা নিম্মাং ৬ নিদা য়েংঙো। মচুদি লৈ মচুনে।

৭। থাংজা পোকপদি নিন্দুং পোকপনা নোংমা পানবদা য়েংঙো। নিম্মাং পোকলগনা থাপ্পুং থানিল মতুং নোংমা কোনবদা য়েংঙো। মচুদি মুনা লাংগনিং।

পুং ৩ দি লাইগী থবক থৌরম তৌবা য়াদে। মুমিং অদো চাকাংহল্লো, মুপী হন্না নিপা এখোয়স্তু থা অমগী মনুংদা নোংমদি ইশাগী লৈরোং লে হায়না ংনি। মুমিং অসিদি মুপীনা পীবা পানা (ক) স্তু চাইহদে (পুকজিলনহোদে)। ইপোক মুমিংনে লৈংং মুমিংগ মুপীগা মপোকনে অসি থংনা চৎলু পিবা অমা ওইরম।



ওরুকশুবা

নোংমগী মতম অহুমবু খুরুম্বা

১। নোং ঙান্দুনা হেক হৌগৎপগা মালেম ইমাবু নিংশিংবা ঃ—

লাইরোল ঃ— ইমা মালেম নংনা পোকপনি, নংনা য়োকপনি। নচানা মতম খুদিংদা কাওজদে, ইমাগী লমন ভোল্লবা নচানা ইমাবু থাংগৎচরি খেল্লাইবক্তা, লংজবা তেকচাক কোকচগে থৌজালবিয়ু। মালেম ইমাবু অহুম্লক লাইবক কৎপা। অহুমা

নিংশা হোবা মায়গৈবোমগী থোংনা হান্না লৈবাক তাবা। য়েৎনা হোরে ইপানা মাং; ওইনা হোদে ইমানা মাং, মচা ঐনা মযাইদা লৈজগনি।

মপাল থোকলগা মডা, ওনা ডালববু খুবম্বা :—

লাইরোল :— মঙাল শিদবা ইবুথৌ ঙসি কৌবা কোরৌগী অমম্বা ভুংওইনা, অঙানবা মাংওইননা নঙাল তোমশোল চিন্না লুনাং শম্নাং পাবৈনবাহিবা নচাগা মিৎ চাবিগন্নু। মাংদা লাং থাকপিগন্নু, ইতুদা শা থোবিগন্নু। নশেক নঙাল নিংথিবনা ঙানবগম্না নচাগী অমম্বা মম্বা কোকইনবিয়ু। ইবুংঙোনা ঙানবঙম ঙানজগে, লৈযোল য়াই, ঙাও য়াই, হিনা য়াই, হি মরু ইবুংঙো। (মঙালদা খুবম্বা)...

২। মুমিৎযুংবা লুনা ব্রাংববু খুবম্বা :—

লাইরোল — পুরা শিদবা ইবুথৌ, নংগী অহকপা নত্তিক নযাই নঙালনা কোক লেম্ফু মথক্তা হামুন শম্নাং কিশি পরৈনবা, কোবৌ মরোল ৯ যোনা লেখংলিবা ইবাথৌ নচাগী থোপ চাবিগন্নু। ইবুংঙোগী নত্তিক নয়াইনা বোবৌ মরোল ৯ ফাওনা ঙানবগুম ঙানজগে অম্রাবা নত্তিক নযাই পানবিয়ু। (খুরম্বা)।

৩। মুমিৎ তাবা মতমদা অনম্বা খুমনবু খুরম্বা :—

লাইরোল :— খুমন শিদবা ইবুথৌ, নংগী নত্তিক নয়াইনা অঙানবা পুম্নকপু নত্তিক নয়াইবু ইবুংঙো নংগী (লুখম) লুতুংদা

চরৈ ফিতুপ নায়না থুপ্পগুম অঙালববু অমম্বনা লুতুং শম্লাং কিশি পরৈনবা, অমম্বা মাংওইনবা, অঙালবা তুংওইনবা, ইবুংঙো মতম অহুম ওন্না ওন্না শক হোংবা ইপু, ইপা. ইমা ওইবা নচাগী ইমি চাবীগনু। অঙানবা মাংওইনজগে, অমম্বা লম্বীদা পুশনবীনু। (খুবম্বা)

তেংপানবা মপুদি তায়বং মচা ঐখোয়গীদমক্তা ওন্না ওন্না শাম্বওনবনে। অতুনা ইপা-ইপুনা অয়ুক-নুংথিল, নুংদাং মতম অহুম্বু কাওবা লৈতনা মৈরা, মেক্রক, হৈ-ৌল কৎতুনা থৌনি-রম্বদি মচা ঐখোয়গী য়াইফনবা থম্বীরম্বনি। তেংপানবা মপু মাগী মথিনি তায়বং ঐখোয়দি।



তারেৎশুবা

চক ৪ গী লাইরম্লেনগী অমাইবা।

১। হাইচক্তা নেংলেক অপানবা কোরৌহনবা হাইরেল শিদবা অমাইবা।

২। হায়া লাংবা চক্তা থংনায় মবা হনবা নম্ম পুন্সি পাংঙম্বা মাঙি, অমাইবা।

৩। থুন্নুংচক্তা থোংনাং লাইত্তিংলাকপা শিঙেল লৈবাং খায়োম্ব ওনৌবা অমাইবা।

৪। কোন্নচক্কা লাইনিংথৌ শম্বোং মপুবেল থাংজিং কপুই অতোম্বা অমায়বা। হায়রিবা অসি অচংবগী অমায়বনি।

৫। অশিবগী অমায়বনা খমনুং তুবা রাংব্রেন খানা চাওবনি।

মায়বা মথল ৭।

(১) কোলদে নাকথং মায়বা।
(২) নোংচুপ হাওরং মায়বা।
(৩) শম্বোং রাপু মাযবা।
(৪) পনম য়াংকোক মাযবা।
(৫) থিংকোল মালিং মায়বা।
(৬) যোইনৌ লাংপোক মাযবা।
(৭) খুয়োল খুলাম মায়বা। মখল তরেৎ অসিনি।

অসিগী মনুংদা থৌ নেকপা য়াদবা মায়বা মথল অনি য়াওরি। মতুদি ঃ— (১) শম্বোং রাপু মাযবা। (২) খুয়োল খুলাম মায়বা অসিনি।



নিপালশুবা

থা ১২ গী ঈরাৎ।

যেক ৭ অগ্রষ্ট ৯ গী য়াইফনবা লাইবমলেনগী কৈরাক থারক্লবা ইরাংসি থা ১২ গী ইরমনা ঈশেংলগা থা ১২ গা ফশ্নাল ৭, ৮ ও লৈশিনগা মুনিং চয়োল ৭ কী ঈরম্না ঈরি ওমহুনা লাংকদবনি। থক্লবা ইরাং অসিদি :—

(১) রাকচিদা নোঙ্গা পাবে তায়য়ো হায়বদি তেংপানবা মপুদা হৈকং-লৈকং ওয়া শখিবশিংগীদমক্তা থৌনিয়ো। অমুক অকনা মপাক ওইনা পোকলক্রবা।

(২) ফাইরেলদা কুমাম্মু হায়বদি কুম কৌবা লাইবু লাংলু। ফশ্নাল লাংতুনা হৈকং-লৈকং ওয়া হায়বনি। কুম ফনবা কুম কোবদ ফশ্ন লেনানে।

(৩) লংতাদা কৈক্র লাংলু হায়বদি কৌক্রদি কোকনি অহুনা খোপ ফনবা ফশ্নাল লাংতুনা হৈকং-লৈকং ওয়া লনথাদা কোক্র লাংলু।

(৪) শকিবুদা রাংত্রন কাংলু ফশ্নাল লাংতুনা হৈকং-লৈকং ওয়া হায়বদি রাংত্রনদি অশিনগী লাইনে, অথবা মপুনে। ফশ্নাল লাংতুনা হৈকং-লৈকং ওয়া রাংত্রন তায়রবদি শিগদবা নংগদনা কোকএ।

(৫) কাংলেনদা ঈরেংদা মৈ, ঈশিং, মুংশিং লাংলু। হায়বদি হৈচাং কায়রগেনদা চেল্লিবা ঈচেলবু চুম্বা মৈ ঈশিং

মুংশিৎপু ফম্বাল লাংছুনা হৈনৎ-লৈকৎ ওন্না (কালেন্দা) ইরোংদা লংখ্রে।।

(৬) ইঙাদা কেংখ্রবদা ঈকোক লাৎলো হায়বদি কোংলোবু কোংবা কৌই। ঈশিং মকনি, অদুনা ফম্বাল লাংছুনা হৈকৎ-লেকৎ ওন্না লাৎলো। ইঙাদা ঈশিং মক ফনবা।

(৭) ইঙেলদা মুনিৎ থোকফমদা ইপুথৌ পাখংবা লাৎলো হায়বদি ঈগী চিঙাক থইনা লৈবা চিঙাক্তি মুংশিৎনি। অদুনা ইঙেললোক কৌবদি নাতোল মথুলবুনি। নিংশা মপুং ফনবা ইপুথৌ পাখংববু ফম্বাল লাংছুনা হেকৎ-লৈকৎ ওন্না লাৎলো ঈ মপুং ফনবা।

(৮) থরানদা থা চাখনদা ঈযাই লাৎলো। থা তাফনদি লুখর্নি। ঈয়াইদি ঈরাই লৈর্মনি। ঈরাই লৈদনা লৈবদি লেথা মখেংদা লৈবনি। অদুনা নাইজ ঈধুৎ কংদনবা থৌনাওবু থরানা কৌই। অদুনা ফম্বাল লাংছুনা হৈকৎ-লৈকৎ ওন্না থরানদা ঈযাই লাৎলো।

(৯) লাংবনদা অপোকপা থুরম্ব। লাংবন হায়বদি (পোকপা) লাংথনবনি। অদুনা শিখিবা পুন্নমকপু অমুক পোকলক্লনা ফম্বাল লাংছুনা হৈকৎ-লৈকৎ ওন্না লাংবনদা অপোকপা থুরম্ব।

(১০) মেরাদা মুংথোং কুংনাওর্বদা ঈমৈ লাৎলু। মেরা কৌবদি 'মৈ—অরাবা' হায়বনি। 'মৈ' হায়বনা মমৈনি, 'রা' হায়বনা অরাবনি। অদনা মুংথোং কৌবদি হকচাং মমুংগী থোংবু কৌবনি। থরাইনা চৎথোক চৎশিন শাগ্রছনা লৈবদা

মুংঙায়নবা মেরাদা মুংখোং-মুংনাওবদা ফম্বাল লাংতুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্না হৈমে লাংলে।

(১১) হিয়াঙ্গৈদা কুমলাই লাংলু হায়বদি হি-য়াইবু পুক্কী কৈ থম্লবা কুম অমগী য়াম্না লিক্লা পিবা থোজাল ঈরিক মহিরেল (ফম্বা) ব কুম অমগী থাংলনবা হিয়াঙ্গৈদা কুমলাইবু ফম্বাল লাংতুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্না লাংলু।

(১২) পোইন্নুদা ফৌগাও, হায়বদি পোইন্নু কৌবদি পোকপা লাকপবু পোইবা কৌই। পোকলকপদি ইচানি, ইচাদি সনানি। সনাদি ফৌনি। ফৌদি সনানি, অদুনা পোইন্নুদা ইচা পোক্লবগী-দমক অচৎবা মন্ত্র-মরাং পুন্নমক থাংলনবা ইচা, ইরল মরাং কায়নবা পোইন্নুদা ফম্বাল লাংতুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্না ঈরাংলো হায়না থম্মীরম্বা থা ১২ গী ইরোংদি মীওইবা শ্রীখোয়গী ফনবা ইপু ইপা লাই ওইগ্রবশিংনা চহিগী কাওগন্না হায়না থম্মীরনবা ইরাৎ অসিনি। লাইদি ইশাদা লৈবনি, থরায় মীকৌ হুমবদা থুম্মীবা অদো থরাইনি মশক মুননা খংঙ্ মাবু মশক খংলবদি এ খংবা ওইরে। এ খংলবদি পুন্নমক খংলগনি। থরায় মাবু খুরমজোও হায়না থম্মীরম্মী।



মাপলশুবা

য়ুম শেংবা।

যুম শেংবা অসি পোকপগী অমা শিবগী অমা, মরম অনি শুই। পোকপগা যুম শেংবদি মুচিং হুমনিদা অমা, মুচিং তকুকনিদা অমা, ওরাপিদা অমা অদুগা ১২ নিদা অমা। তশুম্না মথং মথং খবা খরা শেংডকপনা থা ৩ দা পুংশেং শেংঙে। শেংগদৌরিবা যুম অসি অতৈ যুম নত্তে হকচাং কায়াংকী য়ুমনি। হকচাং মনুং মপাল অনিগী অকাযবা অশোইবা মকমশিংবু মথং মথং থা ৩ চংনা শেংজনবনু যুম শেম্বা (যুমশেংবা) কৌই। নাহৈরোল কৌবা লাইবাম্না শেংলিবা অসিদি মীবয়েন, লাইবমলেন অনিগী যাইফনবা মপুগী ঈ অশেংবনা মনু, মপাল ২ মক শেংবাবনা মী শেম্বা ওম্বা হো-ইগী লোম্না শেংবনি।

শিখিবগী য়ুম শেংবগী মরম।

১। শিবা মুমিৎ, মং, কানকত্রিৈভেদা শেংবা ১।
২। লৈহুল মুনিৎ ৫ নিদা শেংবা ১।
৩। তবানি শুবা মুনিত্তা শেংবা ১।
৪। তরানাপোইনি লাননা থৌরম মুমিৎতা শেংবা ১।
৫। থা থাগী শেংবা ১।
৬। অবোইবদা থা ১২ দা পুংশেং শেংবা অমা।

৭। থা ১৩ শুরবদি অনৌবা (মপোক) য়ুম অমা ওইনা (শেংবা) শেম্বা লোইতুনা মীওইনা পোকলে। মী শেম্বা, মালেম শেম্বা, মপুগী ঈ অশেংবনা, মপুগী লোম্না নাহৈরোল ওইতুনা (শেংবা) শেম্বনি হায়না ৱাংউবশিংনা য়াম্না হক্লা লুনা থুপ্তুনা থম্বীরম্মী।

মওং চাদনা শীবা।

লম্লক্তা মফম খংদনা শিবা তারবদি (পাও ফংবা, মশা ফংবা) মশা তুমবা মুমিত্তা লোৗগনি। মশা শুকফং ফংদবা তারবদি পাঙ্গোং কোবা উনা মন্থৎ শিন্দুনা পোৎলোইগনি। অত্থুগা মুমিৎস্থু অতুদগী লৌগনি। অত্থুগা মথৌ-মওম তৌগনি।

চহি শুদবা।

চহি ২ দগী নোংমা নিনি হেনবদা পলেম মমাগী পিবুক-মুংদা থা ১০ লৈবগা পন্থৌ মপাদা থা ২ লৈবগা ইপানা মরূ হুনবা চহি ৩ শুরে হায়না লৌতুনা মথৌ মওম চুম্না মী মপুং ফাবা অমগী মথৌগুম্না তৌরনি। কুপ্না পাতুনা য়েংবদা চহি ৩ শুদবা নোংমা ফাওবা চংদ্রবদি কাষা থোং থিংবগী মথৌ ওইনা পাংগনি হায়না থমর্বারম্মী।



তবাশুবা

নুমিৎ থবান অফ ফত্তা য়েংনবা।

১। থা নোংমা পানবদি য়ুম-কৈ শাবা য়াদে। লাইনা থৌনিবদা লাই চায়। ঈ খুদেং লৈতে শেংঙে ফৈ। অপোকপা খুরম্বা, লাই হবাঙবা যাই।

২। থা নিনি পানবদি খুলগী লাই নিংহৈদে, ঈ খুদেং লৈতে শেংঙে ফৈ অপোকপা খুরম্বা লাই হরাঙবা য়াই।

৩। থা লুমনি পানবদি কাংথোল শেমহৈদে, ওক চাই শেংঙে ফৈ। অপোকপা খুরম্বা, লাই হবাঙবা য়াই।

৪। থা মবিনি পানবদি ফুঙ্গা শেমহৈদে, থৱাই চংহৈদে ঈ খুদেং, লাই খুদেং লৈ ফত্তে।

৫। থা মঙানি পানবদি শোবেন লাইশং নিংহৈদে। ঈ খুদেং লৈতে ফৈ অপোকপা খুরম্বা লাই হরাঙবা য়াই।

৬। থা তরুকনি পানবদি চাথী-মৌথিগনু ফত্তে। ঈ খুদেং লাই খুদেং লৈ ফত্তেএ।

৭। থা তরেংনি পানবদি ঈশিংদগী লাই থেমগৎহৈদে ঈ খুদেং লাই খুদেং লৈ ফত্তে।

৮। থা নিপালনি পানবদি নিংথৌনা শগোল-শামু তোং-লুনা লম্বী চংহৈদে। ঈ খুদেং লাই খুদেং লৈ ফৎতে।

৯। থা মাপলনি পানবদি লৌ লুনগনু। মীগী মমুমদা অহিং য়ারেকনু। ঈ খুদেং লাই খুদেং লৈ ফৎতে।

১০। থা তরানি পানবদি লৌ নিনবা, পাম য়ানবা, ইথৈ চনবা, লৌখোং থেংবা থৌহৈদে। লাইনা মী চাই, মাকমৈদা শেংডে মাদি চায়। ঈ থুদেং লৈ ফংতে।

১১। থা তরামাথোইনি পানবদি য়ুম-কৈ, ফৌগে শাবা য়াদে। ঈ থুদেং লৈরে শেংডে ফৈএ। অপোকপা থুরম্বা লাই হরাওবা য়াই।

১২। থা তরানিথোইনি পানবদি থুলগী লাই নিংহৈদে। ঈ থুদেং লৈরে ফৈ অপোকপা থুবম্বা লাই হরাওবা য়াই।

১৩। থা তরাহুমদোইনি পানবদি কাংথোল শেমহৈদে। ঈ থুদেং লৈ ফংতে, মাক্লদি ফৈএ।

১৪। থা তরামরিনি পানবদি ফুঙ্গা শেমগনু। থরাই চংহৈদে ঈ থুদেং লাই থুদেং লৈ ফংতে।

১৫। থা তরামঙানি পানবদি পোরেন লাইশং নিংহৈদে। ঈ থুদেং লৈ ফংতে।

১৬। থা তরাতরুক্কি পানবদি চাখী-মৌখিগনু ফংতে। ঈ থুদেং লাই থুদেং লৈ ফংতে।

১৭। থা তরাতরেৎনি পানবদি ঈশিং লাই থেমগৎহৈদে। ঈ থুদেং লৈ ফংতে।

১৮। থা তরানিপালনি পানবদি নিংথৌনা শগোল-শামু ভোংহুনা চংহৈদে। ঈ থুদেং লাই থুদেং লৈ ফংতে।

১৯। থা তরামাপলনি পানবদি লৌ হুনগনু। মীগী ময়ুমদা অতিং লেকনু। ঈ থুদেং লাই থুদেং লৈ ফংতে।

২০। থা কুননি পানবদি পান্নযানবা লৌ নিনবা ইথৈ চনবা লৌথেং কেনা কেইদে। মাকৈদি শেংডে ফৈএ। মীদি চায যেংতে ঈ থুদে, লাই থুদেং অনিমক লৈয়ে।

২১। থা কুম্মাংখোইনি পানবদি যুম-কৈ, কোং শাবা য়াদে। ঈ থুদে, লাই থুদে, লোংএ শেংডে ফৈ। অপোকপা থুরম্বা লাই হনাওবা য়াই

২২। থা কালেনখোইনি পানবদি থুলগী লাই নিংহৈদে। ঈ থুদে, লাই থুদেং কোং শেংডে থৈ অপোকপা থুরম্বা লাই হরাওবা যাই।

২৩। থা কুংজংদোইনি পানবদি কাংথোল শেমহৈদে। ঈ থুদেং লোং শেংডে অপোকপা থুরম্বা লাই হরাওবা য়াই।

২৪। থা কালেননি পানবদি যুম্বা শেমহৈদে, থরাইস্সু চংহৈদে ঈ থুদেং, লাই থুদেং লৈ ফাত্তে।

২৫। থা কুম্মাপানি পানবদি শোরেন লাইশং নিংহৈদে। শেংডে ঈ থুদেং ও ই থুদে, লোং ফে। অপোকপা থুরম্বা লাই হরাওবা য়াই।

২৬। থা কুলংরঙ্গি পানবদি চাথী-মোথিগমু ফত্তে। ঈ থুদে, লাই থুদেং লেএ।

২৭। থা কুলংরেংনি পানবদি ইশিং লাই পেমগংহৈদে। ঈ থুদেং লাই থুদেং লৈ ফত্তে।

২৮। থা কুননিপালনি পানবদি নিংথৌনা শগোল-শামু তেংহুনা লম্বী চংহৈদে। ঈ থুদেং লাই থুদেং লৈ ফংহেএ। মাকৈদি ফৈএ।

২৯। থা কুনমাপলনি পানবদি লৌ হুনগনু। মীগী ময়ুমদা অহিং লেনগনু। লাই থুদেং লৈএ ঈ থুদেং লৈতে ফংজেএ। মাকমৈদি ফেএ।

৩০। থা কুনথ্রা শুলা থাশু নুিংৎতি পাম য়ানবা লৌ নিনবা ইথৈ চনবা, ইথৈ লোখো, তেংবা তোইদে। শেংডে ঈ থুদেং লৈতে ফেএ। লাই থুদেং লৈএ। মাকমৈদি ফেএ। মীদি চায ফংতেএ।

থরাইমিচাক অচং-অথোক।

থরাইমিচাক অচংবা ৫, ৮, ৯, ১১, ১৩, ১৮, ২০, ২২, ২৫, ২৭ অসিনা অচংবনে। মসিগী মথৌদি চংডকপসু ফৈ, পোকখিবসু ফৈএ। থরাইমিচাক মবাই লোংবা ৪, ৬, ৮, ১২, ১৭, ২৩, ২৬ অসিনা মবাই লোংবনে। মসিগী মথৌনা চেকপল লাংগোং কোইবা ফৈএ। চেকী ফবা শাবা, ট পাবা, নাযনশঙ্গ শাবা ফৈএ। ফুংশা গাইফন শেম্না শাবা, লোয়শঙ শাবা, পন শাবা, থোং শাবা, যুক্কম গোলবা অসি পুমমক থরাইমিচাক মবাই লোংবদা থবকশিং অসি পাংথোকপা ফৈএ।

থরাই মিচাক মচুক পৈবা ১, ৫, ৭, ১৩, ১৪ ১৫, ১৭, ১৮, ২৭ অসিনা মচুক পৈবনে। মাগী মথৌদি ময়েক ইবা, য়েকপা-খোৎপা, দোলাই শাবা, কাং শাবা, য়ুম শাবা, শমোক লাকপা, মহৈ তম্বা অসি পুম্নমক থরাই মিচাক মচুক পৈবদা তৌহৌবা ফৈএ।

থৱাইমিচাক অথোকপনা ২ ৩, ৮, ৯ ১৪ ১৫, ২৩, ২৪ অসিনা অথোকপানে। অসিগী মথৌনা থোকখিবা মখৈ ফৱে। মতুংইনবা চৎলে।

থৱাইমিচাক অচং-অথোক যান্নবা ১ ৪ ৭ ১০, ১৩, ১৬, ১৯, ২২ অসিনা অচং-অথোক যান্নবনে। মসিগী মথৌদি থোক-খিবসু ফৈ, চংডকপসু ফৈ ময়াই লম্বীনে।

থৱাইমিচাক মরু লুবপা ২ ৬ ৯ ২০ ১১, ১৮, ২৭, ২৫ অসিনা মরু লুকপানে। মসিগী মথৌদি লাইবিক ফবা হৌবা, পুখ্রি হোংবা লাইশং শাবা, শঙ-বাবা লৈবাক থৌবা মফম পুন্নমক শেম্বা শাবা ফৈ।

থাশি মায়গৈ।

(১) শজিবু থৱান পোইন্নু অসিনা নিংথৌদা থা শিরে। নোংমাইচিং নিংথৌকাবা কুমিৎ অমি অসিদা মঙাল ফাংরে। নোংপোক মৈরংদা থা হুপ্পিল্লে।

(২) কালেন লাংবন যাবচিং থা ৩ নি অৱাংদা থা শিয়ে। যুমশাকিশা, ইরাই অনিদা মঙাল ফাংবে। মখা মৈরমদা থা মঙাল হুপ্পিল্লে।

(৩) ইঙা, মেরা, ফাইরেল থা অরুনদি নোংচুপ্পা থাশিয়ে। লৈপাকপোকপা কুমিৎ, ৮/১৮/২৮ নি পানবা হায়রিবা কুমিৎ থবান অসিদা থা মঙাল ফাংরে। থা সম্বেংলৈামদা থা মঙাল হুপ্পিল্লে।

৪। ইণ্ডেল, হিয়াংগৈ, লমতা, থা ৩ দি কৈক্রুদা পা শিরে। শংগোলশেন থাংজা মুমিৎ নিনিদা থা মঙাল ফাওরে। নোং চুপ শম্বোংলোমদা থা মঙাল হুলজল্লে।

৫। হায়রিবা থানা শিব 'লে'পা) মায়গৈ থানা মঙল হুলজনবা থানা মম্বা মুমিৎ থাবাল মায়গৈ অসিদা অহিং য়ারেক্লা চৎপা য়াদে। চৎলবদি অৱাবা নংবা য়াই।

১। নোংমা পানবা ৮ নি মুমিৎ ১ অসিদি নোংপোক্তা মহে।

২। নিংনি পানবা ১০ নি পানবা মুমিৎ ২ অসিদি মৈবমদা মমলে।

৭। মরিনি পানবা ১২ নি পানবা মুমিৎ ২ অসিদি শম্বোংদা মমলে।

৫। মঙানি পানবা ১৩ নি পানবা মুমিৎ অনি অসি মখাদা মমলে।

৬। তরুকনি পানবা ১৪ নি পানবা মুমিৎ অনি অসিদি নোংচুপতা মহ্নে।

৭। তরেৎনি পানবা ১৫ নি পানবা মুমিৎ অনি অসিদি কৌব্রু লিকলমদা মহ্নে।

৮। ৮ নি পানবা ৩০ নি সুবা মুমিৎ অসিদি চীংখৈদা মহ্নে। হায়রিবা মুমিৎ থাবাল, অমম্বা অসিদা মেল উরেপ তম্বর্গা মায়ওল য়াদে। অহিং য়ারেক্লা চৎপসু য়াদে, ফত্তে।

১। শজিবু, থৱাল, পোইন্নু, নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা তৎনৈ।

২। কালেন, লাংবল, ৱাকচিং, ইবায, যুমশাকৈশা তৎনৈ।

৩। ইঙা মেবা ফাযবেন লৈপাকপোকপা তৎনৈ।

৭। ইংগেল হিয়াঙ্গৈ লমতা, শগোলশেন থাংজা তৎনৈ। তৎনবা নুমিংশিং অসিদা অফবা থবক্কচিংবা তৌবা ফত্তে।

লাইবেন নাগা যাওনবগী ৱা

১। থৱাল লাংবল মেবা থা ৩ দি মকোক নোংপোক পাংগে মমাইনা অৱাং পাংগে লেন উ মাইওলদি মোইবাং লাইচিদা ইল্লো।

২। হিযাংগৈ পোইন্নু ৱাকচিং থা ৩ দি মকোক্তা থা পাংঙে মমাযনা নোংপোক পাংগে উ ইন্না মৈবম ইল্লে।।

৩। যায়নেন লমতা শজিবু থা ৩ দি মকোক্তা নোংচুপ পাংগে মমাইনা থা পাংগে উ ইনদি মোইরাংলাইচি ইল্লো।

৪। কালেন ইঙা ইঙেল থা ৩ দি মকোক অৱাং পাংঙে মমাযনা নোংচপ পাংগে উ ইনদি চংখৈ ইল্লে।। মেল উরেপ তম্বাগী অফবা থাবান নুমিৎ য়েংদুনা তৎনবা নংতবদা মরু মেন তমগনি।

অফবা থবাল ১, ৩ ৫ ১১ ১৩, ২১, ২২ ২৫, থাবান অসিদা অফবা নুমিৎ তৎনদবদা মেল উরেপ তম্বা ফে।

য়ুম শাবগী অফ-ফৎতগী থা

য়ুম শাবদি শজিন্ ফে । কালেন ইঙা ফৎতে শাগনু । ইঙেন ফে থৱান লাংবন মেংেনে শাগনু । হিয়ংগে ফে পোইন্ ফৎতে । ৱাকচং শাফেত । ফায়রেন লমতা ফত্তে শাগনু ।

লৈবাক শংবগী থ্রা

নোংমা পানবদি কৈনা শংঙে. ফৎতে. তাক-মাংঙে । নিনি পানবদি ফৈ । হুম্নি পানবদি ষণন' শংঙে ফৈএ । ৪ নি পানবদি শামুনা শংঙে, যুম মপু শি, ফত্তে । ৫ নি পানবদি ককয়েন মঁঙন্বনা শংঙে, ফৈএ । ৬ নি পানবদি শোরেলনা শংঙে ফৎতেএ । ৭ নি পানবদি নিংথৌ শোরারেলনা শংঙে ফৈএ । ৮ নি পানবদি হিংচাবনা শংঙে । য়ুমদা লৈবা থিবিক শিএ ফৎতেএ । ৯ নি পানবদি শাগোল তপাইবনা শংঙে ফত্তেএ । ১০ নি পানবদি লাইগী নিংথৌনা শংঙে ফৈএ । ১১ নি পানবদি লাই নামুংবা লাই অনিনা শংঙে, অফ যৎতা তম্মায় য়াল্লে । ১২, ১৩ নি পানবদি ফৈএ । ১৪ নি পানবদি ফৎতেএ । ১৫ নি পানবদি তাইবং পানবা মপুনা শংঙে ফৈএ । ১৬ নি পানবদি হিংচাবনা শংঙে । য়ুম মপু শিয়ে ফৎতে । ১৭/১৮/১৯/২০ নি পানবা অসিদি মীরৈবাক্কী লাই হিংচাবনা লৈবাক শংঙে ফৎতে । ২১/২২/২৩ নি পানবদি ফৈএ । ২৪ নি পানবদি হিংচাবনা শংঙে ফৎতেএ । ২৬ নি পানবদি হুইনা শংঙে লাইর-চুদৎনৈএ ।

২৭ নি পানবদি লাইনিংথশিংনা শংডে ফৈএ। ২৮ নি পানবদি হিংচাবা লাইনা শংডে যৎংলএ। ২ নি পানবদি ভাইবঙ পানবা নপুনা শংডে পাক ফংডা হংখায় ওইএ। ৩০ নি পানবদি মাংলা শংডে ফই। লৈবাক শংবা অসিনা লোইবে। লৈবাক চেংবা খোননা পুন্ননক অফবা যেংনা তৌও।

থাদা ন্নুমিৎনা তেকপা।

১। শজিবু থাদ লৈবাকপোকপা তেকএ।

২। কালেন থাদা নিংথৌকাবা তেকএ।

৩। ইঙা থাদা ইরাই তেকএ।

৪। ইঙেল থাদা থাংমা তেকএ।

৫। থবাল থাদা ইরাই তেকএ।

৬। লাংবন থাদা [illegible] তেকএ।

৭। মেরা থাদা [illegible] তেকএ।

৮। হিয়াংগৈ থাদা লৈবাকপোকপা তেকএ।

৯। পোইন্নু থাদা নিংথৌকাবা তেকএ।

১০। ৱাকচিং থাদা লোমাইচিং তেকএ।

১১। ফাইরেল থাদা [illegible] তেকএ।

১২। লমতা থাদা ইরাই তেকএ।

হায়বিব থাশিং অসিদা মথক্তা ন্নুমিৎশিং অসিবু থাদা ন্নুমিৎনা তেকপা কৌই। মসিদা থবক তৌবদি অতেক অকায় থোকনি।

কেতু লৈথুন চংবা।

শজিবুগী থবাল ৬· ৭ ২৫। থরানগী থবান ৩ ৪। লাংবন থবান ৩· ৪। মেবাগী থবান ৬, ৭। হিয়াংগৈ থবান ১, ১২। পোইন্নুগী থবান ২, ৩, ৫। ৱাকচিংগী থবান ৫, ৭। ফাইরেনগী থবান ৩, ৮, ২৫। লমতাগী থবান ১ ৩। হায়রিবা থবান অঙ্ক মশিং অসি কেতু লৈথুন চংবা নুমিৎনি। থা খুদিংগী থবানশিং অসিদা লৈবাক তৌহৈদে। লম লাপনা চৎথোকহৈদে। কেতু হায়বদি লৈচাক নিনবা কোৰী ফিনবুনি। মানা লৈথুল চংববু কেতু লৈথুল চংবা কোই।

লৈশা লৈবা নুমিৎ।

শজিবুগী থবান ২১। কালেনগা থবান ১৯, ৪। ইঙাগী থবান ১৭, ২৩। ইঙেনগী থবান ১৫· ২৫। থরানগা থবান ১৩, ১৪। লাংবনগী থবান ১১। মেরাগী থবান ৯। হিয়াংগৈগী থবান ৭। পোইন্নুগী থবান ৩ ৪। ৱাকচিংগী থবান ২, ৪, ৬, ২০। ফাইরেনগী থবান ৩, ৮, ২৬। লমতাগী থবান ৪, ২৭ নি পানবা থা খুদিংগী হায়রিবা অঙ্কগী থবান মশিং অসি লৈশা লৈবা নুমিৎ কোই। থবানশিং অসিদা লৈবাক তৌহৈদে। লৈশা হায়বদি লৈশৌবু লৈশা কোএ। লৈশৌ লৈবা মফমদা অমাংশঙগী কোম তৌবা য়ুম্ফম থোনবা ফৎতে।

নামুংনবা থবান।

ফাইরেন কালেন থাদা ২৮ ১২, ১৪, ২৯ নি পানবা নামুংনৈএ। শজিবু, ইঙেন থাদা ৬ ২১ নি পানবা নামুংনৈএ। ইঙা লাংবন থাদা ৮, ১৩ নি পানবা নামুংনৈএ। থৱান হিয়াংগৈ থাদা ১০, ৯ ১, ২৫ নি পানবা নামুংনৈএ। মেরা ৱাকচিং থাদা ১২, ২৭ নি পানবা নমুংনৈএ।

থাগা মুমিংকা য়েক্পবা।

ইঙা লাংবন থাদা নোংমাইজিং য়েকনৈএ। মেরা পোইন্নু থাদা লৈবাকপোকপা যেকনৈএ। শজিবু ইঙেন থাদা যুমশকৈশা যেকনৈএ। থৱান কালেন থাদা শগোলশেন য়েকনৈএ। হিয়াংগৈ ৱাকচিং থাদা থাংজা যেকনৈএ।

থাগী চৈ-কাবা মুনিং।

শজিবু থাদা নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, থাংজা অসি চৈকাবা মুনিংনে। কালেন থা নোংমাইজিং ইবাই থাংজ অসি অকাবনে। ইঙা থাদা শগোলশেন, ইবাই থাংজ অসি চৈকাবা মুনিংনে। হাযবিবা থাগী মুনিংশিং অসিদা অফবা থবক তৌবা ফে।



১১ শুবা
নাহৈরোল

১। মেল উবেপ শেংনবা নাহৈরোল।

হাউজিং হৈ ইবোক অশুম্বা ১৯৬৫ নাপোম অনাংবদা ওংবা পামেল নংবু নমলম্বা। পাম্বদ হোংলাদা উবাদা ছুনবুদা নমলম্বা। কাণ্ডুবেল নম্না নমলম্বা। যাংলৈ ভাওবা ছইনা নমলম্বা। চেকপি ওক্লা নমলম্ব। কাবরে যেম্না নমলম্বা। মাহি নোম্ন করাচে খোংইযানা নমলম্বা। পোকপা কাম্বা শায়োল লেরাং গুওক কাযব থাবি থুংবা থোংবু লোংশেল খেবোই লুরাওবনা নমলম্বা। চরোইনা যামবেনা থংনা নবুরেনা বাকনা নকুনা উবোবনা ঈশিংগী উচেক্লা নমলম্বা। যবে পুন্নক হাওবৈ থানা পাংবা লমদা হোইথরগে মমামনা, মধুনা, কিংবেনা, থারাংবী নথা লাইহংশেন্ন লোক যম্ল যমনে যদ চোং কায়গোং শিবী, মথিকলক্লা মথালক্লা রাইথু লকশনো। ওযবা যাইযবা কপযাংগা ভময়াংগা পুনশিগা মুংশাংগা কোবিগা কোলশেংগ যোইবুগা ভমবুগা জিকশাংগা শিকভাংগা তফ চুভাই পুন্নক রাংথুংশি পামেল উনিংখৌ।

২। মুং-পাল শেংনবা নাহৈরোল।

হৈ. ঈ. শিদবা নোংথৌ ঈ লাইজা। মরুদগী কোরৌ নোংথোং মাপল হাংদুনা ওরং অহাংবা ফাওনা, লাইক ঈনম ৭ থায়না মালেন লৈথারোল ৭ মোনা চেম্বিহনা মালেম ধক্রুম

ঈরম ৭ থায়না চেনবীরিবা, লাইজা ঈরম ৭ না, ভাইবংগী কযাৎ মুংদম্ব, ঈরম ৭ থায়না, চেলবরিব, থাখোং, লাই খোং, মালং খোং, চাবোল খো, মুংখোং, মুংনাংবা খোং কুমস্থ খোং, পুনশিখো, নোংদমখো, কেনা চেলশিবা লাইগী ঈ অশেংবনা পাখঙবগী ইকোন্দা তুংলরবা মতমদা। মহায ভাইরেল পুংফাইনা লাইজা ঈশিং লুপতুনা চাযরবা মংমদা মফম খুদিং তারগা অমাং অশোয পুম্নমক মবিল শিংনা কোক্লনি। লাইযামশিংনা লেপনবা সম যারা ঈচেলি। হু সিবা। হু সিদবা। হু সিদবা! সিবা। সিদবা।

৩। অনম-অথৌ বোক্লবা নাহৈরোল

হুমহৈ হুমহৈ হুমহৈ কেয়োই লেংগা য়াইগা থৌরি পোযা লাং থৌলি পৌদিল লাবু থৌলি থবা পোংথৌ দমলি থাবা মাবু লালংদে। মুদিং পোংথৌ দমলি মুমিং মাবু লালংদে। অহাননেং লিংথিনা কাংথিনা ভোকপনা কাম্বনা শমুনা লৈবাংনা মুংক্লা পায়বনা যোংমুনা যেংশেন্না। হেকপা মংকচা কাওরেল মশগচা। পেং পুংথায শাখাযবনা ফিজি নম ফিনা হুম। মীনম্বা থানগা থৌলি থোযা লাংবু। থোলি থাবা পোংথৌ দমলি থাবা মাবু লালংদে। মুদিং পোংথৌ দমলি মুদিং মাবু লালংদে যারা কোংখাই শাগী পোংথৌ মথং পিজগে। কুমজা পালথেংগে হুম হে হুমহৈ হুমহে।

৪। অনম অহা চুরবদা কোক্লনা নাহৈবোল

নহান নোং থম্লনা· ভাম্লনা পোকপিদৈং· নহানা ম্লবীনা য়াহৌদৈং· ফোশুদৈং· ফোশুক ফোরা থোকদৈংগী চৈথাদৈং তেলথাদৈং রাওখায়দৈং, থিনগায়দৈং· ভরা ভাচিং হালদৈংগী, শেপলপ· পাযবপ চৎদৈংগী মরম লমগেনদৈংগী পানরে· শেংনরে তায়বেল্না পুংফায়না হা হুঁ, হা য়েং, হা হুঁ, হা য়েং, হা হুঁ, হা য়েং।

৫। থিনথায়-লাইথায়নবা নাহৈরোল

থৌবী তেং লোইবী তেং· হুম্বিংনা মথোরক· থাবানা মচোংলক, চাক লৈভাল· তাংলৈ ভাল, উভালদৈং রাঙালদৈং· শিলশুদৈং· চরোইনা খোংদমদৈং ম্লামবেনা খোংথায়দৈং হুইথোনা চিনফেংদৈং· কৈবেলনা য়াথোকদৈং নোংমাইনা মৈ হৌরে· নোংমায থেংগু থেংকানা, মুংবীওম শৌবা চম তিল লৈরগন্নু, লাই লৈরগন্নু। চাংদা লৈবনা চাংদা কাবো· ওমদা লেবনা ওমদা চৎলো। পাৎতা লৈবনা পাৎতা চৎলো। নহেফেনদা হেরো· নহলফমদা হলহল্লো· লাইনিংথৌগী যারানি। তিলায়েৎলগন্নু· লাইয়েৎলগন্নু· তায়বেলনা পুংফায়না হা হু· হা য়েং· হা হুঁ হা য়েং· হা হুঁ· হা য়েং।

৬। ঈরু শাদেংনবা নাহৈরোল

খারৌ কোল লাইরৌ কোল, চুপচি কোল, অরাং কোল· পানরে· শেংনরে। কোরৌজি ইব্রাংবনা নরা ঈথাকপা, চিংউ

পুরৈ লোম্বা, মবোল থোক্তবনু, পুরৈ লোম্বা মরোল থোকলে। খোয়মোন কোকমলে হুলরাইবা, পিশ্রাইবা অশেংবী খোংজ্রায়বী অশাবী, লৈবিকপী লৈরিকপা, উঙম ও হমচাও ও। লৈরিক ও লোফোল ও. লৈমা যুবেনবী চারোম্নবী রাদ লৈশিন হৈবী। উদা লৈশিন হৈবা হুমিং লুদম হৈবা. থাবা লান্দম হৈবীনা. ইকুরবনে শানেংলবনে, তাইবেন্ন পুংফায়না হা হু, হা য়েং হা হু হা য়েং হা হু হা যেং।

৭। পোং শেংনবা নাহৈরোল।

হু সিদবা মপু ইবুংঙো অপোকপা পোকালেন পোকপা শাংলন শাংপা. ইপুরোযগী যাবানা শিদ ঈচেল এইতুনা. তাযবং চাগী ইযাং গৌরম লাকপদা নহৈ তাইরেল পুংফাযনা লাইজা ঈশিং লুপতুনা, চায়রক্লবা মতমদা লাইজা ইরিক ইফোলনা. মফম থুদিং তারগা অমাংবা অশোইবা ফত্তবা মরিল শিংনা কোক্কনি লাইযাম শিংন লেপনবা. সিদ যারা ইচেলনি. হু সিদব, কু সিদবা সিদবা সিদবা।

৮। অশুপ্পা নাহৈরোল।

হু সিদবা হু সিদবা হু সিদবা সিদবা সিদবা হো ঈ মৈনা ঈশিংনা হুংশিংনা হুশিংনা থানা হুমিং চায়োল ৭ না ঙসি কৌবা মপুনা শেংঙবনে হু সিদবা হু সিদবা হু সিদবা সিদবা সিদবা।

৯। লোংদা লাই পাগংবা হৌদোক্কবা নাহৈরোল।

মৈদিঙু লোংদা লাইগী পাগংনা। তুবা তহিং মীওইবা। চিংদ, কুংথিল লাইথেইকা। নখানো ইবেম্মা লাইরম্বা। লেম্নে ওনাকোল চিংঙু লানথম লোং পুরুম চিংগী নোম্বদা শাথুম্বা। ইমুং শোযারে লাই লেখো। মচাযারম লেম্নুং থাকক তাশিনবা মোংগা পাবু লিবা লিকলা পাবু শিবা ফা ও গোই হেনবনা মালেম শিংথোং যাকৈবক লাইনিংথৌ। মিতী নো থেল ইরল লেংনায পুদোং শেম্বা পাথবনা মরক হুক্তা থাল চাগা হাংদী যানা মালেম শিংথে মাকুমনত্র লাইনিংথৌ। লেম্নু লেংকা অরিবা অরাং চিংথে লাইনা থাং শারুগী লোকনায চালথোবী লোকনায হেল্লকাল লাইনিংথৌ। লোকালন পুংদা থোকলক্লো ওমা ওাবা, শিম্বা পীবারো ওাংলৌপাদা পুরেংতে।

১০। অনায অাংই শেবনা নাইহারোল।

হৌ হো কোরো মচি ঈ। বাবল মনাও ঈ। থাকপ পুবেলোম্বা পুনাং নগা লোম্মারোক্কী ওাদেবা থেনাং মতি লোংবা ফেংনায় লৈতুন মুংদুর মুমু মুরুতী ঈ। অনা কেত্রু অম্বুম্বা যারক্কগী শিম্ব ঈ। অবাবম ঈদি রাচেং ঈ। লোংথৌ শোরারেল নৈবিকশি নৈবিকপা শাগ নাই নাগানবা নবেল পিথ্রাই থোং-জ্রাযনী অশেম-অশা হিবা নংগা শেম্ব যু শাব যু উ ঃ উ হে উ হে।

নাহৈরোলগী মাউলোনদি :— হো ঈ শিদবগী লোল হায়বনি। অতুনা নাহৈলোনদি যাম্না লুনা মুংশিবনি অমদি তুবা

চৎপা, মথা, ভাংবা, কোকপা, শেংবা, শেথা ওইবা খিবিকী ঈচেলবু শুরবা ঈচেলনি।

মনম অদুনা হো ঈগী লোন ওংশুনা হায়বনি। করিগুম্বা অমনা থোরবগা মতাং লাকপদা নাইহৌরোল কোনা লাইরোল কাসি থোরমশিংদা হাপ না ইউরবোই। থোরমগী লাকপা মতমদাদ কাংবিদনা শিংদিগনবিগনি।



পোইশুবা

পনেগ মমানা থা লেংখিনগী মতুংদা পাংথবা থোরমশিং :—

পালেম মচা অইবশিংনা নাকপুদুনা থা লেংখিনা থা ও হুনদা হিনথায লাইপাইংবা কাশ পাইদোকুনা মকোক্রোন নাইহৌরোল শোনবদুনা কোকয়ে চিপিগনি। থা মঙা শুবদা মানা চানিংবা অনা মরক লেপলগা হিন্দগনি। থা ৬ শুবদা জম্ম অচংবা তরক্ক লাংগনি। মতুংগা অমনা ফুরিং হেংদুনা ফুরিং নাকমদায় মতমদা মফম চানা মফমদ চংদা চাক হাংদুনা ইশিং থরা য়াংবা অমা খিরগা মিকৌ তুম্নগনি। মিকৌবা থুরিংগী ওম অসমম মমাংগী চক অদুদা হাপকনি। মতুম্বা মথং মথং তরকক কৌগনি। মতুংগা যোকুনা পম্বগা নোংমগী অমমম থোংদুনা মহোমতা ফুমিং তকক্রি চাগনি।

মিকৌ লাইবোল ঃ— ভেংপানবা মপু ইবুঙো অমম-অভান খায়বিবা ননাই নচা পায়না মহক য়ুম্মদা মনিং ...... কৌবী অমদি পিবুকমুংগী নারা অনিগী থরাই মিরেলবু অচংবা মিতমবু কৌক্তরি লা...লা...লা। মমাংগী চংদা ইমু অমা হাপ্পা। অদুম্মা থরাই মন্তা মিগা থানা চককমক কাবা।

থা ৭ শুরকপা মতমদা অন্তাং পোকপদা শেংনবা ফনেক মানা পাখা মচু ১০ অন্তাং পোকপদা খানবা নাংকঃ-ফি অমা, চাক থোংনবা চফু অমা, যেনশা থোংনা চফু অমা, নাংফম হাপ্পবা চফু অমা. মথুম কপ্পী অমা লৈরগি। থা ৯ শুবদা মাংক্তাল ময়াইদা রাই তৈথোকলগা চফু অইনবা অমা ঈশিং থম্মা হাপতুনা মমাংদা থিনগনি। হৈনক-পানা, মৈরা-মেরাক, কংকনি। অদুগা লৈ পাবেং অংঙৌবা অমা পায়দগা ঈশিংদা ওাবা মিত্থু যেংত্থুনা লোয়নবীদা শিন্নগনি।

লাইবোল ঃ— হে ইন্তা লোয়নবী ঈচিরেন, ঐগী লাংফম অচেক-অকায অযেৎ-অপন পুম্নমক নাংঙান্দা শিন্নরনি। ঐদি পিশেং থাশেংক্তরে। অসি হায়দুনা চফুগী মঙক্কা লৈ পাবেং অতু হুর্কনি। মতাং অসিদা মাগী নিপানা থোংভিন মহুংদা কুপীগী লেপ রাংবা য়েংদৌ (চৈ) অমা পায়দুনা মক্রাং ফাক্কা মমায় মমাং থক্কা লেপকনি। অদুগা মাগা কুপী ভত্থুনা ইমু লোমদা লিৎতুনা কে-কু হায়তুনা চংখিগনি। অদুগা নিপানা ফোং-ফোং হায়না থুমগনি। অদুগা ঈশিং চয়দুনা শুমাংদা মকোক্কা হৈথদুনা ভক শাদেংগনি। অসিনি কোকথোক শেংদোকপগী থৌরম।

মাইবীগী মথৌ

থা ১০ শুরকুনা অকায়-অহোয় লৈতনা নারা অমা ফংলবদা অঙাংগী নাওফমলোমদগী অঙাংলোমদা ৫ লক শিংনা নাম্না নানশনবিগনি। অঙাংনা মুপী ওইরবদি ওইরোমদা, নিপা ওইবগনা যেৎলোমদা থরায় মিরেল কৌশনবিগনি।

লাইরোল :— হে থরাই ৫ মক মিগা থানা ৬ মক চি-পুংবা কোল, কোল, কোল। (৩ লক কৌবা)

অদুগা খোইরি অচু লং অহিংবা লংজা ৯ না য়েৎশন্দুনা পুন্নগা রাকথেনা অঙংগী খোইবি অচু ককউ।

লাইবোল :— হে থরায় ৫ মক মিগা থানা ৬ মক চিবুংবী কোন, কোন, কোন।

অসুম্না নাওফমলোমদগী অঙাংলোমদা ৫ লক নানশনবিগনি। অদুগা খোযরি অচু লং অহিংবা চংচা ৭ না যেৎশন্দুনা পুনগনি। অদুগা রাকথোনা ককনি। অসুম্না ৭ লক থরাই মি কৌশনবদা অঙাং অচু কপ্পরুবদি নাওফমচু ঈশিং অশাবদা থাদরগা থরাই মিকৌ ওম্মু। মসিদসু কপ্পরুবদি কুইত্রি কাপ্পুনা থরাই মিকৌও।

লাইরোল :— হে থরাই ৫ মক মীগা থানা ৬ মক চিবুংবা শিংনিং চানা হিংঙকও। মিগা থানা ৬ মক কোন কোন কোন।

নাওফম ফুম্বগী মরম।

চকু মমুংদা লশিং থরা থারগা নাওফম হাপকনি, অদুগা লশিং থরনা কুপকনি। শেল ময়েক ১ হাপকনি, কর্পূরনা মথুম

থুমগনি। নিপা ওইরগা মুমগী য়েংথংবা য়েংখা দারি মথক্তা হুমদাং অনিগী মরক্তা খুবোম লুনা তৌরগা ফুমগনি। মুপ' ওইরগা ওইথংবা যেনখাদা ফুমগনি। ফুমলদাইদা কোম মনুংতু উচাল মৈরানা ওকাথোক্তুনা হাতিদোক্লগা মায় মমাং ওন্না মি নন্দনা ফুমগনি।

লাইরোল :— শে শে নাওফম নংগী নমিংদি রাবা চেংঙা কৌই। রাবা চেংঙা নংগী নমিংদি লোইনবা কৌই। হে লোইনবা নহাললনোং মপুনা শিররকপা পুমনক য়াদুনা নারাবু ঙাক শেন্দনা পুন্সি চেংজেল লোইত্রিকাওবা লোইনগদবনি হায়না ভাইবং ফাওরক্লবনিনা তিলমু-লাইমুনা কৈরকপদা খাংউথক্তা হাও হায়দুনা পাওপুম্বা যাদ্রে। নোংদম্বনা পিরকপা পুন্সি চৈশিং নোংমা রাৎনা পানগদবনি। ফুমিৎ চয়োল তহেৎনা কংক্তা ওইনা নারাগী পুন্সি চুক ফারো, ফারগে। লং অ হৎবনা ৭ লক কোইদগা ফুমগনি।

অঙাং ঈরুবিবা।

মাইন না অঙাং ঈরুজবিবা লোইরবা মতুংদা "ঈপা মচুম তারো, ঈপু মচুম তারো, মুমিৎনা কাদ্রিভৈ কাহৌরো, থবলা চাওদ্রিভৈ চাওহোরো, তিং তিং চাওরো—শাংভো অমুম্মা অঙাং অতু চোংবিগনি। অমুম্মা ঈরু লাইশোন নাচৈবোলনা শেংব তুনা পম্বৌ মপানা নারাগী নাকোং থোংলেন অনিদা শিদ মীংথৈ পীবিগনি।

লাইরোল :— হু, ঙাং তদং ঙাং র হং ঙা হং ঙা।

তরাহুমদোইশুবা
অয়ুককী ইপাল থৌরম।

কনাহক্ষনা কবিশুম্বা অঙাং অনি ফাযবোক পোকপা তারবদি হায়া পোকপা, কোয়া পোকপগী মতুংইয়া পোংলম-চৈরম ২ গী পড়িং ওইনা ফম্বাল অনি লাংতুনা ঈরাং থৌরম অনি থোক্লা ৎেগনি। অমধক্তা পোকপগীদি কায়ত্রে।

পোংচং :— ফৌ লাইতং অচোনবা অমগী মথক্তা থুম মপাক অনি, শেল ময়েক অনি, ঙা মরম ৭ কী পরেং অমা অহিনা কোথাংগী পোংলমনি।

শবোই থাংবগা মচাক :— য়াংজোক অমগী ময়াইদা লাশেং অনি কাবয়না থারগা কারলগী মরাইনে মচিন মরিনে মকম মঙাদা হৈবী মনা, য়েন্দেম, লফু, থুম-মোরোক ডারিনচিংবনা শিংজু শুবগা থবা থক্লা চাপকনি। চেং, মৈরা-মেক্রুচিংবসু য়াংগনি। অঙাং অদু মমানা পমতুনা ফনইল্লগা নমাংদা য়াংজোকতু থম্লগা পোংচৈ মশানচিংবা শেংদোকপিবগা লাইথৌ চোগনি। অহানবা ওইনা লাইনিংথৌ লৈমনেল অনিদা থৌনিগনি।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো নলাই ইমুং য়েক অসিগী ....অনিগা নপাদি, মনোম অমা লাইনিংথৌগী থৌজালদগী ফংঙবদো ঙসি ইপাল নোং ওইরে। তেক্কবা কায়দবা পীবিহুনা পুন্সি-মুংশাংনা লাইনিংথৌগী থৌগল ফংহনবিয়ু হায়না নলাই অমাইবনা/অমাইবানা থোজবি। (লৈমরেন্দা চংহুনা থৌনিহুনা থুরুপা)।

লাইরোল :— ইমা লৈমারেল শিদবী ইমুং অসিগী য়েক …………অনিনা তানকংজবা নাৱা মপারি, মমোমগী ওসি ঈপালনোং থোকলে নৱা অসিবু পুন্সি মুংশাংনা ইমাগী থোগল কংজবা পিনবীয়ু হায়না ইমা-ইপা শল্লবা লাইনিংথৌ ইপা লৈমরেন ইমা অনিদা থৌনিজরি। খুরম্না। অতুগা অঙাং মমা অনিগী মনাক্তা চংহুনা খুবাক ৩ লক খুহুনা মীকৌ তমগনী।

লাইরোল :— নহাল নোং তাইবং শেম্বা লোইরবদা মপুনা থোয়ুম লাইয়াম য়েংহুনা ঐনা শেম্বা তাইবংবু য়োকদবা থোয়ুন কনানো হায়না তাকপীরবদা মপুগী য়ারাবু লেমনা মাংবা য়াদে হায়না চিংঙু ও চোংথোকখি হায়। চিংঙু ৩ গী কোয়োই নিংলেনবু মঙাং, লুৱাং, খুনন কৌই হায়। ওসি য়াইকবা মঙাং অসিদা য়েক শাগৈগী মমিং………কোবা/কোবী অনিগী মপারি মমোম নৱা অসিগী ইপাল থাবা হুমিং থোকলে চিংঙু ও মকনা অঙাংগা য়াইকনবা ইপাল থাবীয়ু ননাইনা থৌনিজরী। (খুরুম্না)

লাইরোল—ভেংবানবা মপুগী শিংহা পুবীরিবা মালেম লৈকোয় পুংদা লৈবা মায়কৈ তাকপা ওংদায়পুবা লৈরোল নোংলোন পুবীরিবা লাইপুংথৌ ৯ নচিংবা থোয়য়ুম লাইয়াম পুয়মক তার্বায়ু। ওসি নোংদা ঈরি ঈপাল থাদৌরিবা অঙাং অসিগী পলেম-পাম্বৌ ২ না থোয়য়ুম পুয়মকা চাকথাবু তমজরি। অঙাং অসিগী পুন্সিদা ওইজা ওইথক থিবা কোয়না চংলকপদা. চিংঙু পুয়মকী নচা নও লাই শারোইশিংবু উদবদগী ফিজিনা ফিনানা হুম্বা থোক্লবদা চৈবী চৈথেং পীবিদনবা তাকথোকপিয়ু। নবাগী পুন্সি অসিবু

কনবিমৃ হায়রজবগী লাইয়াম শারোই পুম্নমক্কী চাকথা তমক্তবিয়ে অসিনা পেনবীরো তুংলমচত্তা অমুক চাকথা অমহৌলবীরম্ভ হো য়াবঁ রো খোজান হৈবা খোইযুম পুম্নমক। হৌজিক্তা খোইয়ুম পুম্নমকনা খোজানবীরবনিনা নারাগী অরাই হায়চংনবা মিরেল হামফোয়নবা লৈরবদি খোযুন লাই পুম্নমক্তা থাদোকপীরো। অঙাংগী থরায় অচংবা মীবেন অথোযবদ্ কৌশনজবগে। খোজানবীরো কুর্বায়ো খুবম্বা। (অতুগা খুনাক অহুনলক পুবা)

লাইরোল :— সে সে ইচংগী/ইশুগী থরায় ৫ মক মীগা থানা ৬ মক লাও লাও। ইনা কেরা নত্তে পলেম নমানা কৌবনি ল. ল. ল। পুং বেৎনা য়াংকোব নপান্দা তক্লক কোযদুনা কেগনি।

লাইরোল :— সে সে নারা থরায় অচংবা মীংেল অথোয়বা ইল্লগে যা কাথংলো হে থরাই নওনা অনমলোক্তা চংদুনা ঈংনা ভালবীরো মম্ মম্ মম্ নোংদম্বগী পুন্সি চহি ১০৮ অঙাংদা পিরকপদো মীকুপ অমা রাংতনা অঙাংগী খোইদৌদা পুন্সি চুক ফাবিরো কুক কুক কুক। ৩ মক কোদুনা ৫ মক ইগনি। অদুগা য়াংকোক অদু খোঙ্গাল রাংদা পুথোক্লগা মথা ওম্না থাদোক্তনি।

লাইরোল :— ওসি য়াইফরবা কোয়রী মুমিং তসিদা লাই-পুংথৌ ৯, লাইমুরা ৭, মুমিং, থা, থরাম্মিচাক, খোংজোমকুনী, অপাল-অরং, শরোই ভারোই পুম্নমক্কী চাকথা নয়া কোযরেন্দা থাজবি। ইমুং অসিদা ফংহৃবিবা নারা অসিবু য়াইকবা নপোক

ওইহনবিয়ু কুবিয়ু কুবিয়ু। মায়গৈ ঙাকপা লাই ৪ মক য়াইবীরেল শিদবা, ইমা লৈমরেল শিদবী অনিনস্নু কুবিয়ু। ভিনমু-লাইমু ফত্তবা পুম্ননকপু থা পাংনা তাম্থবিখ্রো। (খুবম্বা)। অদুগা চংলক্লগা অঙাংহু য়াঙ্কোক্তা হাপ্লগা উচেল মৈবাদা এক্তুনা মমাদা মচা লোগেরা ? য়াঙ্কোক লৌগেরা ? হংগনি। মমানা য়াঙ্কোক লৌরোই. ইচা লোগে খুমগান। মমানা মচা লৌগনি।

লাইরেল :— ইমাগা ইবুংঙো, ইমোম ইমানা ইচাবু ফংজবা নোংদম্বা মপুগী খোজাননি। তাইবং শিন্থা লাকলবনিনা মপুগা থৌগল মতোল লোম্না পাংদবা য়াদে। ইমা লৈ ইচাগীদমক, লাও ইমা কোনগে (মমানা মচাবু কোনশনবা)। অদুগা মাঙ্গোল দারি মথক্তা য়াই তৈথোকলগা মৈরা-মেক্রক, হৈ-লে কৎতুনা কোথাংবু অমম-অঙান থাইবা মপু কোরৌহনবদা মুমিত্তা কৎতুনা থৌনিগনি।

লাইরোল :— ভেংপানবা মপু ইবুংঙো, ঙসি য়াইফবা কোরৌ মুমিত্তা শাগৈ অসিগী............অনিগী মপাবী/মমোম অমা ফংজনিবা নারা অসিগীদনক্তনি হায়দুনা পলেম-পম্হৌ ২ না শুমজবা ফৌগ্নাং, ভারম ৭, থুম কাকুপ· শেঙ্গ ২ অসিনা নারা-গীদমকনি হায়না তম্বীন্নিবা অসিনদি তাইবং পুন্সি মুংশাংনা চাদা নৌদানা লৈজবা মতমদা কোম্নগদবা নত্তবনা কোরৌ পালেম অঙানবদা শিন্নজরি। ননাই নারাগী পুন্সিদা য়াৎত্রবা পাদবা পীবিয়ু হায়না থৌনিজরি। পলেম-পম্হৌ অনিনা থৌনিজরিবা কুবিয়ু কুবিয়ু। ননাই অমাইবা/অমাইবীনা নৌনা খোঙদারক্লিবা

নারাগী তরা চাক পুন্সি চেংজেল ৱাৎতনবা তম্বীয়ো হায়নস্থু থৌনিজে। (খুরুম্বা, মনা-মপা ২ স্থু খুরুম্বা)। অদুগা ফৌখাংদু ইমুংদা পুশন্দুনা কোৎ, ফুঙ্গালাইরু শেম্ফ. থুম চঙ্ক, ঙা হাপ্পবা ঙারুক পুম্নমক্কী মমাংদা মৈরা-তেন্রক, হৈ-লৈ কৎনা পোৎশিংবু শিন্নবা।

লাইরোল :— কৈকুংহলবা ইবংঙো ননাই নারাগীদমক্তি হায়দুনা তমজরিব। ফৌখাং অসে ইবুংঙোদা শিন্নজগে মক্কনা মক্ক পোকহনবিযু. ননাই কৌখাং শিংজবগে কুাবযু। (খুরুম্বা) অদুগা শেলফুদা শেল শিন্নবা।

লাইরোল :- ইমা ইনেম্মা ইমাইনু অতোংচাওবা ছিকনা য়াইকুবী তারেৎ শেঙ্গা পোক্রিবী শিরেমা ইমা ভসি গাইফবা কোরৌ মুমিৎ অসিদা ননাই নারাগী দমক্তি হায়না পালেম-পাম্তৌ অনিনা তরেৎ শেঙ্গা অনিদং শিন্নজরিনা অসিংদি তাইবং পুন্সিদা নোংলেম্নবা য়ারোইদো। অদুনা অরাৎপা পুম্নমক্তি মচানা মচা পোকহনবিদুনা ইমানা রাৎতু-পাদবা পিনিথ হায়না ইমাদা শিন্নজরি। শেলফুদা শেল হাপচিল্লুনা পরম্বা। অদুগা অমুক থুম চঙ্কুদা থুম শিন্নগনি।

লাইরোল :— থুংলৈমা কোৌরী ইমা ইনেম্মা নারাগী দমক্তা পালেম-পম্তৌ অনিনা থুমপাক ১ দং থুমপোকপা ওইবা ইমাদা শিন্নজরি। নারাগী পুন্সিদা থুম চাবা রাৎতবা ওইহনিমু হায়না থৌনিজরি কুবী য়ু। থুম চঙ্কুদা থুম হাপ্লগা খুরুম্বা। অদুগা ঙারুক্তা ঙা অমুক শিন্নগনি।

লাইরোল :— ইমা ইবেম্মা ঙারম চাম্মনিপাল পোকলিবী ঙারৈমা । ঙারুক কৌবী ইমা নংগী নফমদা নারাগীদমক্তনি হায়ত্নুনা পালেম-পম্বৌ অনিনা ঙা মরম ৭ তং ইমাগী মফমদা শিন্নজরিবা অসিনদি কোন্নবা নংদ্রে। অদুগা অরু ৎপা পুন্নমক্তি ইমানা ঙারম ১০৮ পোকপিদুনা রাংত্ববা, পাংবা শিবিয়ু হায়না থৌনিজরি কুবীয় কুবীয় । ঙাকক্তা ঙা হাপ্লুনা থম্বা ।

অম্ভুম্মা নারানা পুনসি হুংশাংনা লৈববা মতমদা ভা ৎপা লৈতনবা মাগী মাগী মফমদা ভামাইবা ভামাইর্বনা লাইবোলনা তুংগী চাবোলগী য়াইফনবগীদমক্তা থৌনিজগনি ।

নুংদাংগী ইপাল থৌরম ।

(ঈবাৎফু লাৎপা)

পোৎচং :— **ফম্বাল থানবা থুদৈ অহনবা অমা, অঙাংগী** মফি-মবোল, কোল-লিক, **লাইগী লাইফি,** ফুভাম, কেংইয়েৎ, **ঈরাৎফু অমা,** য়াম থরা, লং অহিংবা থবা, **কুবীবগী** পোৎলম অমা, তেলজৈ মরি মৈবা মেক্কক ২, শেল ৬, হৈরুক পানা ৬, (৬ × ২ = ১২), চেং লৈ থরা, তায়রেল পুংফায় নাতৈ চক্ মা অমা ।

ইপাল থাবগী পারম :— ইমুংগী থোঙ ফাপ্তাগী মথা থংবা ইমুংলোমদা রাই তৈরগা ফম্বাল অমা থাদুনা অঙাংগী মফি-মরোল, কোল-লিক, খুৎশু খুৎলাই, থাং-তা হাপকনি । মুপী

ওইরগা মখুৎসু তেমনচিংবা হাপকনি। অদুগা ফম্বাল মমাংদা য়াননা পাফল যেক্তুনা ইরাৎফু ফৌগী মথক্তা থিলগনি। তেলচৈ যুংদুনা লং কোইরগা মৈবা মেক্রুক কৎতুনা শেম্বা শাবা ইশাগী পাবম পুম্নমক লোইবগা লাইথৌ পুক্লিং চেৎনা তৌগনি।

লাইবোল ঃ—ইবুংঙো ননাই নচানা খোনিজরি ইরাৎ খোবম তৌজগে কুবীযু আ উং আয়েং। (থুবম্বা)

লাইবোল ঃ— (থুবাক ৩ লক থুবা) ইবুংঙো ঙসি……থাগী ……নি পালবা কোবৌ……নুমিংকা য়াইফবা অসিনা ননাই ……য়েক ওইবা……চিংঙু খোয়য়ুম লাই পুম্নমকপু ইরাৎ খোনিজগে হায়না পুক্লিং ঈহুল ওনজবি কুবাযু। লাইখো তরেৎকী খোংলম তরেৎমকপু লাইজা ঈকৌ তমজবিএ তরং ঈভল তমনা ঈফুন্নুংদা তুংবীররো। হা উং হায়েং, তরং মরু শেংথোইবা ঈ মরু শেংথোইবী। ঈবম তরেৎমরু। অমত্তা ওইনা ইরাৎফু অসিদা তুংবীয়ো, কুবায়ো খোনিজে। (নাহৈফুগী ঈশিংনা ঈরাৎফুদা ৭ লক হৈগনি)

লাইরোল ঃ উং সল তরং নোংসল ঙাং তরং সল নোংসল হাউং হায়েং (ইরাৎফুদা চেং লৈ কৎতুনা থুরম্বা)

লাইরোল ঃ তাইবং পানবগী মপু অমা কোবা ইবুংঙো। নাকোক্লা স র হ না ওইবা নৎবাক্লা র হ স না ওইবা নমৈ মিত্তোলনা হ স র না ওইবা হ র সনা। মমৈবু নয়ানা চিক্লা হায়ি কোনা অচৎ চৎতা পুম্নমক্কী মপু ওইনা ঙাং হিং কোনা লাংঙল

কুম্মৈ শান্নরিবা ইবুংঙো নংবু তায়জগে কুবীয়ু হা হুং হায়েং। ইন্নাৎফুদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা।

লাইরোল ঃ— উং মালেম লৈফদনী লৈপি তোমশোল লৈনপফা লৈহিংনপ ইমা ইরাৎ পৌনিজরি মাপাংখাদা থুরমজৈ (ঈরাৎফুদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)

লাইরোল ঃ— হুং খোইয়ুম লাইনিংথৌ কোরৌ নোংলোন অতিয়া নোংফুরেল থোইপোইবা, য়োইরেল থংবা নোংনিংথৌ অন্নাংবা ঈরাৎ পৌনিজরি কুবীয়ু। হাউং হায়েং (ঈরাৎফুদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা।

লাইরোল ঃ— লাইনিংথৌ নঙাল নোংগী অমা কৌরগী লাংওন লাকপা হায়ি লাই নক্ক সিদবা। হায়ি চক্কা লৈনুং কোলজিরেল কৌবা। হায়া চক্কা থুনুং লোনজা অনিবা কৌবা থুনুং চক্কা লোলাং পাখঙবা কৌবা। কোম্না চক্কা নোংদা লাইরেন পাখঙবা কৌবা। কো-সনা মপুরেল কোরৌ, মালেম (লৈহৌবা) ২বু শেম্বা লাইনিংথৌ ঈন্নাৎ থৌনিজরি। (ঈন্নাৎফুদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)

লাইরোল ঃ— উং শজিক চেংঙা মচা পোইসুম কাক্কমনক কোরৌ থক্কা ফুংগা মুংচুম শানা ঙাকলিবা তোযচিংস কবীয় হাউং হায়েং (ঈরাৎফু মঙক্কা পুন্নিবা হৈনৌ মনাচু শেম্বা অতুগা ঈরাৎ-ফুদা চেং লৈ ঈশিং কৎকনি থুরম্বা)

লাইরোল ঃ— ছুং উং সিদবা মালেম ঈমাদা সিন্নবীবা তায়বং তরা চিঞ্জাক লোইমোম ফৌ কংপিক কংজাওগুমনা মপাল মরা তাহনবীরিবা খোইয়ুমবু শেমজরি কুবীয়ু হাউং হায়েং। ঈরাৎফূ মখাদা থারিবা ফৌতু থুৎনা শোক্না শেম্বা চেং লৈ ঈশিং ঈরাৎফূদা কৎপা। (থুরম্বা)

লাইরোল ঃ— উং মালং মুংশিৎ অথোইবা খাংগোল অয়াংবা তায়বং থরাই মপুরেল ময়াইবীরেল সিদবা তেংবানবা সিনবা থুংনা নাওয়োক্লিবা সে। সিদবা য়াংথোই খোংদোইবীরকুনা ঈরাৎফূদা ভাম্বোইবীয়ু তাইচিকচরি কুবীয়ু হাউং হায়েং। ঈরাৎফূদা চেং লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা।

লাইরোল ঃ— উং লাইজা ঈফুথোক লৈয়োম্বা তরং লাইজা অরুবা লুনা লানা শেংলিবী অরু অপালবা মীংিংহিং ঈয়োম্বা সিদবী ঈফুন্নুংদা তুংবীয়ো হা হুং হায়েং। (ঈরাৎফূদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)

লাইরোল ঃ— উং অপালবা থাম্বী মৈত্রেং অরাবা নত্তিক নয়াই অহকপা নঙাল নশা অথোইবা শিংথাতুনা লোইঙমদবা লাইনিংথৌ উং হিং শং তরং হ সিদবা য়াংদৌ গোংদোইবীরকুনা ঈফুন্নুংদা ভাম্বোয়বীরো হাউং হায়েং। ঈরাৎফূদা চেং লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা।

লাইরোল ঃ— উং হয়ি হয়াহে, চিংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ অমম লৈশা কুমকপা, য়াইবী মুংনাং তকুপহৌ পুদিংউ নোংথাং তরংলেন, তরং লাইজা ঈপোকপা চিংঙু লিংদাও ভাৎবীরোইনায়,

মুংম্ সিদবা, মুংকাং মহাাবা য়াইবী মুংঙৌ পিঙমবা ইবুংঙো, নংগী রাকোল ঈকোলপুং কোরৌ নোংথোং হাংজ। মুংমাং কাওথংকোন্দা লাংবন মুংশিৎ শিদবনা হেংলেন তপ্পা শিংপদা লাংবন খোইম্না ঙংবগুম গোঙ্গেল উং……হাযনা ঙংবদা পুম্নমক শেম্বা ঙম্বা ইবুংঙোগী পিবুরু ংদগী পারিংলাংশং হুন্নকপদা মী, শা, ঙা, অচৎ-চৎতা পুম্নমক পুথোকপিবা কোরৌ নোংগৌরেল উকা মায়থোং য়াননা নপোক খোয়রা য়াল্লকপা লাইনিংথৌ, খোয়থুম সনা নথোং পুয়াখাদা থৌনি পুরুমজগে হায়বগ। ঈরাৎ থৌরম তেজরি। ঙাংলৌ থম্বাল অনিমক্তা তয়ুম তাংজ ইকেক কৎনা পুনেমজরি কুবীয়্। (ঈরাৎফুদা চেং-লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

হাইরোল্‌ঃ— হেংপানবা মপু ইবুংঙো, লাইনিংথৌনা অহানবা থোকঙৈগী নমিংদি লৈরাংলেন লৈতকপা কৌই। ইবুংঙো অতুগা মালেম চুথেক ৪ দা লৈপাক ঙাকপদি পিশাতাও কোনা নোংচুপ্পা ঙাক। কার কোনা মখা ঙাক। করা কোনা নোংপোক্তা ঙাক। নোংদম থুবা কোনা অরাং ঙাক। খোইয়ুম অতিয়া সিংবা কোনা উয়ংগী মথক্তা ফম্লিঙৈগী নমিংদি “শংকুরেল শংকু শং” কৌ, লিক্লাই সিদবা কৌবও। অসিবগা তানতুনা খোযুম য়ুহানে, থারানে চেংঙানে, য়ুচেঙনে ৪ পোক্রে। যহানা চিঙ্খৈ ঙাকলে, য়ুচেংনা মৈরম ঙাকলে, থারানা মোইরাং লাইচি ঙাকলে, চেংঙানা মুংশিংলম ঙাকলে। মায়গৈ ৪ বু ঙাক্লিবা খোইয়ুম মাযৌগ ৮ ঙাতুনা লৈপাক শেম্বা লোইরে কুবীয়্ হা ছুং, হা য়েং। (ঈরাৎফু

মখোংগী চুক ৪ অমদি মায়গৈ ৮ দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরমগনি)।

লাইরোল ঃ— তেংবানবা মপুগী থৌজান্দগী মায়কৈ ৮ শুমদাই ১৬ লাক্তুনা কাপ্তু হুইরেল থারে। লেংদরে ফাকুপ কাকুপ মপুং ফাবে। পাফলসু মপুং ফারে, লৈরোল ৯, নোংলোন ৯ শেমলে তায়চিক্কে কুবীযু হাহুং হায়েং। (ঈরাৎফুদা চেং লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল ঃ— অতিয়া শিদবনা থেঙ্গুবু কোরে, পাফলনা ঙইরোমদা থেঙ্গুনা য়েৎলোন্দা লেপাক পুরে। বুরু লাংমৈ কোরে. তায়চিক্কে কুবায়ু হাউং হায়েং। (পাফল মথক্তা চেং-লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল ঃ— খোইয়ুম কৈক্র অগুপ্পা, চিংগু নোংপোক অরিবা সম্বোং থাংজিং লাইনিংথৌ, থাঙ্গা য়ুমুম হাংদনা কাষা লাই ঙইবা চিংরাং লোক্কী পুরৈরোম্বা, থাংমায় মারা নিংথৌ খোইয়ুম উংজাওবা চিংমাবা উংলোরেল লোথিবা. কোরৌ নোংখৌ সোরারেন থক্তা ভাকপা শারাং লাই থাদা ভাকপা খোংঙারেল খোমুম পুম্ননক্লা ঈরাৎ থোরম অসি অকায়-অতোয় অশোয়-অঙাম থোক্তনবা ভাকপিয়ু কুবায়ু হাউং হায়েং। (ঈরাৎফুদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎলগা থুরম্বা)।

লাইরোল ঃ— অতিয়া শিদবনা মী শারো। অসিবা হায়-রবদা অসিবা লাইনিংথৌনা করম্না শাসিবা হায়না হায়থি। অতুদা পারি অসিবা এগী ইমি পান্দম লাক্তুনা তায়বং মীবু

শাগদবনি। অদুদা অতিয়াগী মিরেল তুম্না শারে। লাইনিংথৌ অপালবগা লাইনিংথৌ অসিবগা অনিনা নমু ফায়বং মীবু শাউদা শামু শারেপ ফানবা হায়দুনা অতিয়া মাংডান্দগী মথোয়-মরিল চিংথোক্লুনা সাকোল ফাবে হায়বগা মমিং মরি-চিং কৌয়ে। অতিয়ানা শেমহল্লিবা নমু পোং অদুবু "পোংনাগুভোল" হায়না কৌরে। পোংসিবু নিংশা হাপ্লসে হায়দুনা চিংডু অতিয়াদগী করিগা, করাগা, অরংবগা, উকোংলেনগা, নোংদম্বা লাই মঙা পুথোক্লুনা থরায় হাপ্লে, নিংশা হোল্লে। খোইয়ুম ৫ গা থরায়গী মপু অতিয়া শিদবগা থরায় ৫ মিগা থানা ৬ মক ওইবরে। থরায়গী মপু শিদবা সংকু-শং শংকুরেল, ওসি লোইদা…… থাগী … নি পানবা কোরৌ……… নুংশিকা য়াইফবা মওং অসিদা ননাইনা হায়জনিংবা হায়জগে। নিজনিংবা নিজগে হায়বগী ঈরাৎ থৌরম তৌকরি। ইবুংঙো সনা ফম্বাল-লাংদা রাংলেন মিকুপ মরুমদং ঙাম্মোইবিমু খোজানবিদুনা ইবুংঙোনা কুবামু। (ফম্বালদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুবম্বা)।

লাইরোল :— হৌজিক্কি খোইয়ুম লাইয়ামগী মমাংদা নাম্বা অঙাং পুথোকচরগে। খোজাল লনকুবিরম্মো। পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই-য়াইফবা পিবিরম্মো। (ফম্বালদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

অঙাং ঈরাৎফু মমাংদা মকোক মমাং ওন্না হিপহল্লগা অকোক-লোনগী নাহৈরোলনা শেংদোকপিগনি। অঙাংগী মপানা নমশাগী মিখৈ ভাকপগা লোয়ননা হবচাংগী মফম ১২ দা নমশা নম্বগনি।

লাইরোল ঃ— পারি/ইমোম ইপা ইপুগী মিংথৈ তাকে, হুং ঙাং এরং ঙাং সিদবা হায়ি হায়া, চরুরা নমশা মুংশিবা, অরুরা নমশা ওইনম্বা শিরনিক নমশা চিকথোইবা, থম্মা শিনম নমশা থুন-থোইবা, খমশা শিনম মকুপ থোকপা, মী ময়োল নমশা অচেৎপা, থিংক্রু চিং নমশা অথোইবা নমশানি পারি/ইমোম। অদুগা অমুক লং অহিংবা লংজা ৭ তিনবা থাংতিননা অঙাংগী খুদাংদা কিশি ৩ লক কীবিগনি। নিপানা য়েৎ, লুপীনা ওইদা।

লাইরোল ঃ— পারি ইমোম ঙসিদগী তায়বং মী হায়বদু ওইরেদো। অদুনা নংগী খুদাংদা পুল্লিবা লংহিং লংজা ৭ অসে ইপুথৌ ৭ কী মশক্তি। মনিংদি মঙাং, লুরাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা, শলাই-লেশাংথেম ৭ অসিনি। ইপুথৌ ৭ অসনা চৎলম্বা, নিংলম্বা শোল্লম্বা মিংথৈবু কাওবা লৈতনা চৎলগদবান। লুমিং চয়োল ৭ কী মকুংদগী হেন্দোকপা য়াত্রবনি হায়না তেংপানবা মপু নোংদম্বা অমদি খোইমুম লাইয়াম পুম্নমক্কা থোজালবারবনি। ইমা (পিথ্রাই শোংত্রাইবী) পিতায়-থোংতায়বী পীনহৈবনা হিকু য়াইকুবারে শেৎপা চাবা পুম্নমক রাংলরোই। রারগনু চিংড পলেম-পাম্থৌ ২ গী থোজাল ফংলবনি। (ফম্বালদা চেং-লৈ, কৎতুনা খুরম্বা। তরেৎ শেজ্ঞা লনকুবীবা মপা-মতোল, মমা-মদোন পুম্নমক্কা।)

লাইরোল ঃ— নাত্রা নংগীদমক্তা তেংবানবা মপু ইমা লৈমরেল অনিগা থোজালদগী খোইমুম লাইয়াম পুম্নমক্কা থৌজাল লনকুবীরবনি। তেংবানবা মপু ইমা লৈমরেল নাত্রাবু থোজালবীদুনা

ভেক্ত-কায়দা লনকুবিরো। থৌনিত্তুনা ফম্বালদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা ময়াম্নমু থৌজালবীবা লোইরগা অঙাং পুশনগনি। মতাং অসিদা মুংদাংগী ইপাল-থৌরম লোইরে।

থংজিনবিগদবা :— ঈরাৎফু লাৎপগী লাইথৌরোল অসি মথংগী থৌরম লাকপদা হাপচরবোই। ঈরাৎফু লাৎপগী থৌরম লাকপা মতাংদা শিজিন্নবিয়ু।



তরাহুমদোইশুবা

অঙাং চউম্বা।

মুমিৎ অফবা তৎন-থানবা নত্তবা মুমিত্তা উমগনি। মুপানা থা ৬ নত্রগা ৮ দা, মুপীনা থা ৩ নত্রগা ৭ তা য়াইফে।

পোৎচং :— ফম্বালগী মচাক, থকথল মৈরা-মেকক, হু-লৈ, তায়রেল-পুংফায়, অঙাংগী ঙামু অমা লুক্রেনগী মচাক, অনৎশেল অমা, কুবীবগী পোৎলম অমা, নাহৈফু অমা অসিনি। ফম্বাল লাংহুনা শেম্বা শাবা পুম্নমক লোইরগা লাইথৌ হোগনি।

লাইরোল :— কুং সিদবা তেংবানবা মপু মৈ, ঈশিং মুংশিং লৈপাক, অতিয়া মঙামকী মপু গুইবা। ঈরাৎ থৌরম ভৌজরি থৌজালবিত্তুনা য়াঙ্গোয় খোঙদোই হুনবিরকও। ...য়েক্তা পোকচবা নারাগী তরা চাকইন তমজগে হায়তুনা তেংবানবা মপুদা থৌনিজে কুবীয়ো। (ফম্বালদা চেং লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা।)

লাইরোল :— ইবুংঙো হৌচিক্তি তরা লুকলেন ফংবরবানিনা সনা ফম্বাল্লাংদা ভাম্বোইবিরো। ইবুংঙোনা যংবগী লুকমনবু নারা সভাংদা তরা চাকইন তমজগে। ইবুংঙোগী লুকমনবু ফংজরগা হিনথুং-লাইথ কোক্তুনা তরা চফম ওইহনবিয়ু। তুরৈ ঈরৈ চেলদা পুন্সি হুংশাং লিংবিয়ু। (ফম্বালদা চেংলৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

পালেম মমানা মপুগী লুকমন্দগী থরা লৌরগা নারাদা চাক ইনবিগনি।

লাইরোল :— পারি/ইমোন ভেংপানবা মপু অংপোকপনা তম্বিবা তায়বং পুন্সি চেংজেল তরা চাক ওইনা পালেম থোম্লংগা শিন্নৌ হায়না তম্বীরম্বা ভসি কোরৌ মুনিং অসিদা চাকইল তম্লগে, পুন্সি হুংশাংনা মপুই নিংথৈ শোয়রবা।

লাইরোল :— পারি/ইমোন শে শে অহানব চথোন অসে শমু পাঙ্গল কম্লবা চাকনে মম্ মম্ কুক কুক্ (চাক ইনবা)। শে শে ২ শুবা চথোন অসিনা য়াইবী থরাই ফানা চাকনে মম্ মম্ কুক্ কুক্ (চাক ইনবা)। শে শে ৩ শুবা চথোন অসিনা পালেম পান্থৌ খংনা চাকনে মম্ মম্ কুক্ কুক্ (চাক ইনবা)। শে শে ৪ শুবা চথোন অসিনা ইমা লৈমরেল খংনা চাকনে মম্ মম্ কুক্ কুক্ (চাক ইনবা)। শে শে ৫ শুবা চথোন অসিনা ভেংপানবা মপু খংনা চাকনে মম্ মম্ কুক্ কুক্ (চাক ইনবা)। শে শে পারি/ইমোম ৬ শুবা ইনগদৌরিবা অসিদি পুন্সি হুংশাংনা লাইগী ঈশিংনে থকও পিনুক থম্লবা কুক কুক্ (ঈশিং ইনবা)।

লাইরোল :— অসিবু থল্লায় ৫ নীগা থানা ৬ কোবানে থংঙা পারি/ইমোম। (অসুম্না মমানা চাক ইনগনি)। মসিদা চাক ইনবা লোইরে।



তরামরিশুবা

মৈ ঈরাৎপগী মৈফম য়েংবা।

খৌরম তৌগদৌরিবা মুনিং অহুগী থাবালগী মশিংগা নুংশিত্তগী ১৮ অমা লৈচিলদগী ২০ অমা থাবাল মশিংগা পুনশান্না। অহুগা ৩ থোক্লা য়েম্ভোকও মতুদা ১ লেমলগা কোরোদা মৈ লৈ। ২ লেমলগা লৈমুংদা মৈ লৈ। অমতা লেনজবদি লৈথক্তা মৈ লৈ। লৈথক্তা মৈ লৈরবদি মকমত্থু ৱাই তেখোক্লগা খৌরম তৌবা য়ারে। কোরোদা মৈ লৈরবদি মকমত্থু খুদোল অহুম থোনকৎলু। লৈমুংদা মৈ লৈরবদি মকমত্থু খুদোল ৩ তৌথৌ। অসুম্না মৈফম য়েংদুনা মৈ ঈরাৎকনি।

পোৎচং :— শীং মরম ৯ (১) হৈক্রু, (২) উপল, (৩) সাই, (৪) চাওথোং, (৫) হৈবোং, (৬) নোংলৈশং, (৭) চিং য়েলশিন, (৮) পোরোই, (৯) কুহি। চেং-লৈ, মৈরা-মেক্রক ৬, উচাল থল্লা, তায়রেল পুংকায়, ঘি, খোইহি, চুহি, নাহৈক্ ১০ অকৎ শেল ১২, থকথল ১, ফম্বাল ফি ১, ঈরাৎফু ১০ লং অহিংবা

লংথুম অমা, হৈরুক ৬, পানা ৬, উচিরা ৩, থেলচৈ ৪, মনম মুংশিবা উ মরম ৭, অথুম্বা মরম ৭, য়াম থরা ফম্বাল লাংথুনা থৌরাং তৌগনি। মৈফম য়েংলগা ঈরাৎফু মমাংদা মৈথাং ৭ লৌথুনা মৈ ঈরাৎলনি।

লাইরোল :— হে থাম্বী মৈত্রেং অরাবা কো-সনা পাথংবা থরাই মিরেল শিদবও। লাইজ অয়িংবনা নাওয়োম ওইবা, মালং অশেংবনা লাঙ্গোল ফবা, থাম্বী মৈচাক ফবিয়ু। ওসি কোরৌ মুনিৎতা.........শলাইদা পোকচবা............না ঈরাৎ থৌনিজবা অসি থৌজাল লনকুর্বয়ু হাউং হায়েং। (মৈদা চেং-লৈ কৎপা অথুগা থুরম্বা)।

লাইরোল :— থাম্বী অমুবা, অঙাংবা, অঙৌবা, অশংবা, মেমানবা অঙ্গাওবা, মিগোক মচু ৭ তিনবা মৈকৌবা লাই ফম্বাল্লাংদা লেংশিনবিয়ু। (চেং-লৈ ঈশিং মৈদা কৎলগা থুরম্বা)।

লাইরোল :— পোইরৈতোল থুম্বোকমৈ, পোইনাওতোনা থুলফাওমৈ, থাংজিং উপি উরেল মৈ, সতু তেকচাক মৈ, হেলবা পামচাক মৈ, তরা চাকথোং মৈ, শংলৌ য়েলফুৎ মৈ, চাবেক কাদাং মৈ, অমল শিংকুম মৈ, চকপা ফুইক মৈ, চক তাংশম মৈ, লমজাও থাম্বী মৈ, থাম্বী মৈরম ১২ দা ননাইনা য়াইফ থৌনিজরি কুবীয়ু হাউং হায়েং। (মৈদা চেং-লৈ খেক্রুক, ঈশিং ঘিনচিংবা কৎলগা থুরম্বা)।

লাইরোল :— ভুং শং তরেং মৈ নংবু তায়জরি।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী, খেক্রুক, ঈশিং কৎলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং কেমন্নবী মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী মেক্রক ঈশিং কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং মৈখিংশং মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী ঈশিং মেক্রক কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং মৈশান্নবা কোলচিন তুখোকপা থাম্বী মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু। (মৈদা চেং-লৈ ঘী মেক্রক ঈশিং কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং মৈমুংশং মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ, ঘী মেক্রক ঈশিং কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং কবাংচাং মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু)।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী মেক্রক খোইহি ঈশিং কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং কাং তুহিং থাম্বা নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী মেক্রুক ঈশিং শাং মরম হুনা কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং কাল মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী মেক্রুক ঈশিং কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং মৈ তরং নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী খোইহি মেক্রুক কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং মৈশা ন্নবী মৈ নংবু তায়জরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং-লৈ ঘী খোইহী মেক্রুক ঈশিং মরমগুনা কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : তেংপানবা মপুগী মৈ নবসু তায়চরি কুবীয়ু।
(মৈদা চেং লৈ ঘী মেক্রুক কংলগা থুরম্বা)।

লাইরোল : ইমা লৈমরেল ইমাগী মৈ মরমবু তায়জরি কুবীয়ু। (মৈদা চেং লৈ ঈশিং কংলগা থুরমবা)।

লাইরোল : হৌজিক্তি তেংপানবা মপুনা থৌজানবিত্থনা ইপ্পুংথৌ ৭ সু লেংবিরকএ। ননাই......য়েক্কা পোকচবা......... ননাইনা নিংজরিবা অসি থৌজাল লনকুবীরম্মো। (চেং-লৈ ঈশিং ফম্বালদা কংলগা থুরম্বা)।

খংজিনবীগদবা :— থৌরমগী মতুংইন্না নীংিংবা নীংিবগনি।



তরামঙাশুবা

অঙাং মনা হুৎপগী থৌরম।

অঙাং পোক্লবা মতুং চহি ৩ দগী ৫ ফাওবগী মতাং অসিদা মহৈ তম্বা হৌবা অমদি মনা হুৎপা কৈ।

থৌরমগী পোৎচং : ফম্বাল লাংগনি, ঈরাংথু লাংকনি, মৈ ঈরাংকনি। ঈরুজবদা থম্নবা থুদৈ অহনবা ১, উচিন্না ৪, চম্নরা ৭, ঈরম ৭ কী ঈশিং, য়াম থরা, লিকোল অচংবা ১, শেল ময়েক ১, সনা চিং ১, থকথল ১, ফম্বাল ১, ঈরাংথু ১, হেন্দচৈ ৪, লং অহিংবা লংথুম ১, চেং-লৈ, তায়রেল-পুংকায়, অকৎ শেল ৬, মৈরা ৬, মেত্রুক ৬, হৈক্রুক ৬, পানা ৬, শাং মরম ৯, ঘী, চুহি, থোইহী উয়ী মনম সুংশিবা মরম ৭, নাহৈথু ১ অসিনি।

অঙাং ঈরুজবগী পারম।

ফিগী মচি ৪ দা চমুরা ৪ না পায়রগা থকথলগী মথক্তা সনা লিক্লোল শেল হাপ্পা অদুগা মথাদা অঙাং ফমহনবা। থকথল মথক্তা চমুরা ৭ না ঈরম ৭ কী ঈশিংনা হৈথগনি। অম্মুন্না ঈরুজবিবা লোইবগা মফি-মরোলনচিংবা শেৎপিরগা মমানা পমদুনা ফম্মগা ফম্বাল, ঈরাংকু, মৈদা চেং লৈ ঈশিং কৎলগা থোনিবা।

থোনিরোল।

লাইরোল :— হাউং সিদবা, মৈ, ঈশিং, মুংশিং মালেম অতিয়া ৫ মকী মপু ওইবা ইপুরোই সিদবা ইবুঙোনা থোজাল-বিদুনা সনা ফম্বালদা ভাম্মোইবিরে। থরায় ৫ গী মশক ওইবা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, মালেম অতিয়া ৫ মু ঈফুমুংদা ভাম্মোইবিরে। থোইমুম মায়কৈ ভাকপা লাইয়াম পুম্নমক্মু থোজালবিরে। থাম্বী মৈরম ১০৮ নম্মু থোজালবিরে। থোইমুম পুম্নমকী মমাংদা নারাগী নাপ শেন্দা-নাদনবা না-হুৎচরগে কুরীয়ু। (অঙাংবু মফম পুম্নমক্তা চেং-লৈ কৎহল্লগা থুনম্বা)।

লাইরোল :— নারা ওসি য়াইফরবা কোরৌ মুদিং অসিদা না-হুৎকদোরিবা ওসি অতৈ অমগী নত্তে। থরায় লানবা ১দি অচৎ-চৎতা পুম্নমক্তা মপুগী মিথৈ শোন্নরিবা অসিবু ভাজবা ফংনবা অমদি নাপ শেন্দা নাদানবা মপুগী মিথৈনা নাপ থোংলেন ২ বু হুৎলবনি। মপুগী মিথৈদি হরি সিদবা, হয়া নাদবা মিংলেন

অথোইবা তুং নিং তুং কৌবনি। নারাগী নাতুংচরবনি কুবায়ো। নারা মপুই মিংথৈ শোনবদা নাপ শেন্দানফদে। মনা তুংপা। (চেংলৈ কৎতুনা খুরম্বা। মপুম্ব মহলফনদা হলডনবা নংেফনদা তেশলবা)।



তরাতরুকশুবা

লাইমিং লৌবা।

লাইমিং লৌবদি চহি ১২ সুরবদি য়ারে।

পোৎচং : থকথল ১ ফম্বাল ১ ইরাংফু ১ তেলচৈ ৪ লং অহিংবা থরা য়াম থরা ফৌ লাকোই ১ চেং লৈ মেরা মেক্রুক ২ অকৎ শেগ ৫ তায়রেল পুংফায় নাহৈফু ১ উচাল শিং মরম ৯ ফনবাল ফি ১ কুবাবগী পোৎলম ১ লংলা লংহিং থাংাত লংলা ৯ না তিন্না তাবা লংজা ৭ কা লংলা লংহিং ১ উগা লিকলল ৩ সুগদবা পরেং ১ মুপিগী ওইরগা লংজা ৭ না তিলবা লংজা থুংদা শিবা (নিবা) থুংবা মমা উগা লিকলল ৩ গী অমা অসিনি। লাইমিং ফংগদবা অডাংগী মশা অকোক্লেমনা শেংবিনি। মরম পুম্নমক শেম্বা শাবা লোইরগা ইশাগী পারননা চিংবা পাংলগা ঈরাৎ তাৎলগা, মে ঈরাৎপা অদুগা লাইমিং ফংবা।

লাইথৌ

লাইরোল :— তেংবালবা মপু ইদংড নলাই নচা নমুনা ইবুংঙোগী লাইমিং মিংথৈবু থৌনিজগে হায়বগা, ইরাৎ থৌরম

তেঁজরি ৱাংলেন মীকুপ মরুমদং সনা ফমবাদ' ঙাম্খাইবীয়ু। (ফম্বালদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)।

লাইরোল ঃ— হৌজিক্তি কোরৌ মালেম অঙানবা মুনিং থাগী মমাংদা ননাই নচা নম্ব .... না চিংঙ্ অপোকপা লাইনিংথৌগা মিংথৈরোলবু ফংজগে হায়রগা খোইয়ুম লাইয়ামগা। সনা মাংদা ঙক্তা চবৈ রেৎ থুকউ নৈদা ভানা থুৎফাং (১০) লোম্না হননা হননা পুনেমজরি কুবায়ু। (ফম্বাল ইরাৎফু নৈনা চিংবা থুৎনা শোক্লা লাইবক কৎপা। চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)। পারি/ইমোম লাইনিংদি হায়া মাহ হায়া মহি হায়া হায়া পোকপা পোকপা হায়ি হায়ি। অসি মপুগী মিংথৈনি। লিকঙল মশক্লা লিকঙল ১ ইশানি। লিকঙল ২ ইশানি। লিকঙল ৩ না মঙাং নুরাং থুনল ৩ নি।

লংলা লংহংগী মমিং ঃ — খোই তাংবোম খোইরি লিপোম্বা, খোইরি খোয়ফাবা, মালংখোং, থাখোং, লাইখোং, ফিস্থু খোং চারোল খোং, নোংদম খোং, পুলসি খোং ৭ না ৫ দা, ৫ না ৩ দা, ৩ না ১ দা হলজববু হেরোমলেন, মালাদোমলেন, য়াইতোমলেন হৈরোম সিদবা কৌএ। পারি ইমোম কাওরগম্থু অসি মপুগী মিংথৈরেল অরোম্বনি। লংহিংময়োল মংথৈ হুং কুক কুক কুক কৌএ। (লাইমিং ফংলবগা মপা মমা মপু মবেল লাই ওইনা পুম্নক থুরম্বা। মপুস্থু মহলফমদা হনজনবা মতেফমদা তেশনবা)।



তবাতরুকওবা

লুহোংবগী পারম ।

লুহোংবা মথল ৩ মুই :— (১) হায়না শিংনরগা হোংবা ১, (২) চেল্লগা নোংমা নিনি লেপ্লগা হোংবা ১, (৩) মশানা ইয়া য়াদনা নমচুনা হোংবা ১ অসিনি ।

মৌ থিবগী পারম

(১) অহানবদা য়েক শল্লাই থংবা শকথং মায়থংনবা (২) হায়জবা য়াবীনবা । (৩) ব্রা লোইনবা । (৪) মঙাং ২ গী পক্ল-ব্রায়নবা মপোম মশাং য়েংবা । (৫) অফবা মুনিং লেপনচুনা লুহোংবা । লুহোংবা অসি লাই হাকওক শল্লেং চুইমু লৈনগী মতমদগী চংনয়রুবনি ।

হায়জবা হৈজিং থরায়গী হৈরম

(১) হৈক্রে (২) হৈনিং (৩) হৈরি, (৪) হৈয়াই, (৫) হৈতুপ্পু (৬) হৈজাং (৭) হৈথু, (৮) চুঙৌ (৯) লফোই মরম অসি হৈজিংপোং কৌই । হৈজিংমুনা পুরগা হাজরুবদু হায়জবা পোৎ পুবা কৌই । য়েক ৭ শল্লাই ৯ গী হৈ মশিংমুনা পুরগা হনিনা ব্রালোয়পোৎ ওইরসি হায়বগী ব্রারোই পোৎমু কৌই । অদুনা হায়জপোৎনা হাল্লগা ব্রারোইপোৎনা কোনগদবনি ।

অপোকপগী হৈজিং পোৎলম

হৈক্রে হৈনিং হৈজাং লফোই চং থোকপা চুঙৌ লৈশং কবোক কা মরু মনা, পাম্লাও, সিংজাও, লশিং মপোপ । পোৎলমশিং

অসি ৩/৩ না খুজিং ওইনা হাপকনি। ফিরুক ১ দা অাপোকপা পুরোল ৩ গী কৎনবা পোৎ পুমমক চং তাবা মশিং ওইগনি।

লমলাই কৎনবা পোৎলম

কবোক থরা, লফোই লফাং চংথোকপা ১, চু থরা, হৈ মনম নায়বা ১, কা মরু মনা ১, ফিরুক ১ দা হাপকনি।

মিতমঙা থানবা পোৎলম

ঙামু ৭, হৈরুক ১, পানা ১, মৈরা ১, মেক্রুক ১, শেল অমা অসি ফিরুক ১ দা হাপকনি। মুপি নিপা অনিগী মীনা ঈশিংদা ঙা থাগান। মশা কনবা ঙা অশিংবং চপ মান্না থাও মামনা মশা থিংনা হরাওনা মমাল লোংপোক অমাং ওমা চৎথবদি মাইকৈ। থুদম লেংনবা ঙাদি। অতৈদি নপাংনি অচুম থাদোকঅমমু।

কুৰ্বিবগী পোৎলম

কৈৗ ১ দা চেং থরা, হৈ মনম নায়বা ১, কৈজোম ১ কোয়েংকি ১, কাতি ১, হৈজ্রাং থাং ১, লৈশং মরোং ১, লফোই লফাং চংথোকপা ১, কা মতোল থোকপা ১, মনা ১, শেল ময়েক ১, লংলা লংছি লংজা ৭ না তিনবা কাপ ৩ শাংবা থাংতিল অমা অসি হাপকনি। পোৎলম অসি মী অতোপ্পনা চাবা য়াদে লৈয়া পিবা অনিনা চাগদবনি।

অথেম পোৎকী পোৎলম

লুকমায় ১ দা চেং থরা, এলসাং মনা মশিং থরা, লফোই চং থোকপা ১, থুমপাক ১, হৈক্রু ১, হৈনিং ১, হৈজাং অমা, চুঙৌ ১, লৈশং মাচা ১, কা মরু মনা ১, পালনাও শিংনাও পোৎসিং অসি হাপকনি । লৈমরেন্দা কৎনবা ।

চেংলুক ঙুংশাং পোৎলম

ফিরুক অমদা চেং হাপকনি, মথক্তা থুম মপাক অনি, পাম্নাও অনি, সিংনাও অনি, হৈ মনম নায়বা অমা, শেল ময়েক অমা অসি হাপকনি । লুহোংবা মুমিৎতা মুপি মমুমগা ফুংগা লাইরু মনিংদা থমগনি । মুপি নিপা অনিগা মীনা মঙানি শুবদা নথুম হাংদুনা য়েংনি । মচুদা ককচেং কজপপি য়াওরবা কে । অশিবা য়াওরবদি কত্তে ।

য়ারোয়পোৎ পুকপী পোৎলম

অপোকপগী ফিরুক অমা, লমলাইগী ফিরুক অমা, হৃজিং থরায় অমা, শোম্নপুং লাইনিংথৌদা কৎনবা হৈরুক, কা ল্যাকোই অমা, মৈরা অমা, মেক্রুক অমা, লৈলাংনবা লৈ থরা, অয়রেল পুংফায় অসিনি ।

মীয়ামনা ফংনবা অচা পোৎপুবা ।

চাপোৎ :— কবোক পোৎলেন অনি, কা হৈ, পোলেন অনি সাজম নাদুনা পুগনি । অদুবু অচাপোৎপু শাজম নাদুনা পুই হায়বগী চাপোৎপুবা কোই ।

ৱারোইপোং পূবা

নিপা ময়ুমগী মীনা হুপি ময়ুমদা কবোক অথুম অহাও হৈকল্লাকল পুতুনা ৱা লোয়নবগী পোং পূব্বু ৱারোইপোং পূবা কৌই ।

পোংশিংত্থ হেক য়োরকপগা

মুপিময়ুমগী পিবানা পোং পুন্নমক শেংদোকপ' নাহৈরোল শোনত্থনা তায়রেল পুংফায়না লায়জা ঈশিং লপতুনা থিকালোকপা । শেংম্নপুং ময়াইদা ফম্বাল লাংবা মৈরা মেক্রক কৎপা । ঈশাগী পারম্নচিংবা হোইরগা ।

লাইরোল ঃ— তেংপানবা মপু অপোকপা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, মালেম, অতিয়া মুত্তামক্রী মপু ওইবা ইবুংঙো, ওসি ননাইগী নচা মমোম লাংলেন অসিবু ননাইগী নচা মপারি পিনাগীদমক মশানো তালাই ওইনবা থৌজালবিয়ু হায়না ৱারোইপোং পুরক্লিবা অসি ইপুরোই অপোকপনা লৎনবা নৈতনা কংবিয়ুনা ৱাহেন্নবগী চুক খুদম ওইবিয়ু। তাইবং য়েক ৭ শল্লাই ৯ গী মমাংদা ননাইনা হৈকং-নৈকং তমজরি, কুবীয়ু। (ফম্বালদা চেং-নৈ, ঈশিং কৎপা অত্থগা থুরম্বা)।

হৈকং-নৈকংতুনা লমলাই তায়বা ।

লাইরোল ঃ— লমবু কোনবা লাইনিংথৌ লাইরেনবী চিংগু পলেম-পম্মৌ অনিগী ঙাংলোখাদা থৌমিজরি। ননাই.........গী মপারি পিবাগীদমক ননাই.........য়েক শল্লাইগী মচাম্নগী চম্নবু

মশানৌ তালোই ওইজগে হায়না থৌনিজ্জরিবা অসি অশোয় অঙাম অয়েং অপন থোকহলবীনু হায়না তাওজিং হৈরাং অথুম অহাও কৎচরি কুবিয়ু। (লমলাইদা হৈ-লৈ কৎতুনা চিংথৈ ওন্না থুরম্বা)।

মপা মমা ৪ না মপুদা থৌনিবা।

লাইরোল :— তেংবালবা মপু ইপুরোই অপোকপা ননাই চনু পিবা ২ গী পলেম পন্থৌ ৪ না তাইবং য়েক ৭ শল্লাই ৯ গী মমাংদা নাম্বা ২ গীদমক পুনশি লৈপুল ওইনবা পুক্নিং অরেপ্পা থমনবগীদমক তেংবানবা মপুনা উচুক উরোং ওইবীয়ু হায়না অমম-অঙান খায়বা মুমিৎ থাগী মমাংদা লৈরাং লৈকৎ তমজ্ঞরি কুবিয়ু ইবুংঙো (৪ মক্লা ফম্বালদা চেংলৈ কৎপা থুরুম্বা)।

লাইরোল :— তেংবালবা মপুনা থৌজানবিবা মতুং ইন্না তায়বং ওইবগা শিন্থা পাংজরগে কুবিয়ু। (**ফম্বালদা** চেং-লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)।

হুপি মপাদা নিপা মপানা হৈজিংপোৎ কৎপা (লালবা)।

লাইরোল :— ইচাগী ইমৌবু পোকপা অপোকপা থৌজাল ফংবীরিবা ঙসি কৌবা কোরৌ মুমিৎ অসিদগী ইঙাই ইশেল ওইনরসি হায়বগী য়েক ৭ শল্লাই ৯ গী হৈ মশিং শুনা হাপ্পা থরাইবু কৎচরবনি। চিংঙু অপোকপা লাইনিংথৌদা শিম্নবীয়ু কুবীয়ু । (হৈশিং থরায় কৎতুনা মায় অৱাং ওন্না থুরম্বা)।

মুপি মপানা লৌবা ।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ অপোকপা খোইমুম লাইয়ামগী মমাংদা রারোইপোৎ থারবনিনা শারি অরেপ্পা ওইরে, রা হোংনবা য়াদ্রে । ইপা ইপু পুরেল্ল য়েংহুনা মালেম লৈথা তাহঞ্জরোই । (হৈজিং থরাই লৌহুনা মনাই নোংপোক ওন্না থুরম্বা) ।

<u>মুপি মমান</u> <u>নিপা মমাদা মচা মুপিগী মপোক মশাৎ মাকমৈ শিন্নবা</u>

লাইরোল :— এনা পোকচবী ইমোমগী মপোক মশাৎ মাকমৈ ইণ্ডায় নংগী নকমদা শিন্নজরবনি । ওক্ত-শিং বা পুমনক য়ারক-য়াতেম্ব হুনা মুংঙাই-য়াইকনা নচার্গা নমৌ ওইরুরো । (অন্নাং ওন্না শিন্নব। থুরম্বা) ।

<u>নিপা মমানা মায় মমাং ওন্না ফিশাও য়ানা লৌশা ।</u>

লাইরোল : মুংঙায়জরে ইচাগী ইমৌদি এগী ইনা অনৌবী ফংজরবনি । পুক্লিংনা খোয়দাজবী ইমৌ ফংজরবনিন। পোকপগী মহৈ য়াল্লগনি চংজফম য়ুম লৈরবনিনা মুংঙায়জরে । (থুরম্বা. ফিশাওদা য়োমশনবা) ।

মীয়ামদা পোৎ পুমমক য়েল্লবা মতুংদা মুপি নিপা অনিগী মপা অনিনা মীয়ামদা খুরমগনি ।

লাইরোল : এখোই অনিনা য়ান্দুনা য়েক ৭. শল্লাই : গী লাইয়ামদা থারিবা তাওজিং হৈরাং-হৈজিং য়ারোইপোৎ লৎনবা লৈতনা খৌজাল ফংবিরো । খোইমুম লাইয়ানবু মালেম লৈথা তাহঞ্জররোই (থুরম্বা) ।

য়েক ৭ শল্লাই ৯ গী লাইয়ামনা

লাইরোল ঃ করে, হৌজিকতি নখোয় অনিনা য়ানহনা খোয়য়ুম ঐখোয়দা তাওজিং হৈরাং চারো হায়রবনিনা চাবগে, রা অমুক হোংবা য়াদ্রবনি। ইপা ইপু মালেম লৈখা তাফরোই। ময়াম হৈ-রা চাগনি। ওায় ৪ মীয়ামগী মমাংদা হৈ-লৈ লাম্লগনি। মতাং অসিদা য়ারোইপোৎকী হৈজিংপোৎ পুবা লোঃরে।

পিবাদা পাওতাকপা চৎপা।

হৈজিংপোৎ থারবা মতুংদা সুপি ময়ুঃনা পিবা ওইগদবদা লৈ লাকোই ১, শেল লাকোই ১, হৈরুক লাকোয় ১, কা লাকোই ১ পুন্না পাওতাকলুগনি।

লাইরা ঃ লুহোংবা পুন্সি-লৈপুল ওইবা শোইদ্রে। হয়েং শোইদনা লাকপিনবা হায়জবা লাকচরিবনি কুবীয়ু। (থুরম্বা)।

লাইরোল ঃ করে থৌরাংলম্মো, শোইদনা লাক্লগনি। (পিবানা পাওংম্বা)।

লুহোংগদবা পিবাগী থৌরম

লুহোংবা চৎলমদাইগী পিবাগী থৌরম ঃ— মাঙ্গোলগী ফকতোম মনাক্তা ফক ফিদা ১ থাবা, মমাংদা হৈ, লৈ, মৈরা, মেক্রুক, সনা-লুপা, শংগোম, চুহি, কৌ লাকোই ১, হি-য়াই, অরু অপাল, নোংপোক চাকদাই সেল অমা থাবা, ইরাংফু অমা থিনবা, ঈশিং হাম্না কোল অমা থিজবা, অন্নুবা মরমগুনা খৈলবা। পলথৌ মপানা থা ফমলেন মাঙ্গোলদা মায় অরাং ওন্না ফমগনি।

পলেম মমানা অরাং থংবা ফকতোন মনাক্তা মায় মমাং ওন্না ফমগনি। মচা পিবানা ফিজেৎ লৈতেং লোইরগা, মমাদা কা লাকোই ১, শেল ময়েক অমগা কৎতুনা থোনিজগনি।

লাইরোল :— ইমা লোইদাম তরা নাওপুবী, নচানা থৌনিজরি। ঐবু নোংদম্বীবা পম্বোগী চেংলৌ খংজগে থোজাল-বিদুনা ভাংলৌ খাদা নচা ঐবু পুশনবিয়ু। চিংগুগী ভাংলৌ খাদা পিবাগী ফম্বাল নিজগে ইমা (পুরম্বা)।

মমানা মচাগী খুজেং পায়দুনা পুশনগনি

লাইরোল :— পারি ইবুংঙো ইমানা নপলগী ভাংলৌ খাদা শিন্নগে। চিংনগমু পারি লেমনা মাংকারোই। মমানা মচাবু মপল পম্বোদা কা লকোই ১, শেল ময়েক অমগা কৎতুনা শিন্নগনি।

লাইরোল : ইবুংঙো চিংগু নোংদম্বা ইপারিবু থোজানবিদুনা পিবাগী ফম্বাল ফংহলবিরো। ননাইনা থৌনিজগনি। (মমা মচা অনি পুরম্বা)।

পম্বৌ মপানা মমা মচাদা থোজানবীবা

লাইরোল : য়াইফেদা লৈমরেল ইচাবু লেম্না মাংবা য়াত্রা পারি ইবুংঙো ইপানা ওসিদগী পিবাগী ফম্বালবু লেপনা শিন্নরব্যনি ভালকংজরো। তেক্ত কায়দবা ওইজরো। (লুরেল থক্তা লালথবিবা)।

থোজাল ফংলগা ঈরাৎপা হোগনি। মাগী ফমফমদা ফম্নগা ইশাগী পারম পাংগনি।

লাইরোল :— হুং হৈ কোবা লাই ইবুংঙো ঈরাৎ থৌরম তৌজরি ইফু-মুংদা ঙালবীয়ো। (ইরাৎফুদা চেং-লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)।

লাইরোল :— হুং সিদবী লাইজা ঈশিং ইমাবু ঈরাৎনা কৌজরি ইফু-মুংদা তুংবায়ো। (ইরাৎফুদা চেং-লৈ কৎপা থুরম্বা)।

লাইরোল :— হুং সিদবা মালং মুংশিং নামীবা ঈরাৎ থৌরম তৌজরি ইফু-মুংদা ঙালবিয়ু। (ইরাৎ ফুদা চেং-লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)।

লাইরোল :— হুং সিদবী মালেম লৈশা ওইরিবী ঈরাৎ থৌরম তৌজরি ইফুমুংদা ঙানবীয়ু। (ইরাৎফুদা চেং-লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা)।

লাইরোল : হুং সিদবা অতিয়া তরং ওইরিবা মুমিৎ থাও অপানবা তুংনফমবু ওইরিবা ঈরাৎ থৌরম তৌজরি ইফু-মুংদা ঙানবিয়ু। (ইরাৎফুদা চেং-লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্ব)।

লাইরোল : চিংও কৌক্র, থাংজিং, বাংত্রেল, চিংথৈ, লিকলম ঙাকপা, খোয়ুম থক্তা লৈবা শোরারেল, থাদা লৈবা থোঙারেল পুম্নমকপু তায়জরি কুবীয়ু। পুম্নমকপু লাক্শরেন ঈরাৎফু মথোং অকোইবদা চেং-লৈ ঈশিং চুক ৪ দা কৎপা (থুরম্বা)।

লাইরোল : হৌজিকতি ননাইগী মায় পাকপা পিনবীয়ো য়েক্রবা পুম্নমক ঙাকথোকপিদ্রনা পিবা ইথৌ পাংজরগে। তেংবানবা

মপু অপোকপা নচাবু খৌজানবীরো। (ফম্বালদা চেং লৈ ঈশিং কংপা থুরম্বা)।

নিংশাগী পুংমায় য়েংবগী পারম।

য়েংনা হোরে ইপানা মাংদা, মচা ঐনা ময়াই, ইমানা তুং, ওইনা হোরে ইমানা মাংদা, মচা ঐনা ময়াই. ইপলনা তুঙ্গা চৎতুনা তায়বং সিম্বা পাংজগে মতম থুদিংদা থাদোকপিস্লু নচাবু (চিংজবা)। অতুগা নিংশা অহোবা নাকললোমগী খোংবীদু লেংবা হসিনা খোংশানবা ওইরে। নিংশা য়েংবা মফম থংজবদি [illegible]শিং য়াওবা কোল অমদা লৈ ২ থাদরো অতুগা থৌনিজৌ।

লাইয়োল : ইরাই পুরেল, ইরাই লৈমা চুক্লিং লিখিম-বীদুনা খোংশানবা মতাং পিনবীয়ু। মতাং অতুদা লৈ অনিদু হেক থেংনবদা খোংশানবা য়ারে। অনিংবা মতুংইন্না খোং [illegible]। হেক্তো থাংবা হৌরো। হায়রিবা মতাং অদি [illegible] ক-ত্রবদি মতাং লাকপা তায়তুনা খোংশানগদি।

নুপি মম্নমলোমগী লুহোংবা নুমিৎকী পোৎচং।

থকথল ১, ফম্বাল ১, ঈরাংকু ২, নাইহেকু ১, হৈক্রুক ল কোই ৭, কা লাকোই ৭, মৈরা ৭, চেং-লৈ থরা, তায়রেন পুংফায় কুর্নিবগী পোৎলম ১, মৈরা ওক্লবা উচাল মচেং ৩, কবোক অফাবা শবা, সেন্দেক থরা, হুইথাচুক ত্রেনচৈ ৪, থুদৈ ফিদক ১, শেল ময়েক ৩, অচোইবা ৭, য়াম থরা. লং অহিংবা লংচুম ১, কৌ লাকোয় ২, ইচা নিংতোলগী অউলপোৎনচিংবা অসিনি।

লুহোংবম য়ৌরগা কোম্বোংদা মৈরা ওকপা

লাইরোল :— ওসি মওাং পিবা থাম্বী মৈরা ওক্লা য়াইফ-থৌজাল ফংলে। য়াইফরে ৩ লক মৈ ওকথোকপা মৈদা চেং লৈ মেক্রুক কৎপা। নুপি মম.ন। ক। লাকোই ১, শেল মরেক ১ লানদুনা ময়া ওক্লনি।

লাইরোল :— পারি ইবুংঙো নশানৌ লেৌবা লাব্রত্রা ? লাও ইনেম লে (থুডেং পায়দুনা পুশনবা) অব্রা চারৈ পোৎথরখো।

ময়ানা পাওথুম্বা

লাইরোল :— লাকচরে ইনেম, লাইয়াম থুরম্বা, অদুপা মফমদা ফম্বা। শোম্নপুং ময়াইদা শেম্বা ইশাগী পারম্নচিংবা লোয়্রগা ঈরাৎ থৌরম হৌরনি। (নুপি মমুমগী পিবানা)।

লাইরোল :— হুং মিদম্বা-সিদবী, মৈ, ঈশিং, লুংশিং, মালেম, অতিয়া ৫ গী মপু ওইবা।* অমদি মাক্ক্তে সুমদায়পুবা খোয়ুম। ইপা, ইপু. ইপুথৌ, পুয়োল ৩, রেক ৭, সমাই ৯ গী সনা মাংদা ননাই ... য়েক্তা পোকচবা ...... গী মচা ইবুংঙো ...... পা ননাই ... য়েক্তা পোকচবী ... গী মামোম লাংলেন ...... পা নাম্না অনি পুলসি লৈপুল শেমজগে হায়না ঈরাৎ খোনিজরিবা অজিনা থৌজাল-ৰীদুনা ননকুবীরম্মো নাম্না ২ খোয়ুম লাইয়ামগী সনা মাংদা পুথোক-চরক্লগে। কম্বাজদা চেং-লৈ কৎপা থুরম্বা, ঈরাৎকু মথাংদা রাউ থরা তৈগনি। য়াম থরা চাইরগা পাকল মচিন ৫ লোংবা ১ য়েক্লগা লাইহৈদুনা শেংগনি।

লাইরোল : হং সিদবী পলান্দবী ময়াইদি ইমা লৈমরেলগী তমপাক্নী। য়েক্কবা ত্তিলমু-লাইমু চংবা ওমদবা ইমা নংগী তমপাক অসিদা নচা অনিনা পুন্সি লৈপুল শেমজবা তসে তায়বং পুন্সি লোমত্রিফাওবা ভুংন-থানবা লৈতনা চাবোল ৭ তানফ নবা। স্নুরোল ৭ লোনশন্না মুংঙাই য়াইফ থোইনা পায়বা চেংনা চান্না থাগোয়মবীমু। কুবী হৈবী ইমা লৈমরেল সিদবী কুবীয়ো। চেং-ল ঈশিং কৎপা থুরম্বা।

লুহোংফাল থাবা নাহৈত্থুনা শেংবা

নিপা থোরক্কুনা ফমবা নাহৈত্থুনা মশা শেংত্তোকপিবা মশাগী পারম লোইগনি।

লাইরোল : ত্তেংবানবা মপু অপোকপা ননাই ... য়েক ওইবগী নচা ...... না ইপা ইপু পুরোল ৭ য়েংত্থনা সনা মাংদা য়াশকচরি। ...... চমু ...... মশানো ওইবা তানফংজগে তায়বসী ভক্তা চ্রৈ য়েং তাওজিং লুকথেল কৎনা থোনিজে। ইবুংমাগী থোজালনা ... চমুবু লনকুবীরো ননাই পুথোকচরম্নগে। (কম্বালদা চেংলৈ ঈশিং কৎপা থুরবা)।

ইবুংলো চমুগী ইরাৎ থৌরম পাংবা মনাংদা ঈরাৎ-ু লাৎপা :—

লাইরোল :— হং সিদবা হং সিদবী মৈ ইশিং মুংশিৎ মালেম অত্তিয়া নোংথৌ সোরারেল মুমিৎ থা থরানমিচাক খোয়ুম মায়কৈ তাকপা চিংগু কৌক্র থাংজিং য়াংত্রেল চিংখৈ থক্তা লৈবা সোরারেল থাদা লৈবা থোঙারেন খোয়ুম পুয়নক্তা থৌনিজরি ননাই ... চমু

······না। মশাবীগী মরালদা খোঙদোইজবা মতমদা য়েক্লা ইফাই খুরৌ থাংদবা পিনবীয়ু হায়না নমোমনা থৌনিজরি। (ঈরাংফুদা চেং-লৈ ঈশিং ৫ রক কৎপা খুরম্বা। ঈরাংফু মখোং ৪ দা চেং-লৈ ঈশিং কৎপা খুরম্বা)।

লাইরোল ঃ— তেংবানবা মপু লাইনিংথৌ ইমা লৈমরেন সিদবী নচা ······ না পুন্সি-লৈপুল ওইহনা মশাবী মরানয়াইদা য়াঙ্গোইবা ফংজগদৌরিবা কন্নাগী থেজাল নত্তেদো। চিংঙু ২ না নাওয়োক নাংকোনবাবদগী যংজগদৌরিবনি। তেক্তো কায়দনা মশাবী মরান্দা লৈজবা থোজানবিরো থেনিজরি। ঈরাংফু মখোংদা চেং-লৈ কৎতুনা খুরম্বা।

লাইরোল ঃ— হৌজিক্তি তেংবানবা মপু লাই মঙা, মায়গৈ ঙাকপা খোয়ুম ৪, লিকলমপুবা লাইপুংথৌ ২, য়ুমগী লাইনিংথৌ লৈমরেন চিংঙু পলেম-পম্বৌ থক-খা ঙাক শেন্দনা লৈবারিবা খোয়ুম পুন্নমক্লা নচা ······ বু য়াংদৌ লমখাংদা শিঙেল অরেম্বা, লৈরাং অভিংঙা ওইহনবারন্নু। মচা-মশু, চাদ-নৌদা, পুন্সি হুংশাংনা মপুই মিংথৈ শোন্দুনা চেজবা খোইয়ুম পুন্নমক্লা পিনবীরো। তায়বং শিম্বা পাংহনবীরো। (ঈরাংফুদা চেং-লৈ কৎপা খুরম্বা)।

নিংশা খর পুংমায় য়েংলগা খোংশানগনি। ইমুংদগী মপান্দা থোরক্লগা পম্বৈদা চরৈ কৈজোম ১, কা-লাকোয় ১, শেল লাকোয় ১ কৎতুনা থৌনিগনি।

লাইরোল ঃ— ইপা ইবুংঙো অপোকপা চিংঙু পম্বৈগী থৌ-জান্দগী তায়বং মপোক ওইবা ফংজত্নুনা অনম অঙান থায়বা হুমিং

থা, থরানমিচাক অপান অমং পুম্মক উজবা নালফংজারে মপুই 'সন্থা মতুংইন্না চায়বঃ কুম্মৈ য়াওজনবনিনা। পান্থৌ ইপুরোই নংলোনা য়াঙ্গাইজনবু য জগদৌরে। নচাবু চেক্ত কাইদবা 'পনবায়ু নংলোং থোনিজ (বংশ্ব)।

পদ্মো মপানা থৌজালবিবা

লাইরোল :— ইমাম ইবেম্মা ইপান ওমোম নবু পে কচনা আইপা নংবু নথংকন নবান্দা যাঙ্গাইনগা নপাব নমোম শংমু মুংচায য়াংকনা লনবগীদমক মপুই শিম্থ মতুংইন্না ইমোম নবু নানফংজবনি। অতুনা ইপানা থোজানবাববনি চেক্ত-কাঙ্দ পানুকো ইমোম। লুরেনথক্তা নাম্বনা খে ডানিগানি। মপগী থেইনে য়ৌলগা মঁয়াম পুম্মক থুম্বা। ফমফম্মাংদা লাইবক নং ন হুগা নাইরোম্মা মশা শংদিগনি, মশাগা পারম লোইরগা

লাইরোল :— চেংখানবা মপু ইবুংঙোগী সনা মাংদা পুন্সি লৈপুল ওইনা পিনবায়ু হায়না পুক্লিং বাথন অরেম্মা ওইন। থোনিজ-রীবা নান্না ২ বু থৌজাল লনকুবারো। (ফম্বালদা চেং-লৈ, ঈশিং কংলগা থুবম্বা)। মহাংসিদা অউনপোৎ চিংবা পুম্মক শেংদোকনি।

লাইরোল : চেংখানবা মপুনা থৌজানবাবা মতুইন্না ইপা ইপু, ইপুথৌ য়েক ৭, সলাই ৯ গী খোইয়ুম লাইয়াম পুম্মকী মমাংদা নান্না অনি ওৎনং নজদবোই হায়না য়াকপ নকি দাশক পাম্মোম লোম্মজরিবা অসিবু লুরেলথক্তা থৌজল লনকুবরো। (ফম্বান্দা চেংলৈ, ঈশিং কংতুনা থুরম্বা)।

হুপিগী মমা নাহৈরোলনা শেংলগা মচাহুপি মযাদা শিন্নগনি ।

লাইরোল :— ইমোম ইরেম্মা ইমানা অসি যাইফববা কোরৌ হুনিং অসিদা নপুরেলই নশানগী মফমদা খংহৌইথক্না লৈহাপ্পা লৈরোং লাইদা কংপগুম শিন্নগেকো। (মযাগী মথুং য়েংবা মচা হুপিগী মথুং য়েং শিন্নবা। লংডা লংহিংনা পুন্সি লে পুনবা কিশি ৩ লক কিবা)।

লাইরোল :— পাবি ইমোম ২ মক ইমানা পুংলিবা অসে ওংনবা থাদবা লৈংনবা ফান-য়াই, পুং য়াই, হিন য়াই হৈবা কিশি ৩ না মতম ৩ ওইনা পুন্নবনি। হুনিং চয়োল ৫ ওইনা লংডা লংহিং ৭ না। (কুবীবগী পোৎলম পুন্নবা মথুং অমদা শিংগনি)।

লাইরোল :— ইমানা লনবুংগিবা পে ৎলম ওসিদি ওইবগী হিংবদা চংদবা য়াত্রবা পোৎলম্নি মশক খংনা কেকো। কম্ব, অসিনা মালেমগী মশক্কি। চেং অসিনা ওনা চেংহে ননি। কোই লফাং অসিনা থুংশা ১০ লোনবগী মশক্কি। অদুন হাংডিং গুৎফাংনাইবা হায়বনি। নাকী হুমদাং শরুগস্থ পান্দমনি। হৈ মনম নাইবা অসিনা হকচাংগা পান্দম্বা অফবা যৎওবগা মনমগা মশক্কি। লেশং অসিনা মালেমদা লৈবা মতমদা মনম হুংশিনা কুইনা লবগা মশক্কি। ক্বা মতোল থোকপা অসিনা পুম্নক অসি মনিংতগা মরোন চোংনা হোবনি খংনবা মশক্কি। ক্বা মনা অসিনা থরাইপাংবা পুম্নক লেনং-মদি শোইদনা মনগনি হায়বা খংনবগী মশক্কি। হৈরে থি অসিনা অয়িং অশা খংনবনি। থাং অসিনা গুরগা চাগানি খংনবা শিংথাগী

মশক ওইবনী। লাংচপ (কাতি) অসিনা চুমদববু চপথংনবা য়ায়েল লাংচপনি। অদুনা পারি ইমোম ২ মক য়ুম পানবগী লম্বাদা খোংদাংবদি মিংয়েং কারম্লবা, য়াখল তনি লোংবা য়াউরবনি। অদুনা য়ায়েন অচুম্বা শিঙ্খা আরেপ্পা থংডোকো পারি ইমোম। পারি ইবুংগো ওসি য়াইফবা কোয়ৌ অসিদা নংলেবু ঈ-য়েল-লৈ কৌবী লৈবাংগা পান্নদম ওইনা শিন্নরবনি অদুগা ইমোম ইবেম্মা ইমা লৈমারেন সিদবী ইমাগা সিদ-নাদয়াই ওইবা লৈরাং ঈ-য়েল-লৈ কৌরে অসিদি নচা ১০০ যংলবস্তু লৈবং মচা অমত্তমদং য়েলহনা পিদুকো মিনম থানম লৈরোই মীপোই মীহৈনবা ওইগনি। তরেৎ শেলজা অসিদি মপুগী ঈ অরুবনা পালেম ইমা লৈমারেনগী ঈগী ভাংবলদা য়াইরগা নংশনদুনা ওইবা ভাইবং মীগী মশক থংনবা সনা মহিগী আরেপ্পা মশক্ক।

লাইরোল :— হো, ঈ, সিদবা, হায়া সিদবী ২ গী শিঙ্খা মতুংইগা নারা ২ গী লুরেনথকত্তা থোং, ভাইবং য়ুম্লেপ চারা লিংবগী থৌবু হে যাক্তরে। লংনবা লৈতনা থোজান লনকুবীদুনা নচা অনিবু লুংগুই য়াইফনা পাজবা পিনবীরো। নাত্রা অনিগী লুরেনদা মপুগী ঈংক্ক থোজানবীগনি। কুবীবগী পোৎ মথক্তস্তু চেং-লৈ, ঈশিং লনকুর্বগনি। মীয়াম্নস্তু তরেৎ শেঞানচিংবা লনকুবীগনি। লোইরগা লুপি মনাং নিপা মমাদা কুবাবগী পোংলমতু থাংথরগা পুল্লিবা কিশি অধ্ম লোকপিগনি।

লাইরোল :— পারি ইমোম অনিমক ইমানা পুনবা লেপুন ইমানা থোকপদি নথৌ-নশিন পাংনবা হায়বগী থোকপনি। তৎনা

থাননবা নাত্তেকো, মুংঙায় য়াইফনা মপুই থৌজানদগী তায়বং শিম্বা পাংজৌকো।

মুপী মমান কুর্বাবগী পোৎলম অত্তু নিপা মমাদা শিন্নগনি। নিপা মমানা লৌশন্দ্রনা কোনশনগনি।

থৌজানবাবা লোইরগা চন্নু নিঙোম্না পিবাদা ১, ৩, ৫ নত্রগা ৭ লক লৈ লাংগনি।

লাইরোল :— ইবুংঙো ঙসিদগী ইপুরোই ওইনা তালফংজর-বনিনা ঙাংলৌখাদা শিঙেন লৈরাং লৈজল তমজরগে। ননাইবু লৎনবীরগম্লু অহিং মুংদিল অনিদা ইবংজোগী ঙাংলৌখাদা লৈজবা পিনবীরো খুরম্না। লৈ লাংবা লোইরগা লৈ পারেং ২ না মপুরোইগী ঙকশমদা হুক্কনি (খুরম্না)। অদুগা মবুংঙোগী শমু ওইদা ফম্না। পিবানা মশানৌ লেমরেন্দা লৈ হুক্কনি। চন্নু লৈমনা মপুরোইগী শমু খুজেং পাইদুনা :—

লাইরোল :— ইবুংঙো নরান খোংদোইরমদাই অসিদা ইমুমগী লাইনিংথৌ লৈমরেন ২ গী থৌজাল নিরুসি। ইমুংদা চংদুনা থৌনিবা।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো, নচা ২ না শমু খুশন্নবা থৌনিজরি। য়ুম্বাল লম্বীদা খোংদাজবা ফংজনদোক্লিবা অসি লাই-নিংথৌগী থৌজান্দগীনি। অদুনা ইশাবা মরান্দা য়ুয়েপ চারা লিংদুনা লৈজবা মতমদা অনা-অয়েক, তুরৈ-ইরৈ লেনহনবীয়ু, ইশাবী মরান্দা চৎলনদাই নতমদা থৌনিজরি, চৎচরগে থৌজানবিয়ু (খুরম্ব)।

পিবানা থৌনিবা

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী খোজানদগী ইশানৌ তালোই ফংজরে তেক্ত-কায়দবা কুবারো, ইশানৌ পুত্থনা চৎচংগে (থুরম্বা)।

লৈমরেলদা থৌনিবা

লাইরোল :— ইমা লৈমরেন নচাংনা শাম্ খুৎশংনা থৌনিজবী মুন্নান লম্বীদা খোংদাজবা ফংজগদবা ইমাগী থৌজান-দগানি, নচা ইপুরোই মরানদা চৎচরগে থৌনিজরি ইমা (থুরম্বা)।

পিবানা থৌনিবা

লাইরোল :— ইমা লৈমরেন নচানা ইশানৌ তালোই মাবু ফংজবা ইমাগী থৌজারি নচা ইত্তালোই মাবু ইরান্দ পুচ গে কুংতাই য়াইফনা পাক্তরবা পিনবিরো, (থুরম্বা)। চন্নু, পিবা ২ না মরানদা চৎলমদায়দা নিংতোনপোকপা মপা-মতোল পুন্নমক্কী ফিচেল হোংহনা হৈজিং থবাই থাহনা খুৎশন্নমা থৌনিজগনি।

লাইরোল :— খুমন পোকপা লপোকপা, ইপা-ইপু ইপুংখো নচা নমাক ২ না যুমবান লম্বীদা খোংদাজবা মংমদা তেক্ত কায়না পিনবীরো। নচা ২ চৎচরগে থৌনজে কুবরো (থুরম্বা)।

চন্নুগী মপু, মপা-মতোলশিংনা খোজানবিবা

লাইরোল :··· পারি ইমোম ২ মক হেংবানবা মপুগা নিংথৈ শেমজুনা লাইনিংথৌ লৈমরেন ২ গী মকন থুপমা। মুংতাই য়াইফনা

নচা নগু লৈবিক লৈরাক থন্না শাবন লম্বোং ভাক, লেমখোং মখাক পক্না পার্গা পাবেপ ফং, পুগী পুরেপ য়োনা সনাগী কৈরাক থা, মবিনা মতেল লোম্না কাদুনা নাকোক ফাওবা চিকনা পান্নুকো পাবি ইমোম। .... শিবাগী মনাদা মপা, মদোম, নকপ-মপিজা হোনা চৎতুনা থিনগনি। (য়োবগা মৈবা ওকপা)।

লাইবোল :— .... লৈমরেন থাম্বী মৈরা শকুনা য়াইফরে। অতনলক ওক্লগ মৈদা চেংলৈ মেক্রুক কংপা। মংন্না মমৌ অহু ভাবেৎ শেল লাকোই ২, কা লাকোই ১ লান্দুনা ওকনি। অদুগা কোনশন্দুনা লমবু কোনবা লাই খুংমগা পুশনগনি।

লাইবোল :— লমবু কে নখাবিনা, কোনবিরীবা লাইনিংথৌ লৈমরেন নচা ওবু ভাপি মিৎয়ে, থাবীগনু। ইমা ইমাগী মেমদমদা তায়বং পুন্সি লেঙ্গাগে হায়না লাকচেবীন কুবীয়ু (খুবম্না)। ইমুংদা চংলগা লাইনিংথৌ লৈমরেন্দা থৌনিজব।

লাইবোল :— ইপা ইবুংডা লাইনিংথৌ নচনা চিংগুগী নকুম থুম্না থৌগাল ফংডগে হাইনা মনাইগী মতালোই ওইনা লকচরি পোজানবীয়ু (খুবম)। লেমরেন্দা থৌনিব।

লাইবোল :— ইনা লৈমরেন সিবা নচানগুনা ইমানু খুরম-জরি। ইমাগী হৈনা তুংইন্দুনা তায়বং সিন্না পাংজবা মংমদা ইপুরোইগী থৌগল মাতামলোন্ন' কংজনা ওইজগে খুবম্না।

অসুম্ন থেক ১ গী মপা-মতোন সুংশিননা কা লাকোই লাম্নদুনা খোমুন ভাইসং ১ গী থৈজান ফংদুনা ২ নি ওবা চাক চানিংদুনা লৈমা পিবা অনি মকোক কাওবা চিকনা অপোকপা থৌগন থংদুনা

অহোং-অচাও ফং, থুনফম্নেন ওইহনা তংপা কাংবা লৈতনা, নচা-নও শন্দুনা চহি কুমশিং ৭০০ দুংশাংনা মঙাল নাইহনা পাগুখি

লাইতিন থাবা

মীনা চংকদবা মরমচং চুমদবা (মী চং চুমদবা) লাইবমলেন্দ লানখিবা মীরমলেন্দা কায়খিবা মীব লাইনন্তু মীনস্তু চান্দ। করিগুম্বা অফবা অচুম্ব থবক অমতং (ওইহ্রগে) তৌজগে হাংনা অপোকপা লাইনিংথৌদা নিবা হায়জরুবা মতনদা লংজখিবা ইব নত্ৰ লৈবনা থৌজানবীদে। অদুবু মীরম্লেন্দা কায়বা লাইরংম্নন্দা লংবা কৌই। অদু পুম্নমক নচা নও ঐখোয়না পংবা ফংতবদগী লানথ্রবনি অচুম্বা অফবা থংদ্রবা লংজরবা নচা ১ না ব্লাকোও শিংগোংদগে হায়দুনা অপোকপা লাইনিংথৌদা হৈকং-লৈকং তমদুনা থৌনিগনি। তায়বং পোকপা অপোকপগী হৈহিং থরাই থাগনি। য়েক ৭ শম্নাই ৯ গী হৈথা-লৈথা তমলবা লমকোনবা মায়পৈ ঙাকপা অংদাইপুবা খোয়ুম শরোয় ৩৬২ গী চাকথা তমলবা মতম অদুদা খোয়ুম তাইবং পুম্নমক্না মুংশি চানবীরশি হায়না য়ানদুনা লৌশংশিবব্ৰ লৌখংপা কৌই। লাইগী মীগী মরম মথা চুম্না হৈকং লৈকং তম্না তৌজং শরাই থাবব্ৰ, লাইগী মীগী মরক্তা তিনবা য়ানবা লানলে হায়জদুনা তিনবব্ৰ লাইতিন-থাবা কৌই।



১৮ শুবা

অপোকপা থুরম্বা

পোৎচং :— চক্ষু অহিংবা ১, হন্নুরৈ মতোন ৯, তিংথৌ ময়োল শৎতবা মনা ৫ পাম্বা ৯, চেং থুৎনা খোকপা মরু ৯, থোইদিং অঙৌবা মরু ৯, ক্বা লকোই ১, হৈরুক লাকোই ১, খোইরু থাওমৈ ১, মেত্রুক অমা, ক্বা মনা মপুন অমা। হায়রিবা পোৎলম অসি মুমিৎ অফবা তৎনবা মুমিৎ নত্তবা থাবুং মুমিৎকী মুমিদাং থাবল মঙাম্না মাঙ্গোন ময়াই য়োবা মতমদা মফমচুমক্তদা য়াই তৈরগা পোৎলমশিংছু থারগা থুরম্মো।

লাইরোল :— হো থা কোবা লাই, ওরাং-নহান কৌবদি নংনে, ওসি হয়েং কৌবদি মুমিংনে, খোই নখোই ২ খংবীয়ু ইপু, ইপা ইপুথৌ ৩ মকপু ওসিগী মুমিত্তা পোৎলম থিবিল্লা হয়েং থাশি মুমিত্তা (তরা) চাক চাবা লাকপিনবা পাওতাকচরি। মতুদা খোয়ুম ২ মু য়াওবীয়ু (থুরম্বা)।

লোইরগা পোৎলম পুন্নমক্না চক্ষু অহিংবতুগী মনুংদা হাপলগা ফুন্না লাইরুদা ফুমগনি। মতুগা থাশি মুমিৎতা লোথোক্তুনা য়েংঙো। মতুদা অফ-ফত্ত থংগনি। হাপখিবা পোৎশিংছু মতোল চোংবা য়াওরবদি য়াইফৈএ। অম্নুন্না থাবুং মুমিৎতা পাওতোক্লগা থাত্ত মুমিৎতা অমুক থুরমগনি।

পোৎচং : লৈশং মাচা ৩, ক্বা মতোন খোকপা ৩, হৈরুক লাকোই ৩, ক্বা লাকোই ৩, থুদৈ ফিদক ৩, য়েক শল্লাইগী হৈ-তল, লা, থাং, ঙা, ঈশিং, শিং, নৈরন মৈথাং, ঙাপাং-শাপাং, অকৎশেল ও ন.হৈনগা

নাপি তায়রেন পুংকাই মরমস্থনা লাংগনি। থাগু মুমিৎকী মুমিৎনা মাঙ্গোল ফক্লাং তাবা মতমদা মাঙ্গোল ফকতোমদা ৱাই তৈথোক্লগা পোৎলম পুম্নমক শেম শাঙ্গুনা থাৱগা নাইহঙ্গুনা শেংলগা থুরমগনি।

লাইরোল :— নহাল নোং থাপুং (থানিল) মুমিৎকি থানা মণ্ডাল হেনবা কোরেদা পাণ্ডতাকচখিবা অদো ঙসি কোরৌদা থোক্লে। ইপা, ইপু, ইপুথৌ অহুমক লাকপিয়ো থুরমজে : নাইনা (থুরম্বা)। অহুগা ফুঙ্গাদা চাক থোংগনি। লোইরগা ফংজাগু ফম্মাংদা মায় অৱাং ওন্দুনা চাকলুক ও থাদুনা কৎকনি।

ইপুগী চাকলুক্লা য়েং ংংনা থাও। চাকলুক মথাদা ক ইয়ু। মথং ময়াইদা ইপাগী চাকলুক লা থাও। অরোইবা ওই থংদা ইপুথৌগী চাকলুক লা থাও। লা মথাদা ক ইয়ু। ইপাগীদি ইরোই। চাক চাবা মতমদা মাই অৱাং ওনগনি। লাইনিংদি ৱাথলনা ফিঙ্গুং য়াকমদগী লাই ও পুথোকমি।

লাইরোল ১ বা :— হো হং ইপা পুথোকও।
২ শুবা :— রো রং ইপু পুথোকও।
৩ শুবা :— শো শং ইপুথৌ পুথোকও।

কবদি ইপুনা য়েং, ইপাবা মতাই, ইপুথৌনা ওই ফ.লগনি। (ৱাথলনা ফমহল্লু)। পুথোকপস্থ (১) ইপা, (২) ইপু, (৩) ইপুথৌ পুথোকও। পুশনবন্থ ইপা, ইপু, ইপুথৌ কায়দনা পুশল্লো। চাক চাবা লোইরগা নিগদবদি ইপুথৌনা ইপুদা পিহল্লো, ইপুনা ইপাদা পিহল্লো, ইপানা ঐঙোন্দা পিহল্লো। পুশংবদি পিশুন অনিগী মরক্তা ইপা, ইপু, ইপুথৌ কায়দনা পুশল্লো। অরোইবদা ৱাথলনা য়াকমদা পুশল্লো।

লাইরোল :— ঈঃ ত্রি, কং ভাং (শোক্লো)।

লোইরগা চাকলুক ও হু কুক্তা লাইরু মনিংদা য়েংওই কায়লনা চিংথরগা য়ুমগী মপুনা য়েং, মচানা ময়াই, মমানা ওইথংবা চাগনি। মপা মমানা মচাদা চাক হাপতুনা পিজগনি।

লাইরোল :— পাম্নি ইবুংঙো নংগী পুকৈ হাংবা য়াদে, রাংপসু য়াদে। পলেম-পম্বৌ ২ না খোজানলবনি।

চাক চাবা লোইরগা লম অশেংবদা পোং পুন্নমক মৈরা-মেক্রুক য়াওনা কুমগনি। অতুগা অরেম্বা চাবা লাইদা শিন্নগনি। হৈক্রক লাকোই ১, পানা লাকোই অমা, মৈরা মেক্রুক য়াওনা কংর্কান।

লাইরোল :— অরেম্বা চাবা লাই নংগী শরুক তমলবনি নঙদি ওকী মশক্কি কংচরি খোজানবিয়ু (থুরম্বা)।

নংনা নিগদবা খোর্নিদি অপাম্বা অমতমক নিয়ু (অনিংবা থুংবনে)। তুমিং ৭ নিদি ইমুংদগী করিগুম্বা অমতা (চংখোকপা) লিখোকপিবা তৌগনু। অমায়বগী অরামল তৌবা তারবসু লাই থুরমলিগৈ নক্রবা তুমিং ৭ নিগী মতুংন্রা অমা তৌ।

১। মঙাং য়েকী অপোকলোন :—

লৈকক্ লৈয়ারেন চক্লনা তুমিং কোাঙ্গ পাথংবা পোক্তএ। তুমিং্তি শাগোলশেয়ে, থাদি ইঙানে, মাকৈদি থানিক্তি, মংনদি তুনিং য়ুংবনে, নাংরোইবীদি মপিরোকনে, মচুদি অঙাংবনে, থরাল, মিচাক্তি থং ইনে, ইরুবদি নোংজেংবে। লৈদি থরাল অঙাংবনে, তৈদি থমংবে, ঙাদি শরেং অঙাংবনে, মৈদি মৈমৈনে, নাইদেংবদি

উরুমকোল উহলনে, থাংদি চাক-থাং কারোংবনে। শীংদি শৈইনে, লাইদি থাংজিংনে, মমিংদি ভিয়রেল শেলক্রেং হিং চিং কৌএ। মুং, পাং, উ ও দি মোংচেংদা লৈএ।

২। লুরাং য়েক্কী আপোকলোন :—

তুংরাইপিদি খোইমুনে, ইরাই কোল্লে পোইরৈতোল পোকএ, লুরাংনে। পোকপা মতমদি নোংঙাল্লমদাই শক্তিক হুল্লকপনে, থাদি য়াকচিংনি, মুমিত্তি ইরাইনি, থরাইপিচাক্কি শিন্তকপনি, ইরুজনবদি লমকেপ্পি, মৈদি কামপি খোংজু মৈনি। নাহৈনবাদ উখোক মতোনে, লাদি লারোংনে, লৈদি মেৈল্লনি, তৈদি কিছোয়ে। ভাদি শরেং শংনা লাংবনে, শিংদি হৈক্রুনি, থাংদি তোলতুম্বনি। পাং, মুং, উ ও দি লমফেন্দা লৈএ। লাইদি কৌক্রুনে, মচুদি হিগোকনে।

৩। থুমন য়েক্কী অপোকলোন :—

মংরাইপিদি তোলথাংমুনে, শমু কোল্লে থুমন পোকএ, পোকপা মতমদি অহিং নোংয়াইনি, থানা শজিবু, মাকমৈদ কার্যনপ্পি, মুমিথল লৈপাকপোকপনে, থরাইপিচাক্কি থরাই নাওনাইবা পিয়রুমুনে, ইরুনবদি পুম্রেপ্পি, লৈদি কাক্লে লৈশং, মৈদি মৈথাং মৈ, ভাদি শরেং অমুবা, লাদি চংবীলা, হৈদি হৈবোং, থাংদি তোলকপা, নাহৈনবদি পুংফাম্বনি, শীংনা চাওখোংনি। মুং, পাং উ ও দি পুমলেন্দা লৈএ, মচুদি অমুবনে।

৪। আঙোমগী অপোকলোন :—

লাইপিদি মহমমুনে, নোংলুম কোল্লে আঙোম পোকএ, থাদি ইঙেন, মাকমৈদি ১২ নি পালবনে, মুনিত্তি নিংথৌকাবনে। মতমদি

অয়ুক্কে, থরানপিচাক্তি থাতোম্নে, নাওরোইবীদি খাবা নিংথৌ চম্নুনি, ঈরুনবদি কোংবা মৈরোম্বীনে, নাহৈনবদি তায়রেললনে। থাংদি পুককথাংনে, তোনককপনে, লৈদি থরো অঙাংবনে, লাদি লারোংনে, মৈদি মৈত্রানে, মচুদি অঙৌবনে, হৈদি হৈত্রানে, ঙাদি শরেং অঙৌবনে, লাইদি নোংপোক্নে, মমিংদি কুরুক কুরুক পুরেং ছিং চিং কৌএ।

৫। মোইরাং য়েক্কী অপোকলোন :—

চিৎনু লৈমনা শজি কোম্লে, ঙাংনিংশিং পোকএ। থাদি লমতানে, মুমিৎনা থাংজনে, মতমদি নোংয়াইনে, থরাবপিচাক্তি চিংজরোইবীনে, মচু অরাংবনে, নাওরোইবদি লৈনুং ঙাশাপিনে, ঈরুনবদি লোক্তাক্তনি। লৈদি য়েরুম লৈনে, লাদি থংজানে, ঙাদি শারেং অরাংবনে, হৈদি কাংগ্রোনে, মৈদি মৈথাং ৫ মক্নে, নাহৈনবদি নাওছিং লিক্লানি। থাংদি য়েনবাতোক শাবনি। শিংদি কুহীনি, মুং, পাং, উ অহুমদি লোক্তাক্তা লৈএ।

৬। খাবা ঙানবা য়েক্কী অপোকলোন :—

থেরেংলোংবা চম্নুনা কৈ কোম্লে, খমজিংকোল পোকএ। থাদি কাংলেনতি, মাক্লেদি ১৮ নি প নবনে, মুমিৎনা নোংমাইজিংনে, মতম্না অয়ুক মুমিৎয়ুংবনে, মচু অশংবনা লংবনি, লৈদি লৈশংনি, লাদি লৈহৌরানে, মৈদি লৈথামদা রাইবনে, নাহৈনবা নাশীদি নাপু নাশেলনে, থাংনা লাইথাং চিঙ্গাইবা, ঙাদি শরেং ঙাংনা

লাংবনে, হৈদি হৈবুংনে, শীংদি চীং য়েনশিল, হৈনৌনে। মুং, পাং, উ অহুমদি লৈতাম্পাংতা লৈএ।

৭। শন্নাই লৈশাংথেমগী অপোকলোন :—

লাইফুবী লৈমম্নুনে, মুণ্ডকৌ মুমথং পোকএ। হায়েং কোল্লে, থাদি ফাইরেনগী ২৬ নি পানবনে, মুমিংনা য়ুমশকৈশানে, মতম্না মুমিংমুংবনে, মচু অন্নাওবনা লাংবা তানকপনে, থন্নাইপিচাক্তি লিকথা শাকবীনে, নাওরোইবীনা হুইমু লৈননি। ঈরুনবদি তাকয়েলনি, লৈদি লৈথাম লৈশংনি। লাদি থমলা লায়াইনি, মৈদি মৈথাং ৫ রক লোগনি। নাহৈনবদি নাপী-শিংবীনি, থাংদি খুম্হোকথাং থাজোলনি। ভাদি শারেং মুনা লাংবনি। শিংদি নোংলৈশংনি। মুং, পাং, উ অহুমদি তাকয়েলদা লৈএ। য়েক শন্নাই খুঁদিংগী ইপা-ইপু অপোকপা থুরম্বদা মংকী পোৎসন অসিনী থুরমগনি।



১০ শুবা

লাইপুংথৌ ৯ থুরম্বা

পোৎচং :— মৈরা ১০, মেলক ১০, হৈরুক লাকোই ১০, কা লাকোই ১০, অকংশেল ১০, য়াম থরা, চাফলূক ৯, চেং-লৈ থরা, তায়রেল পুংকায়, চাক নত্রগা চানিংবা অমং অসিনচিংবা।

লাইপুংথৌ ৯ ঈরাৎপগী লুকফম থাকমগী পাকল

	চিংখৈ	নোংপোক	মৈরম	
অবাং	(৪) খুমশকৈশা কোরি মচু, লিরুং ভেল মওং, হকচাংগী মফম নাতোন ওই	(৬) ঈরাই ঈশিং মচু ইতুংকোল মওং, হকচাংগী মফম নাকোং ওই	(২) নিংথৌকাবা তাউবা মচু, থা মচেৎ শাবা মওং, হকচাং মফম মীৎ ওই	মখা
	(৫) শগোলশেন সনা মচু, থম্বাল মওং হকচাংগী মফম নাকোং য়েৎ	(১) নোংমাইজিং ফদংবা মচু, কুমৈকী মওং হকচাংগী মফম মীৎ য়েৎ	(৩) লৈপাকপোকপা ঈ মচু, মচিল৩লোংবা ব মওং হকচাংগী মফম নাতোল য়েৎ	
	(৯) নারোৎ মৈথু মচু, লিশ মওং, হকচাংগী মফম ঈশিংথাও	(৭) থাংজা মচু মুনা শংবা, থাও মওং, হকচাংগী মফম য়া	(৮) ছনি শেলয়োৎ মচু, লৈশৌতিল, হকচাংগী মফম অমাংথোক।	
	কেংক্রু	মনিং	শঙ্খোং	

মথক্তা মকম ৯ থোক্লা য়েকলিবা অসি য়াম্না য়েকনি। চাকলুক অমদি লাংঙিবা পোৎলমশিং গুনা থাগনি। লাইনিংথৌদা হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, মৈরা মেক্রুক অমা, শেল অমা কৎকনি।

চাক চাবা হোৌবদি মশিং অমদগী মায় মমাং ওয়া মথং মনাও কায়দনা চাগনি। চাক চাবা লোইরগা লম অশেংবা মফমদা ফুমজনগনি। খুরমগদবা লাইদি হুকচাংগী থোঙ ৯ দা লৈবা লাইনি। খুরম্বদি য়ুমগী কারলদা খুরম্মু।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো, লাইপুংথৌ ৯ ঈয়াৎপা অসি ননাইদি করিস্ন থংজদে। লৈবাক মায়বা খুরাইতাং, নিংথৌ মায়বা চিয়াইতাংস্ন ইবুংঙোনি। ননাই.........না হিংনবগী লম্বী খিবদা চংহৈদবা চংখিবা, য়েংহৈদবা য়েংখিবা, চাহৈদবা চাখিবা, মৈ, ঈশিং, মুংশিৎ, মালেম, অতিয়া চীংঙ্ ৫ মক্তা লংজখিবা পুয়মক লেয়া মাংবা য়াদবনা হোৌজিক্তি ননাই.........গী মশাদা ভেকচাক কংঙেদো। অচুনা ইমুংঙো অয়াবা লাংদা থুরবা ননাইবু লাং কায়বীয়ু। চীংঙ্ লাইপুংথৌ ৯ বু ওমদাইবীয়ু, ভিনলি-লাইরি থৎপিরো। কপয়াংবা, ওময়াংবা, পুক্সি চুংশাংবা পীবিয়ু। ননাইনা হায়জবা মৎচদে, ওসি কোৌবা মপু মঙাং, লুয়াং, থুমন অতমগী য়ায়ানি। ইবুংঙোনা তায়বিয়ু থৌনিজৈ কুবীয়ু। (খুরম্বা)

থোংবা থাকপা লোইরগা মকম ৯ দা মৈরা, মেক্রুক, চাক, লাংঙিবা পোৎ চাগনবা পুয়মক শেম্বা লোইরগা অনাবচুম্ন মায় মমাও ওয়া কময়লগা খুরুংগনি।

লাইরোল : (খুবাক ৩ লক খুলা) মনাই.........গী মশাদা লৈরিবা লোয়নবা পাইমা পুক্লিং চংবিয়ু। মনাইগা অমা-অমা কোকপিনবা লাইপুংথৌ ৯ ঈরাংপা অসিদা :........গী কায়াং ৯ দা লৈবা খোইয়ুম লাইপুংথৌ ৯ মীং য়েংঙো নোংমাইজিংনা পুবা, নশক্লা মুমিংকী মশক মানবা, নচুনা লংনা ঙাংবা, খোইয়ুম নমিংনা মীং কৌবা নংবু থুরুমজে কুবিয়ু ।

নোংমাইজিংগী মফমদা চেং-লৈ, ঈশিং কংতুমা থুরম্বা

লাইরোল :- ....গী মশাদা লোইনরিবা খোইয়ুম নমীংনা মীং ওই কৌবা, নচুনা ঙোনা পালবা, নশক্লা থা মচেং মানবা, পুবনা নিংথৌকাবনা পুবা নংবু থুরমজে কুবিয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল :- ....গী মশাদা লোইনরিবা খোইয়ুম মমীংনা নাতোল য়েং কৌবা, নচুনা ঈ মচু মানবা, নশক্লা মচিন অহুন নাইবা ইতুংকোন মানবা, পুবনা লৈবাক্লাপাক্লপনা পুবা নংবু থুরমজে কুবীয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল :- ......গী মশাদা লোইনরিবা খোইয়ুম, নমীংনা নাতোল ওই কৌবা, নচুনা কোরি মচু মানবা, নশক্লা জিরুং তেল মানবা, পুবনা য়ুমশকৈশানা পুবা, নংবু থুরমজে কুবীয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল :- ……গী মশাদা লোইনরিবা খোইরুম অমীংনা মাকোং য়েং কৌবা, মশক্কা সনাগী থম্বাল মানবা, নচুনা সনা মচু মানবা, লোইনবনা শগোলশেম্না লোইনবা, নংবু খুরমজে কুবীয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা খুরম্বা)।

লাইরোল :- ……গী মশাদা লোইনরিবা খোইয়ুম, নমীংনা নাকোং ওই কৌবা, মশক্কা ইতুংকোন চীখেক মরি নাইবা মানবা, নচুনা ঈশিং মচু মানবা, পুবনা ইরাইনা পুবা, নংবু খুরমজে কুবীয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা খুরম্বা)।

লাইরোল :- …… ..গী মশাদা লোইনবিবা খোইয়ুম, নমীংদি য়া কৌবা, নচুনা মুনা শংবা, নওংনা থাও মানবা, পুবনা থাংজনা পুবা, নংবু খুরমজে কুবঁয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা খুরম্বা)।

লাইরোল :- ……গী মশাদা লোইনরিবা খোইয়ুম, নমীংনা অমাংখোঙ কৌবা, মশক্কা লৈশৌ (লৈশা) তিল মানবা, নচুনা য়োংশেলগী মচু মানবা, পুবনা হুনিনা পুবা, নংবু খুরমজে কুবীয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা খুরম্বা)।

লাইরোল :- ……গী মশাদা লোইনবিবা খোইয়ুম, নমীংনা ঈশিংখোঙ কৌবা, নচুনা মৈথু মচু লৈকোল মানবা, মশক্কা মহু পুবা লিন মানবা, পুবনা নারোংনা পুবা, নংবু খুরমজে কুবীয়ু। (চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা খুরম্বা)।

লাইরোল : পোয়মুন ৯ মা খোজানবীকা লোয়লনা মায়কে ভাকপা লাই শায়োই কায়াং লাখোবা ৩৬৬ মক নহায়নোং তায়বং মপুনা মমু তায়বং মীবু য়োকফবা খোয়ুম কনাখো হায়বা কোবদা মঙাং, লুয়াং, খুমন চীংঙু ও চোংথোংক্রুবদা মপুনা তায়বং মীগী কনবা শিনবীথি হায়। ননাই ওঁনি ক রিগু খংজয়ে, লৈবাক মাইবা থুয়াট তাং নিংথৌ মাইবা চিয়াইতাংস্ত চীংঙু ও মখি। ননাই ...... না হিংনবগীদমক লৈত-লাইরা কোয়না খিবা চংপদা য়েংহৈদবা য়েংখিবা, চাহৈদবা চাখিবা, চংহৈদবা চংখিবা, মৈ, ঈশিং, মুংশিং মালেম, অতিয়া চীংঙু ৫ দা লংকখিবা পুয়মক লেম্না মাংবা য়াদবনা তেকচাক ফংলদো। তরাব। লাংদা কুরবা ননাই ...... বু লাং কায়খীবু। চীংঙু লাইপুংথৌ ১ মকসু তরা লুকলেন কংচবি। ওসিগা অরা-অনা কোকপিরো, কপয়াংবা, তময়াংবা, পুন্সিবা, মুংশাংবা পিবিরো। ননাইনা হায়কবা নাস্তু, ঙসি কোবা মপুনা হায়বনি। মঙাং, লুয়াং, খুমন ও গী য়ারানি, শে. শে. ...... বু লোইনরিবা কে লোইদব। ননাইগী কায়াং পুরিবা লাইপুংথৌ ৯ মকা লোয়নতুনা পেরনবা চাবিবো। য়াংলিবা মখৈ হাপচগে, পোয়বা ফংবিরো (‘পিজবা)।

চাবা লোইরগা মশাগী য়েং থংবা খুবাক্কা ঈশিং থয়া হৈয়পা শোনখিরদি।

লাইরোল : — শে, শেঃ চাওবগী খোইরৌ কঙ্কাল লাংলিবা চীংঙু নংগী নমিংদি লংমাখ প্যমায় মকা ফনকা মাসু পুজি পিরেঙ্গা কৌই। নংদি খোইজৌদা শাংপা লৈনে, নমিংদি য়াবা চেংঙা

কৌএ। লৈরাং লৈমল চনকরোই। লৈকা যম্না শাংলো মতাং নুরাঙ্গী য়াম্নানে (পিক্কপা)। চাক চাবগী অরেম্বা পুরবক দম অলোংবদা কুম্নজনগনি। মতাং অসিদা লাইপুংথৌ ৯ খুরবা লোইরে।

হকচাংগী খোঙ মকম ৯ দা লৈবা (পুন) লাই ৯ বু লাইপুংথৌ ৯ কৌই। কায়াং ৯ গী লাইশঙ্গবা থক-খা অমদি মুং-পাল ময়োল লাইনা লৈরিবা কয়াদি শিংথাম্লে।

লাইপুংথৌ ৯ খুম্বা তায়বসি হকচাং কায়াং ৯ দা পুবা লাই ৯ বু খুম্বনি। থোং ৯ অসি অকায়-কাংতায় অপোই-কতাম য়াওবমবা।



১০ শুবা

লমতা থাংজা অহানবগী খোরম

(ইমুমগী লাইনিংথৌ তায়বা)

লমতা থাংজ অহানবা মুমিজ্বা লাই খুলদিনবলক্লা চহিগী তায়বং কুম্মৈ য়াওরোইদবা মীগী চৈ মশিং লেপ্পনা খোয়সম লাইরাম্না থায়। কুম্মৈ য়াওগদবা মীগীদি মীং থেংলো কাবা য়াওরে। অম্না মীং থাবা অসি কনা থংই, উই হায়বদা ইমুমগী লাইনিংথৌদি থংক্লি-উই,. হায়হৌনা লাইনিংথৌদা মীং থাবা য়াও-বিগন্থ হায়না অথেনপোং কংকনঃ থৌনিজনবি।

পোৎচং :— মৈরা ১, মেকক ১, অথেনপোৎ মমা-মশিংগী অনৌ-অপেন পোংলম ১ কৎকনি।

লাইরোল :- লাইনিংথৌ ইবুংঙো নচা-নশুশিংনা ইপা-ইমা শক্রা নকন থুপ্পা লৈজবা মতমদা চহিগী লাকদবা শিগদবা, নাগদবা লাংফম পুমমক কবিস্থ থংজদে। ইবুংঙোদি লোইনা থংবী-উবী-বিননি, শাং থানস্থ ইবুংঙোনি, শীং শৎপস্থ ইবুংঙোনি। ইমুং অসিদা লৈবিবা নচা-নশুশিংগী মমুংদা শাং থাবা য়াওরবস্থ শীং থাবা য়াওশিনস্থ, শাং শংপয়ু কুবাঁয়ু। নচানা চহি কুমজাগী চাবী-চানৌ কৎচদনা থোনজারি। কনাগী মফমদা চংজফম লৈজদবা নচাশিংবু কুবাঁয়ু (পুনশঃ)।

খুলগী লমতা থাংজ অহানবগী শরোই থাংবগী থৌরম

পোৎচং :— চক ৫, মেকন ৫, উযক থেম্ব শনা, চেং, থম, জোরোক, ঙা, মনা-ওাশং, হবাই, হে মলম ৭, লে মরম ৭, তেবী মনা শিংজগী মচাক, অকংবেল ১, য়েতৌ উয়েতোং ৭, চেংগী য়াম, খারা শানবা উমং বা, কং অহিংবা শনা, পাইবন-পুকাই, নাইকে ৫, পোংশিং হাপ্পগা পনপা য়াহোক ৪, মাকগী ৪ দা চৎনবা মী ২×৪=৮, করোক শরা, হেকল-লাকল, অথুম-অজাও, হিদাক মনা, পাম্মাও-শিংনাও, পাজেং ৪ অসিনচিংবা অসিনি।

মথং :— অতেক-অকান এইদমা, নচা-নপারোইবা লৈনা হুপী ৪ না চাক চক ৫ মনায় মনাং ঙম্মা থা, বাং, মাংখোক,

কয়েন কায়দনা থোংগনি। হায়া থোংবা হৌখিবগী চফু মঙকী পারে কৌক্র থংনা থোংবত্থু কায়হন্দনা থোংবা লোইগনি।

চেং শুবা মতমদা থুম, মোরোক, ঙা, হবাই, মনা-মশিং, উচেক্কী মতুনচিংবা হাপকনি। চাং মাম্নবা য়েংদুনা শুগনি। চেংশ্রু থাবৈ থাবা য়াদে। মথুমদি লানা কোয়না পুন্নগা মভোলত্থু তুম্না উতং পায়ানা পুনশনগনি।

চাক অত্থু মুন্নবা মতমদা থাংদোক্লগা থুদম য়েংগনি। চমাই অত্থু মাংশোক্লা কুৎলবদি মুপী শোকই, ফনলেম্না কুৎলবা নিপা অহন শোকই। মথুমদা চাক পক্লবদি অঙাং শোকই, চেকথাই-রবদি থুনকায় লৈকায়গল্লি। ইশাং শাৎকাইরবদি থুন মহি লাংঙি।

চাক থাবগী মরম।

কমলেনলোমদা থোংবা চাক চফু অমনা থুনগী লমথৈ অরোইবা থাংজিং চিথেক্তা কোম থুবোম লুব', থুবোম পাকপা অমা তোরো। কাচিন মরিদা উতং রানা থুবোম রাংনা মথোং মরি য়ুংঙো। মথক্তা থারা শারো, অত্থুগা চাক অত্থু শোক্লনা নিংথাইহন্দনা চফু থুগাইরো। অত্থুগা থারা মথক্তা লমলো, কাচিন মরিদা পাজেং ৪ য়ুংঙো। লং অত্থিংবনা ক্কৈক্র, পাংলিং, রাংব্রেন, চীংখৈ ৭ লক কোইরো। কোমগী মপান অকোয়বদা য়েংথৌ উতোং ৭ তা চেংগী য়াম ঈশিংগা নৈদুনা হাপলগা য়ুংগনি। কোমগী মমুংময়াইদা য়েরুম ১ মচিন্থু থরা হুৎলগা

অকংশেল অম্না য়াওনা খিন্দুনা কোম মপান অকোয়বদা চেং, লৈ, ঈশিংনচিংবা কৎকনি। অত্তুগা খারাগী চুক য়ুংবা মতমদা হায়গদবদি :— .

লাইরোল :— (অহানবা কৌক্রু কাচিন্দা) "থিক কৌ" ।

অম্সুম হায়না য়ুংগনি । অম্সুম্না থাংজিং, রাংব্রেল, চীংখৈ মথং মথং য়ুংগনি ।

লাইরোল :- (অহানবা কৌক্রু কাচিন্দা) থিক শৌ ।

থাংজিং, রাংব্রেন, চিংখৈ মথং মথং য়ুংবা ।

অম্সুম্না কয়েন্দা থোংবা চাক চফু ১না থাংজিংদা, ১না কৌক্রুদা কৎকনি। মাংশোক্রুা থোংবা চাক চফু ২দু ১না চিংখৈ ১না রাংব্রেন্দা কৎকনি । মরুম মথা মায়গনি ।

লাইরোল : চিংঙু কৌক্রু অম্সুম্না চহি কুমজাগী চাকথা তমজরি, নচা নম্বু শারোই ৩৬১ মকম্বু ঙমদায়বীয়ু খুল খুলবুকলেন অসি অম্না অনা তুরে ইরে চেলহলবগ্নু । তেক্তা কায়দনা মুংঙায় য়াইফাথোইনা পানজবা পিনবীয়ু কুবীয়ু থৌনিজৈ। চেং, লৈ, ঈশিং, সিংজু, পুকয়ু রাইয়ু, মৈথুরিক, পাল্লাও, শিংনাও, হিদাক মনা, এরুম, অকংশেল, চাক কৎতুনা থুরুমগনি। অম্সুম্না কৌক্রু, থাংজিং, রাংব্রেন, চিংখৈ ৪ দা কৎকনি ।



২১ - শুবা

শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা খৌরম।

অযুক্তা লাইনিংথৌ লাইমাংদা ইমংগী
লুং মচা থরা লা অমদা হাপ্লগা কংকনি।

লাইরোল :- লাইনিংথৌ ইবুংঙো মালেম খেন্না লপ্, শায়বং শান্দোকে নিংলবদা পারি অহন সনামহিনা হঙোই, য়োং, ঙামু শাক্না মপুদা কংখি। মতম অহুদা মপাবুংনা হায়, "পারি নংনা শারিবা ঙামু অসি হায়বং চিঙাক ওইবগে হায়না লাইচ ঈশিংদা মথরায় হাপ্পুনা থাদোকখি। পারি নংনা শারগদবা ঙায়বং অহুনা চাইহৈদবা চারুবনা মশাদা অরোবা হারবদা ঙামু অসিনা ঙায়বং মাঁগা মহুৎ শিন্দুনা লাইজা ঈশিংদা থাদোকপগা মখুগা শিগদবা নাগদবা কোকসমু হায়না ঙামু কোই।"

ঙসি শজিবু নোংমা পানবা চৈ-হৌবা নুমিৎ অসিদা ইচা ইগুশিংনা অশি-অনা, অনা-অয়েক থোক্কদবা পুন্নমকী মহুৎশিন্না ঙামুগী মকোক্তা য়াওবা লুং ওইনা উশিল শিঙ্গৎবনি। লুংনা ভুমত্রিবমথে লমথাংদা মাংফদ্রে, নোংদমথিবা মতুংইন্না শিঙ্গৎবনি। ইচা-ইগু পুন্নমকী মহুৎশিন্না পুনেমজরি, লাইনিংথৌ ইবুংঙো। (খুরম্বা)। মী অমগা লুং অমগা কোহন, ঈশিংদা উশিল ওইনা থাদগনি :—

লাইরোল :- ঙসি [redacted] চৈ-হৌবা নোংমা পানবা কোরৌ লুমিৎ অসিদা মনাই ·········গী শিগদবা নাগদবা পুন্নমকা মহুৎ শিন্না ইরাই নৈনা ইনাগী লাইজা ইরোমংদা হায়বং মহুৎ

শিননা মুং, শিনা শিন্নবি ।· ইমানা পৌজানবিগু লাইনিংথৌশী য়াম্নানি। মুং ১ ঈশিংদা থাদবা থুরবা। (অহুম্না ঈী থুদিংগী অনামম শিনবা)।

লাইনিংথৌদা চাবী চানৌনা অথেমপোৎ কৎপা

চাক থোংলগা লূক ৩ শেমদুনা কেংলেং হাংমদা য়াইথং থোক্লগা মৈরা মেংক্রুক অকৎশেন ঈশিং য়াওনা কৎকনি।

লাইরোল :— (নতাং, লুবাং, থুমন মতন অহুমবু পুরিবা)। ইপুথৌ হন্নুহনবা কুন অনগাদনক তরা লুকলেন কৎচরি। তিনমু লাইমু য়েক্লা ইফাই চংহনবীনু কুবীয়ু। চেং লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরবা।

লাইরোল:— হন্নু মলোক কেংবা ইপুথৌ কুম অমগীদমক তরা লুকলেন কৎচরি ইমুং অসিগী অরা অনা চেংলনবা পুন্নমক ঙাকপিয়ু তিনমু লাইমু চংহলবঁ মু থোনিজে কুবিয়ু। চেং লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরবা।

লাইরোল:— ইপুথৌ হন্নু লৈথম কোবা কুম অমগীদমক তরা লুকলেন কৎচরি। তিনমু কৎতব লাইমু কৎতবা য়েক্লা ইফাই চংহনবীয়ু। কুজা লাকয়েন তাইজরি কুগায়ু। চেং লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরবা॥

লাই চাঁরথবগী থৌরম

চৈরুজথোক্লগা ঈশিং শোকতুনা লাইনিংথৌ লৈমরেন ২ গী লুবাক, কি; সে, ঈঁথাইক, লিকোল, কথাল, পুন্নমক তায়রেল

পুংফায় সুম্লগা ঈশিংনা শুদোক চামথোকনি। অমলবা ফংজবা পোৎ ম্যাওয়লগা সনৌবা হোংগনি। মপালদা পুথোকতুনা শু-চাম্বা ম্যাদে ইমুং লাইগী মনাক্তগী হেনলগন্নু। লৈবাক্তা তাহনবস্মু ম্যাদে। লাই লৈতারবদি অকায়বা ওই। থৌগল চংবা মতমদা খংহনবা নচানি। লংজবা তেকচাক থম্বীনু হায়না থৌনিজগনি। হান্নগুম্না শেম শাবা লোইরগা কংকদবা হৈকং লাকং কাবোক অথুম অহাও হৈ লৈ মৈরা মেংক্রুক অকং শেল লাইনিংথৌ লৈমরেল অপোকপা (খুবম) মফম ও দা লৈহুল তমতুন মফম ও দা কংকনি। লৈহুলস্ু তমগনি।

অপোকপদা থৌনিবা

লাইরোলঃ— তেংবানবা মপু অপোকপা। চহি কুমজা লাকয়েল তাইবগীদমক। কবোক অথুম অহাও হৈকল লাকলনচিংবা খরদং কংচহুনা থৌনিজরি। নচা নশু তাইবং ওইবনা অপোকপদা থৌনিজরগা। নিজবাবু থুংজৈ থৌজলবা। ইপা ইবুংঙো পুন্নমকপু শেম্বীবা অপোকপা তেক্ত কাইদবা পুন্সি মুংশাংবা মুংঙাই ম্যাইফবা পিবীয়ু কুবীয়ু ইপুরোইগী নশায়োল ১০৮ গী লৈরাং লোন লৈকল তমজরি তারবিয়ু কুবীয়ু। লৈহুল ১০৮ হুলবা খুরম্বা।

লাইনিংথৌদা থৌনিবা

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো চহি কুমজা লাকয়েল তাইবগীদমক। কবোক অথুম অহাও হৈকল লাকলনচিংবা খরদং

কৎচদুনা থৌনিজরী। য়েক্লা ইফায় অনা অয়েক তুরৈ ইরৈ চেল্লদবা অশি অনা থোক্তবা পিবীয়ু। ওইজা ওইথক ফংহলবীদুনা মুংঙাই য়াইফনা ইবুংঙোগী নরুম থুপনা মপু মীথৈ শোঙ্গদুনা লৈজবা পিন-বীয়ু লাইনিংথৌ। নচানা লাইপুংথৌ ৯ গী লৈরাংলোন ৯ লৈহুল তমজরি কুবীয়ু। লৈহুল ৯ হুলদুনা থুরম্বা ।

ইমা লৈমারেলদা থৌনিবা

লাইরোল ঃ— ইমা লৈমরেল সিদবী চহি কুমজা লাকয়েল তাইবগী কবোক অথুম অহাও হৈকল লাকলনচিংবা কৎচদুনা থৌ-নিজরি। ইমাগী নথান্নুংদা চেৎনা চালনা কোন্দুনা থম্বীয়ু। অনা অয়েক অশোই অঙাম থোকতনবা থৌনিজরি থৌজালবীয়ু ইমা। পংলবা নচানা ঙাংলোথাদা মুমিৎ চয়োল ৭ কী লৈরাংলোন লৈহুল তমজরি কুবীয়ু। লৈরাংলোন ৭ লৈহুল তম্বা থুরম্বা। লৌইরগা পোৎশিংহু থৌনিজদুনা ফংজবা য়ারে। অপোকপদা কৎপশিং অহুদি মী অতোপ্পা অমদি নিঙোলনা চাবা য়াদে। ইমুংহুগী নিপা-সিংনা চাগনি।

নুংশাংগী থৌরম য়ুম্নগী নিপানা থৌনিবা

লাইনিংথৌদা হৈরক লাকোই ১, পানা লাকোই ১, মৈরা ১, মেংক্রুক ১, অকৎ শেল ১ য়াওনা থৌনিগনি। ইমুংগী মী অরবা মতমদা।

লাইরোল :-- লাইনিংথৌ ইবুংঙো লমতা থাংজা অহানবদা খোঙুম ম্যাইয়াম্বা লমলেন লাইশুনদিন লোকৌ লনমনদা। শিংথক শিংথিবদি ইবুংঙোনা খংবী উবীরিবনি। ইবুংঙোগী নকুম থ্‌পনা লৈজরিবা তাইবং নচা নম্ব্রশিংগী মঙুংনা শিংথাখিদা (য়াওবরা)। য়াওরকস্ত শিং শংতোকপীয়ু ইপা। ইমা শকপা লাইনিংথৌ কুবীয়ু কনাদা চংজগনি (থুরম)।

মপাল উরেল আখোংদা

হৈকক লাকোই ১, পামা লাকোই ১, মেরা ১, নেংকুক ১, অকং শেল ১, য়াওনা।

লাইরোল :— থাক্তা লৈরিবা খোইয়ুম লাইয়াম পুন্নমক থংবীরো তাবীরো থরাই মাচাক খোংজোম সুবী লোইদাম থা অপাল অরং লৈরিবা পুন্নমক মপুনা কনথ্রে থংঙো। সিবা নাবা য়াদে থংবীরো। ননাইনস্ত খোজানবাঁয়ু হায়না বোন্দিজরি কুবীরো। (থকপু রেংনা থুরখা)।

ইমা লৈমরেলনা তিলযু লাইমু তানবা

তুংদাং তুম্মদাইদা য়ুমদী মপীদা লাই থংতবা তান্দবগী খৌরম রোংথবীগী হায়োক তে [illegible] ৩ দা অমদা হাঙ্গদা লাইনিংথৌদা কংকুমা থৌমিরবা ইমুং ইবেথোল থ [illegible] কোহোং য়ারবা লারা থাং রোমদা চাম্বুনা তাহোকনি।

লাইরোল :— 'লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী থোঙ্গালনা য়াইঙং হামোক, চেং অসিনা তাবা (য়োবা) মকখদা য়েন্না-ইকায় তিলমু কংতবা লাইমু কংতবা, শারোই-ভারোই, পুংশেন থোরাং, হিকাপ-য়াইকাপ, চংবা (য়োবা) ওমদবা শিনবীমু, কুবীহৈবা ইবুংঙো থৌনিজে (খুরম্বা)। পোৎলম অচু লৈমরেলদা অমুক পুন্সানবা কংকনি।

লাইরোল :— ইমা লৈমাবেল শিদবী ইমুং ইংথোলদা তিমু-লাইমু, শারোই-ভারোই, পুংশেন-থোরাং, হিকাপ-য়াইকাপ, কংত-হাওখি, যেন্না-ইকাই লৈবা অমদি চংদবা পুন্নমক চংবা ওমদনবা মপুগা থোঙ্গাম্না পিরিহিবা মঙাং-লুরাং, খুমিন মতম অতমগী পোৎলম হামোক, য়াইঙ, চেং অসিনা চৈবী নথুঙ্ড তেম্নচিংবা পায়দুনা হাওরে খা-পাংনা তানথনিংশু। (খুরম্বা)। ইমুংদগী মপাল্লোনদা চাই-চাইদুনা থোঙ্গাল য়াংমা লাম্না তাম্বাকনি।

লাইরোল :— চিৎ·····শিং······শি······শি······শি······।

কোনথোং খিংবা

লাইরোল :— ইপা ইবুংঙো কোরোন কোম্বো কৌবা নচাগী হিংগোল মঙুং অসিদা লাই কংতবা, মী কংতবা, তিলমু-লাইমু, শারোই-ভারোই, হিকাপ-য়াইকাপ, 'পুংশেন-থোরাং পুন্নমক চেংহন-বীগদু নতাবা কোন্থোং লোজগে কুবীমু। মথারোয়মগী অহংলোমদা খিংবা (খুরম্বা)। ইমুং কাচিন কাংখা অকোইবা খুংনা মৈরা যেক্লুক ওকথোকনি।

মুখগী খোং লোনবা

লাইরোল :— ইপা ইবুংঙো থোংজারোল শিদবা, নচা-নও অপংবশিংনা অশিবকী পান্দমগুম তুমথুল তান্দুনা লৈরিঙৈদা অনম অহা চুন্নবা কংজ-হাওথি কায়না চৈখি-চৈথেং পাংগে হায়না লাকলবু তাকপীয়ু। নচানা থোংগী থোঙলোম তমজগে খৌজালকিয়ু, থোঙ লোনবা (খুরম্বা)।

অমুককী থোঙ অমসুং কোহোং হাংবা

লাইরোল :— ইপা ইবুংঙো, থোঙ হাংজরগে। লোক্রা গো……গে…… হাংলবনি।



২২ শুবা

চাংঙু নোংপোক ইরাৎ থৌনিবা

(নোংমাইজিং চুম্বিল্লা লোশিং-মণ্ডাল লৈনবা থৌনিবা)

পোৎচং :— কথাল ১, ইরাৎপু ১, হৈকক লাকোই ১, কা লাকোই ১, মৈরা ১, মেকুক ১, কৌ লাকোই ১, শঙ্গোয়হিদাক অমুবা মপাল, চুহি, শংগোম, কবোক, অথুন অহাও, হৈকল লাকল চেং লৈ; তাম্বরেল, পুংকায়, অকং শেল ১, মচিন ও লোংবা খুংসু তা ১, (ইশাগী পারম লোইরগা)।

লাইরোল :— হং সিদবা মৈ ঈশিং মালেন অতিন্না ৫ মক ইকুমুংদা ঙাম্মোইবীমু, ননাইনবু থৌনিজৈ, হং কুক, কুক, কুক, । ইফুমুংদা চেং, লৈ, ঈশিং, কৎপা থুরম্বা ।

লাইরোল :— হং শিদবা ! নোংপোক মালং হুমওইবা, মালং চৈরোইনবা, খাংগোল খোংনেৎনবা, মালেম চুথেক ৪, মায়কৈ ৮, শুমদাই ১৬ মকপু চেংলৌ মিকুপ অমদা ৭ লক হৈবা কোয়বদা অম্রাবা ছইরাং শোন্দবা মফম থুদিং লৈবা ঙসি য়াইফবা কোরৌ নোংমাইজিং হুনিং অসিদা চিংঙু নখোংখাদা থৌনিজগে হায়বগী ঈরাং থৌরম তৌজরি । সনা ফম্বালদা য়াংলেন মিকুপ মরুমদা ঙাম্মোইবিযু থৌনিজে । (ফম্বালদা চেং, লৈ, ঈশিং কৎলগা থুরম্বা) ।

লাইরোল :— চিংঙু নোংপোক শিদবা ইবুঙোনা ঙান-বগুম ঙালজগে, ইবুঙোনা থোবগুম থোজগে, ইবুঙোনা লুবগুম লুজগে, ইবুঙোনা শেংবগুম শেংজগে । লায়োল য়াই, তনৌ য়াই, হিংন য়াই, হি মরু শেংথোইবা, য়াই মরু অথোইবা, হিরেল য়াইরেল ওইরিবা ইবুংঙো নতিক নয়াই লিখিযু থৌনিজে কুবিযু । (ফম্বালদা চেং, লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা) । থৌজাল কংবা মহনকমদা হুমলবা ।

লোইরাম্মকপা চীংঙু প্যাঙলবা ঈরাৎপা

(মেক তরেংকী)

য়াকচিং থাশি কুহিংতা শাম্মা পাজন কজগে চীংঙু পাঙ্গলবনু অহিংচুম্মা ঈরাৎপা ।

পোশচং :— অবোমলোং অমা; কুবীকপী লোৎলাঙ অমা, ঈরাংকু তরেৎ, মৈরা তরেৎ, মেক্রুক তরেৎ, হৈকক লাকোই তরেৎ, কা লাকোই তরেৎ, অকংশেল তরেৎ, লকোই লবাং চং খোকপা তরেৎ, খুদৈ ফিদক অনি, ফম্বাল অমা, য়াম্ব থরা, কৌ লাকোই তরেৎ, চেং-লৈ থরা, খোইজু লৈথাম; হৈকল-লাকল, কবোক অথুম অহাওনচিংবা।

খৌরমগী মণ্ডং

ঈরাংকদবা মফমদা ফম্বাল অমা থাবা। মমাংদা য়াম্না লাইতিলকোল পাকল ৭ য়েকনি, ঈরাংফু ৭ থিনগনি। মমাংদা কংকদবা লোং পুম্নমক মফম চানা কংকনি। ইশাগী পারম লোইরগা লাইথৌ হোৌগনি।

লাইরোল :— হুং শিদবা নৈ, ঈশিং, নুংশিং, মালেম্, অতিয়া মণ্ডামক ইমুংদা থানজনবিয়ু। হুক কুক-ক্রুক-নুক। (য়েংথংবা ইরাংফুদা চেং, লৈ, ঈশিং কংকুনা থুরবা)।

লাইরোল :— মণ্ডাং শিদবা থরাই ৫, মিপী থানা "ঙ; থরাই অচংবা, মিরেল অথোইবা লা…লা…লা।" মণ্ডাং ঈবু ঈরাংবা ফুহিংমুংদা কোজরি থোজানবিয়ু কুবিয়ু। চেং, লৈ, ঈশিং কংকপি। অতুগা লকোই লবাং "অম্মা উপনা" কুপশনগনি। ইরাংফু য়েংথংবদা থুরবা।

মথক্তী অম্বুয়া তেক ৭ কা অমাং মিকৌ উমহুমা মালী বাদী ইরাওবুধয় মথং মথং তেংবোনরা মৈ, ঈশিং, হুংশিং, মালেম, অতিয়া ৫ গী মপু অচংবম্ লেপ্পৌনহন্না দকোই লকাং তম্বংনা মখুম কুপশনগা কি অইনবা ঈশিনা মখক্তী কুপশনগনি।

তেংবানবা মপু কম্বানদা লেংশনবা

লাইরোল :— তেংবানবা মপু মৈ, ঈশিং, হুংশিং, মালেম, অতিয়া ৫ গী মপু ওইবা অচৎ-চংতো পুম্নমক লেপ্পীরিবা ঈগী মপু ইপুরোই অপাংবা তাইবং ওইবনা হায়জনিংবা হায়জগে, নিজনিংবা নিজগে হায়বগী ঈল্লাং খোরম তৌজরি। রাংলেন মিকুপ মরুমদং সম্না কম্বান্দা ঙাম্থোইবিয়ু ইবুংঙো। (কম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎলগা খুবমগনি)।

লাইবোল :— চিংঙু কৌক্র অশুপ্পা, চিংঙু থাংজিং অপানবা রাংত্রেন থানাচাওবা লাইনিংথৌ। নোংপোক নিংথৌ অপানবা, খোইয়ুন মায়কৈ ঙাকপা মরিবু পুনেমজে। তিনমু কৎতবা, লাইমু কৎতবা নচা-নশু শারোই-ঙারোই পুম্নমক নঙাকথোক্লি ঙাকপিয়ু হায়বগী চিংঙু ৪ দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থৌনিজে কুবীয়ু। (চিরা ৪ দা চেং, লৈ, ঈশিং কৎপা খুরুম্বা)।

লাইরোল :— চিংঙু ইবুংঙো পাঙলবা, তেংবানবা মপুম্বা, শায়োনবা, নতিক নয়াই অহকপা লোইয়ালাকপা মিংথোন

ফংবা, খোইয়ুম লাইয়াম পুম্নকপু মাঙখিবা পিখিবা, শাম্বা পাক্লল কনবা, চিংথু মারা হনকপী মপারি, চিংথু তোরোং খোম্বা কোব, কেত্রগীদি নম্বাক ওইবা ইবুঙো না শাম্বা পাক্লল কনবগুম নুংইস কঙগে কুপিমু। (ফম্বান্দা চেং, লৈ, ঈশিং কৎপা থুরম্বা)।

নোংঙাক্পগা মুক কৎপা, মৈরা হৎপা, কৈহুম অমা, পোক্তান ফংবা (থুংবা)।

লাইরোল ঃ— ইবুংঙো লোইয়ানাকপা চিংথু পাক্লবা, ইবুঙোগী থৌজালদা নচা ওইবগা নিংবা থুংডরে। শক্তিক মখোলাংদা, থবা মখাই চাইদা, নহনফমদা হঙনবিরো. নত্তেকমদা হেশর্নাবিহূনা য়েংনা লৈবা পবৈ ওইনা হন, ওইনা লেবা পরে য়েংনা হর্নবিহূনা হঙনবিরো, ইপুথো পোখারসি লাইনিংথৌ। (ফম্বান্দা চেং, লৈ, ঈশিং কৎহুনা থুরম্বা)।

★★★★

২৩ শুবা

খুংহৈবা মপু পিশাতাও ঈরাৎপা

(লাংবন ১৭ নি পানবা মুমিৎতা পিশাতাও ঈরাৎপা)

পোৎসং :— ফম্বাল ১, থকথন ১, ঈরাৎকু ১, চেং লৈ থরা, তায়রেল পুংকাউ, যৈরা ১, মেত্রুক ১, হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, লাইনী কৈজোম কোকরেং, কুবীকগী পোংলম অমা, য়াম থরা, হুইথাচুক মরি, লং অহিংবা থরা, অকংশল ৬, কবোক অথুম-অহাও, হৈকল-লাকয়চিংবা কৎলগা থোনিগনি ।

লাইরোল :— হুং শিদবা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, মালেম অতিয়া মঙানক ঈরাৎনা কৌজরি । ইফুমুংদা ঙাক্লোইবিয়ু হুং কুক কুক কুক । (ইরাৎকুদা চেং, লৈ, ঈশিং কৎপা থুরম্বা) ।

লাইরোল :— হুং শিদবা চিংঙু কৌব্রু শিদবা, চিংঙু থাংজিং শিদবা, চিংঙু ৱাংব্রেন শিদবা, চিংঙু নোংপোক অপানবা, মায়কৈ তাকপা লাই ৪ বু তায়জরি কুবিয়ু । হুইথা চুক মথোং ৪ দা চেং, লৈ, ঈশিং, শেল কৎপা থুরম্বা ।

লাইরোল :— হুং শিদবা পিশাতাও লৌবা মপুও ! ঈরাৎ থৌরম তৌজরি । মকদসিদা লাকপিয়ু নলাইনবু থৌমিজৈ । ঙাইহংগী হৈথৌ ইশিন তাক্‌লি তম্বীবা খুংহৈবা মপুও । নলাই ……… মেক্তা পোকচবা নচানা হায়জনিংবা হায়জগে, নিজনিংবা

নিক্তগে হায়বগী ঈরাৎ থৌরম তৌজরি । মনা কম্বাল লাংদা থাংলেন মিকুপ মরুমদং ভাম্বোইবিক্ন ইবুংঙো । (কম্বান্দা চেং, লৈ, ঈশিং কৎপা থূরম্বা)।

লাইরোল ঃ— তেংবানবা মপুনা শায়োনবিক্তনা পিশাতাও কৌনা খুৎহৈকপী মপু ওইহুনা ভাইবং মচা-নগুশিংবু লমজিং-বিরিবা ইবুংঙো ইহৈ উশিং হৈবা, শিংবা পিমখিরম্মো থৌনিঙৈ কুবিন্থ । (কম্বান্দা চেং, লৈ, ঈশিং কৎপা থূরম্বা)।

হুংগু-থুংলাইদম্ব চেং, লৈ কৎকনি । মহনকমদা হরুলগা থৌজাল ফংগনি ।



২৪ শুবা

শগোলশেন কৌবা মপু থূরম্বা

(ঙিনজেন্-লাইচেনবা কোক্রবা)

পেৎচঙ ঃ— মকম চাবদা কম্বাল অমা থাদুনা ইরাৎহু লাংপা ঃ মেক্রুক ১, হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, কুবীকপী পোৎলম অমা, কবোক, অথুব অহাং, হৈকর-লাকল, শকোক-কুহি, মনা কোনম্বাই, লুপা কোনম্বাই পু ১, লকোই

লফাং চংখোকপা অমা, চেংপাক, কবোক, চেং-লৈ, তায়রেল, পুংফাই, ঝৌ লাকোই অমা, ইরাংপা তেলটে য়ুংঙোই, পাকল য়েকওই। ফৌগা নংক্তা ইরাংফু খিল্লগা লাংকনি। ইশাগী পারম লোইরগা লাইথৌ তৌগনি।

লাইরোল :— হুং শিদবা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, মালেম, অতিয়া মণ্ডামক ঈরাংনা কৌজরি। ইফুমুংদা ঙাম্বোইবিয়ু হুং কুক কুক কুক। (ইরাংফুদা চেং, লৈ, ঈশিং ৫ লক কংপা থুরম্বা)।

লাইরোল :— তেংবানবা মপু থাংজ সিদবা গুসি য়াইকবা কোরৌ হুনিং অসিদা খাদা ফম্বাল শেমজরি, থক্তা থকথল থজরি। য়াংলেন মাকুপ মরুমদং সনা ফম্বালংদা ঙাম্মোইবিয়ু। হায়-জনিংবা হায়জগে, নিজনিংবা নিজগে হায়বগী ইরাং থৌরম তৌজরি থৌজবিয়ু। (ফম্বালদা চেং-লৈ, ইশিং কংতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল :— তেংবানবা মপু ননাইনা লংজখিবা পুম্নমক ঙাকপিসু। ইবুংঙো নহাক্কি মী, শা, উচেক, তুমিং, কাং পুম্নমক্কী মপি-মপানি হায়। নচানা লৈত-লাইরা কোক্কবা কোইনা ওইজ-ওইমক থিবা চংপদা ফিজিনা হুনলুবদা মী মমু, শা মমু, লাই মমু ১০৮ মক্কী চৈথেং কংলবদা তুরৈ-ঈরৈ চৈন্দুনা অয়ো চৈগেংনা চৈবী তেমথেং ফংলে। মুক্তাইত্রিবা পুম্নমক কোকপিসু। কংলা য়াইবুং কায়হনবিগমু খোইদৌ ফম্বাল লেংহনবিগমু। খোংবম ৭ খোংদেংবিয়ু, ঈরম ৭ ঈ শেংহনবিয়ু। তাংরোইনা

শিদরনা খোইদৌ চুপ্প ৭ লক য়েৎনা নমৈনা, নয়ানা চিকুনা ফাবিয়ো। য়াইবী ইচিক হুনহনবিয়ো, ফৎত-হাওখি পুম্নমক হাওরে খা পাংনা হোইথবিগ্রো। য়াইফবা শরুক নোংদম্বীরো। (ফম্বান্দা চেং-লৈ ঈশিং কৎপা খুরম্বা)। ঈশিংদা সনা, লুপা কোনয়াই থাদগনি।

লাইরোল :— শে, শে, ইরাইলৈমা তরং ইপাক লেপ্তুনা নমু পোংবু শেমওম্বী ফুহিং মম্মুংদা ওাম্থোইরিবী সনা কোনফু-ম্নুংদা লুপা কোনয়াই চক্করবনে তিনকোর্কপিরো, লাইকোর্কপিরো, ইপা মচুম ফংজরগে, ইপু মচুম ফংজরগে। সনা, লুপা হাম্না ঈশিংদ্রদা শোম্লগা পিথকপা, মমাই মমিৎ শেংদোকপা।

লাইরোল :— ত্তেংবাম মপুই থৌজান্দগী তুরে-টরে চেনবা কোকচরগে থৌজানবীরম্মো, কুবিয়ো থৌনিজ্ঞে। ফম্বান্দা চেং, লৈ, ঈশিং কৎপা খুরম্বা, থৌজান ফংবা। মপুম্নু নহনফমদা হঞ্জনবা মত্তেফমদা ত্তেশনবা।



২৫ শুবা

থাংজ নুমিৎতা থাংজ কৌবা মপু খুরমবা

(থাংজ নুমিৎতা ইমুং-মনুং তুরৈ-ইরৈ চেনবা কোক্লবা)

পোৎসং :— ফমবাল অমা, ইরাৎফু অমা, য়েৎতুম অমা, মিংশেল অমা, লৈ অঙাংবা থরা, হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, কৌ লাকোই অমা, চেং-লৈ থরা, তাইরেল, পুংকাই, ফম্বাল ফি অঙাংবা অমা, মৈরা-মেক্রুক, অকৎশেল ১, চেংপাক, কবোক, চৃহি, শাঙ্গাম, হৈকল-লাকন, অথুম-অহাও অসিনচংবা। ইশাগী পারম লোইরগা লাইথৌ হৌগনি।

লাইরোল :— মৈ, ঈশিং, মুংশিৎ, মালেম, অতিয়া ৫ মু ঈরাংনা কোজরি। ইমুনুংদা ঙাম্খোইবিয়ু, থৌনিজে হুং কুক কুক কুক। (ইরাৎফুদা চে-লৈ. ঈশিং ৫ য়ক কৎহুনা খুরম্বা)।

লাইরোল :— মৈ, ঈশিং, মুংশিং, মালেম, অতিয়া ৫ গী মপু ওইবা তেংবানবা মপুনা শায়োনবিবা থাংজ সিদবা ইমুংতো য়াংলেন মীকুপ অমতং সনা ফম্বালদা ঙাক্লোইবিয়ু। ননাই······ য়েক্তা পোকপা·········না য়েংহৈদবা য়েংভুবা থাংহৈদবা খোংথাং থাংজবদা খোইয়ুমগী চৈবী চৈথেং কংলে। শামু হকচাংলা অয়োং চৈথেং কংলবা অসিদা মোংবা ইশাইকোলম্ম তুরৈ-ইরৈ চেনবা পিরে। অহাবা থাংবা ঙমজবা তাইবংনা খোমুম কনাগী চৈথেংনো

হায়না হংবদা থাংজ কৌবা লাইগী মিংয়েং চংলে। চহি কুম্ন'ং চূপনা অরাবা নংলগনি থাংজা সিদবনু ইরাংচো অতুগা কোক্কনি হায়বা মতুং ইমা খোরাংকরি। খংজদবা তাইবংনি ইবুংঙো থাংজা কৌবা নত্তিক চাওবা ইবুংঙোনা ওমদায়বিনু। ননাই চাওবগী মশাদা ঈ মনিং ওম, লুংশিং মখা তৌ, অরো চৈথেং পিবনু তিনকোকপিনু, লাইকোকপিনু। ইবুংঙোনা খোজানবিহনা ননাইগী মশা কবা, পুন্সি লুংশাংবা পিবিরো। ইমুং-মনুং তুরৈ ইরৈ ফেনবনু য়েংনা লৈবা পরৈ ওইনা হুন, ওইনা লৈবা পরৈস্ু য়েংনা হনবিরো খোনিঙ্কে কুবীনু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কংলগা থুরম্বা)।

লাইরেল :— থাংজা কৌবা লাই ননাইনা কংচরিবা মিংশেন, য়েংতুন অনিগী পাও ওমজগে। খুভিন মমাইমূক পাকপা মিংশেন অসি হয়েং চিংতুংদা লংজকবনা মিংয়েং চংদগা মাদবা মখাং লাক্লবদা শকয়েং মিংশেন অসিদা নিং নামা উইশল্লগা য়েংবিনু। মতুদা উরিবা মিংয়েং অতুদা য়েংতুন মখুন্দা উরিবা অতুদমক য়েংবিনু খোনিজরি। তেক্ক কায়দনবা য়েংকা খোজাব্লি কাওবিমনু কুবিনু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কংলগা থুরম্বা।)

লাইরোল :— হৌজিক্তি ননাইবু খোজানবিরবনিনা ইবুংঙো নংতকমদা তেবিরো, নহনফমদা হনবিরো। শজিক মশৌ লাংদা, খাবা ময়াই চায়দা, য়েংনা লৈবা পরৈ ওইনা হুন, ওইনা লৈবা পরৈ য়েংনা হনবিরো কুবিহৈবা কুবিনু। (খোজাল ফংবা)।



২৬ শুবা

ইমোইন্দুইরাং খোরম ।

(য়াকচিং থাগী ১২ নি পানবদা ইমা ইমোইন্দু ইরাংপা)

পোৎচঙ :— চন্দু অচোবা ১, মচা ৭, তোংবাগ বনেক অমা, ইন্নবা কি অমা, খ্বাংচেৎ ১, অথেমপোৎ ১, কুবীকগী পোৎলম অমা, চেংবা হৈনবা চেং থর', লকোই লকাং চং খোকপা ১, লা লাভোন ১, লিকোল অচংল ১, মৈরা ১, খোইজু-লৈথাখ থরা, মেংক্রুক থরা, হৈ মনম নাইবা অমা, লৈশং মচা অমা, মম মরু-মনা, হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই ১, চেং-লৈ, তাইরেল পুংকাই, অকৎশেল, উতংগী (কাংবৈ) কশ্বাল অমা, য়েক ৭ কী চন্দু ৭, পিবা ৭, ইরম ৭ কী ঈশিং, য়াচংবগী মৈরা থান্নবা মচাক অমিনচিংবা ।

খোরমগী মওং ।

মীয়ামগী ওইরগা মকম চাবদা । ইশাগী ওইরগা কুপা লাইরুদা উতংগী কশ্বাল মথক্তা লিকোক অচংবা হাপ্তা ইশামখুত্তু কিমেৎ লৈজেংলগা খিনবা। মমাংদা পোৎলম পুন্নমক থেনগনি। য়েক ৭ কী চন্দু ৭ না মশা মশাগী ইরমগী ঈশিং ১দি চেংবা হৈগনি। লৈগু কৎকনি । য়েক ৭ কী পিবা ৭ না মশা মশাগী য়েক মমিং হাম্ন হুনা লৈহুন তংগনি, ঈশিংসু কৎকনি । য়াচংবা মকমদা

লৈকায়দুগী থা-য়াং অরোইবা লমখৈদগী হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, অকংশেল অমা, খোইজু-লৈখাম, মৈরা-মেরুক কংতুনা থানগনি। লৈকায় অদুগী খুনদাইদা লোইশনগনি। (মৈরা থানবা)।

ইমাদা চন্দ্র ৭ না চেংবা হৈবা চেংদু খুনথোংগী চেংফুদা পরা খরা য়েনদুনা চনিং হঙ্গনগনি, থৌজাল লংকুবিগনি। ইশাগী পারম্বচিংদা লোইরগা থেংনম হেগনি।

লাইরোল :- ইমা ইগী নপাল থাকম ওইরিবী, উহং কাংফেদা য়াত্রাবী, লিকফোন অচংবা মচুংদা লৈরিবী, নোংত্রেন নোংত্রা থক্তা য়াহিপপি, চকপি লাইশন থোংনেংনরিবী, ইদা য়ুম ওইবী শিন্দা কায়দোংকম ওইরিবী, ফুরেপ লৈমা লুজাওবী নাকথা লৈমা পাওদোইবী, তারেং শেংবা পোক্লিবী, লোইমোন কৌওইবা ওইবিবী, হিকু য়াইকুবা, ইমা নচা মত্তাং চন্দ্র পীবা, লৈয়াং চন্দ্র পীবা, খুমন চন্দ্র পীবা, অংোম চন্দ্র পীবা, মোইরাং চন্দ্র পীবা, খাবা চন্দ্র পীবা, চেংলৈ চন্দ্র পীবা, নপারি নমোম নানোংয়াইশিংনা লাইজু ইরম ৭ কী ইরি তম্মা ইহৈ তমজরি। তরা চেংজৌ হৈজরি, শিংতন লৈতন তমজরি, ইরি মোংদম কুবিয়ু। কুক কুক কুক নচানা থৌনিজে কুবিয়ু। (ঈশিং হৈবা, চেং হৈবা, লৈ কংপা (খুরম্বা)।

অমুম্বা য়েক ৭ কী চন্দ্র পিবা ১৪ না লাইরেলগা কোম্বনা থৌনিগনি।

লাইরেংল :— হৌজিক্তি ইমানা থৌজানবিহুনা কন্বানথক্তা ভাল্লোইবিরে। ইনা নখুল খুনবুক্লেম অসিদা লৈরিবা থাংগা য়ুমুম থুদিং তহেৎ শেল্লা লনয়েনবিরো। লোইমোম ফৌকৈ থনহনবিরো, তরা চেংফু চোনহনবিরো। ঙসি চাবা নোংদম্বী, হয়েং চাবা নোংখায়বিনা, তরা চানিং থাক্লা চাশোবিয়ু। য়াংশে য়েনিং থাক্লা য়েনশোবিয়ু, শাবল লনথোং ভাক, লেমথোং মরাক পাক্লা সনানা মপাল শা, লুপানা মহৈ য়ান, সনাগী কৈরাক থা, মরিক্লা মতোন লোম্লা কা, চারোন ৭ ভানফং, শুরোন ৭ লোমশল্লা, চহি কুমশিং ৭০০ লুংভাই মরাং ক'য়না, য়েক্ল-খুরৌ পাংদা, অশি·অনা য়াওদনা মপুগী থৌগন ফংজবা পিনবিরো ইস্না। (নীয়াম্নসু চেং·লৈ, ঈশিং কৎতুনা খুরম্বা)। ইমানা মচাশিংবু থৌজানবিরম্লগা মহনফমদা হজনবা, মতেকমদা ভেশনবা, মচা শুইবনা থৌজাল ফংবা।



২৭ শুবা

থোই শাবগী লাই খুরম্বা।

পোৎচঙ :— লাইনিংথৌদা অথেমপোৎ ১ ফংপা, মৈরা মেক্রুক য়াওগনি।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুঙো, নচাম্না থৌনিজরি। ইবুঙোগা নশাইকোন্দা লৈজরিবা নচানা·থংদবদগী মপুগী পাওজেল

লাক্লইরা, ইবুঙোগী খোইদগী থোকখিবা খোয় কৌবা অদুনা ওইঙ্গ ওইথক পিগে লাকপবু ফিজিনা ফিদানা হুমলুকদা চৈবা চৈথেং পিরে ইবুংঙো। চৈবী চৈথেং পিববু কংদনবা মপুগী খোয়দা হুক্লনবিরো, ননাইনা থৌনিজৈ কুবিয়ু (থুরম্বা)।

খোই শারিবা মায়শুন য়েংনা কোলা, বৈরা-মেক্রুক, চেং-লৈ, ঈশিং, অকংশেল কৎচুনা থৌনিগনি।

লাইরোল :— খোই নংগী নকমদা মপুনা য়াত্রা পাউ হায়রকই, মরমদি :— মহান নোং পোইমুমগী খোইবুংলগী পুথোকখিবগী খোই কৌবনি। নংবু পুথোকপদি ত্তরাইনা পুথোকপা নত্তে। তাইবংগী মকমদা অথুম্বা মরম ১০৮ নহিরেল থুমথোইববু পিরু হায়না পাওজেল্লোই ওইনা থারকপনি। অদুনা নক্লেল ইরোল থংনদহনা লৈমিন্নবা য়াম্নদে। মরম অদুনা ত্তসিদগী নংসু মপুগী য়ারা মতুংইন্না য়ুইফু-থেংনুল নহিরোল থুমথোইববু পিরম্লগা মপুগী খোয়দা হুক্লনবিয়ো। ননাইনা খোই নংগী নকমদা অথুম-তাহাও থরনা রাকোং-শিংগোংক্তরিবা অসিনা পেনবিয়ু। কদ্দিসু থংজদবা তাইবংনি কুবিয়ু। হায়জবনা মপুগী থোজাল ফংলসি, মপুদসু থেংজানবিদবা য়াদে ত্তখীয়ু। নংদি থোজ্জাল হৈবা মপুই পাওখোল্লোইনি। (থুরম্বা)।

থুরম্বা মতুং ৭ নি কাংবা চৎত্রবদি লাইনিংথৌগী মকমদগী থৌনিরগা থুং চাবা চৈরা, মৈরা মারু ওমগঙবা অমা পায়রগা কিশি শেংচুনা তুম্মা য়েথাইয়ু হাংলু।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো, নশাইকোন্দা য়েক্লবনা লান তারকএ, ননাই লান থেংনজগে মায়পাকপা য়েক্লববু ঙম্বা পিনবিয়ু । ইবুংঙোবু খৌওইদবা মরু ফংনা মায়থিবা পিজগে থৌজানবিয়ু । খুরম্বা । (থোইদা তাকপা)

লাইরোল :— থোই নং মপুগী য়েক্লবা ওইরবনিন্না মংনা ঙম্মে মপুবু মায়খিবা পিয়ু । মপুনা ঙম্মে মপুগী মতিক খংবা তারেদো । (লোইনা হাংতোকও) ।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ! ইবুংঙো য়েক্লববু মায়থিবা পিজরে । মরু ফংনা মুথংলে ইবুংঙোগী থৌজান্নগী য়েক্ল-তিম্থং লৈতনা ইবুংঙোগী থৌগল ফংজরগনি । (খুরম্বা)

পুম্নক কোক্লে । থোরম অসি থোই খুদিংমক্তা শিজিন্নবা য়াগনি ।



২৮ শুবা

রা মপাল শাবগী খোরম।

রা মপাল অহু খরদা শাবা ওইরবদি লৈশোগী লৈবাক হাপচন্নু। অমাং-অশোই নংখিবা শেংদোকউ।

লাইরোল :— লৈশোবুংনা শোবগুম শোরো মপুই য়ারানি। (খুরম্বা)।

লোইনা শারবদি ইরাই মুমিত্তা পাও তাকঅগা থাংজ জুমিত্তা খোজাল নিগনি।

লাইরোল :— রা নংসু মপুনা থাবনি। তাইবং ঐসু মপুনা শেম্বনি। মুংতাইরে নংনা নপাল শাবা মপুই রায়েল শোইফদে। নপাল শারবদি নহৈ য়ানফম থোকই। নহৈ-নরোং য়াম্মা য়ানবিয়ু। মপুই থোগল চংনবগী দমক শোইবিবা য়াদে। ননাইনা অরাবা তাহ্নুনা মপুই থেগল ওনত্রিবা অসি ওসিদগী ওমজবা পিবিয়ু। সন্না লুপ্পা, তি-য়াইনা নহৈ য়ানবিয়ু মুংতাইবা, য়াইফবা, পুন্সিবা, মুংশাংবা পিবিয়ু। (চেং লৈ, ঈ কৎতুনা খুরম্বা)।

খোজাল ফংলগনি, শিঙ্ঘরো।



২৯ শুবা

হিংকোল খোপপা ।

পাকল শিদবা মমৈবু ময়ানা চিকুনা কোম্বোং লোনগনি । মমৈ মকোক কৌবদি কোম্বোং উয়ুংবুনি । অরাংনা মকোক্লি । মথানা মমৈনি । লোল্লিবা চৈনা ময়ানি । লোনবা অরাংদা লোনগনি । হাংবা ইস্থবা মথারোমদা ইস্থনা হাংগনি । মমৈবু ময়ানা চিক্না কোম্বোং লোনবদি অসিনে ।

খোংবালনা পাথংবনে, লৈপলনা মমি য়াংপিরেলনে । খোমনা ভাবা লমদা খোংবাল ভোগনি । মুদিং, থাণ্ড খোক-হনগনি, শক্তিক থাবাণ্ড খোকহনগনি ।

পুকৈ, লনকৈ লিংনা অহোং-অচাও লৈনা মাগী মাগী মফম লিংনা লৈবা অহোং চাওবগী হিংকোল ওইনবা খোপকনি । থুলফমলেন ওইনবা ।

হিংনবা কোনবিবা মফমবু হিংকোল কৌই । অফবা হিং-কোল অমা লোপ্পা ভারবদি ইশাগী লমচৈনা ওনবদা চও ভাবা মরাক ময়ুং মাপ্পনা মতা চপ মারকা চেপ্তবা ভোবৈনা কোনবা চৈংগী লোক মপা ওইবা থুলগী ময়োল ওইগদবা মফম, লম্বীনা কোনবা, তিনলম-লাইরম, শলম, মীরম থোকওইদবা, লম্বী-থোং খোঙহাই, ঈশিং ভাংজফম লৈহাও য়েংনা লোপকনি ।

হিংকোলগী চুংথক ৪ দা কেৎক্র, থাংজিং, রাংব্রেন, চিথৈ লাই ৪ না ঙাকনি। ময়াইদা মুহিং চয়োল ৭ কা তেংবানবা মপুগা ইমা লৈমরেলগা থানা লাইপুংথৌ ৯ লৈগনি। অমুক মুংখিন, মুংদাং মতম ৩ থমগনি, পল্লান্দবী থমগনি।

মুমক্কম য়েংবা (থলবা)।

য়ুমক্কমদি মুনগী মুপীদা অপাম্বা মক্কম হংগনি। মানা অপাম্বা মক্কমম্তু অক্কবা য়ুমক্কমনি। মখুত্তু হাংনা থল্লবম্ত থরদি শোক্কা শাও। শুকশোক শোক্কনা শাবদি পুল্লিদে। মুপীদি মালেমনি, মালেমদি ইমানি। লৈবাক্তু অংম্নুনা য়েংঙো অথুম্বা, ওইনম্বা, চম্বা কৈ। থাবা, য়াকপা, শিনবা, ক্ককপা কংতে তৌগমু। অথুম্বা মক্কমত্তুদা মেল উরেপ তম্মো। মুপীদি য়ুমক্কমনে।

হিংকোল কারল

হিংকোলগী ময়াইবু কারল কৌই। কারলদি মুম; মাঙ্গোল, চুরি খোঙনেৎকমদা থমগনি। ভুঙায় ক্কদনা মাঙ্গোল, খোংজিল, খোং কাম্হোকক্কমদা ১, য়ুমগী মনিংদা ১, চুরি খোংনেৎকমদা অমা অসি ভুঙায় ক্কদবা রানি। খোংজিল, চুরি অসিদগী লাম্হোকপা অসিনি। কারল-য়াংমা লানবা কারল মপান খোকপা কৌই।

য়ুমফম ৯ গী মরম।

হিংকোল অমগী মপুংদা লৈবা য়ুম্ফম ৯ তাকপা।

লংজা চিংথৈ ৪	কিরাল নোংপোক ৬	মৈথু মৈরম ২
৫ অরাং শামু	১ ময়াই লৈমরেল	৩ মথা নোংশা
৯ লোলা কোক্র	৭ ভন্দা মনিং	৮ লামছই শঙ্খোং

লাইনিংথৌদা অথেমপোৎ মৈরা মেক্রুক কৎতুনা অশেংবা তাক-পিয়্ হায়না নপি তানা থৌনিয়ো । নোংঙাললগা য়েংঙো, নংগী মেল উদো ময়ামদগী থরা চথৎনা হেনগৎনা লৈরমগনিএ।

মেল উ শেম্বা।

মেল উ অতু মকোক্কা মথারোমদা থংহন। মতোলনা অরাং ওয়া থমগনি। থাংথাং ৩ থাহ্নুনা মৈরা মেক্রুক, হেরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা য়াওনা থৌনিহ্নুনা মেল উ শেমগনি। অয়ুক্কী মতমদা মায় মমাং ওয়া মিরুম নন্দমা পায়ক-থেংগু, মেল উ পুরুমক নাহৈরোলনা শেংগনি।

লাইরোল :— পিশাতাও নথুংগুনি গুররো। ননাই ঐদি করিম্ থংজদে, ইবুংঙোগী থোগনগীদমক্নি। অশোই-অঙাম থোকহনবিগন্ন। (পায়ক-থেংগু অনিদা চেং-লৈ কৎতুনা থুরম্বা)।

লাইরোল :— হো রো সো।

পায়জা ৩ লক থাবা মতমদা উগী থাংমৈ মচেৎতু নপশিন্দুনা লৈরগা য়ুম লোইশনবা থিনগনি। থাপ্না নাকন্দা তাবনা মহি ময়াই কল্লি। উ মশাদা চোংশন্দুনা তারবদি য়াইকৈ। থুংহৈবা মশাদা থারবদি শে'ল্লি। উত্তোয়োমদা তাবমূ কৈ। থুং হৈবনা-থবক শুবা হেবা অমদি লোইশনবা মতমদা থুংগু-থুংলাইদা অরুসি/শে:খারুসি তাকনি।

মুম শ্যালিউই মঙ্গংদ্যা মুশোং ঐকমাং নংরা ফংজে। অনমা পোং ঐ উ রা ক্রানবা অশ্বিং মিরু মনবাং কয়রক।

মুম শাবদি মুকচাং পোলাং অম শাবনি কনা ফুরা শ্যা-রগা কবনি।



৩০ শুবা

মেল উরেপ ফুম্মা

পোৎসং :— লাইনিংথৌগী অথেলপোৎ ১, মৈরা মেংক্রুক, অকংশেল ১, হৈরুক লাকোয় ১, কা ল্যাকোই ১।

মেল উগী অথেলপোৎ ১, মৈরা মেংক্রুক, হৈরুক লাকোই ১, কা লাকোই ১, ইরাংকু ১, কৌ লাকোই ১, ফেং-লৈ খুরা, ফুমরেল পুংকার, সনা কোলয়াই, লুপা কোনয়াই প ১, ফব্রাল ১, উরা থেংনবা খুদৈ ১, লং অহিংবা থরা, শজোম, চুহি, হুলিং, থোইহি, হৈমৌ মনা ১০, পয়া ২।

(লাইনিংথৌবা পৌজিবা)

লাইথোল—লাইনিংথৌ ইবুংঙোং ওমিমাইকবা কৌরৌ ফুমিং অমিদা, অমাইনা থৌমিকে ইবুংঙোগী অমাদী মাখগা শাথবগী-দমক মেল উরেল অহাং, মর্জা থৌমজরক। থুরগা

মেন উ মহু, থাংথাং ও থাহনা, উঙ্গাম্ন লেমা মকনচংবা থম্বা ফি-পুথরেং ও লেংপা, হৈনৌ মনা ৫ মা উজং পরাঙ্গ লেংঙ্গা মরাইদা পট্রে ও রক চেঙা কৌক্র ওয়া থম্বা”। শেম্বা শাবা লং অহিংবা পুমবা ইশাগী পারমনচিংবা পুম্নক লোইরগা।

লাইরোল: চেংয়ানবা মপু মৈ, ঈশিং, হুংশিং, মালেম, অতিয়া ৫ মক ইফুমুংদা ভাহোইবীমু হুং ফুক কুক্। (ইরাংফুদা চেং লৈ, ঈশিং ৫ রক্ কংপা থুরবা)।

লাইরোল—চেংবালবা মপু ইবুংঙো অপোকপা লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী সনাগী শঙ্গায় শানবগী মেন উরেপ তমক্তনবা ঈবাং খোরম তোজরি খোজামবীহুনা সবা কম্বালদা রাংলেন মীকুপ মহুমদং ভাহোইবী মু খোনিজে। কম্বালদা চেংলৈ ঈশিং কংপা থুরবা।

লাইরোল—মৈরম থংবা লৈশা ভাও, চিংখু থংবা নোংশা ভাও, কেক্র থংবা নোংখোম ভাও, লাইচি থংবা লৈখোম ভাও, মারকৈ ৮ মকী [illegible]রাং মপুদি থম্বান মীচাক্কা তোংলিবা আতেংকে কুমক লিহবা মহকরে নুদাযরেম লৈশা পিবারেল ২ না খোঁজিজরি। নিপা, হুপি ২ না কম্বালদা চেং লৈ, ঈশিং, কংপা থুরবা।

লাইরোল:— ভসি মাইকরবা কৌরো মুমিং অসিদা পামেল উনিংথৌ নংবু লাইনিংথৌগী সনাগী শঙ্গায় শানবগীদমক উরোং উ [illegible]রবনি। [illegible] মংশী মফিং [illegible], অনিংজি হুং মং সনা সনহুরি কৌরও। হো [illegible], হো [illegible], হো হয়া হানিরো তাইবরবনি। (উলা চেং-লৈ, ঈশিং কংচুমা থুরবা)।

লাইরোল—হো ইমা মালেম লৈপাক ইমাও, মঙালবু সনা কুদোং লনশুম্বী, মিংলেনবু হিং লিং সিদবী কেনককা কোৱী, ঙোসি লাইনিংথৌগী শংলেনগী মমক, উরেপ উমুংনবগী মমক ইমাগী উথুন্দা ইরাং পোৎলম থরদং কৎচরি, খোঙালবীয়ু। মেল উরেপ অকবা পুংফমদা উরেপ উমুং ভম্বীরো ইমাগী উথুন্দা সনা য়াইবু থাজরি লুপা কোলবু কোনভঙ্গরে পরিং মপুদি মাঙ্গিংনে, উরোং মপুদি য়েক শানা কোনচিরেম্বা কেও চিংঙ ২ লিতিন্নবীয়ো হিংনপ নপ নপফারো থৌনিঙ্জে কুবীয়ু। উৎন্দা সনা লুপা কোনম্লাই চনবা চেং-লৈ ঈশিং শঙ্গোম চুহি খোইহি কৎপা থুরম্বা।

লাইরোন:— ভেংবানবা মপুনা খোঙানবীহুনা হয়া সিদবী ইমানা য়াবহুনা অকবা পুংফমদা উরেপ উমুংবীবা অসিদা খোঙানবাহুনা। মা মমু, শা মমু, ভিন মমু, লাই মমু, ঙা মমু, কঙবা মমু ১০৮ বু ভানথোকপীয়ো য়ুম অসিগী মমুন্দা নরম থুম্বা লৈজবদা অনা অয়েক লৈত্তা, মুংঙাই য়াইফা খোইমা ইচা উত্ত লৈরিক লৈরাক থম্বা লাইজ ইরেন চাওকোইংদনা ইনা ভম্বা পানজবা পীবীয়ু উখোংদা চেং লৈ ঈশিং কৎপা থুরম্বা।

লাইরোন—ভেংবানবা মপুগী হকচাং মায়োম্না ইমা লৈমরেন শিদবীগী লৈথুম শেক্লিংদা উ মুংবীরবনি। নিংশা পুংফম অঙ্গিংবদা নিপা হুপী ২ মুংঙাইবা রাথল জেল লোন চিংশনগনি। উমুংঙো

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] খাদৌ, মরা ভারো, মহৈ রানিদো ও [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

নিপানা

ল্যাইরোন :— নং-ঐ ভংনা থানুপ্রমশি, ইন্নাও লোইনবা থুইরিমসি, লেংগোম্না পানম্মিশি, ঐস্নু নংগী নকুম থুপ্পচগে, হেং ওই কোনবা খুরম্বা। (থৌজান কংলে)।

মুংগী কা য়াংপা।

(কা অপিক্ক অচাও খঙনবা মরম্)

১। [illegible] [illegible] [illegible] কানা চাওগনি। অরাং কানা [illegible]।

২। [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] কানা পিক্কনি।

৩। [illegible] [illegible] চাওগনি। অরাং [illegible] কানা পিক্কনি।

৪। চাকথুম কা অরাংনা চাওগনি। মথানা পিক্কনি।

মুংগী কারল।

[illegible] [illegible] চাওগনি। কৌন্নুগা [illegible] পিক্কনি। থুদোল অহমতমক থম্।

লোই হুমদাংগী মরম।

হুমদাং য়ানবা মতমদা লোইগী মপা তাহনগন্নু। য়ুমগী মরাক ময়ুংগী ময়াইদা (কাক্কলদা) উখোং য়ুংবা হুমদাং য়ানবা তৌগন্নু। য়ুমগী কারলস্নু মেল উগী মঙ্গুংলোমদা মী অমা-কপ্পা চন্দবর্গী লমদা থম্মু। মপানলোমদা থমগন্নু কারল মপাল থোকপা কৌই। মরম অসি ইত্তুনা তাকপা থরা লুই। হকচাং কয়াৎ পরিং লাংশং হুনবনি। অথংবদা হংবিয়ু। লমচৈ মতোলদা উখোং য়ুংগন্নু। থোংগী ময়াই মপাদা উখোং য়ুংবস্নু তৌবিগন্নু।

কাংপ ফাওনা থোং পানবা ফত্তে। শগুনথোং থিংবিগনি। লনথোং চাওহনগনি, অশিথোং পিকহনগনি। চংলকপগা চৎখিরগা চংলকপনা হেন্না থমগনি। য়ুম শাবা লোইরগা থুংহৈবনা কৌব্রুগী কাচিন্দা কুমগনি।



কা মরিগী মীতৈ য়ুমগী পাক্ল ।

নোংপোক

নাকথা

নাকথা

য়ুমগী মপু ফমফম

নিঙোল হায়ফম

ফমলেন

মমাংথোঙ মাংশোক

য়াঙোইবী থম্ফম

লাংঠৈ শিদবা লৈফম

নিঙোল কা

পিবা কা

মাইবা ফম্ফম

মেল উরেপ মফম

মারা চনবগী মফম

ফমজাও কা

লৈমরেল কা

কৃষ্ণা লৈফম

নিঙোল চাক থোংফম

অশিথোঙ

চেংক্রু খিনফম

মনিংথোং

অপোকপগী মফম

লৈরাং চাক থোংফম

লাইনিংথৌ কা

নোংচুপ

মমাং শংগোই শানবগী মেল উরেপ তম্নবা মফম।

লৈরিবা য়ুম অশেংবা অচুগী মেন উ মখোংদগী নশাগী লম অমা শাংবা চৈ অমনা মমাং শঙ্গোই য়ুম্ফম্লোন্দা চঙভানা অরাং খরা কাখংনা ওল্লু। অচুগা চৈ মতোম্না ভারিবা অচুদগী মনিংলোনদা নশা চন্দবগী লমদা কাপ মরুন চংশিল্লগা মমাং শঙ্গোইগী মেন উরেপ নফম ওইয়ো। মরম অসি লৈবনা মমাং শঙ্গোই শাবা লুই হায়বনি।

য়ুম মথক্তা চুই কারগা খোংলবদি ফংতে। অচু কোক্লবা মরম চুই অচু হাৎলগা কানাক খল্লগা হিংগোল কাচিন শম্মোং-লোমদা মুমিং ৭ নি কৌরগা মৈদা তুম্না থাদোক্লগা কোক্রে।

হিংগোলগী লাইরম থৈবা মরম থংনবা য়ারোল।

হিংগোল চুথেক মরিদা খৌরি কোঙ্গোইগা লিভোনগা চিন্নোক্লনা ও লক কোনবা অমমম চিন্নোক্লনা মচিন্না মপান্নোমদা শম্মোক্লা লৈবাক ভৌথোক্লগা ফুম্মো অসিমু লাই ফংভবা চংত্রে খোজান ফংলে।

ফুখা মতমদা কৈক্রগা মৈরম অনিনা খরা চংশিন্না ফুম্মো। চিখৈল্লা সক্তোংগনা খরা হন্দোক্লা ফুগ্নগা থৌনিয়ো। থৌনিরোল মায়কৈ ৪ দা থৌনিগনি।

লাইরোন ঃ— কোক্র, চিথে, মৈরম, শম্থোং মায়গৈ ঙাকপা খোইয়ুম মীগী লম্মুদি লাইগী লমনা চাওনা থমজরবনে। হিংগোল অসিদা তিল্লম-লাইরম লৈবা থোকপা মমক মীগী লমদা হেঙ্গনবা য়াদনবা লাইগী লম থমজরবনি চংঙকপা য়াদ্রে থৌনিজে কুবিয়ু খুরম্বা। (কোক্রে)

লাইরম থোকপা থৈবা।

পোৎচঙগী মওং ঃ— শৈইগী লাংগোল অতেকপা অমা লাইরম থোকপা মফমদা নংনা থৈনিংবা মায়কৈদা মচিন ওম্থোক্লগা লৈমুংদা ফুম্মো। হৈরুক, লাকোই, ক্বা লাকোই, শেল অমা, মৈরা-মেক্রুক য়াওনা কৎতুনা থৌনিগনি।

লাইরোন ঃ— তেংবানবা মপু ইবুংঙোনা লাঙ্গোনবী হায়দুনা ওম্লিংবতা ওনথিবা মরম্না লাঙ্গোল কোই। ওইনিংবতা ওইরিবা লৈনিংবদা লৈরিবা, চৎনিংবতা চৎলিবা, ইবুংঙোনা চৎলিবা, লৈরিবা অসিদা ননাই তাইবং নচা ঐখোয়না ইচা-ইশু য়োক্নুনা লৈবা মতমদা ইবুংঙোগী লৈকম লম্বীদা মায়য়োক থাফম থোক্রে। ননাই ঐখোয়দি থংজদে তায়বংনিনা, ওইনিংবা ওইবা, ওম্লিংবা ওনবা, চৎনিংবা চৎপা, লৈনিংবা লৈবা ঙমদে, অদুনা থেংরে তেংবাংবদি ইবুংঙোনা ওম্লিংবা মায়কৈদা ওনবিরগা, ননাই ঐখোয়গী লংজবা তেকচাক লৈরোই ইবুংঙো। ঙসিদগী ননাইনা থৌনিজরি, নচা-নশু ঐখোয়না লৈরিবা মায়কৈসিদা ওনশনবিরগনু, অশোয়দা ওম্থোকপিগ্রো।

ইবুংঙোগী তুথেক মতুংইন্না লাঙ্গোনগী মচিন্না চৎপা নত্তে। ইবুংঙোগী নচিন নকোক্না চৎপনি, লাইদি হায়নবা শোইদবনি। অদুনা লাই হায়রিবনি, থোজানবিরো ননাইনা ঙক্তা চরৈ য়েৎনা খুরমজরি। (খুরম্বা) থোজাল ফংলে।

য়ুম শঙকাবা।

য়ুম শঙকাবদি থৱাই য়াঙত্রিবা হকচাং পোলাং য়ুম মনুংদা থৱাইগী মপু লাইনিংথৌনা চংহুনা লৈববু য়ুম শঙকাবা কৌই।

পোৎচং ঃ— চেংফু ১, ইশাইফু ১, চেংহি চফু ১, নাহৈফু ১, য়াঙ্গেন শুমজিৎ ১, লাইনিংথৌগী ফম্বাল ১, লৈমরেনগী ফম্বান ১, অথেমপোৎ ২, লং অহিংবা য়ুম কোইবা থুংবা থরা, তায়রেন মনা থরা, চেং-লৈ থরা, শেলফু ১, মথুম কম্বী অমা, মৈরা ১২, মেক্রুক ১২, ক্বা লাকোই ১২, হৈরুক লাকোই ১২, শেল অচোইবা ১২, সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই পু অমা, ফো লাইতং অচোনবা অমা, ঙারুক অমা, থুম চফু অমা, তাইরেন পুংফাই অসিনচিংবা অসিনি।

হয়েংদি য়ুম শঙকাবা নুংশিংনি হারবগী নুংদাংদা লাইনিংথৌ লৈমরেন অনিদা অথেমপোৎ হৈরুক লাকোই, ক্বা লাকোই, মৈরা, মেক্রুক কৎতুনা পাও তাকচগনি।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো, ননাইনা ইবুংঙোগী অনৌবা সনাগী শঙ্গায় ১ শাজবদো লোইজরে লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী সনা শঙ্গায়দা লেংশনবিনবা থৌনিজরি। ইবুংঙোনা অনৌবা শঙ্গায়দা লেংশনবা মতমদা নচা ঐখোয়সু থৌগন ইঙ্গগে। তেক্ত-কায়দনা ইবুংঙোগী থৌগল ফংজবা পিবিয়ু (খুরম্বা)। লৈমরেন ইমাদসু অসুম্না থৌনিজগনি।

নোংঙাল্লগা লং অহিংবনা তায়রেন মনা পুল্লগা য়ুম অচু কোয়না পুনগনি। অচুগা ইমুং-মপান অকোয়বা নাহেজনা শেংদোকনি। অচুগা য়ুমগী পিবানা হান্না লৈরম্বা য়ুমগী লাই-নিংথৌদা থৌনিজগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী অনৌবা শঙ্গায়দা লেংশিনবীনবা থৌনিজরি। লেংশল্লসি ননাই থৌগঙ্গগে (খুরম্বা)। য়ুমগী পিবানা লাইনিংথৌ পুথুনা মাঙ থানা শঙ কাগনি।

ইমা লৈমরেনদা থৌনিজবা।

লাইরোন :— ইমা লৈমরেন শিদবী, ইপা ইবুংঙো লাই-নিংথৌনা অনৌবা শঙ্গায়দা লেংশনখ্রে। ইমাসু অনৌবা শঙ্গায়দা লেংশল্লশি। মপুই হৈনা তুংইন্না নচা থৌগনজগে (খুরম্বা)। লৈমরেন ইশাইফু থুকউ থোংদনা কোকথোং নাহুনা পুরগা শঙকাগনি।

ফুঙ্গা মৈদা থৌনিবা।

লাইরোন ঃ— থাম্বী মৈত্রেং অরাবা, নহাননোং পাথাং-পুথাং কোক্কুগী ফুঙ্গা মৈফম হাংদনা থাম্বী মৈরম ১০৮ পোক্তুনা মৈগী মৈথাং শনবিরিবা অনৌবা শঙলেনদা লেংশল্লসি নচা থৌগল্লগে (খুরম্বা)।

মী লৈহৌরোইদবা য়ুম ওইরবদি লোইনা পুরক্কনি। লৈহৌগদবা ওইরবদি থায়রুনা পুরক্কনি। অসুম্না মৈ শঙকাগনি।

শঙকাবগী তূং-মাঙ। (অহান-অকোন)

(১) লাইনিংথৌ, (২) লৈমরেল, (৩) মৈ, (৪) ঈশিং, (৫) চেংফু, (৬) ঙারুক, (৭) থুম চফু, (৮) ফৌ লাইতং অচোনবা, (৯) চেংহি চফু, (১০) অথেনপোৎ, (১১) শেলফু, (১২) য়াঙ্গোইবী (য়াঙ্গেল শুমশিং) অসুম্না মথং মনাও নাইনা কারক্লগা মাগী মাগী মফমদা লেংশনগনি।

হৈথং-লৈথা মফম।

(১) উরেপ মখোং, (২) লৈরং মফম, (৩) চেংফু থিনফম, (৪) চেংহি চফু শিনফম, (৫) মৈরমগী শুম মখোং, (৬) চিথেংগী শুম মখোং, (৭) লাংচৈ শিদবা য়ুম্বীরেন মখোং, (৮) য়ুঙ্গা লাইরু মৈফম, (৯) য়াঙ্গোইবী মফম, (১০) ফমজাও অপোক-

শগী মকম, (১১) লৈমরেলগী মকম, (১২) লাইনিংথৌ। মশিং অসি হৈরক লাকোই, কা লাকোই, মৈরা-মেক্রক, শেলমাচিরো কৎকনি।

লাইনিংথৌবা থৌনিজবা।

লাইরোল :— তেংবানবা মপু ইবুংঙো, তাইবং পানবমু মাকপিগে হায়দুনা মমগী মপু ওইনা অথুপ্পা মকমদা হিরি কোন্দুনা লৈবিরিবা লাইনিংথৌ, ঙসিদগী সনা শঙ্গাই অনৌবা অসিদা লেংদনা লৈবিদুনা নচা-নগু পুন্নমক্না ইবুংঙোগী থৌগল কংজবা অমদি তেক্ত-কায়দনা তুরৈ-ইরৈ চেন্দনা লৈড়বা পিন-বিরো। ঙাংলোখাদা শিঙেল লৈরাং লৈছুল তঃজরি কুবীয়ু। (ফম্বান্দা লৈছুল তমদুনা থুরম্বা)।

লৈমরেল ইমাদা থৌনিবা।

লাইরোল :— ইমা লৈমরেল শিদবী ঙসি য়াইফরবা কোরৌ মুমিৎ অসিদা ইমানা অনৌবা সনা শঙ্গাই অসিদা লেংদনা লৈবিদুনা নচা-নগু পুন্নমক চেৎনা চান্না কোনবিয়ু হায়না ইমাদা থৌনিজে কুবিয়ু। (ইমাদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুবম্বা)।

থাম্বী মৈদা থৌনীবা।

লাইরোল :— তেংবানবা মপুনা মৈবী মৈরেল ওইবিদুনা মুমলেন ফুঙ্গা মৈকম অসিদা ঙসিদগী মৈ মুৎপা কাংবা লৈজনা ফুজা

ফুঙ্গা থাদোকপিরগে। মন্তাং, লুরাং, খুমন ৩ গী মখক ওইবা, য়োঙশবী মগোং ৩ মু পুনেমজরি। মফম অমিদা লৈমিরিবা লাই অরুবা ইমা ইমোইন্দু পুনেমজরি। (মফম শুনা চেং-লৈ কৎতুনা খুরুম্বা)।

চাকখুম মৈরুংবা থৌনিজবা।

লাইরোল :— চিংও কৌব্রুগী মমোম ইমা পান্থোইবী, ইমা নংবু তায়জরি। তরা শংলো মথেন লাংচুনা তরা ফুহৌবা মতমদা কোরৌ থুদিং অতৎ-অকাং লৈতনা অথোইবা মচি ওইবা পিবিয়ু। নচানা থৌনিজে কুবিয়ু। (চেং-লৈ কৎতুনা খুরুম্বা)।

চেংফুদা থৌনিবা।

লাইরোল :— তেংবানবা মপু ইবুংঙোনা অপোকপগী মফম ওইনা লৈরিবা মফমদা, ইমা অপোকপীনা ফজরে কৌনা চেংফুগী মশক লৌনা অপোকপা থৌগল্লিবী ইমা ফজরে কৌবী চেংফু তরা চেং য়াংহনবিগনু হায়না নচানা থৌনিজরি কুবিয়ু। (চেং-লৈ কৎতুনা খুরুম্বা)।

মাংগোল মৈরমগী শুমদা থৌনিজবা।

লাইরোল :— তেংবানবা মপু ইবুংঙো, য়াংক্রেন থানা চাওবগী মশক লৌনা লৈরিবা, কল্লেনগী শুম কৌবা, ইমুং অমিদা

ভিন কত্তবা, লাই ফংতবা, শারোই-ঙারোই, নচা থম্মং ফিজোই লৌওনবী চংহনবিগন্ন, ইপা ইবুংঙো কুবিয়ু। (চেং-লৈ কংতুনা খুরন্বা)।

ফকতোম লাংছৈ শিদবা থৌনিবা।

লাইরোন :— লেংবানবা মপুনা য়ুমগী থোঙদা থোংঙাবেন কৌনা ঙাকতুনা লৈবিরিবা লাংছৈ শিদনম্মু কৌরিবা ইবুংঙো, য়েক্লবা কয়ানা লাকচ-খুত্থম চনবা ঙমদনবা নচা-নপুশিংবু ঙাকপিয়ু। থোংঙাক্লন কৌবা ইবুংঙো, থৌনিজরি কুবিয়ু। (চেং-লৈ কংতুনা খুরন্বা)।

চীংঙু অমাইবা মরাহনবদা থৌনিবা।

লাইরোল :— তেংবানবা মপু ইবুংঙোনা মরাহনবা কৌনা চিংঙু অমাইবগী মশক লৌনা শায়োনবিক্লা য়ুমগী য়ুম্বীরেন ওইনা লৈবিরিবা। মেল উগী উরেপ উপাস্থ ওইবা, নচা নপু পুম্নমক মতম চাদনা মপুই কোলদা থাম্বিগন্ন। লেংনা চান্না কোনবিয়ু থৌনিজে কুবিয়ু। (চেং-লৈ কংতুনা খুবন্বা)।

চেংহি চক্ক খিনফম য়ুগবীরেল অমুবদা থৌনিবা।

লাইবোল :— ইবুংঙো মুশিনমুবা কৌনা য়ুমগী য়ুম্বীরেল ওইনা লৈবিরিবা ইমা লৈমরেল শিদবীনা চেংগী মছিদা ভোংদনা তাইবং চাগী তাঙজিং থোম্লাং কংদনবা ইবুংঙোগী মা থৌগল্লিবা

চিংগু্গী ঙাংলৌ খাদা মীনম থানখ্রা খুৎশেম খোরাং হিকাপ য়াইকাপ অনম অহা চুহলগে খোরাংবা পুন্নমক ইবুংঙোদি খংউবনি। অতুনা পুন্নমক চংদনবা ইবুংঙোনা ঙাকপিয়ু খোনিজৈ কুবীয়ু। (চেং লৈ কৎতুনা খুরম্বা)।

মেল উরেপতা খোনিবা।

লাইরোল :— তেংবানবা মপুনা মেল উ কৌনা পুন্নমক উনা খংনা লৈবীদুনা ঙসি য়াইফবা কোরৌ নোংদা মায়গৈ ঙাকপা লাইগী মশক ওইবা খোয়ুম লাইয়াম অমদি লোইবী, লোইহল, লোইতোন, লোইনাও, লোইখম, লোইতোল, য়ুম্বারেল, উখোংলেন, থবাক খাং, সনা য়ুম্বী, খাংজেল, মাইগৈ, খাংজব, শেগা, সুকতু, খোংশাং, লোইপা, লোইমা, লোইচেং, লোইখাং য়াং, কুমদাং, ফক্লাং, উরা, শিংউৎ, রাচেং, পায়া পারে, উ-রা, ঈ পুন্নমক সুনা ইবুংঙোগী খোগম্লোন্দা থরায় পানবা অমগী মরাৎপা লৈত্রে। লাইনিংথৌ, লেমরেল, মৈ, ঈশিং, মুংশিং লৈবাক, অতিয়া, মীগা থানা ৬ সুনা লৈয়ে, পুন্নমক্তী মরুম থুপন তায়বং নচা নম্বুনা লৈজবা মতমদা অরা অনা তুরৈ ইরৈ চেলহনবীদু। (চেং, লৈ, ঈশিং কৎলগা খুরম্বা)।

কমজাও থাকমদা খোনীবা।

লাইরোল :— তাইবং নচা নম্বুনা কমজাও মরুম ঙাকুনা লৈজবা মতমদা মেল-তানা মাংশোক কমলেন কমদুনা ইচা ইম্বু

চাদা নৌদা পুম্নমক য়োকচবা মতমদা খোইজৌ মরা তাওদবা য়াখল ইরাং হৌদনবা সনা য়াইগা চল লুপা কোলগা থাম্নবনে য়াখলনা কোরৌ নোংলাংপাল অত্তৌবা পুক্লিংনা মলেম লৈসনা অঙাংবা ওইরিবা তায়জরি কুবীয়ু খুরম্না ।

নিংঙোল কাগী য়ুম্নীরেলদা খৌনিযা ।

লাইরোন :— ইমা, মপু লাংহে শিদবনু খোগলিবী । লাংহৈ শিদবী নচা নীংথা, পিবাগীস্তু মমা, নিংঙোলগীস্তু মমা ওইরিবী । মোংবা শক্লাইমুংসু য়াঙ্গোইরিবা, তাইবং মুমগী মমা ওইরিবী, ইমুংগী অরাংপা পুম্নমক পুশল্লিবী, লৈনবনু তকখৎবী, অফাবনু খোমজনবী, ফজবনু হুমজোকপি, নিংঙোল শিনাং তাহন্দবী, অফবা খিবিক শল্লিবী ইমা, নচানা খোগ-জগে খৌনিজে । (চেংলে কংজুনা খুরম্না) । অদুগা য়ুমগী নুপীনা য়াদেন গুমশিং (য়াজোইবী) পায়দুনা খোংজিন মমুংদা লেপ্লগা শং শং অহুম্নক নান্দুনা

লাইরোন :— ইমা ইবেম্মা নচাগী ইমুং অসিনা য়াংলিবা পুম্নমক অরাংপা লৈতনবা অরৈম্নু লৈশনবিরো, অখোনম্নু খোম-জনবিরো, অহুমম্নু হুমজনবিরো । ইমুংলোমদা খুং অহুম্নক খৎচম্নু । অদুগা মপান খোল্লগা মথারোমদা শিংথগনি ।

লাইরোন :— ইমা অমোংপা, কজবা পুম্নমক লাইজ ঈচেন মজুংইমা তকথবিরো ইমা । অকবনা শিংচনবিরো ।

লোইরগা মহনকমদা হন্দজিনগনি। শং শং অতম্নক নান্দুনা থমগনি। অতুদগীদি লাইনিংথৌ লৈমরেন্দা কৎপা অথেমপোৎতু থোংলগা লুক কৎতুনা লৈহল তমহুনা থৌনিজরগা মচা ঐখোয়সু তরা লুকমন কংগনি। লোইরগা লাইয়ামদা কৎপা অকৎশেলচু ইমোইন্নু কুঙ্গা লাইরুগী শেলকুদা থৌনিহুনা শিন্নগনি। অতুগা পোৎ পুন্নমক পুশনগনি। সুমিৎ ৭ নিদি পোৎ-চৈ অমত্তা মীঙোন্দা পীথোকপা য়াদে। মৈস্থ মুৎপা য়াদে, খদন-চৈনদনা সুংঙাইনা পান্নু মপুই থৌজাল কংহুনা।

৩১ শুবা

লাইগী শঙলেন শঙকাদগী থৌনম।

পোৎচন্ত:— শংলেন্দা কোইবা পুংবা লং অহিংবা তায়-রেল মনা পুনবা অমা, শংগী চুথেক ৪ দা য়ুংনবা কিয়াল ৮, কা লাকোই ৬, কৈরুক লাকোই ৬, মৈরা ৬, মেক্রেক ৬, চেং-লৈ. তাইরেল-পুংকাই, লং অহিংবা লংহুম ১, চকু মচা ৬, অচোবা ১, লাইনিংথৌ লৈমরেনগী চরৈ কি শেৎন-ইন্নবা. পুদৈ অতনবা ৩, অথেমপোৎ ১, কোথাং ১, কুবাবা পোৎলন ১. খয়োমগী মচাক য়াম থরা, থোলতা. তা তম্নু অচঙবা ৭, উচান

থরা, খোইজু লৈথাম, হৈকন-লাকন, অথুন-অহাও, চোঙ ২, শেকপি ২, থাঙ ২, কোনলেন ২, মুপী ৫, নিপা ৬, সনা কোনয়াই পু ১, অকৎলেল ১২ অসিনি।

লাইগী শঙলেন শঙকাবগী মরম থংনবা।

লাইগী শঙলেন শঙকাবা অসিদি লাই ঈ কৌরদা চংলিবা পোৎচঙদগী শঙলেনগী পোৎলম থরতনি তোপ্পা। মরম মঙং অয়াম্বা মায়ে। লাই ইকৌথৎলগা লাই লেংশনবনি। য়ুম অহনবা অচু কোকথোক শেংদোক্লগা লাই লেংশনবা পোইনা কায়দে।

লাই ইকৌবগী থৌরম।

পোৎচঙ-মওং :— খয়োনগী মচাক চেং থরা, কাফোই ২, লাংৱৈ মতোন ১৬, যাম থরা, খোংনেৎশেল ৫, ফৌগী কাবাক থরা, চোঙ ১, ভমাই ২, থাং ২, কোনশেন ২, কাফোই লফাং চঙ খোকপা ৪, কবোক অঘুম-অহাও, হৈকন-লাকন থরা, সনা কোমরাই, লুপা কোনয়াই পু ১, কুহীবা পোৎলম ১, অথেন-পোৎ ১, ফৌথাং ১, ভমু অচঙবা ৭, ভূচাল থরা, মেংক্ক থরা, খোইজু লৈথাম থরা, চকু অচৌবা ১, মচা ৪, খুদৈ অহুমবা ৩, লং অহিংবা লংদ্রুম ১, লাইনিংথৌ লৈমরেনগী শেৎন-ইন্নবা ফি, কধী ২, লা থরা, লাই গুনবা মী নিপা ৬, মুপী ৫।

লাই থেমগৎলবা চক্ষু মচা ২ অত্থু লান। মতোক পাম্না মখুম খুমগনি। মতোক্তা লাংথ্রে মতোন ৭ নত্রগা ৯ থেৎকনি। চক্ষু অনিত্থু নিপা অনিনা ওকশনদা কি খুদৈ য়াম্বত্থুনা কিশল্লগা হাণ্ডুনা পমগনি। অত্থুগা ঈশিংদা লম অনিমুক শাংবা লং অহিংবা লংজা ৭ ত্তিনবা মচিন অমনা ঈশিংদা, মচিন অমনা চক্ষু মমুংদা তাহল্লগা ইরি ওইনা লাই ইকৌগনি। অত্থুগা কোন, শেন, চোঙ, থাঙ পায়থুনা লাইনিংথৌ লৈমরেল অনিবু থৌগল্লগা লাইশং তাম্না লাকনি। কোম্থেংদা মৈরা ওকনি। লাইমাংদা পোং পুন্নমক থেনগনি। ইমাগী ইশাইক্থু মুপী অমনা ঈশিং শোক্লগা খুকউ থোংদনা থোঙ্গৎথুনা পুগনি। অত্থুগা লাই লেংশনগনি।

ঈশিং মপান্দা হৈ-লৈ কৎথুনা থৌনিগনি।

লাইরোন :— ঙসি হাইফরবা কে হৌ মুমিং অসিদা লাইক্ত ইতুংকোন লৈরাই মপান অনিদা লৈবা িন ফত্তবা, লাই ফত্তবা লৈবা পুন্নমক হাওরে খানা পাংবা রমদা চৎখ্রে। মহিক-মতাই নখাই পুন্নমক্তী চাকথা তমজ্জরবনি কুবীয়ু। (চেং-লৈ, য়াম ইশিংদা কৎলগা খুরম্বা)। মায়গৈ ৪ নু তায়গনি।

লাইরোন :— কেক্র, চিংখৈ, রাংব্রেন, থাংজিং মায়গৈ ৪ বু তাকপা লাই মরিমক নচা নত্ত শারোই পুন্নমক্তী শরুক তম্মবনি চারো। (চেং-লৈ, য়াম মায়গৈ ৪ দা কৎলগা খুরমগনি।

লৈথককী খয়োম লাকপা।

লাইরোন :— ঙেংবানবা মপু কোরৌ মরেল ৯ দা লৈরিবা অচংবগী মপু নোংলোন ৯ দা তায়জবি। খয়োমগী পোৎলম কংতুনা হুং, হুং, য়েং, হুং, ইফুং কেৎ কক্লচিৎ, হুং কিক তাকুক হুং মিং ক্ষং শং তারেং ঈয়োম্বা। লৈচিন পুচিন পুল্লে লেয়োম্বা। লৈহিং শং ইফুংথোক লৈয়াবা, মীবিং হিং লৈয়োম্বা ইবুংঙো নংবু তায়জরি। কোরৌ মুমিৎপু য়েংনা ঈশিংদা খয়োম লাৎতুনা থুরম্বা।

লৈথারোলদা খয়োমগী পোৎলম বংতুনা থৌনিবা।

লাইরোন :— ইমা লৈমুংবী, মুংলোনবী, লৈকুবী, মুংকুবী, লৈনম্বী, ইরুম্বী, লৈঙোনবী, লৈহিংম্বু লৈমারোন ৭ গুইরিবী তাইজরি কুবিয়ু। (মালেম মরোল ৭ য়েংনা ঈশিংদা কংলগা থুরম্বা)।

ঈশিংদা সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই চনবা।

লাইরোন :— হৌ, হো, লো, ঈ, আদোমবু ঈমা হলও, ইমুরোল ৭ মক ইঙেরোন ৯ মক ইথাবী ইরাম্বী, ইথা ঈনমনা তায়রবনে, চিংগু ইবুংঙো/ইবেমা ২ বু হরাও শফলেম তমগে, থোথোক কুমথৈনগে হায়বগী নদাইরেম নথুং খুমবুক্লেন অতাংবনা

লাইজ ইরোম্নুংদা সনা কোনগা কোলজনজরবনে । লাইজা ইরোম্নুংদগী সনা শংগায় মুংঙাইবদা হিরি তোংদম কানবা চিংঙ নকা কাবিরো হায়বগী লুপা অঙৌবনা কোরৌ নোংবু তায়জরবনে । মালেম লৈশানা অঙাংবনা স্না য়াইবু চল্লবনে । হৌ, ঈ, হৌ, হৌকরো হৌ, ঈ, হৌ, হৌকরো, হৌ, ই, হৌকরো । অস্নুম্না ঈশিং মমুংদা কোনয়াই চনগনি ।

লাই থেমগৎপগী মিকৌরোন ।

লাইরোল :— থরাই ৫ মক মীগা থানা ৬ মক কোরৌ মরোল ৯, মালেম লৈখারোল ৭ মক, লৈ, ঈশিং, মুংশিৎ, মালেম অতিয়া ৫ না থরাই অচংবা ওইরিবা, মীরেল হামফোইনদা থরাই হামচৎনদা থরাই নংবু কৌরিএ লা লা লা, মী মী মী, কুক কুক কুক, থরাই অচংবা ওইরে মীরেল অথোইবা ওইরে স্না শংগায় নুংঙায়বদা লেংখৎলশি । অস্নুম্না মীকৌরগা ইরি লংচু চকু মথক্তা হাপচল্লগনি ।

মায়গৈ ৪ দা হাইদোক্লনা ইশাইফু ঈশিং শোকপা :—

লাইরোল :— (১) থাংজিং অথাবা, (২) চিংথৈ অয়াকপা, (৩) রাংব্রেন অফকপা, (৪) কৌব্রু অশিনবা মায়কৈ ৪ মক্তী ফৎতবা পুন্নমক হায়দোকচরগা অথুম্বা, অশংবা, অহাওবা, ওইনম্বা, অচম্বা, অফবা, ইমুংগী ময়োলতবু লৌজগে কুবীয়ো । ঈশিংদা চেং-লৈ কৎলগা মায়কৈ ৪ ওলনা কিজম থারগা ঈশিং লোকনি ।

অদুগা থুকউ থোংদনা কোক্ত থোংনা পুজি। চৎলমদায়দা মৈ ওকনি। অম্মুম্না পুরকপনা কোম্বোংদা মৈরা অমুক ওকনি। লাইশাং মনাক য়ৌরগা থোংনেৎ শেল ও থাদুনা লাইপুং মী অনিহু নেৎহৎলগনি। অদুগা লেংশম্লবা মায়বনা হিগাগনি।

লাইরোন :— ও······ও···ও···লেও। (ময়াম্ম খুম্বা)

লাইরোন :— হি···হি···হি। (অমাইবনা)

লাইরোন :— ঔ···ঔ···ঔ···ও লেও (ময়াম্মা খুম্বা)

লাইরোন :— হিও···হিও···হিও। (অমাইবনা।

লাইরোন :— হি নংবু হোনদেদো লাইনিংথৌগী হে নংনি। হিও শমদে ফরেংঙা। হিও—হিও—'হুও হি নংবু হোনদেদে। লাইরেনবাবু হোনবনি। লাইনিংথৌ লাইরেনবা হোনবদি খুঞ্জানবা হোনবনি। ও···লাংগা হিহোম্লো চোথে কুম্মাং শিবানা লাপোৎ শিংপোৎ পুদুনা ও-ও ওলাংগা হিহোম্লো।

অম্মুম্না ৭ লক হোম্লগা য়েৎ ওই কায়হন্দনা থমগনি। অদুগা লৈ লাংগনি, চনিং-চমাংগী চেংবা হৈগনি।

লৈহুলগী মরম।

লাইনিংথৌগী লৈহুল ৯ হুনগনি। ইমা লৈমীলেনগী লৈহুলনা ৭ হুনগনি।

চঙ তাবা কুমিংতা নোংথক, লৈথক, লৈশারোন ও গী শারোই লাংথ্রে মপোপ ও না মফম ং থোক্লা থারগা থাংগনি।

লাইরোন :— কোরৌ থক্তা লৈরিবা কুমিং, থা, থরান-মিচাক, খোংজোমনুবী, শজিক-থাবা, ওপুরোই তাংকুংবেং, অপান-অরং পুম্নমক্তা লৈহুন চমজরি কুবিমু। কোরৌবু য়েংহুনা খুরম্বা।

লাইরোন :— মালেমদা লৈরিবা শিংথাবনা লোইডনদ্রবা, খোইগুম লাইয়াম পুম্নমকী চাকথা লৈরাং লৈকৎ তমজরি কুবিমু খুরম্বা।

লাইরোন : লৈমুং থারুং কাশেবা, লৈমুং খোংজিং নিংথৌবা, লৈমুং লোঙ্গা অরিবা, শিংথাহুনা লোইডনদবা, তিনবী তিনহল-তিনলুপ, লাইরুপ পুম্নমক্তা লৈহুন তমজরি কুবিমু। থা লৈরোলবু য়েংনা লাংথ্রেনা লৈহুল তমহুনা খুরম্বা।

নুংদাংরাইরমগী নোংপোক পাম্বোইবী অনিগী নাওথেমলোন।

লাইরোন :— নোংদোন কোরৌ ভানবম্ব অবাংবা কোরৌ মরোল মাপন কোই। মালেমদা নমু তাইবং মী, শা, উচেক, রাহি, মুন্তু, তিন-কাং থরাই পানবা পুম্নমক পাঙ্গল লোশিং পিবিহুনা ইচেল-ইহুন তম্বীরিবা কোরৌ নোংদোন ভানবম্ব চিংডু শিম্বা লোইহুনা নোংচুপ চিংলুথমদা চিংড যাংদৌ ইমা মালেম

লৈথারোন ৭ ফাওনা খোইয়ুম শিন্থা পাংঙ্গে হায়বগী শাথুপখ্রে। নচা নশু পুম্নমকস্তু ইমাগী নথান্নুংদা কোনশন্দুনা অহিংনোংশোইবা অনম অহা চুদনবা থল্লাই মিরেল হামচৎনদবা ইমাগী নথান্নুংদা চেৎন-চান্না কোনশনবিয়ু। ইমাস্তু নোংলেন চুপ্না হল্লাও মথোই তোং, থোথোক কুম্মৈনরুবগী শামা হাকচোক লাংডগনি। ইমাগা ফম্নেন্দা অল্লা চরৈ পোৎশাবিরো হায়ুম···হায়ুম···হায়ুম।

অমুকন্দী য়াকৈবা।

লাইরোন :— হয়াহে চিংঙু খোয়ুম লাইনিংথৌ, নোংপোক মালং হুমওইবা, মালং চৈরোইনবা, থাংগোল খোংনেৎনবা লৈম্নুং থারুক অশেবা মালেম লৈথারোল ৭ তগী কোনৌ নোংদোন ১ ফাওনা খোয়ুম শিন্থা পাংগে হায়বগা নোংপোক চিঙ্খৈ পাংবদা মঙাল তোমশোল চিল্লকএ। তায়বং মচা ওইবশিংবু পাঙ্গন লোশিং পিবীগে হায়না। নোংপোক ভানবা ইপানা মচাশিংবু য়াকৈবীরে। ইমাস্তু য়াকৈবীবো, ইপাস্তু য়াকৈবীরো, নচা-নস্তু পুম্নমক্লা থোগল ফংজরগে। চিংঙু ২ না শেম্লোই লংমায়চিংদা লংহুম লংনা পাল্লবনা মপল লাইরেন তাওবোইনাইস্তু মনা য়োইবু লাইরেম্মস্তু খোইয়ুম নামুংবীস্তু মমোম চেংলৌ শকউগে হায়বগী শেম্লোই লংমাই চিংদা কারকএ। ইমা লাইনিংথৌ লৈমরেন য়াকৈবীরো। (অস্তুম্না মত্তিক ময়াই থানা শকপা থুরম্বা)।



৩২ শুবা

শারেন কৎপগী থৌরম ।

পোৎচঙ :— শা নত্রগা ঙা অমা, সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই পু ১, মৈরা অমা, মেক্রুক অমা, হৈরুক লাকোই ১, ক্বা লাকোই অমা, চেং-লৈ, তাইরেন-পুংফাই, থাং অমা, নাহৈফু অমা, হৈকন-লাকন, অথুম-অহাও, অকংশেল অমা অসিনচিংবা ।

শারেল কৎলমদাইদা ঙাগা ময়াদা সনা, লুপা কোনয়াই চনগনি । চেং-লৈশু কৎকনি, থাংদস্থ চেং-লৈ কৎকনি । ঈশিংদা লৈ মনা ২ থাদৌ । লৈ মনা ১ অদু হেক থেংনবা মতমদা গি নন্দনা থাগু থাও ।

শারেল কৎলমদাইদা ঙা অদু মকোক্না লাইরোমদা ওনশল্লু । অদুগা অনম-অথৌ কোকউ ।

থৌনিরোল ।

লাইরোন :— ননাই……য়েক্তা পোকচবা……মমিং কোবা কোবানা ঙসি কোরৌ মুমিৎ অসিদা লেয়ে ঙাওই, শাগুইবনা মপুই থুৎথা হৈশিল্পা শারেন য়াদা চন, ঙাংলোখাদা থেন, য়াইফ মপোক পিবিয়ু থৌনিজে । থরাই অচংবা মিরেন অথোইবস্থ পিবিয়ু । হৈনা হৈশুং ও হনবিয়ু, হৈয়ানা য়াইদা চনবগুম হৌয়্

হৈয়ানা পালেম-পাম্থৌ ওইবিহুনা হিরুমুংদা লৈবিয়ু। লেমলৈ মানা য়াইফ মপোক পিবিয়ো পিবিরে, হিং চ্রিক চ্রিক চ্রিক কুক কুক কুক কোল্লবনে। ডাগী ময়াদা কোনয়াই চল্লগা লৈ কংপা। থাং অমদি ফম্বান্দম্বু লৈ কৎতুনা থুরম্বা।

থাওদা শোলগদবা।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ লেমারেন অনিগী ভাংলৌখাদা থৌনিজৈ। ওসি কোরৌ মুমিত্তা নোংপোক থাওদি চাক্রাই থাও ময়া ৭০০ পানবা থাও, ইমারেনদি নোংথাও তারেংবাঁ থাগা ময়াদা ইবুংঙো/ইবেম্মা অনিনা কাইদোংবিরো। থরাই পানবগী থরাই অচংবা পুম্নমকপু ইবুংঙো/ইবেম্মা অনিনা লৌশনবিহুনা মথংগী য়াইফা মপোক পিবিয়ো। তাইবং অসিনা য়াইফ-মপোক ফংজবগুম্না নদাইরেম অসিম্ব য়াইফ থৌজান পিবিয়ু হায়না হন্না হন্না থৌনিজৈ কুবিয়ু। ডাদা মি নন্দনা ককপা। মপুগা ফম্বান্দা চেং-লৈ কংপা থুরম্বা। (থৌজান ফংঙে)।



৩৩ শুবা

ইকোল হোংবা।

পোৎচঙ ঃ— হৈরুক লাকোই ৫, ক্বা লাকোই ৫, মৈরা ৫, মেক্রুক ৫, ফকলোং অমা, শেল অচোইবা ৭, লাংথ্রৈ মতোল ৫, সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই পু ১, চকপি লাইশম থরা, ঈরাৎফু অমা, লৈরি ৭, লাপোৎ ৭, লৈশং ফাইবোক অমা, লফোই ফাইবোক অমা, ফিরাল অমা, লং অহিংবা থরা, তাইরেল পুংফাই, হৈরম ৭, শিংপোৎ ৭, উচিরা ৪, অথেনপোৎ অমা, চেং থরা, য়ান থরা, কবোক অথুম-অহাও, হৈকন-লাকন, কবোক নাচল ৭, উতং পায়া, লা থরা, নাহৈফু অমা, লফোই লফাং চঙ থোকপা অমা. ফৌ লাকোই অমা অসিনচিংবা।

হৈথা-লৈথা মওং।

ইকোল ময়াইদা ফিরাল অমা য়ুংগনি। চুথেক ৪ দম্ফু ফিরাল অমমম য়ুংগনি। হৈরুক লাকোই, ক্বা লাকোই, মৈরা, মেক্রুকসু কৎকনি। ইকোল মফুংদা ফক্লোং অমা থাগনি। চেং লুক ৪ থোক্না থাগনি। ময়াইদা হৈ-লৈ পুম্নক থাগনি। ঈশিং তুংফুনা য়াত্রগা মথক্তা থাগনি। থারিবা অতুগী মমাংদা লারোন ৭ উপ্না থাগনি। মথক্তা চেং হাপকনি, মথক্তা লাশেং

৭ থোক্লা থাগনি। অতৃগী মথক্লা লকোই লক্সাং ১ হাপকনি। মমাংদা লৈরি ৭, শিংপোৎ ৭, লৈরম ৭, অথেম্পোৎ ১ থাগনি। শেম্বা শাবা লোইরগা মপুদা খোনিজবনি।

লাইরোন :— হুং সিদবা অপোকপা পোরেন পোকপা শাংলেন শাংপা লৈথারোন ৭ তগা তমপাক লৈরোন ওইবা মপুও। কোরৌ নোংলোন ঃ মক্লী লৈচৌরোল ওইরিবা মপুও, মালেম লৈপাক খমল্লাই য়াংপিও তমপাক লৈস্তুং য়াম্নীও শেমপাক্লা শেমপিক্লা পোকলিবাও মালেম তমপাক অসিদা ইপুং লোইনবা অপোকপা অকু অযোলবা ইরাই প্যুরেন ইবুংঙো নংনা ফাওবাবগা ওসি থাগী কোরৌ নুমিৎ অসি, লৈরাং লৈঙন তমজরি। মালেম লৈথারোন ৭ মকতগী লাইজা ইবেন ৭ মকুস্থ মালেম লৈমায় থক্লা ফাওরকও কোবৌ মপোল ৯ মকতগাস্থ কুৰ্নারকও, চকপি লাইশম থানা কোরৌ নোংলুমপান অঙোবনা মালেম লৈশানা অঙাংবীনা পাওতাকচরবনে কুবায় ননাইনা পোক্লিজরি।

ঈশিংদা স্না কোলয়াই, লুপা কোক্ষয়াই চকপি লাইশম কংলো। অতুগা হৈ-লৈ, লৈশং ফায়বোক, লাফোই ফায়বোক, চেং, যান, কবোক নাচন, লাংথ্রৈ মতোন ৫ লারোন ৭ তা য়োমলগা উঙং পায়ানা কারন লাক্লা পুল্লগা লাইজা ঈশিংদা লাকশল্লু।

খোনিরোল

লাইরোন :— কোরৌ নোংথৌ লাইনিংথৌ, তিল্লকোম, লাইকোম, তিল্লম-লাইরম, তু-খোং, ইকোন, পুত্রি পুম্লমক্লী মপু

কোয়রেন লাই, ইরাই পুরেন পুরিৎ লাইও, য়াইবী খুভম ওইরিবা লাইনিংথৌ য়োল্লবা কাদা ঙাকপিনি হন্না হন্না পুনেমজে কং কুহিং কুক কুক কুক। (চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা খুরম্বা)।

মসিনা ইকোলনচিংবা লোইনা হোংবা য়ারে। অতুগা করিগুম্বদা ইকোলদা মীনচিংবা তাত্নুনা শিবা তারবদি থৌরম অসি পাংলগা কোক্লনি।



৩৪ শুবা

উরেন উপাল হোংবা।

পোৎচঙ :— ইরাংফু অমা, উরেলদা শেংনবা ফি অমা, ফম্বাল অমা, মেরুক ৭, মৈরা ৭, হৈরুক লাকোই ৭, শেল আচোইবা ৭, ফৌ লাকোই ১, য়াম খরা, লং অহিংবা খরা, তাইরেন পুংকাই নাহৈফু অমা, কুইথাচুক ৪, আথেমপোৎ অমা, লাই ফিদোন ৬, ফম্বাল মচা ৬ অসিনচিংবা।

মরম পুন্নক অসি শেম্বা শাবা লোইরগা হেংবানবা মপুদা থৌনিজগনি।

লাইরোল : হেংবানবা মপু মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া ৫ মকপু ঈরাৎলা কোজরি। ঈকুম্নুংদা ঙাম্বোইবিয়ু ননাইনবু

পৌনিতে, হুং কুক কুক কুক। (ঈরাৎফুদা চেং-লৈ, ঈশিং ৫ রক কৎতুনা থুরম্বা।

লাইরোন :— ভেংবানবা মপু ইবুংঙো দৈ, ঈশিং, হুংশিং, মালেম, অতিয়া ৫ না মপুং ওইবা ননাই ·········য়েক্তা পোকচনা ········· মমিং কৌবমা ওসি যাইকরবা কোৎো নুমিৎ অসিদা উরেন উপাল অথোইববু ফিরোই ফিডাম তনজগে হাযনা থৌবাং তৌজরিব অসিদা রাংলেন মিকুপ মরুমদং ভেংবানবা মপু ইবংঙা সনা ফং নদা ঙাম্মোইদ্রিনু পৌনিক্তে।

ফগান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা থুবম্বা। চুক মথোং ৭ দম্বু চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুবমগনি।

পামেল উপালদা থৌনিজবা।

লাইরোন :— ওসি কোরৌ মুমিন্না পামেল উপাল অপোইবা মপোক তানফংলিবা, পামেল নংদি অচম্বা নংতে। নহানোং নুরাং ৭ লিবগী মমোম লাংলেন মচা ৬ কাঁ মমোম অহন যাংদৌ অতাম্বী কৌবী পলেম নমানা নংবু পোইবেন নপা শকেরা কোনা খোইজি মিহুন লাংনা কোরৌ নোঙ্গা তাল্লকপা মতমদা কেক্রুগী খ্যাংদৌ লমথাংদা নংম্বু তাইবং ফাওথিদো। নরা মতম ওইবা নংনা তাইবং মীরোন থোক্লা নংবু পোকপী পালেমদা হায়থিবদাই উমা-ঈদা খোজ্‌ল জিজগে উপা মশক তাকপিয়ু হায়রবদা পালেম মমা পোকমাবীদা লৈরোই-লৈকাইদা তাকপা ওমখিদে। নংবু

নোংদম ইপান থাখিবা হাওক্ত পাথঙ ৬ তি লোইনরক্লবা মরম্না তাকপা ওমথিজ্রবদা নংনা হায়খিবদনই, ইপা মশক থঙজ্রবা ঐনা তাইবং ওইনা লৈবদি পামজদ্রে । মালেমদা লেবদা লৈখা তানবনি, অদুনা ইমা নচাদি ইপা মশক থংজ্রবনিনা মকম এসিদা লৈজহৌরগে । ইপু লুরাং পুন্সিবগী লনন শিংবা ওইনা তাইবংগী অরাবা লানবিবা ওমজবা মপোক পামেল উনিংথৌ কোনা মকম অসিদা হৌজ হৌরগে । হয়েং মতম অমদা ইপুনা থেংনরগা রাকগে হি ওইনা শারগা তায়বংগী অরাবা ওাক্রমগে হায়রবদা নংবু পোকপা পলেম য়াংদৌ অপাম্বানা ফরে । পারি নংগী নীংবা থুংজরো, নংদি কোক্র শিমরি উমংদা পামেল উনিংথৌ কোনা হৌজহৌরো হায়না থৌজানবিরবদা পলেনগী থৌজান্দগী কোক্রগী উমংদা হৌবা কোরৌ ফংনা য়াংবা. মনা মশা পুংবা নহৈ-নরোং চুম্বা, শিদ উপান ওইরিবা নংগী নকম থুপ্না নমু তাইবংনা হিংজরিবা নচা ননাই তাইবংনা পামেল নংবু থুরমজে । পামেন নংনা নহৈ-নরোং চুম্বগুম চুমজগে, নংনা নশা মরেং শনবগুম শজগে । হো পামেন অথাইবা থৌনিজে থৌজান পিনবিয়ু । (পামেন উ মথোংদা চেং-সৈ, ঈশিং কংতুনা থুবম্বা ।

থোংজোমনুবী ৬তা থৌনিবা ।

লাইরোন :— ইমা য়াংদৌ অতাম্বী, লিকথা শাকশী, ডোং-চেংমুবী, মণি মমৌ শিনতাকবী, চিংচারোইবী, থরাতোন লুরাং

পুক্সিবগী মমোম নাখোষ্ট ৬ তা খৌনিজরি কুবিয়ু । (ফম্বাল ৬ তা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা খুরমজহনা মহনফমদা হঙ্কনবা, মাতেকঃদা তেশন্দুনা খৌজাল ফংজগনি ।)



৩৭ শুবা

শৌ শাবগী পারম ।

ফমতা থাদা শৌ তাগনি । শৌ শাবা চৎলমদাইদা লাইনিং-থোদা ফৌ থরা কৎতুনা খৌনিগনি ।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো, ননাই শৌ শাবা চৎচকগে, শোয়দভানদবা পিবীয়ু খৌনিজরি । (খুরম্বা)

লৌকম য়োরগা কৌক্রগী কাচিন্দা চেং-লৈ থরা কংলগা খৌনিজগনি ।

লাইরোন :— চিংঙ্‌ কৌক্র ইবুংঙোনা পিবিদা ফৌদি চারা অহু লোইমোন মরূ তাজরগে । মণিন-মকাং তাহনবিগন্নু, ফৌফৌ ফৌবাল ফহনবিয়ু । লোইনোন ফৌ চরোং চুমহনবিয়ু খৌনিজরি । (খুরম্বা)

চিংথৈগী কাচিন্দা চেং-লৈ কৎতুনা খৌনিজগনি :—

লাইরোন :— ইবুংঙো নোংপোক অপানবা, থাইরে শৌ তাবিরো । ননাই খৌশনজগে খৌজানবিয়ু । (খুরম্বা)

য়োং পায়দুনা লৈপাক থৌগনি : -

লাইরোন :— হো য়ানগে, নোংপোক ইপা লৌনি য়ানগে, হেনবা ইপু লৌনি য়ানগে, লোইমোম মউ ফনবা হো য়ানগে, খাংই মহে চুমবা হো য়ানগে, অডন ফৌবাকলো ওইনবা হো য়ানগে।

অমুম্না য়োংলৈ কাংদুনা ফৌ মরু ত্রাগনি। অদুগা চেং-লৈ কংচুনা থৌনিগনি।

লাইরোন :— ইবুংঙো থরমুং মপারি ফাংখোং ইবুথৌ, মালেমদা লৌ তাবিবু নচা পৌগনজগে।

লাইরোন : - (য়োং পায়দুনা) শেনলৌ লমদা হো য়ানগে. হাওমু খুনজিন্দা হো য়ানগে, লোইনোম মখল ১০৮ থানবা হো য়ানগে, তাইবং তবা পিবুক থম্মা হো য়ানগে।

অমুম্না য়াম্দুনা ফৌ মরু তাগনি। অদুগা অমুক শাম্হোং কাচিন্দা চেং-লৈ কংচুনা থৌনিগনি।

লাইরোন :— ইপা ইবুংঙো অহোংবা, লাইনিংথৌনা শায়োলবা, মালেমদা লৌ তাবিবু নচা পৌগজগে। য়োং পায়দুনা লৈপাক থৌগনি।

লাইরোন :— ময়াই লোইরেন পুংদা হো য়ানগে, অহোং অচাও ওইনবা হো য়ানগে, লোইমোম কৌকৈ লিংনবা হো য়ানগে, খুনকয়েমবু ওইনবা হো য়ানগে, অহোং কৈশু লিংনবা হো য়ানগে, তরা চাবা হাংতনবা হো য়ানগে, তরা চিঙাক মখল শুনা থানবা হো য়ানগে।

অমুম্মা লৌতারগা কৈক্রা কাচিন্দা হুম্বিন্দুনা থৌনিজরগা লোইগনি ।

লাইরোন :— চিংগু ইবুংঙোনা থোইয়ুন লাইয়ামদা পীবিবা কৌদি চারালো মকুনা মক পোক্তুনা কৌ মথল ১০৮ ওইতুনা তাইবং য়োক্লবা ইমা কৌওইদিনা শমু পাম্বোন চিংনা তোয়াবিরে, ইবুংঙোগী ভাংলোৎথাদা কৌদি চারা হন্‌ডক্লরগে । মথং কুনডাগী কৌদি চারা রাংতনবা থম্বীয়ো । (কৌ থবা তংবা অদুগা এন-শনগনি লোইরগা থুবনগনি ।)

মুম য়োরগা লাইনিংথৌদা পাওতাকপা ।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো ননাই লৌ তাডক্লরে, লোইমোম কৌওইর্বা ইমানা মারোই-মনাও, মচা-মশু য়াম্না লোইননা লাকনি হায়না লাইনিংথৌ কৈকুংবদা কৈ-কোং নকা চাওনা হন্দোকুনা থম্বীরম্মু হায়না তাকপিরকই, শোইবা য়াদে ইবুংঙো । (থুরম্বা) ।

লৌতাবগী ঈচেল থংনবা মরম থরা ।

১ । কৌদি চারা পিবা লাইদি কৈক্রনি ।

২ । সৌতাবা অহানবা লাইদি নোংপোক অপালবনি ।

৩ । কৌ মথল ১০৮ পুথোকপনা থম্মুং থোংডারেননা পুথোকপনি ।

৭। ফৌ মথল ১০৮ থাবদি শেম্লো ন্যাইদ, যানথোংনা থাবনি। মাগী মমিং পোইরৈতোনস্ব কৌই।

৫। ফৌদৈ, চেংকৈ লিংহুনা হোংনা চাওনা পানখিবদি অহোংচাওবা কৌই।

অস্মন্না লৌতারোন অসি লাইরম্বেন্দগী মীরম্বেন ফাওবা মওং মগং শমথহ্নুনা লৈরক্লবনি।

অহোং চাওবন। অহোং কৈদা ফৌ, পান, হা, মাইরেন, চুঙ্গাক, চনান, গেন, মঙ্গা, শিং, য়াইঙং মীনা চাবা য়াবা মথল ১০৮, মরু মরাং, মনা মশিং, উংগুল পাংবা মরি চংপা, চঙবা, লৈহুংবা তাবা মথল ৭মুনক লগী কৈশাং শাহ্নুনা কা কা নাইনা থম্বা মকম্ব লংলোই অহোংকৈ, পুরাই থুলকাম্লেন, চেংলৈ ৱাইম্নুহা কৌই। মৈদেনোংগী কৌরলো হায়বদা অরোং লমদাগী অহোং শাংবন চাওবা কৌবা নিপা তমনা থুল লিংগে হায়হ্নুনা মাগী লোইনবী ইন্নুং ভানবগী লেইননা লাক্লগা লৈপন-লাংথোং খোপতুনা হিংনবা হিংকোল কৌইখি। অস্মন্না পোং মথল শুনা থাবা মতমদা পোংথোক-চাথোক মরাং কাহ্নুনা লৈরবদা চাবা যংদবা মী কয়া লাক্লুনা মাগী মতৌ তম্না হিংকোল কৌইহ্নুনা লৈরে। মতম অহুদা মী পুম্নমক চাবা মরাং কাহ্রে মুডাইরে, পুল মকক লেন ৎইরে, অদুনা থুলকাম্লেন কৌরে।



৩৬ শুবা

লৌবুক্কা ফোগোবগী থৌরম।

থৌরমগী পে ২৫৬ মৎং :—

হায়েংদি ফোগোবা হুমংনি হায়বগী তুংদাংদা লাইনিংথৌনা অথেমপোৎ অমা, মৈরা অমা, মেক্রুক অমা কংদগা পৌনিংদগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো হায়েংদি লোইনোম ফৌ ফৌবিয়ু হনাইনা থৌনিজরি কুপ্পিনু। (খুরম্বা)

নোংঙাল্লগা লৌবুক্কা লৌরি কাপথবা মৈফদাম অমদা ফৌ য়েনবা ফক অমা থাগনি। অদুগা ফকচি ৪ নে, ময়াইদে, মফম ৫ দা চেংলৈ, ফৌগী চনম থাদুনা কৎকনি। অদুগা ফক্কী মথারোমদা লম অমারোম চৎথোক্লা থকথল অমা থল্লগা মথাদা ফৌবোন অমগী মথক্তা হুমাই অমা থারগা তায়রেন-পুংফাই, লাংথ্রে, হৈজাং, লৈশং, লফোই লফাং চঙ খোকপা অমা, কা মরু-মনা কৎকনি। অদুগা মমাংদা হুমাই অমগী মথক্তা লা লাতোন অমা থারগা চেংবা হৈগনি। মনা মশিংগী অথেমপোৎ অমদি ঙা শরেং, ঙাপাং-শাবাং, মৈরা, থোইজ্রু-লৈথাম থাদুনা কৎকনি। অদুগা লৌরি ইথোং থিংলগা থৌনিগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ শোরারেলনা ভারৈমা, থুমলৈমা, ফৌওইবী, ইরৈমা ৪ মকপু য়েংদুনা ইমোম ৪ মক তাইবংদি শোগ্লে, চিঙ্গাক্তি লৈতে। অদুনা ফৌওইবী নংনা ফৌ মরম ১০৮

পুখোক্লুনা তাইবংবু য়োকউরো, মোইরাং অকোংজাম্বা ফৌওইবা নখোয় অনিগী রারীনা তাইবংগী ফোকৌরোন ওইশল্লু। ঈরেমা নংনা তোরৈ তুশাং ইম্মা চৎলু। থুমলৈমা নংনা থুমগী থুমবং ঈকুৎ ফাওরু, ঙারৈমা নংনা ঙা মরম ৭ না মকোক ওইনা ঙা মরম ১০৮ পুখোকলু অরাংপা লৈংনা খৌশিল্লু হায়না তাক-পিরবদা মনোম ৪ না তাইবংগী য়াইফনবা ইমা ফৌওইবীনা নালেম থুংনা লোইনোম ফৌ মথল মথল পুখোক্লুনা য়েনবিরম্লগা লাইনিংথৌগী মফমদা হক্তাখি হায়। ৩ ইনা ফৌওইবী লৈত্রুক্কা কাচিন্দা লৈবা ফৌওইবী পুম্নক য়ুমদা কারশি। ইমাবু কোবনা লাওলাও হায়না কৌডগে। হেকপি ওকপু কৌবনা হোই হোই হায়না কৌডগে। কাংরৈ এলবু কোবনা বু বূ হায়না কৌজগে। লানাই চুংক ৪, মায়কৈ ৮, শুনদায় ১৬ তা লৈরিবা ফৌওইবী লাইরেনবা ইমাবু কৈরুংবা ইপানা নরোই-নপাং য়াম্না পুহুনা লাকুবা য়াদে হায়না ইমানা শকক শিংগেল লৈরাং, ঙাওজিং হৈরাং, হৈ মনম নাইবা, ঙাওজিং থুংফাং নাইবা চাবি-চাগৌ, অথেমপোৎ, শারেং শা চনবা, হৈকন-লাকন, অথুম-অহাওনচিংবা তমখিবনি লাকুবা য়াদে হায়না পাওশিরকই। হো ইমা নংবু কৌবনা লাও লাও হায়না কৌজগে লাও লাও কারশি মতম নহৈরে চংলশি লা লা ল, কুক কুক কুক। (কন্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

অদুগা লাংজিনা পেংৎশিংহু খোংডগা ফংবস্ত য়ারে নত্রগা মুনদা পোংলগা চাকস্ত য়ারে। লৌ য়ুবা লোইরগা লোপাক থুংনা

৩৬ শুরা

লৌ,ক্কা ফোগোবগী থৌরম।

থৌরমগী পেংচঙ মৎং :—

হয়েংদি ফোগোবা হুদিংনি হায়বগী হুংদাংদা লাইনিংথৌদা অথেমপোৎ অমা, মৈরা অমা, মেক্রুক অমা কংলগা থৌনিজগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো হয়েংদি লোইনোম ফৌ কৌবিয়ু মনাইনা থৌনিজরি কুবিন্নু। (থুরম্বা)

নোংঙাল্লগা লৌবুক্কা লৌরি কাপওবা ফৈদোম অমদা ফৌ য়েনবা ফক অমা থাগনি। অদুগা ফকচি ৪ নে, ময়াইদে, মফম ৫ দা চেংলৈ, ফৌগী চনম থাদুনা কৎকনি। অদুগা ফক্কী মথারোমদা লম অমরোম চংথোক্লা থকথল অমা থল্লগা মথাদা ফৌবোন অমগী মথক্তা হুমাই অমা থারগা ভায়রেন-পুংফাই, লাংথ্রে, হৈজাং, লৈশং, লফোই লফাং চঙ খোকপা অমা, কা মরু-মনা কৎকনি। অদুগা মমাংদা হুমাই অমগী মথক্তা লা লাভোন অমা থারগা চেংবা থৈগনি। মনা মশিংগী অথেমপোৎ অমদি ঙা শরেং, ঙাপাং-শাবাং, মৈরা, খোইজু-লৈথাম থাদুনা কৎকনি। অদুগা লৌরি ইথাং থিংলগা থৌনিগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ শোরারেলনা ভারৈমা, থুমলৈমা, ফৌওইবী, ইরৈমা ৪ মকপু য়েংদুনা ইমোম ৪ মক তাইবংদি শেয়্রে, চিক্কাক্তি লৈতে। অদুনা ফৌওইবী মংনা ফৌ মরম ১০৮

পুখোক্লুনা তাইবংবু য়োকউরো, মোইরাং অকোংজাম্বা ফৌওইবা নখোয় অনিগী য়ারীনা তাইবংগী কৌকোরোন ওইশনু। ঈরৈনা নংনা তোরৈ তুশাং ইমা চংলু। থুমলৈমা নংনা থুনগী থুনবং ঈকুং ফাওরু, ঙারৈমা নংনা ঙা মরম ৭ না মকোক ওইনা ঙা মরম ১০৮ পুখোকলু অয়াংপা লৈংনা থৌশিল্লু হায়না তাক-পিরবদা মনোম ৪ না তাইবংগী য়াইফনবা ইমা ফৌওইবীনা মাংলেম থুংনা লোইনোন ফৌ মথল মথল পুখোক্লুনা য়েনবিরম্নগা লাইনিংথৌগী মফমদা হঙবি হায়। ওইনা ফৌওইবী লৈক্রক্লা কাচিন্দা লৈবা ফৌওইবী পুম্নমক য়ুমদা কারশি। ইমাবু কৌবনা লাও লাও হায়না কৌজগে। তের্কাপ ওকপু কৌবনা তোই তোই হায়না কৌজগে। কাঃরৈ এলবু কৌবনা বু বু হায়না কৌজগে। লামাই চুংপেক ৪, মায়কৈ ৮, শুন্দায় ১৬ তা লৈরিবা ফৌওইবী লাইরেম্বী ইমাবু কৈরুংবা ইপানা নরোই-নপাং য়াম্না পুন্থুনা লাক্কবা য়াদে হায়না ইমাগী শরুক শিংগেল লৈরাং, তাওজিং হৈরাং, হৈ ননম নাইবা, তাওজিং থুংফাং নাইবা চাবি-চানৌ, অথেমপোৎ, শারেং শা চনবা, হৈকন-লাকন, অথুন-অহাওনচিংবা তমথিবনি লাক্কবা য়াদে হায়না পাওশিনকই। হো ইমা নংবু কৌবনা লাও লাও হায়না কৌজগে লাও লাও কারশি মতম ওইরে চংলশি লা লা লা, কুক কুক কুক। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কংতুনা থুরম্বা)।

অদুগা লাংভিবা পোৎশিংহু পোংওগা ফংবম্নু য়াৱে নত্রগা য়ুনদা পোংলগা চানম্নু য়াৱে। লৌ য়বা লৌমীগা লৌপাক থুংনা

চংত্তুনা ফৌ চরোং থুন্দগনি, ফৌগোরোন নিংশিংহুন'। অত্তুগা ফম্বাল থাবা ফোবোম্নে, ফক্কা থাবা চনম্নে, লৌপাক্কুগী থুনবা ফৌনে, য়ৈরগা খোইনিং মানবী, (হন্নুবা) স্নমশিং শারগা, লৈশংনে, হৈজ্জাংনে, ফৌনে, পুম্না লাইরেম্বী ওইনা কারক্কনি। য়ুম য়োম্নগা কৈমাংদা রাই তৈথোক্কুনা মৈরা, মেংলক, পোইজ্জ লৈখাম থাহ্নুনা খৌনিগনি।

লাইরোল :— লাইরেম্বী লাকমত্রা ং ঐ থানবা য়াদে তায়নং ইচা য়োক্কদবনি ইচাশিংগী মনিং থুংনবা ঐখোয়বু নিংজবগী মহে পিবীসি। কৈমুংদা ফৌ হৈজ্জলহুনা কৈথোং লোনগনি থেংক্কান ফংলে। লৌবুক্কা ফৌ কৌবা অমদি কোৎ লাইথুরম্বা ২ [illegible] থোরম পোৎচং লাইরোন অম্বাম্বা মামগনি। অকোংজাম্বা ফৌওইবী ২ গী রাম্নিনা ফোগৌরোন ওইগনি, য়াম্না শম্না হাপচরবনি মরমদং স্নুনবা ওইনা।



৩৭ শুবা

কোৎলাই খুরম্বা ।

পোৎসং :— লফোই লফাং চংথোকপা ১, অথেমপোৎ ১, শেল ১, শরেং ১, ভাপাং শাবাং, থুম মোরোক, অচা থাও, থোইজু লৈথাম, মৈরা মেক্রুক, লাংথ্রে, ভায়রেন পুংফাই, লৈশং, হৈভাং, কা মক মনা, চেংবা হৈনবা চেং থরা ।

হৈথা-লৈথা মরম ।

ফৌকৈগী মনাংদা, থকথন ১ থনগনি, মথাদা ফম্বান ১ থাগনি । ফম নগী মনাংদা চেংবা হৈনি । পোৎ পুম্নমক শেন শাফুনা কৎকনি অফুগা লাইথৌ হৌরগনি ।

লাইরোল :— ইবুংঙো লাইনিংথৌ কৈরুংবা চুকচাক চহাও পোকপা, চাইপ মুলনং পোকপা, হয়াই থম্পাক পোকপা, লোইমোন ফেবু পোকপা । ইবুংঙো নংবু ভায়রিয়ে । পোইমো লাইরেনবা ইবাবুম্নু ভায়রিয়ে । হোল্লিবৈগী হোলবদা ভমদবী চাওবদা ভমথে লৈতবী । কাইবী কোলাং লশিংজ্বা নম্বুগা য়াংগোইফুনা য়াভারিবা য়োক্তবু নংবু ভায়রিয়ে । ফৌকৌ খোলবু ভাবাংয়ো, য়োক্তবু পোইমোন লাইরেয়া । খুৎফাং চাংজো ৫ মা উপাল চৈরোং ওইথিবা । থাগী চদোন হায়বগুম নৌবী পোপকে ফুথবু ফুয়েলবী । নরোই খুৎলং তোইহৈনা শাবা ফক পৈরোগী ।

তাল্লা উমায় কোম্না খাংচি শাবীরো। থাগী চি পৈবগুন পৈবীরো থোংনাং শেকপী য়াদা থাং। মম্মা চাত্রেৎ হুনপুমাথোই পানবা থাং। য়েলত্রোই থাংগা য়াইয়ো ইবী ঙইত্রোই শংগা খোম্বীরো। য়োইবু নংবু কৌরিয়ে ফৌকৌ খোলবু তাবিয়ো। মরম মথা শুদে হায়বীনো, চিংগু অগুম্বী খোইয়ুম অচৌবী, নতিক নয়াই থাহুনা লোইশুমদবী। খংদবা মমি তন, উদ মপা লাক্লা থৌনিজরি কায়রৈ এনবু কৌবনা ব্রি ব্রি হায়না কৌজগে। তেকপী ওকপু কৌবনা তোই তোই হায়না কৌজগে। ফৌওইবী ইমাবু কৌবনা লাও লাও হায়না কৌজগে। কৈগী কৈমাই চোলহনবীয়ু। ফৌগী ফৌকৈ থনহনবীয়ু। কৈরুংবা ইপানা কৈগী কৈনিং মেনবীয়ু নচানা থৌনিজরি কুবীয়ু। ফম্বালদা চেং লৈ, ঈশিং কৎতুনা খুরম্বা।

লাইরোল :— কোংকি কোংথোং থিংবীয়ু। হিং নিং নিং নিং খুরম্বা। (থৌজাল ফংলে)।

মীশি-মীনা য়ুম্নাং-কৈমাং চয়েৎনবা।

করিগুম্বা ইমুং ১ দা মী ২-৩ নোংমদা শিবা তারবদি কুফাং চল্লগা পুম্না পোৎলোইবা কায়দে। মরম অমমা মতৈ, মকু থোক্পা হায়বদি শোক্লা পম্লবা য়াদবা মশেনদি নামুংউ য়াদে। তিলশোন লাইশোনদি মাগী মাগী মচা থায়দোক্লা শোনগনি। অতুগা লৈহুল অমদি লাম্ল-থৌরম, কুমওন, ফিরোইনচিংবা থৌরম কয়াদি পুম্না পাংথোকপা কায়দে।

করীগুম্বা থৌরম তৌরিবৈ নত্রগা থৌরম মুমিত্তা ইমুংমুদা শিবা য়াওরবদি তৌগদৌরিবা থৌরমতু লোইশনবা নত্রগা লেপ্লগা মথংগীদা চুম্না মথৌ মঙম তৌগনি। করিগুম্বা থৌরম মুমিৎতা শাগৈগী য়ুম মাংবা থোক্লবদি ইমুং অতু য়াওদনা থৌরম পাংথোকপা কায়দে। করিগুম্বা ঙসি হয়েংদি য়ুমশেংবা মুমিৎনি হায়বদা অনৌবা শাগৈগা য়ুম মাংবা তারবদি মথংগীদা য়ুম শেংগনি। অমনা য়ুম মাংনা মাংনা লাইগা থৌরম তৌবা ফংতে, লংজবা ওই। করিগুম্বা অমনা পোকপগী য়ুম মাংবদি থোইনা চিংনফম লৈতে। অঙাং পোক্লিবী মমাতু লাইগী থৌরমদা য়াওদ্রগা লোইরে।

অতোপ্পা অমনা লৈরি/লৈত্রে হায়বা অরেপ্পা পল্লেপফম খংদনা লৈরকপদা মতম শাংলক্লবা লৈবগী মতম হেল্লকলবদি মমং লৈতবা, চংনা নোঙ্গাখিবা কোরে। মাগী মথৌদি লাই-নিংথৌদা অথেনপোৎ কৎচদুনা অথোইবা মপোক ওইনা লাক্লবা থোনিজৌও অদুগা কোকলে।

ময়ুম পান্দবগী মথৌ।

করিগুম্বা অমনা ময়ুম পান্দবা মুপা/মুপী অমিগী মথৌ-মঙমদি লাম থৌরম য়েংদ্রিবৈগী মমুংদা মথোইগুম্না লৈহৌরবদা তেকশন হঞ্জন্দনবা কাশা থোঙ থিংবগী থৌরম অমা পাংগনি।

মীশি চাদবশিং ।

থৌরি য়ানবা, হু চাবা, উদগী তাবা, ঈশিংদা তারগা শিবা, লমদা শিবা, মী মওং চাদবা পুন্নমক লায়-থৌরম য়োঁদ্রিবঁদা তেক্কশন হুঞ্জন্দনবা মথৌ-মওম পাংগনি ।

য়েক ৭ কী য়েলহেন ।

১। মঙাংগী য়েলহেন্দি নিংথৌরেম্বানি ।

২। লুরাংগী উরেন লাবনি।

৩। খুমনগী তেরানি, শাবীদা ইপু থোকই।

৪। অঙোমগী অঙোম য়েনশিন্নি ।

৫। মোইরাংগী মোইরাং খানমনি। শেন্দ্রাংদা ইবেল থোকই ।

৬। খাবা ঙানবগী কৈশুমনি ।

৭। শলাই লৈশাংথেম চেংলৈগী য়েলহেন্না রানদেং থোই-বীনি

য়েক ৭ শলাই ৯ গী অপুনবা য়েনহেন্দি নোংঘংনি।

পোৎলম অসি নংগী নংগী তেকশন হুঞ্জন্দনবা থৌরমদা য়াওগনি। লফোই লফাং শি থোকপা অমা, খুদৈ মচা অমা, হৈরম ৭, লৈরম ৭, কবোক নাচল ৭, লং অহিংবা খরা, শাই তিন্থং ৭, লাঙোম হুই অমা শাংবা ৭, চেং খরা, 'লা লাতোন ১,

হৈরুক লাকোই অমা, ক্বা লাকোই অমা, মৈরা অমা, অদুংশেল অমা য়েক শলাইগী য়েনহেনগা চংগনি।

খুরমগদবা মফমদি মখারোমগী মাকথা চুরিদগী খুদুপ ১ চৎখোকপা মফমদা খুরমগনি। খুদৈ অদু লা লাতেন অমদা থুপ্তুনা থারগা মখুতা পোৎ পুম্নমক হাপকনি। য়ুম্বুগী মী অমনা উচান মৈরা অমা পায়দুনা মাইবগী তুংদা লেপকনি। মাইবনা মায় মখা চনুনা ফমগা খুবাক অহুমলক খুদুনা লাই খুরমগনি।

লাইরোন:— হে ইবেম্মা, য়েংখা গাংদোইবী, শাইজিন পোৎহবা, নংনা চুরিতাফমদা মৈরগা থম্মুং কীকোই লৌওনবী কোই হায়। শে শে মায় ঙনশল্লকও ব্রারি শাশ, শাগদোরিবা অসে তাইবং ঐগা নত্তে। চেংবা খুৎলো অমাইবা লাইনিংথৌগনি। হে ইবেম্মা নংনা তাইবং থরাই লৌবদি মনিং তৌবা য়াদে। খোংতারেন শিদবগা য়াথংনি। নোংদম্বা মপুগা নোংদমখোম্নি। মরম অদুনা য়েক্তা পোকচরম্বা.........মনিং.........কৌবা/কৌবীনা হন্দক নোঙাখিবা অসি মম্নুং মতম চাদে। অদুনা ইমুং-মম্নুং ঈ মরি পুম্নমক্কা লাইনিংথৌ ইবুংঙোগী ঙাংলোখাদা চংঙখ্রে। ঙসি নংগী মচিঞ্জাক লাইনিংথৌনা তম্বীরে। পোৎ অসি পুদুনা চৎলো অমুক হঙ্গনবা য়াদ্রে। ঐনা হায়বা নত্তে, লাইনিংথৌনা হায়রনি, লাও লাও য়ুমজিনা, শাইজিন্দা, চুরি তাফমদা অমুক মৈরগমু। হঙ্গনবা য়াদ্রে লোৎকগম্নু হৌংহলো, লা লা লা

কুক কুক কুক, শে শে, ইমুং অসিগী মহুৎ ফিরোই-ফিঙাম থারে। মথক্তা লেংখৎলো পোৎ পুম্নমক চাবিরো। হৌজিক্তি ননিং থুংনা চাবিরবনিনা খম্নুং নরৈবাক্তা থিল্লগে হল্লো, লাইদি অরেপ্পনি য়াশক্লরসি। মাইবনা খুং য়েংনা থাং পায়গনি।

লাইরোন:— শে শে, সোরারেন থাং চিন্নাইবা, ময়া লিশিং চাতরেং পানবসিনা খৈনরশি (লৈই।।।।) অসি হায়না ঙইগী থুংনা লা লাঙোন অচু খরা চিংথোকপা, অদুগা য়ুম্বু মাঙলোমদা মৈরা থানহনগনি। অদুগা লৈই ৭ চিংগনি, মমাংথোং থিংগনি। অদুগা ঙিংগোল মৈরম কাচিন্দা খুবোম লুবা, খুবোন পাকপা কোম অমা তোরগা ফুমগনি।

ফুমবগী মরম।

পোৎ পুম্নমক মাই মথা ওন্না থাদরো। লাঙ্গোম ৭ না কোয়না য়ুংঙো। মরক্তা শাই ভিষ্ণং ৭ না য়ুংঙো। অদুগা লং অহিংবনা ৭ লক কোইরগা ফুমগনি।

লাইরোন:— শে, শে, খম্নুং থোংঙারেন শিদবা অশিবদি নংগী থুংলাইনি। লাইনিংথৌ সনামহিনা থরাইগী মহুৎতা উশিন পোৎ পিরকলে। ওসিদগী ভেকশন-হক্কনবা য়াদ্রে, কীকোই লৌওনবী থাবিরক্লু। শাই ভিষ্ণংনো ফুকলবা, লাঙ্গোম্না হৌরবা, হুমিং চয়োল ৭ না মুংলবা মঙমদা হল্লকও নক্কবদি হল্লকপা য়াদ্রে লাইনিংথৌগী য়ারানি। য়ুবুনা লৈপাক মথারোমদগী

খেৎচনবগা লোয়নমা মাইবনা অরাংলোনদগী লৈবাক খেৎচনবা অদুগা মথক্তা লৈই চিংগনি।

লাইরোন :— মথা লৈশা তাও, অরাং শিশা তাও। মরক কুমায়ত্তেক, কুমায়থিং, খিং-খিংলবনে। (লৈই। । । ।)। অরোইবগী মাপান্নোনদা চিংথোকনি। অদুগা ঘুমুনা খোংনা অক্তনলক নেৎশনগনি। হম্মা য়েংদনা লাকও, স্নেকশীন-হত্তন্রে, কোকলে।



৩৮ শুবা

চহি শুদনা শিংগী কাশা থোঙ্খিংবা।

পোৎচং :— মংগী কৈজোন, কোকয়েং, ইমাগী, ফনেক, ইম্নবা ক্রি, ফম্বান অমা, লফোই লফাং চংথোকপা অমা, কৈরম ৭, লৈরম ৭, মৈরা অমা, মেক্রুক অমা, হেক্রুক, মালোক্সাই অমা, কা লাক্কোই অমা, চেংলৈ থরা, তাইরেন পুংফাই, লা লাত্তোন অমা, চেংবা হৈনবা চেং থরা, লাই ফদবী অমা, হ্রাক থোংনবা চকু-উয়ান মচা অনি। মফমদি উরেল মখোংদা ফম্বান লাংদুনা কৎকনি। লাইফদিবী অত্তু ইমুংগী কারন্দা থম্মো। শেম্বা-শাবা লোইরগা থৌরম হৌরগনি।

লাইরোন :— হু শিদবা মাপেন শয়া লৈবিরিবা অচৎ চৎতা পুয়মক্কা মপি-মপা ওইরিবা চিংঙ্ ইবুংঙো অপানবু, ননাইনা ঈরাৎ-খোইরম তৌদুনা কৌজরি লেংশনবরো। ননাইনা শেমডরিবা ফম্বান অসিদা ভাম্বোইবিয়ো, হায়জনিংবা হায়জগে, নিজনিংবা নিজগে। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

লাইরোন :— ইমা লৈমরেন চংখোনবী, ইমা পাম্বোইবী, তেংবানবগী ইমা ওইরিবী, নচানা ঈরাৎনা কৌজরি, ফম্বাল্লাংদা ভাম্বোইবিয়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

লাইরোন : চিংঙ্ নোংপোক শিদবা ইমা ইবেম্মা পাম্বোইবী ইপা-ইমা অনিদা ডসি য়াইবা কোরৌ মুমিৎ অসিদা .... য়েক্কা পোকচবা .... মনিং কৌবনা হায়জনিংবা হায়জগে, নিজনিংবা নিজগে হায়না ভক্কা চরৈ য়েৎ, ইয়া নাপী চিক্কা চংজরি, চিংঙ্ পলেম-পম্বৌ অনিনা থোজানবিয়ু। নহাননোং লৈহৌ, নোংহৌ লৈশেন, থুনশেম, মীশেমডৈদা চিংঙ্ ইবুংঙোনা থৌজাল ইরিক ইথাইবদা ইমা পাম্বোইবীনা পায়মা খোইদাদবনা তরংলক্কা খোংগাওনখিবা মাংডসমু থনখিববু মাংবা য়াদবা পোৎ ওইখিবনা মালেমদা পায়থখি। মতম অদুদা ইমাদা চিংঙ্ ইবুঙোনা তাকপিখি। হায়, হায়, ইবেম্মা, পোৎ অসি লেম্মা মাংবা য়াবা নত্তে। নচা ওইগদবনি কৌখৎলু মালেমদা তাবা য়াবা নত্তে। চিংঙ্গী য়ান্না তাবনা ইমানা সনা হকচাংদা কোনখৎপিদুনা কাশা হায়না কৌখি। মুপা ওইনা পোক্কে ননিং হম, মুপী ওইনা পোক্কে ননিং তননজরো। নংগী নহিংবু অপুম্বী শোরেন্দ

কৌরগে, কাশা য়ুনগায়বস্মু হায়রমগে। তাইবং য়ুমদা ৫ৎ-নৈবুনা চারুরো হায়না ইমাগী য়ারা পিবিখি হ.য়। মতম অদুদা চিংডু লোংপোক সিদবনা তাইবং মুৎপা তারে হায়দুনা কন্ননবা প রৈ হনবা রাবু চানবিয়ু হায়না তাকপিখিবা। খুদক্তা ইমানা মচা কাশাবু য়েংদুনা তাকপিখি। শে. শে, ইনা রা হায়গে, নাপলনা কন্থুবা তাইবংদি শোকটবা য়াদ্রে। তদুবু ইমাগী রায়াস্ম কায়কদে, কাশা নংনা তাইবং য়ুমদা চংদুনা অপুম্বী শোরেল ওইনা পোকম শিরা ৫ৎ-নৈবা হৌরকপদা লৈবাক মাইবা থুরাইতাং নিংথৌ মাইবা চিবাইতাংনা চরৈ ফিনা কাশা নংগী শকুম শাদুনা চংবা লাংচান্দা হাপ্পুনা ইচাগী শরুক তম, লাইগী থৌরম পাংলবদি ইমুং অদুদা অমুক চংবা য়াদ্রে। কাশা থোং খিংলবনি হায়দুনা ইমানা তাকপিখি হায়। মনাই এস্ম থংজাদে, ইপা ইপুগী য়ারানি। ইমা ইবেম্মা চিংডু পম্বৌ অনিগী সনা মাংদা লৈতিউদা মনাই .... মমিং কৌবগী ইমুং অসিদা ওৎ-নৈরিবা অপুম্বী শোরেল কাশা হায়না খংনরিবা নত্তাবু কৌথোকপিরো, লাইগী থৌরম পাংবিবো। চিংডু পম্বৌ শিদবনা ইমুং অসিদা অমুক চংবা ওমদনবা কাশা থোং খিংবিরম্মো। মনাইনা ওক্তা চরৈ য়েংনা থৌনিজরি কুবিয়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎদুনা খুরম্বা)।

ইমুংদগী লাইফদিবী অদু পুথোকুনা ফম্বান মমাংদা থমগনি।

লাইরোন:— শে. শে, লাইফদিবী নংনা নখোং পান্দুনা হেক চেংলবা নপুগী য়ারা কায়রে থংনসি। নংনা নখোং পান্নবা

মতমদা হল্লকউ নত্রবদি হল্লকপা য়াদ্রে, মপুগী য়াৱানি, শোইফদবা ৱানি। লাও থিল্লগে মপুগী নাক্তা। পোৎ পুম্নমক য়াঙ্কোক্তা হাপ্লগা তোরেল ৱাংমা নত্রগা শোরোক্ ৱাংমদা ফ্লুমগনি। অত্তুগা লাইগী ঐমাংদা লুক ৩ কংকনি।

লাইয়োন :— চিংঙু ইবুংঙো/ইবেম্মা অনিনা থৌজানবিত্তুনা ইমুং অসিগী অয়েংপা পুম্নমক কোকপিরো, মতুংদা অমুক চংহনবিরগনু। য়েংনা লৈবা পারৈ ওইনা হনবিরো। ওইনা লৈবা পারৈসু য়েংনা হনবিত্তুনা নতেকমদা তেবিরো, নহনফমদা হনবিবো, শঙ্জিক মপৌ লাংদা, থাবাগী ময়াই চাইদবা পিবিরো থৌনিজে কুজিয়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কংলগা থুবম্বা)। কোকপে।



৩৯ শুবা

অশি থৌরম নোঙ্গা পারৈ।

শিবগী শঙ্ক শনবগী মরম উরোং মফম্ থৌনিবদি য়ুন মলাং শঙ্গোই অনিগী মেল উরেপ্পুগী মথারোমদা থরা চংথনা কৌক্ল থংবা মথোংদা পিগনি।

লাইরোন :— ওসি কোরৌ হুমিং অসিদা থাংজেনফম ৱাথোকপগুদা অমল য়াত্তাববু ওাইরিবী ইমা ইবেম্মা মিংলেনবু

লৈনপফা লৈহিংন্নু কৌবী নচা·········মমিং কৌবনা অমন য়াতা-নবগী উরোং মফমবু নিজরি ইমা (খুরম্বা)।

উরোংগী উথুল মফম পীবা।

অহানবা মখোংদা কৈক্রুদা থা মচেৎ, অনিশুবা মখোং চিংখৈদা কারল, অহুমশুবা মখোং মৈরমদা ফিরাল, মরিশুবা মখোংদা শম্ফোং O থমগনি। অম্নুন্না পিবা লোইরগা উথুল তৌরনি, উথুলগী মনুংদা থা মচেৎ শাবা অমা য়েঙ্কনি।

শগুগী মরম থংনবা।

১। কৈক্রুনা উরোং মপু নোংলোন শিংকাপনি।

২। মৈরমনা তরং য়ুমথকনি।

৩। শম্ফোংনা তরং মউনি।

৪। চিংখৈনা তরং শিংকাপনি।

অশি থৌরমগী চংগদবা পোৎলমশিং

পোৎচং :— থকথল ১, তুনাই ১, উচিরা ৪, মৈ হাপ্পবা চক্নু ১, ঈশিং শোক্নবা চক্নু ১, হৈরুক লাকোই ৩, কা লাকোই ৩, অকংশেন ৩, মৈরা ৩, মেক্রুক ৩, চেং লৈ শরা, মালেমদা হুন্নবা হঙ্গাম মরু থরা, তাইরেন পুংফাই নাহৈকু অমা, লং অহিংবা শরা কৈজুপ মরোন ৩, মাইথা মরোন ৩, খুয়া শেন, লুথুম শেন,

চান-থক্নবা থুম-মোরোক, মনা-মশিং, চেং-খাও, ঈ মরিগী মী অরৈবা মরুপ-মপাং, মৈ থানবা শিং মরম ৭ কী শিং মশিং ৩৬০, শিংখন ২১, উয়ুং ৬, কু ১, পন্দল্লি ৫, লৈগী মোন খাংনবা অমা।

মপানদা শিং শেম্বগী মরম।

চহি অমগী মুমিৎ মশিং ৩৬০ না শিংগী মশিং ওইদুনা মুমিৎ চয়োল ৭ না শিংখল ওইনা শিং ৫১ হাপ্পা খুদিংগী থনবনা ৭ লক শুবদা শিং ৩ লেমলিবা অদুনা হকচাং তাইবা ওইনা নাক-য়েং, থক্তা হাপকনি, মতম ৩ গী মশক লৌনা।

অনাবগী লুখুমদা কপ্পান অনা থাদুনা মৈরা মেক্রক, হৈ-লৈ কংদুনা থৌনিগনি। লাইনিংথৌদস্থু কংদুনা থৌনিগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো অচংবা তাইবংগী অনাই-বদি মারহনবনি হায়। অশিবগী অমাইবনা থম্মুং গোঙারেলনি হায়। অশি অচং পুমমক্কী অমায়বনা লাইনিংথৌনি। ইবুংঙো ননাই·········গী থৌগল চংজগে, ইবুংঙোনা অচুম্বা লম্বীদা লম-চিংবিয়ু ননাই করিস্ম খংজদে। (থুরম্বা)

অমাইবনা লমবী তাকপা।

লাইরোন :— ওসি কোয়ৌ মুনিৎ অসিদা······নংনা কংলা মাইবুং খোইদোদগী কারণা নমুল মরিন চৎকদবনি। অদুনা মাইবী নংবু কংলাগী রাংত্রেন খুরুম্মু। অদুগা লাঙ্গৌন চিংশাং

কারগা হন্নু কোকতাও হন্নু লৈখন লৈরমগনি । অহুবু খুরুম্নগা খোংহামপাৎ য়ৌরগা ইরু মায়ঙা, কিন্নু কিজাম লোইরগা মকুই মুংওলচিংগী চিংদোন লোমগনি । মক্কম অহুদা ঈশায়িফু ১ লৈরমগনি, অহুদগী অশেংবা ঈশিং থকলগা .... মীরৈবাক্কা লাইরৈবাক্কা ২ থংগনি । মতম অহুদা মীরমলোম্না তুংওইনরগা লাইরৈবাক্কা মাংওইনরবা মতমদা মুংশি মুংওন পোকলক্কনি মতম অহু য়ৌরবদি খমনুং তুবী নিংথৌ লাকলগমি, অহুগা খমনুং তুবী নিংথোনা নংগী খুজেং পাল্লোইনহুনা হৈবোক চিংশাং কাগনি । .... চিংগী চিংদোন লোনলগা চিংথৈ য়াইকু নিংথৌনা খুজেং পাল্লোইনহুনা, নোংমাই চিংদোল লোমগনি । অহুগা মায়গৈ ৪ পুরিবা নোংপোক নিংথৌ পালথোইবী ২ ফংগনি । ইবুংঙো ইবেম্মা ২ গী থৌজান্না অশেংবা লম্বা তাকপিগনি । তাকলিবা লম্বী অহুদা নংগী কৈরাক ৩ লৈরমগনি । কৈরাক ৩ অহুগী মমুংদা ময়াই থংবা ঈশং অঙেংবা কাবা কৈরাক ১ য়াওরমগনি । মহুদা কারগা কৌক্রু চিংদোন লোনলগা মতাং মরু সিদবনা ঙম্নু থংগোং ওইনা লৈরমগনি । ....

মতাং সিদবনা থৌজানবীহুনা নহাক্কী য়াইবী থরাইবু মাদং য়াংবী ওক্কা হাপতুনা পুরগা থরাইগী মচাক পুম্নক্কা ত্তিল্লবা কোরৌ নোংথৌ অরাংবা চয়োল তারেৎনা ফিথুপ ওইরিবা অরেম্মা ১ কৌবা ফিথুপ্তা নংগী নিংজবা মতুংইন্না, তায়বং পালবা মপুগী ঙাংলো থম্বাল লৈকাঙম্বদা ত্তিম্রবগী ময়াই লমথুন শুমদোং-পালদা ...... নংবু খোংশাম্লবনে হয়ি অরেম্বদা হয়া লেংদবীনা সিম্নবীরে । হয়ি হে হয়া কোল্লোই হয়ুন, হয়ুম. হয়ুম, য়াইকরে ।

······মপালদা পুথোকঅনদায়দা য়ুমগী লাইনিংথৌ লৈমরেন্দা থৌনিজগনি।

লাইরোল :— লাইনিংথৌ লৈমরেন ননাইনা ইপা ইমা ২ গী সনা শংগাই থাহুনা মতম থরা মংইনাক্তা চংচরুথিগে থৌনিজরি; অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীয়ু মপুইকোন য়েনবা (খুরম্বা)।

য়ুমগী থোংঙারেল তাইজবা।

লাইরোল :— থোংঙারেন সিদবা লাকপম্ব ইবুংঙোগী থোংদা লাকপনি। চংথিবম্ব ইবুংঙোগী থোংদা চংপনি। হয়েং লাকপম্ব ইবুংঙোগী থোংদা লাকদবনি চংগদবনি থৌজানবিয়ু (খুরম্বা)।

চুরি তাফমদা খুরমবা।

লাইরোল :— কাশা অশেন অশা হৈবী পিতায় থোংতায়বী মপুই কোলফাওবা ইমা লমজিংবিয়ু (খুরম্বা)।

শঙ কোইবা।

য়েংওইননা অমুক কোইরগা শংগী মমাংলোমদা চংগনি। থোকপনা নোংচুপলোমদা থোকনি। কোক্লা অরাং ওনগনি। পুথোকপা মতমদা থোংন্না মাং থাগনি। মায়থা মরোল অহুম, কৈজুপ মরোল ৩, চানবা মন্না-মশিং, চেং-থাউ, থুয়া লুথুম শেল কুগী মঙ্গুংদা হাপকনি।

থৌরমগী মরম খংনবা।

শণ্ডগী অয়াংদা লং অহিংবা তিংগনি। উরেল ১ থাগনি, মখোংদা কম্বাল অমা থাগনি। মৈরা অমা, মেক্রক অমা, হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমম্ব থাগনি।

অশিবা ঈরুবিবা।

ঈশিং অছুদা ম্না-লুপাগী মচুৎ শিম্না চেং মরু অণ্ডাংবা অমা, অচৌবা অমা হাপ্লগা শংগী মনিংলোমদা মৈহুম অমা থাহুনা ঈশিংছু লুশ্মো। অছুগা ঈশিংদা নাশয়োম মিংথৈ শোম্নগা ঈরুবিগনি। লোইরগা হকচাংগী মফম ১২ দা লৈশা নম্বগনি।

লাইরোন :— অতিংশয়া অতিংকো য়োম্মে হায়দোকপিরো অতিংকোনা অমম্বনু য়োম্মে হায়দোকপিরো। অনহনা মুংশিংপু য়োম্মে হায়দোকপিরো। মুংশিংনা লৈচিলবু য়োম্মে হাইদোকপিরো। ঈশিংনা লৈবাকপু য়োম্মী হাইদোকপিরো। সো হং সো হাংলবনি। (ঈশিংদা শোম্নগা খিকতোক্লনি)।

পুথোকঅমদাইগী লম্বী তাকপা।

লাইরোন :— থাংণ্ডনকম য়াকা য়াপোকশংদা য়াভারিবী ইমা নংগী নখোংথাদা মদিং......... কোবা নচানা তাইবং চিঙ্গাক লোনহুনা য়াইবী থরাইবু হৈরাংগুম মশিং পান, লৈরাংগুম লৈকন তম, য়াইবী থরাইবু শিন্নজরবনি। (উরেন মখোংগী কম্বালদা চেং লৈ, ঈশিং কৎহুনা থুরম্বা।)

মপূদা থর।ই মওা শিন্নবা।

লাইরোন:— লৈনুং থারো লাই হাৎপিনা লৈনুং থারো লাইহাৎলে খুলবী মুংখোং চিংগী লিলি নাওশংচাদি থমুং তাংগুরু শনশেনবনা চৈরুল মথুৎশুনা চৈবী তেমথেংলে। অতুদা কংলৈ লম্মা হনবগী লাইদি ওাম্ন পুংখোংবনা মেনোং থাংশাবদা, মমুং থুংনা চৈকুহোরে। মচেম কপ্পা চবূল হোরে, অতুদা চিংবল চারম্লাইদি চিংজেল নারল পাঙ্গনবনা পাইমা মনিংশানা চৈবা তেমথেংলে। অতুদা চিংখম চাওপোকলাইদি কুরুমলেমা থাংলেন বাংনা হাইগৎতুনা লোংনা নম্রে। অতুমুংগ।বু থমমুং শারা তানখ্রে, মমিং·········অমন-শিংগুমথ্রবা য়ারা চেংতাচা অনি য়াওনা মালং মুংশিং শিদবদা লৈনম ওইনা তিম্নবগী অরেপ্পা মপুদা কৎচবি। হুং ঈং হুং শং তারেং ঈয়োম্বা সো সিদবা তায়জবি কুবিয়ু। (উরেন মখোংদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)।

ঈরোক কোমদা ইয়োকপা।

লাইরোন:— উং ঈকুৎথোক লৈয়াবা মীরিংহিং লৈয়োম্বা, তরং লাইতা অরুবদা তিনথ্রবা ·········না ইমা লৈবাক লেংদ্রবী সনা কুলোং লনগুম্বী লৈরোন ৭তা নোংশাবী, লৈথ'রোন ৭, নোংলোন ৯মকী ময়াইবূ নংগী শেক্লিংদা য়াইকা মমুং ফারিবী, হুং শিদবী লৈতিনশং, লৈহিংমু, লৈনপক্কা কোবী ইমা নংগী মকমদা নমাই ······ গী শমু হকচাংবু শিন্নজবি। (উরেন মথেংদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরম্বা)। মশিদা শুমাংগী মথৌ লোইরে।

শঙ শিবগী মরম।

অহানবদা নথক পাংথরগা মৈরমগী মখোং ফুব্লগা মতোলনা নোংচুপ ওন্না থমগনি। অনিশুবদা শম্বোংগী মখোং ফুব্লগা মতোন্না নোংপোক ওন্না থমগনি। অহুমশুবদা কৈক্রুগী মখোং ফুকুনা মতোন নোংপোক ওন্না থমগনি। মরিশুবদা চিংথৈ মখোং ফুকুনা মতোন্না অরাংলোনদগী নোংচুপ খা লৈরকুনা মতোন্না নোংপোক ওন্না থমগনি।

পুরীগী মরম।

শাম্বাংনা মাঙ থাগনি। মৈম্না তুং থংগনি, মথক্কী শঙমাই অখাংনা তুং থংগনি; মখানা মাঙ থাগনি।

লমম্নাই কাদা খিনবা।

কোম্বাংদা হৈ-লৈ, মৈরা-মেক্রুক কৎতুনা থৌনিজগনি।

লাইরোন:— ওসি ...... না মীরয়েনদগী লাকুনা লাই-হমলেন্দা থিম্লবগিনা কোম্নোন কোম্বৌ কৌবা ইবুংঙো চৎপম্ব ইবুংঙোগী খোংদা চৎপনি, হয়েং লাকপম্ব ইবুংঙোগী খরাই পোজান্দা চংজগে। লখী লান্না চংজরোই, কহুনা পুম্নমক ভাকপিয়ু থাইজরি কুবিয়ু। (খুরম্বা)

কোম্বোং লোনগনি, চংহিং থিংগনি; কোরৌ মালেম অনি কাওনবা শিংথাকন য়ৌরগা শিংখল ৭ না: লৈরোন তায়, চুক

৬ না য়াইবী মহুৎ শিন কোংয়াং উচিন্নান। পারি কারন লাক্কুনা নোংলোন ওইনা শেম্লিবা ময়াই কোইরেন থকপু য়েৎ ওইনন। কোইরগা খুরমগনি। অতুগা মথক্তা থাঙ্গংকনি।

লুখুমগী ইয়োক কোমদা থৌনিবা।

লাইরোন:— উং হয়ি হয়াহে চিংগু খোইয়ুম লাইনিংথৌ তুহিংগাং তরংবা, পহিংগাং তরংবা, তুহিংচি তরংবা, তুকুপ লিক তারিক তুখ্রিং তারিক, গাংক্রকপা তুখ্রিং লিক, কুচি তু খ্রিং তরং পুম তরং তায়জবনি কুবিয়ু অউং আ য়েং। নোংলোন ৯ বু চিংশিন্দুনা হৈ-লৈ, ঈশিং লুখুমগী ঈয়োককোমদা কৎতুনা খুরম্বা।

লাইনিংথৌ অশিববু তাইবা।

লাইরোন:— লাইজ ঈ মরু শেংথোইবা ৭ তা তিনথ্রবা ননাইবু অন্না-মৈশা ইংনবা খোইয়ুম ৯ দা তায়জরি উং চিরিং, উং চিখোক, উং চিরোং, উং চিতোক, উং চিশো, উং চিরারিং, উং চিথা, চিথুন মিংথৈ ৯ মকপু তায়জরবনি কুবিয়ু। আ উং আ এ। ঈয়োক কোমদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎলগা খুরমগনি।

মৈ ইরাৎপগী থৌনিরোল।

লাইরোন:— আ উং শিদবা থাম্বী মৈত্রেং অন্নাবা অমল শিংজ্রথ্রবা ননাইগী শমু হকচাং অসিবু শিন্নজরবনে। আ উং সনা অপানবা মৈশা মুবী আউং মৈ মুৎশং, আ উং তরং ঙাং

আ উং ঙালতু হিং আ উং ঙানতু ঙাং, শংতারেং, আ উং কেমনুবী, আ উং মৈহিং শং, আ উং মিংতারেং, আ উং শংনুবী, হাচ্ছং হায়েং তায়জরি কুবিযু। (মৈদা চেং-লৈ, ঈশিং ৯ লক কংতুনা থুবম্বা)।

ঈ মরিনা শিংদা কোইনা অশোই অঙান, অফ-ফত্তা য়েংবা অসিবু মৈ কোইবা কৌই।

ইমুং-মনুং ঈ মরিনা য়েংঙইননা শীংবু ৩/৫/৭ লক কোইহনা থুরনগনি। থৌরম মপুনা মৈ চুগনি, হুমাই পায়হনা হুমগনি।

শীং পিগনি হবচাং তুম্মগনি।

লাইবোন :— আউং শিলবা, থাম্বা মৈত্রেং অরাবা, নরৈ ৯ ফাংবদা শীং মরম ৭ কংচববনি। অসিনা পোৎলোইবা মতোন লোম্নবনি কুবিযু, আউং আয়েং। শীং ৭ কংতুনা থুবমগনি।

মৈ মুৎপগী মরম।

লাইরোন :— হো মালেম লৈম্না কৈহনবী উলবী পুক্লিং তপ্পবী; লৈরোন ৭ তা নোংশাবী, লৈখারোন ৭ মক্লা নোংলোন ৭ তা চংলিবী, লৈবাক্কী শেক্লিংদা য়াইফ মপুং ফারিবী, লাইজ অশেংবনা মৈ মুৎচরে কোল্লে'। অল্লা মৈশা হিংবিরো, ইমা নথাক্লুংদা কোল্লো। লাইজ অয়িংবনা নাওয়োম ঙইরে কোল্লো। লাজোল

ফারে কোল্লো। হয়ি হে হয়া কোলোই হয়ুম, হয়ুন, হয়ুম। মৈবু ঈশিংনা মুৎলগা লৈতেম্বা অতুগা মরু চারা তুনগনি।

মংথোঙ থিংবা।

মাইবনা থুংত্না থাংলেন পাযহ্নুনা হৈরুক লাকোই ১; কা লাকোই অমা থাগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ নহাকপু থূবনজৈ। ঙসি...... না অমল শিংগুমতুনা য়াইবা হরাইবু কোবৌ কাথ্রবা য়াইবীগী লাংবুম তিল্লকপা মপোক মৈ, ঈশিং, মুংশিং, লৈবাক, অতিয়া ৫ গী য়োলদা পৌগন পারৈবু মংগান লোম্না কৎচরবনি। তাইবংগীসু য়াইফনবা, লাইরম্লেনগীসু মনিং থুংনবা মংথোঙনু কুমথোংনা থিংজরবনি। মাংদা লৈই অমা চিংগনি।

লাইরোন :— কুমথোংবু শাস্থাংনা থিংলবনি। মাংদা লৈই অমা চিংগনি। মপুনা শাক্নি ওইবিয়ু। লৈই অমা ইগনি। হংসো হংক্রুক, হংসো হংক্রুক, হংসো হংক্রুক থিংলবনি। লৈই ৩ চিংগনি।

মাইবনা য়াইফরোল হৎকনি।

লাইরোন :— লাইপুংথৌ ৯, মুমিং চয়োল ৭, মঙাং, লুয়াং, খুমন হয়ি অরেম্পদা হয়া লেংদবী মালেম ইমানা শিম্নবিরে, হয়িহে হয়া কোলোই হয়ুম। ঙসি থাগী কোরৌ মুমিং মশিং

তারেং (পোংনাইডিং, নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা, য়ুমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই, থাংজ) না থিংলবনি। লৈই ৭ চিংগনি।

থবক অসিদি লখ্মী তাকপা অমাইবগী মথৌনি। অতৈদি তৌফমদে ফংতে। মসিদা পোংলোইবগী মথৌ লোমলে।



৪০ শুবা

শিংগী নোংমা কোনবগী থৌরম।

পোংচং নং ১— হৈ লৈনা ঈশিংদা কংকনি।

লাইরোন :— উং হরি হয়াহে। ঙসি থাগী কোরৌ নুমিৎ অসিদা অমম শিংহমত্রবা নচাগী অহানবা থবাইগী লাংপুম পিবাদি কৈত্থুনা চিংভদা পিয়ে। নমিংদি কোনশৌরেন কোন-মানিক কৌএ। য়াইবী নংগী চারা কুঞ্জরবনে, থকী মপুদা কংচরি। (ঈশিংদা চেং লৈ কংতুনা থুরম্বা)।

নিনি কোনবগী থৌরম।

হৈ লৈনা ঈশিংদা কংকনি।

লাইরোন :— উং হরি হয়াহে চিংভ খোইয়ুম লাইনিংথৌ ঙসি কোরৌ নুমিৎ অসিদা নমই .... গী নিনি চনবা

থৱাইবু চিংঙ্‌না থোংনাংদা শিম্নরে। নম্নিংদি মরি-লিচেং কৌবও, য়াইবী নহাক্কী চারা হুপ্ত্ররবনে লৌবিয়ো। হৈ-লৈনা থক্কী মপু য়েংতুনা কৎলগা থুরমগনি।

হুমনি কোনবগী থৌরম।

হৈ-লৈনা ঈশিংদা কৎকনি।

লাইরোন :— উং হয়ি হয়াহে, ঙসি লোইদাম থাজগী কোরৌ হুমিং অসিদা .... নচাগী হুন্নি কোনবা থৱাইবু থোংনাংনা থাংজিংদা পিয়ে। নম্নিংদি পিশাতাও কৌবা য়াইবী নহাক্কী চারা হুপ্তরবনে লৌবিয়ু। থক্কী ভনা কৌবা মপুদা কৎতুনা থুরম্বা।

মরিনি কোনবগী থৌরম।

হৈ-লৈনা ঈশিংদা কৎকনি।

লাইরোন :— উং হয়ি হয়াহে, চিংঙ্‌ খোইয়ুম লাইনিংথৌ ঙসি থাগী কোরৌ হুমিং অসিদা মরিনি চনবা থৱাইবু থাংজিংনা হুমলেন্দা পিয়ে। য়াইবী নহাক্কী নম্নিংদি আং উং স উং রিং কৌবও। য়াইবী নহাক্কী চারা হুম্নবনে লৌবিয়ু। থক্কী মপুদা চেং-লৈ কৎলগা থুরম্বা।

মঙানি কোনবগী থৌরম (লৈহুন তম্বা)।

লাইরোন :— উং হয়ি হয়াহে, চিংঙ্‌ খোইয়ুম ইবুংঙো ঙসি লোইদাম থাগী কোরৌ হুমিং অসিদা নোঙ্গাঙবা নচা

.........ঙমিং কোৎগী মন্তানি চন্‌বা থ.াইবু হুমলেম্মা ইপাদা শিয়ে। ইপাগী মীং নহাদা থুংঙে, য়াইবা নহাক্কী নমিংদি নিং নি, যা কা, এ এ এ এ এ কৌবও। ঙসি চন্না হুঙ্গরবনি, লৌশিংবু। (ইশিংদা চেং লে কংকনি, থুম্বা)।

নৈরা মেক্রুক, হৈ-লৈ কংতুনা মংলেন্দা লৈহুন তমগনি।

লাইরোন:— মালেম ইমাগী, নংগী ঈ-য়েল-লৈ কোৎ লৈরাংনা লৈশাং ওইদি ও নি লৈশাং ওম্মগী অমুক ঈয়েল থম্বা মুনিং অসিদা ইমাগী নথোংগী দা নোঙ্গাপ্রবা নচাগী লংজবা তেকচাক থম্বীনু হায়না লৈবাং লৈহন ওনজরি। ইমানশু চেংহি শম্বাল লাংবা টুঙিনা শম্মাং শেংবা কোয়ৌ মুনিং অসিদা তেংবানবা নপুদগী চৈহুন হঞ্জ। নোঙ্গপ্রবা নচাগী য়াইফনবা। (থুম্বা)

তরুন্দনি কোনথী ঐথোংরম।

ঈশিংদা চেং-লৈ কংতুনা থৌনিবা।

লাইরোন:— উং ঙমি হয়াঙে ঙসি কোয়ৌ মুমিং অসিদা কোয়ৌ নোঙ্গাপ্রবা নচাগী তরুক্তি শুবা থম্লাইবু ইফানা ইমাদা শিয়ে। ইমাগী মিং নহানা থুংঙে, য়াইবী নহাক্কী নমিংদি তিং রিং কৌবও। নংগী চন্না হুঙ্গরবনি লৌবিয়ু। (থকী নপু মেংহুনা কংলগা থুম্বা)।

ভরৎনি কোনবগী থৌরম।

ঈশিংদা চেং-লৈ কৎতুনা থৌনিগনি।

লাইরোন :— উং তেংবানবা মপু ইবুংঙো, ঙসি কোরৌ হুমিৎ অসিদা .... নচাগী ৭ নি চনবা থব়াইবু হকচাং লাংপুন ওইরবা নংবু পিশিনগা কৌই। মিরেল ওইরে, পিশিন্ন কোরে, থব়াই পানবা অমগী মপুং ফারে, লোবীশং কোরে, মওং অমা লেপ্পবদা নমিং নৌথাক কোরে, হাইবা, ছন্দা, লেংবা ঙমলে, নাওমু কোরে। ঙাংবা-লাওবা মখোল থোক্লবদা হুংঙাংলেন কোরে, নংগী চরা হুক্করবনি লৌবিয়ু। (ঈশিংদা চেং-লৈনা মভারক কৎলগা থুরমগনি)।

অদুগা মৈরা-মেক্রুক কৎতুনা শিখিবা মী অদু পুরক্লুনা কংলৈপুং উরেল মখোংদা থম্মনি।

লাইরোন :— .... নংগী থব়াই কংলৈপুংসিদা লৈরো, থুরমগনি।

নিপালনি কোনবগী থৌরম।

উরেল মখোংদা হৈরুক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, মৈরা অমা, মেক্রুক অমা, অকৎশেল অমা কৎতুনা চেং-লৈ, তায়রেন পুংফাই য়াওনা থৌনিগনি।

লাইরোন :— উং হস্নি হয়াহে, ঙসি লোইদাম্ন থাজগী কোরৌ হুমিৎ অসিদা নোংথৌ অব়াংবনা পোং মী ঐথোয় অসিবু

লিক্লা ইহুল তম্বীরকউগী মিংথৈদি তরং তরং কোওএ। য়াইবীরেল সিদবা মংগীদমক অতিয়া সিদবগী মিংথৈদা তায়জরি। তুং সিদবা তুং সিদবা (১৮ লক শোন্দুনা চেং-লৈ কৎলগা থুরমগনি)।

মাপলনি কোনবগী থৌরম।

পোৎচং :— য়ুমগী লাইনিংথৌগী লাইমাংদা ফিরাল ১, ঈবম তাৎকী ঈশিং য়াওবা নাইফু ১, নৈরা অমা, মংক্রুক অমা, হৈকক লাকোই অমা, কা লাকোই অমা, চেং-লৈ, তাইরেন-পুংফাই য়াওনা কতুনা থে নিগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো, থাংজিংনা মিৎলুদগী হাদোকখিবুন' পিথোকখিবা অতাওবা হুদুবু উনখি। অতুগা অমুক ইমুংদা লেংশনখি। অদুনেংগী ইবংঙোগী নফমদা নোঙাপ্রবা নচাগীদমক নমশা লৈরাং কৎচবি কুম্বিয়ু। (চেং-লৈনা ঈশিং য়াওবা চফুদা কৎতুনা থুনম্বা)। ঈশিং অসিনা নোংডাম্লগা য়ুম শেংগদবনি।

তরানি য়ুম শেংবগী থৌরম।

লাইনিংথৌদা থৌনিজগনি।

লাইরোন :— লাইনিংথৌ ইবুংঙো; তরানি লাংবুম লাইদি লাইনিংথৌ য়াইরংচান্দা সিন্দনা লাইজ লিক্লা ওইহুনা তিন্নরে, ফিরালদা ফিয়াল্লে। অতুগা শিংতেনগা লৈরাংগা ওইরে, অতুদা

লৈরাং মচা য়াল্লে, তাওজিং মশা থোংলে। অহুব, য়ুমিং থানা উরে, অহু নোংগী য়েক্তা .... পোকচরবা ...... মমিং কোবা/কৌবিগীদমক্লি হায়হুন। ওসি কোরৌ য়ুমিং অসিনা অমন অঙাল অনিনা থিশেংবিয়ো থাশেংবিয়ো হায়না হাযজ য় কুবিয়ো। হং হয়ি হয়াহে চিংও, খোইয়ুন লাইনিংংৌ। তায়রেল পুংফাই ঈশিংদা লুপ্তুনা য়ুন-কৈ শেংদোক্নি।

ভরামংথোইনি লন্ন থৌরম।

(শোম্নপুংগী পাফল)

চিংথৈ অপালবা	অশিবগী থরাই থক্ফম	অমাইবা ফক্ফম
৪ যুনশকৈশা	৬ ঈরাই	২ নিংথৌকাবা
৫ শংগোলশেন	নেল উরেপ ১ নোংমাইজিং লাঙ্গোল লাইশোনফম	৩ লৈবাকপোকপা
৯ কৌরৌ নোঙ্গাকম	৭ থাংজ	৮ শংলেন মপু
কৈক্র লাইনিংফম চংফম থোং	ঈ মরিশিংগী লাইনিংফম	থাংজিং লাইনিংথৌগী মফম

বাঁদিকে (খাড়া লেখা): অশেংকম চংকন থোং; মারাহনবা অচংবগী মাইবগী মকম

ডানদিকে (খাড়া লেখা): থম্নং থোংডাংরেল অসিবগী মাইবা; রাংরেন থানা চাওবা

শে মপুং লৈথল-নোংখল শিবগী মরম খংনবা।

লৈথল-নোংখল শিবা মতমদা মেল-উনা হান্না ফুকও। ফুকপদি তেংবানবা মপুব ফুকহল্লো। চিংথৈগী মখোং ফুকপা মতমদা মৈরা অমা কৎলগা কংলৈপুংদা থিনগৎকনি। মৈ অহু মুৎপগা থাদোকও। থাদোকপা মতমদা কদোমদা তুমগে য়েংঙো। মপারোমদা তুরবদি গুল মমুং রাই। অরাং তুরগা অশিবগী য়াইফে। নোংপোক তুরগা মথৌ য়াঙ্গেনবা অমুক হঞ্জন্না তোগনি। নোংচুপ তুরগা ইমুং অহু মশা পানগনি। কৌক্র তুরগা তিনয়েং লাইয়েৎপা চংডে। চিংথৈ তুরবদি লাইরেম্বেনগী য়াইফে। মৈরম তুরবদি মখোং ৪ পানবা মরি শোকই। শম্বাং তুরবদি অশিবগা লাইগা তিন্নত্তুনা কংলৈপুংদা লৈয়ে, নোঙ্গারোই। অতুম তৌরবদি নোংনগী অকাএবা লৈহনা চেং-লৈ, মৈরা, কেক্রুক্লা উরেল মখোংদা কৎলবদি মহৈ-মরোং চুম্ব', মুংডাই-য়াইফবা ওইগনি। থুদম য়েংঙো শোইদবা রানি।

শোম্নপুং শণ্ডলেন মখোংগী মরম।

১। ময়াইগী মখোংনা মেল উ অমা কৌবা তেংবানবা মপুনি। নোংমাইজিংনা থোগনবা অমদি মচুনা অঙাংবনি। মশক্কা মুমিংকী মশক নানবনি।

২। মৈরন চুথেক্কী মখোংনা নিংথৌকাবা কৌবা মপুনি। মচুনা অঙৌবনি, থম্নুং থোংঙারেলনা থৌগল্লি। মশক্কা থা মচেং শাবা মাল্লি।

৩। মখা লিক্লন মখোংনা লৈবাকপোকপা কৌবা মপুনি। মশক্কা চুথেক অহুম নাইবা ঈভুংকোল মাল্লি। মচুনা ঈ মচুনি, য়াংত্রেন থানাচাওবনা থৌগল্লি।

৪। চিংথৈগী মখোংনা য়ুমশকৈশা কৌবা মপুনি। নোংপোক চিংথে য়াইফনা থৌগল্লি। মশক্কা লিরুং ভেল মাল্লি, মচুনা কোরি মচুনি।

৫। অরাং লিক্লন মখোংনা শগোনাশেন কৌবা মপুনি। মশক্কা সনাগী থম্বাল মাল্লি, মচুনা সনা অহিংবা মচুনি, মায়া হনবনা থৌগল্লি।

৬। নোংপোক্কী মখোংনা ঈরাই কৌবা মপুনি। মচুনা ঈশিং মচুনি, মশক্কা চুথেক ৪ নাইবা ঈভুংকোল মাল্লি। নোংপোক অপানবনা থৌগল্লি।

৭। মনিং লিক্লম মখোংনা থাংজ কৌবা মপুনি। মশক্কা থাও মাল্লি, মচু মুনা শংবনি, লোইয়ালাকপা পাঙ্গলবনা থৌগল্লি।

৮। শম্বোং থংবা মখোংনা লাইনিংথৌ শংলেন মপুনি। মচুনা শেনগী মচু মাল্লি, মশক মওংনা তিনকোংগী মশক মাল্লি।

৯। অরাং কৈক্রু মখোংনা অরাং ঈ মরু অঙাংঙা কৌই। মচু মৈথু মচুনি, মশক্কা লিনগী মওংনি। চিংডু কৈক্রনা থৌগল্লি।

শোম্মপুংগী মায়কৈ ৪ দা ফম্বা লাইশিংগী মশক মমিং থংনবা মরম্দি :—

১। মনিংলোমদা নোংপোক ওম্মা ফম্বদি :— ১বা থাংজিংনা মকোক ওইদুনা ফমই। ২ শুবদা কোংশৌতোন ফমই। ৩ শুবদা নাওহলবা ফমই। ৪ শুবদা তাওথিংমাং ফমই। ৫ শুবদা ঈকোপ নিংথৌ ফমই। ৬ তা লাইনিংথৌ অচংবা ফমই। ৭ তা য়াঙ্গোই নিংথৌ ফমই। ৮ দা তুবু চিংনিংথৌ ফমই। ৯ দা লাইগাজেং ফমই।

২। মথারোমদা অরাং ওম্মা ফম্বদি :—

১বা রাংত্রেম্মা মকোক ফমই। ২ শুবা থাকপনা ফমই। ৩ শুবা লুরাং ফমই। ৪ দা পুরৈরোম্বা ফমই। ৫ দা লাই সোরারেন ফমই, ৬ তা নোংপোক মায়াং নচা শলাইথেম্বা ফমই, ৭ তা য়োইমোংবা ফমই। ৮ দা থোংবা নিংথৌ ফমই, ৯ দা কুপত্রেং ফমই, ১০ দা ব্রাইকোক শারিবা ফমই।

৩। চিংখৈরোমদা মনিং ওম্মা ফম্বদি :—

১বা মারজিংনা মকোক থংনা ফমই। ২ শুবা চাথাবনা ফমই। ৩ দা লাংবুম নিংথৌ ফমই, ৪ দা শম্বুম নিংথৌ ফমই, ৫ দা থরারেল ফমই। ৬ তা উকাং নিংথৌ ফমই, ৭ তা পোরৈ-তোন খুল্লথিবা ফমই, ৮ দা পুদাংগোই ফমই।

৪। তারোদা মখা ওম্মা ফম্বদি :—

১বা সেঁক্রনা মকোক্তা ফমই, মথং ২ দা কোরৌহনবা ফমই। ৩ দা লোয়ারাকপা ফমই, ৪ দা রাখালাকপা ফমই।

৫ দা অরোং নিংথৌ ফনই, ৬ তা ঈশিং চায়বা ফনই, ৭ তা মোংবা হনবা ফমই, ৮ দা ককশুরাকপা ফমই।

মসিগী ফমকমগী পারম শিনবদি লাই শাবী নোংদানা শিল্লি। মসি থংনা ফমগনি। ফম্বা তারবদি লাইশিং অসিগী মশক লৌনা ফমগনি। পোৎ-চৈ শেম্বা শাবনা লাই পিশাতাওগী মশক লৌদুনা শেমগনি।

অমায়বা ফম্ফমদি অচংবগীনা অরাংলোমদা মারহনবগী মশক লৌনা ফমগনি। অশিবগীনা মথারোমদা থোংভারেলগী মশক লৌনা ফমগনি। থৌরম লোইশল্লকপা মতমদা লম্বী তাকপা অনায়বনা অশিবগী য়াইবী থরাই অদু শংলেন মপু লাইনিংথৌদা শিন্নগনি। লাইনিংথৌনা হেংবানবা মপুদা থিনবৎকনি।

নোংম-নোংমগী চাক থোং-থাকপা শিংগী মশক মনিং থংনবা মরম থরা :—

১। নোংমাইজিং মুমিত্তা চিৎনু লাইরেম্বীনা থোংই। পোৎ-চৈনা অতিয়া সিদবদগী লৌই। ঈশিংনা রাংডু খোংদগী লৌই।

২। নিংথৌকাবা মুমিত্তা থমনুনা চাক থোং-থাকই। ঈশিংনা কৌক্র খোংদগী লৌই। থোংনবা পোৎতি অসিবদগী লৌই। য়াইরেমানা থৌগল চংই।

৩। লৈবাকপোকপা মুমিত্তা থুনদুনা থোংই। ঈশিংনা চিঙ্গোইরোক্তগী লৌই। পোৎ-চৈ থোং-থাক্লবনা পাখংবদগী লৌই।

৪। য়ুমশকৈশা মুম্বিৎতা অহুমমুনা লৈময়েলদগী পোৎ লৌরুরগা থাবা ঈদগী ঈশিংনা চাক থোংই। য়াইপোকপিনা থৌগল চংই।

৫। শগোলশেন মুম্বিৎতা অরৈমুনা চাক থোংই। লুরাং ঈদগী ঈশিং শোকই। পোৎ-চৈদি লাই খুরক লংবীনা পুথোকই। হিকুবনা থৌগল চংই।

৬। ইরাই মুমিৎতা তরৈমুনা চাক থোংই। পোৎনা নোংথাং লৈমাদগী লৌই। ঈশিংনা ব্রাইখুরেম্বীদগা শোকই। য়াইকুবনা থৌগল চংই।

৭। থাংজ মুম্বিৎতা তোলথাংমুনা চাক থোংই। থোংনবা পোৎ-চৈনা ইমোইমুদগী লৌই। ঈশিংনা চকপা ঈদগী শোকই। থৌগল চংবনা য়াইস্নানা চংই। চাক থোং-খাকপা মতমদা হৈ-লে, মৈরা-মেক্রুক ফৎতুনা থৌনিংনি।

লাইরোল :— ঙসি কোংৌ মুমিৎকী অরাং-অপা পুন্নক পিবিরিবী/পিবিরিবা অরাৎ-অপা লৈহনবিন্নু অমদি থোংবি থাক-পিরিবী ইমা, শোইদ-ঙানদবা ওইহনবিনু, নচানা থৌনিজরি। (খুরম্বা)।

অরাং পুরেলদি ইমু লুরাং পুম্নিবনি। মনিংদি চিরিংক কৌই।

লৈয়েলবদি লাইরৈনা তোম্বী লৈসারা কৌই।

হৈয়েলবদি লমলৈমানে, মনিংদি হাওদংখুবী কৌই।

অচা-অথক য়েলবদি চিংথৈ য়াইকু নিংথৌনি।

চিংখৈ অশেংফম থোংদা লৈবদি কোরৌহনখা কৌই। মহাক্লা চিংখৈগী চংফম থোংদা নাহৈফুদগী ঈশেংনা অরাকপা পুন্নমকপু নাহৈ তাইরেল পুংফাইনা শেংদোকপিগনি।

পুংয়ৈবা মিংখৈ শোনবশিংগী মশক মমিং

পুং পুথোকখিবা অহানবদি লাংতেবা কৌবনা পুথোকখি। পুং য়ৈবা অহানবদি লৈকোই মপু সনানহিনা য়ৈখি। অসিগী মতুংদা ৱাংলেন নহা পুংদিংবনা ৱাং কৌবা উনা ফৈগল ফৈবোম খুকলু কাংগোই মওং লৌড়ুনা শল য়েংমানবী মউন্না তিংলগা পোম্বী লুৱাংবনা য়ৈখি। ৱাংথা মাইরোইবনা তুং ইল্লি। শেন্দ্রেং পাখংবনা অশৈবা ওই। লাইনিংথৌ হনবনা শৈওকপা ওই। খম্নাংবনা খোলপাংবা ওই। মুৱা নিংথৌনা লিনৈবা ওইখি।

১১নি লান্ন-থৌরম।

পোৎচঙ:— যম্বাল তরেং, থকখল তরেং, ঈরাংফু অমা, নাহৈফু অমা, মপুগী ফৈজোম, কোকয়েং, ইম্নবা ফি, অকংশেল ১[illegible]হরুক লাকোই ১২, কা লাকোই ১২, মৈরা ১২, মৈত্রুক ১২, চেং-লৈ থরা, য়াম থরা, লং অহিংবা থবা, হুইথাচুক ৪, হৈনৌ মনা ৯, পায়া ১, তাম্ৱেন পুংফাই, অথেনপোং ১, কুবীবগী পোৎলম ১, মংদা কৎনবা তরা লুকলেনগী মচাক অসি চংগনি।

হৈথা-লৈথাগী মফমশিং ।

(১) শোম্নপুংগী ময়াই, (২) থাংজিং মখোং কাচিল, (৩) কেক্রু কাচিল, (৪) চিংথৈ কাচিল, (৫) মৈরম কাচিল, (৬) চংফম কোম্বোং মনাক, (৭) অরাংফম অসিনি। হায়রিবা অসি ফম্বাল লাংতুনা হৈথা-লৈথা, মৈরা-মেক্রুক কৎকনি।

ইশাগী পারম লোইরগা লাইথৌ হৌরগনি।

১। শম্বোং পুংমাই লেপ্পা লাইনিংথৌদা থৌনিবা :–

লাইরোল :— হুং শিদবা লাইনিংথৌ, শম্বোং পুংমায় লেপ্লিরিবা ঙসি য়াইফরবা কোরৌ মুমিৎ তসিদা তাইবং মপোক্পা শিন্থা পুহুনা লৈজরম্বা ননাই .... মনিং কৌরন। মপুই কোন্দা লৈনম ওইনা তিনখিবা কোরৌ ১১ নি শুবা মুমিৎ অসিদা মীরম্নেনগীস্থু য়াইফনবা, লাইরম্নেনগীস্থু মনিং থুংনবা তেংবানবা মপুদা লৈরাং মনা অনতং কৎচগে হায়না থৌরাংজরিবা অসিদা ইবুংঙোনা থৌরম মপু ওইবিদুনা শোইদবা ঙামদবা পিবিয়ু হায়না ননাই থৌগন চংজরিবনা থৌনিজরি কুবিযু। (ফম্বানদা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা খুরম্বা)।

২। ইমোইন্নু ইমা অরাংপুরেল্পগী মফমদা থৌনিবা :—

লাইরোন :— ইমা ফৌওইবী, পাম্ভোইবী, ইমোইন্নু অহুম্না থৌগম্লিবা পুকৈ-লন্‌গৈ লিংবিরিবা কৌবরেল শিদবা ঙসিগী থৌরম

অসিদা চংগদবা পুম্নমক অৱাৎপা লৈতনবা পুথোকপিয়ু হায়না ননাই থেংগন চংজরিবনা থৌনিজরি কুবিয়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুৰম্বা)।

৩। চিংখৈ থোঙ হকচাং শেংফমদা থৌনিবা :—

লাইরোন :— চিংখৈ অপালবা ইবুংঙো, ঙসি থৌরম অসিদা লাকপা খোইয়ুম তাইবং পুম্নমক অনম অথৌ কোকপিয়ু লংজবা তেকচাক লৈতনবা ননাই থেংগন চংজরিবনা থৌনিজরি কুর্বায়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ ঈশিং কৎতুনা থুৰম্বা)।

৪। মৈরম কাচিন্দা থোংঙারেল অমাইবা তাইবা :—

লাইরোন :— ইবুংঙো অশিংথোঙ ঙাকপিরিবা অথম্বা মপু খমম্নুং থোংঙাক্রে শিদবা। নচা থমম্নুং কিকোই লৌওনবীনা য়াংদৌ লমজিংনা পুথিবা .... ননাই তাইবং শিম্বা পুতুনা লৈজরম্বা .... মমিং কৌববু য়াংদৌ লমথাংদা শিডেল অবেম্বা ওইদনবা ইবুংঙোনা ননাইগী য়াংদৌ লম্বী তাকপিথিবা মতুংইন্না অৱেম্বা মপুদা শিন্নবিয়ু। লোইননা মতুংদা নচা কিকোই লৌওনবী অমুক থারিবকঅম্নু নচানা থৌনিজরি নঙাকথোক্লি ঙাকপিয়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ ঈশিং কৎতুনা থুৰম্বা)।

৫। কৌক্র লাইনিংকমদা থৌনিবা :—

লাইরোন :— চিংঙু ইবুংঙো অঙাং-ঙা লাইনিং পরৈ চেৎপা খোইয়ুম লাইনিং অহলবা, মীরম্লেন লাইনম্লেন অনি তুনা থংবও

হৌবগী মরু, লোম্বগী ওমথৈ অনিবু নখুৎশু ওইবা মনবতা হনবনা নখো ওইবা পুম্নমক য়াইফবা থৌজানবিয়ো নাইনা থৌনিজরি কুবিয়ু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎলগা থুরম্বা)।

৬। চিংথৈগী কাচিন্দা য়াইফু নিংথৌদা থৌনিবা :—

লাইরোল :— ইবুংঙো শায়োল চাওবা নোংপোক চিংথেদা নখুৎশু চৈবা তেল পায়দুনা ওাকপিরিবা মপুগী শোম্নপুং অসিদা লাইনম হানম্বা, মৌনম-থানম্বা লংজবা তেকচাক লৈবা লাই ফত্তবা চংহনবিগনু। ইবুংঙোনা থোও ওাকপিয়ো, ননাই থৌগল চংজবনা থৌনিজরি কুবিগু। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎলগা থুরম্বা)।

ইশাগী পারম লোইরগা তেংবানবা মপু লেংশম্নবা শোম্নপুং ময়াইদা ঈরাৎকু লাৎলগনি।

লাইবোন :— তেংবানবা মপু ইবুংঙো মৈ, ঈশিং, মুংশিং, মালেম, অতিয়া মডামরুা মপুং ওইবা তেংবানবা মপু ওসি য়াইফরবা কোবৌ মুম্নিং অসিদা .... য়েক্কা পোকচবম্বা ...... মম্নিং কৌবগীদমক ঈরাৎ থৌরম তৌজবা মতমদা থোয়ুম মতাশু ইফুত্নুংদা ওাম্মোইবিরে। তেংবানবা মপুম্নু সনা কম্বাম্নাংদা রাংলেন মৌকুপ মরুমদং ও'ম্মোইবিম্নু হায়জনিংবা হায়জগে, নিজনিংবা নিজগে হায়বগী ঈরাৎ থৌরম তৌজরি কুবিম্নু। (কম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরমগনি)।

লাইরোন :— হেংবানবা মপুনা সনা যন্দ্রা ওাম্বোইবদা অসিদা নোঙ্গাপ্রবা ননাই .... মমিং কৌবগী মমক লৌহৌরিবা মচা-মশু ওইবা নমিং .... কৌবনা ইবুংঙোগী নংগী ওংহৌ খাদা ওমজবা লৈ মনা ১, হৈ মচেৎ অমং করা লুকলগা কৎচগে হায়না থৌনিজরিবা অসি থৌজানবিত্নুনা লৎনবা লৈতনা সৌবিয়ু সনা ফম্বাক্নাংদগী লেংথোকপিদুনা। (ফম্বান্দা চেং-লৈ, ঈশিং কৎতুনা থুরমগনি। (তরা লুক কংপা)।

লাইরোন :— হেংবানবা মপুনা লৎনবা লৈতনা পুকথা লিনথা থাবিদনা পেল্লি/পেনে হাযবিদনা তবা লুকলেন ফংবিরো ননাই থৌগল ফংজগে কুবিয়ু। (চাকলুক মনাক্ত ফম্বান্দা চেং-লৈ ঈশিং কৎতুনা থুরনগনি।

চাক চাবা লোইরগা হায়গী ফম্বান্দা লেংশনগনি।

লাইরোন :— ইবুংঙোনা থৌজানবিত্নুনা তবা লুকলেন ফংবিরে। ননাইশিংগী নিংবা থুংজরে। হৌজিক্তি ইবুংঙোনা থৌজানবিরিউে মতাংদা কোরৌ মোঙ্গাপ্রবা/নোঙ্গাপ্রবী তাইবং শিন্থা পুজরমবা পলেম-পম্বৌ ওইজরমববু অমুক মপুই থোক্লল লিরুরগা অনৌবা মপোক লাংওলদা তাইবং অপোইবা মপোক ওইহনবিয়ু মপুগী থৌগল ফংনবা। লৌহৌরিবা নচা-নশু ঐথোই-গীমু লংজবা তেকচাক থমবিগম্ন। লাইরম্নেনগীস্থ নিংবা থুংনবা মীরম্নেনগীস্থ য়াইফনবা। ইবুংঙোগী চেংলৌ য়াইথোং লিংথিবদা

খামবী চৈঙা নৎগে, সনা ফংনালদা ঙাম্লাংনিদে। (যম্বন্দা চেং লৈ, ঈশিং নৎতুনা থুরনগনি)।

ফম্বালদা লেংশল্লবা ভুংদা মপুদা নৈরা নৎকনি।

লাইরোল :— ইবুংঙোগী নয়াইনা খাম্বী নৈরা ওইদুনা খাম্বী নৈ মবম ১০৮ পোকপিরিবা অহকপা ময়াইনা খাম্বী নৈকোবা নংগী নথোংখাদা পৌনিভমি ফত্তনা নংখিবা হনাইবা লংজবা অরানবা পুম্নমক লৌশনবিরগা আথোইবা মহি, মচং, অরু অশানবা, অফবা, মুংভাইবা, অশেংবতবু নোংদমবীরম্লো ননাইনা পৌনিজৈ, নৈ কৌবা লাই ইবুংঙো। (মৈদা চেং-লৈ, ঈশিং নৎপা থুবমবা)।

লাইরোন :— ইবুংঙোনা পেংজানবিবা নত্তনা সনাগী পৌ-জালনা হিংজগনি। লাংওন থুদিংদা ইবুংঙোগী খোগল ফংজবা পিনবিয়ু। ঙাংকৌ থমনাল অমিদা খাম্বা মৈরা নৎ, লৈরাং লৈহুন তমতরি কুবিয়ু। (ফম্বান্দা লৈতন তমদুনা থুরম্বা)। অদুগা মপুম্নু মহুনফমদা হত্তম্বা মতেকমদা তেগনি।

লাইরোন :— হত্তনবিরো ইপুথৌ পোৎখারসি লাইনিংথৌ য়েৎনা লৈবা পারৈম্নু ওইনা হন ওইনা লৈবা পারৈ য়েৎনা হনবিদুনা নতেকমদা তেবিরো। শজিক মাশৌ লাংদা থাবগী ময়াই চাইদনা হং কুক কুক কুক। কোয়ো।



৪১ শুবা

কুমওন ফিরোই।

শিখিবা মতুং চহি ওল্লগা তোবা মথোবু কুমওন ফিরোই কৌই। হৈথা-লৈথা খোৰম মওং লান্ম-খোরনগা করিস্ম খেন্নবা লৈতে। লাইরোন্দা থরদং খেন্নবতনি।

অহানবা লান্ম-খোরমগী ঈচেলনা মপোক অমুক ফনা পোক্লকবা খোনিবনি। অনিশুবা কুমওলনা তাইবং মী ওইনা পোক্লে হায়দুনা লৈহৌরিবশিংনা তেংবানবা মপুদা অফ-মুংঙাইবা ওইবা পিবিয়ু হায়না তরা লুক্লেন কৎচদুনা খোনিজবনি।

খোনিরোন:— ঈরাৎকু লাৎপ লোইরগা তেংবানবা মপু লেংশনগনি।

লাইরোন:— তেংবানবা মপু তাইবং ওইনা লৈজরমবা ননাই .... মমিং কৌবনা নহালনোং মপুই ঙাংলৌ তানখিবা খুমিৎ শিংবুম ৬৬০ লৈখোং নোংখোং কোইবা লোইদুনা তাইবং মপোক্তা পোক্লবা মরুদা থুংঙরে ইবুংঙো। মমিঙগী মথোল চোংদুনা থাদা থারে। থানা অমুক লাংয়েল শিদবদা শিন্নরে। লাংয়েল শিদবনা কুমলিক লাইদা শিন্নরে, কুমলিক লাইনা লিক্লা ইছল ওথৌদুনা কোরৌ মরোল ৯ দা ঈচেল থায় ৭ চেন্নুরগা হায়গী .... খারাই খোজান্দা হং নিং হায়না মচা-মমৌ, ইমুং মনুংদা মপুই খৌজান্দগী পুংজদুনা তরা লুকলেননা ওথকবা থরদং

[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] । ([illegible]) [illegible] [illegible] ।

অতুম্বা কপাল লাংফুনা হৈকং-লৈকং হন্না থৌমিজনবা [illegible] কনবা হৈরিকিবিদুনা মতেকনবা তেনবকা [illegible] কংবা।

●●●●

৪০ [illegible]

[illegible] থাকা অপোকপগা অরা [illegible] মরুদি হৈরাং-লৈরাং কৎপগী থৌরম।

উরেলগী মথোংদা থাই তৈথোক্লগা হৈ-লৈ, লৈরা-লৈকুক থাদুনা কৎকনি।

ল:ইরোন :— কং শিলবা অপোকপা মজাং, নুরাং, থুমন, চুরিং, থা, মালেম, ঈশিং চাংদোখাদা কৎচরি চুবিদু।

শিত্রবা মীশিং অকুপী মশিং হাত্রদুনা হৈ-লৈনা লাই পুরক্ক লাকপকুবা কৎলগা পুরকই।

[illegible] :— [illegible] শিলবী [illegible]। ([illegible])।

[illegible]

নাইরোম :— হং. গ্রিনবা হুনিং কৌবা নাই হৈরোং-হৈলাং কথরি গৌবিরো যৌনিজগ্রি (খুরবা)। ঙমুগ্না মকম মতা সোকা কমজানি ।

নাইরোম :— আইং গীসোকনা হেংবামবা মনু ইবুংরো, ওইহনবনু ইবুংতোনা ওইহনবনি। পুখোকনমু ইবুংতোনা পুখোকপনি হায়। শিকমু ইবুংতোনা শিমবনি হায়, অদুবা ইবুংতো ইপা-ইপু, ইমা-ইবেম, ইচা-ইচু, নোজাপ্রবশিংগীদমক্তা থাইবীনা আহানা হৈজবা লেপ্পীথিবা মরম্না নাকোনবিথি হায়রবী আংবম বা কৌবা নাদা মনাইনা থৈবিজরি কুমিমু শিংথানিংবু অদুক অমবা নোংমাইদা খুত্লেপীবু। নাইই এ নৌ হৈক্কং হৈকং তঁমহনা যৌনিজহনা খুরমজরি (খুরবা)।

কথার নাংহনা অপোকনবা থজ নুকলেম কংপশু থাইকে।

★★★★

৪৪ শুবা

থবাই মিকৌ খবা।

লোথক :— [illegible] থাকৈ ৩, হৈকক নাংকোই ৪, কা নাতুকাই ৩, মনা কোনবাই, দুপা কোনবাই ৫ ১, [illegible] [illegible] ৭, [illegible] ১৫ [illegible] [illegible] ১ [illegible] [illegible] [illegible] ১০ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ৮ [illegible]

মসাই পুরকপী মচম, কংবি ইচু নুযাংদা লোইবা ফিরকটি কি কুপকনি, মুকুৎদা কবাক অমা ফাগনি। মতোংই লেমা, মৈবা-মেখুক, কা-ইং, অকৎনেব কংকনি। থোক্লে মনাক্তু মৈবা-মেখুক, কা-ইং অকৎপেন কংকনি। উরেন মথোংগনু কিরাম লৈ অমা হাংবা অমম হুংলগা মৈবা-মেখুক, কা-ইং, পেন কনহুনা লং অহিংবা লুকা ৭ ফিরবা থাংজিনা মচিন মায়কা কিরাক মথোং লেংগা থেংবা থমগনি। মচিন [illegible] [illegible] মরাপা [illegible]। থি অমনা থাইনা পুক্ত খোক্টলৌনা তানগনি।

মাই পুরবা হৌবদি উরেন মথোংবগী হৌবদা [illegible] থবাক্‌ কি কোঁনবদা লোইগনি। পোকপ্‌বা লোইরদা উরেন মথোংবা থোনিগনি।

লাইরোল:— হাইরি কোবা কোজো নোংমাল ইপু-ইবুংগো হাৱা কোৱী মাপেন ইমাও; অনিগী মসক পাজেন কাচুনা নোংমদু ইমা ইনা অনিগী তায়নৌদগী থোকপনি। [illegible] মাপেন লৈপাক থোকপনি, লাইরবা ইপাদা [illegible] [illegible] [illegible] কাইথিবা, লাইরবদু লানখিবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওসি কোবা কোজোনা, থবাই [illegible], [illegible]

[illegible] .... [illegible] বাবু কৌমিত্রা [illegible] [illegible] মিনা থানা [illegible] লাও লাজ, [illegible] [illegible] [illegible] মবু [illegible] মবু [illegible] [illegible]। [illegible] নপী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হো হিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] রাহবেল, [illegible] চাহবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মিনা থানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]। হো .... [illegible] [illegible] মবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইমানা কৌরিরে।

হো [illegible] মবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]

[illegible]

কিহুপ খ্যাতোম্বু ও মক্তা লৈরিবা মপু মত্রী নঙ্গিংদি [illegible] মচুরেং খেংচ চিং 'লো' [illegible] মাং হেং [illegible] কৌএ। লৈবাক্তা [illegible] কিএ। [illegible] প্রখিংদি খু কৌএ। লৈবাক, অাতিয়া, [illegible] চুংশিং ওইরিবা থবাই মতাম্বক শিগা মাঙ্গী [illegible] [illegible] খিবল 'মথক' কাম্বনি। থিবেল তোংবানিবা মপু কেআওবা অবু থবাই হাংকোইনা কাবোই, থিবেল [illegible] [illegible] লেকলী থারকনি। ওসি কৌবা মপু [illegible] নংগী [illegible] চকনা [illegible] [illegible] 'লৈ' [illegible] কৌএ।

* * * *

হো থাংহিং নংনা চিংলকও, হো খোংগ নঙ্গিংদি চুহিং সনা রি রি খোবা কৌএ। অচুনা ওসিদগী জোঙুনা কলা খোইদৌ থবালগী বুনা লাইশিংগী লৈমারেং ওইনা। লৈকো হারবগী সনা কোল্লাই, আকান [illegible] চনুনা থাকরিএ। মপুই খোমজন লৈবা তাবা হাপে, হো থবাই অবু চুংশিং [illegible] [illegible] [illegible] ([illegible])।

[illegible] কৌবাই [illegible]

[illegible]

তাওথিংবাং নংসু তাওবীগনো। হো বিসা মরুগী য়াম্নানি। উং শং য়েং মরুপী প্রোজাবনি। উং হাড়িং হয়াহে কোলাচলা হায়ুম ৩ পোৎথাবীরো কোঞ্জরবনি। হে থয়ুঙই-এ মক মীংয়া থাগা ভক্ত য়া কোঞ্জরবনি। হায়য়ুম ৩।

অস্রা মপান্দগী কৌ কৌড়না লংহু কোকশনচুনা পুশিন্নকঙ্গা য়োইদৌ মলাগী থাংবৈ মথোং শোকপ থমগনি অচুগা মীকোবা লোইরবা ময়াদা উম্বা লং মচিন্দু লৌথোকনি। অচুগা সনা কোলয়াইদু লকোইদা হাপ্পগা লাইয়োল শোম্নগা য়োংহলগনি।



৪৫ থবা

লাইনিংথৌ মিংথৈ ১০৮

১। বুমগী লাইনিংথৌ মহিরেল কোবা ইকুমঙ্গা মাঙ্গি থৈ চংবা পোং অনদি ঙ্গা কংপুদি থৌজমদ্রে। চক্র মন্দির থেক থেং চেংগী য়াম, লকোই ওয়াংপোং উথঙ্গা ঙ্মবা চুংঙা অমি আকো অপেন কংপা থৌজালনি। ইবুংঙো মঙ্গালদা কংপদি পুরকদা মনা লাপা কংলো অচুগা থৌজালরনে।

২। সনা মহি কৌবা ইবুঙ্গোপি থৈ চংবা অকমি ঙ্গা কংপা য়াবা লাইনি। ইবুঙ্গো মতোল্লা কংপদিংগী হুরাম লাপা য়ানিংলা অচুপা চায়ে। ইবুঙ্গো মহি সনা মহি কৌবগ।

৩। লাইনিংথৌ অপোয়বা কৌবদি মমায় মপাক্লোক্লপা এক্কা লৈবা লাইনি। ইবুংঙো মঙোন্দা মপাক্লোমদা খুবোম ২ খাপ্পা কংলো অদুগা খোঁজাগে। ইবুংঙো মাদি (সনা মনি) মচিৎলগা, পোইনাওতোন, সম্বুংবা, অপোইবা, অচিবা, লাংজেংলা খুদিং খোইদৌ অপোইবা, মওং ১০৮, মমিং ১০৮ ওবা শাক্লোক চাপ্পা মপুনি। ইপাগী লিকলাবু ইমাগী ঈনা তাংজল ওইনা মাইথৌবী নংশল্লে হায়দুনা অদুবু লাংতেশল কৌএ।

ইমা কৌবদি ঐগী ঈশ্বু থা-১০ কানা ফম্বে থাইরবা ইথাং কেঁএ। অদুনা ইমাবু লাইনি হায়রনি। লাই অমিমকপু লাইনিংথৌ লৈনরেল কৌই। লৈমাক্লেলনি লৈরোনবু লৈরোমশুগী কৌই।

লাইনিংথৌগী নিংথেমদি মীওইরেংবা থৈকে কোএ। মুমগী শক্তোনো কল্পনা সনকুরেল কৌই।

হে লাইনিংথৌ, নংগী শলকু ভারমলেননে, নুয়া যুদ্রেলবু মোংক্লেং তাংবত। খুদিং মররিক মচুংপুও, নুতে ননাও অনি অমত্তা ওইনা ছিন্নরগা শংকুনরমলেন কোএ।

ইমা নংগী মিংথেমদি চিংশাং লৈমা তম্বরেম পুক্লিং হৃদিং মৈরবী থাদা পুক্লিঙৈগী থুম্নি লাংলম্ব কোএ।

ইমা নংগী মিংলেলদি ইকুমি, শক্তী, শম্ভুদে কোএ। মুংগোইবী লৈমাগী মীংলেনদি চাপা লাইনিং ক্লকলিম্ব কোএ। থোংজাক লৈমরেনগী মীংলেনদি শ্রিতা কোংদিং হৃদা কোই। পোঁচাক্লেলা তাক্লিঙৈগী মীংলেন্দি তায়বু কৌই। লায়ক লৈমাতেনবী

মীয়োঁইদি লৈহুং চেংবী চিনকুয়োন লৈচিকপি শিনতাংগু পোকপি চিনবু শাবাবী কৌই।

মাওইয়বী লৈমগী মীংকেনদি লৈয়াম্বু লেনবী কৌই। লাই লৈবশিংগী মীংলেন খাংয়োন অনি লৈমাং লোন্দে লৈপাকী কুমথা অচিবা, নরাই হাযুল লৈবা, মুপালশন অরৈম্বা কৌবগু নহাক্নে, লৈমকোম্বা লৈবগু মহাক্নে, কাম্বরৈ মথুন খুংদবীম্ব কৌবনে। ইবুঙো মহাক্তি অহিং নিপাগী মতু ওইবা মুপীগী মরাম্ব ওইবা লাইবক্তা শমজি কীবগা পন্থো হায়না কৌবদা হাও হায়না মথুবা, নরাই লেক্ দা হায়ুন ভাবুন লৈবগা অরু শিনবা হায়না কৌবদা হাও হায়না মথুবা। লুহুং শমজি পরৈমবগা পালেম ইমা হায়না কৌবদগু হাও হায়না মথুবা, ইবুংঙো লাই অশিমক ওইবা, থবাইগী মুচু মুপুংশন অরেবা কৌবলো অতিয়াদগী পাম্বিদুনা থবাই ওইবিএ। অদুবা ইমারা পুংনে ইমাকগী ইমাদা লিরে। থবাই কৌবদি অহাংবগী মকুমকুনে। ইবুঙো বা অহুম ওবী অচাংগী মখিংতো থবীমম্বাগী মনুবুনে, মখোং পামবগী মংং ওইনা উংশিন্দিবা, কাম্বরৈ মথুন মুখোং নীমক্কে শিদবীবু ওইবিএ। ইবুংঙো মহাক্তী মওনা লাই কাপাগু ওইদ্রিএ। মহাক্না লৈপাকু মুংশিবা, মচু-মচা পাম্বু মুংশিবা মনক ওইশিন্বা খিকিকপু ওনা থবা লোকাবকনে। ইবুংঙো মংদি তাইবংগী লাইবক্তা পাবা লৈবা লাইবনে। অদুনা মখোং কাবকপা মুকম কবা মুচু নিংশিবা থংবা নহাক্কনে। মনবগু কাং অদুগী মনম খংবনে। ২ বগী নোঙাবা মুংশিং খৌনি। মুংশিংতি ইবুংঙো

নংগী কায়দোংনে, ইবুংঙো নংবু হো ঈ কৌএ। ইবুংঙো নঙোন্দগী শক্তরকপা নঙালনা ইপাদা খুংলে হায়বগী যুপুংলল কৌএ।' ইপাগা ইমাগা অনিদা থরাই যুথরকএ হায়তুনা অরেম্বা অমা লৈ হায়বগী শারেঙম্ম কৌএ। অরেম্বগী মফিংদি শারেম ভাইরেম ওইরে হুদিং খোইদৌ অতুনা ইপাগী লিক্লা অতুবু ইমাগী ঈনা ভাংবল ওইতুনা য়াইরগা নহলক্লে হায়বগী লাংতেশল কৌএ। ইলা ক্লৌবদি ঐ-য়ুখা ১০ কানা থম্মে হায়বগী ঈমাং কৌএ। অতুনা ইমাবু লাইনি হায়বনি। ইপা ইমা ২মক ওইবা লাংতেশল কৌবা ইবুংঙো নংনা পুন্নমক য়াইকনবা নোংদম্মীয়ু।

হা হুং হৈ হৈয়া ইবুংঙোদি লাইনিংথৌ, অপোকপদি, মপুথৌ, য়াইবী কোলগী থরাই ওইবা কয়াং কাংলেল শাথোবা, লৈরুক কোলশাং শিক্লিগা, য়েক্লা শামোই লানলোইবা খোংবালম্মুংদা লাক্লবা, নোংদোন থক্লা পগওইবা, সনা চিংন্না নাংকোলবা ইপুরোইনি হায়রগে, তাওহইরোইনি নিংকগে অরাম্মদা লৈতুরা, নকাম্মক ঈয়বা, পিক্নরা চাওরা মনিং ওইবা, শিনবা থুংরা লৈবা লাইনিংথৌ। লৈ তরং, ঈশিং তরং, অতিংঙা তরং, হুংশিং তরং, মাঙেম লৈবা থৌশাবা ঙাপরা লৈবা ঙোকানবা, ফিলনা লৈবা অকিলবা লাইনিংথৌ। তাবুবং হুংদা লৈবনি, থরাই হায়না কৌবনি। তমক্লাও কাংলে শাথোবা, য়েনক্লে চুপদি পায়রিবা, লৈরী লৌরেল হোক্লিবা, কাংলা শগোল থৌরিবা, লক্লিক থাবা ওইক্লিবা, অময়-অচাল থায়রিবা, হুংনা নিংনা নওংনি, তাবুবং লৌশিং লৈবানি লাইনিংথৌ। লৈবাক মাইবা থুরাই ভাং, নিংথৌ মাইবা চিয়াই ভাংম্ম ইবুংঙোনি।

"খম্মোই কোনগী মপুথৌ সনা নহি ঙৌবরেল, সনা কথোক মহিরেল, শম্বোংলৈদি মরিব', কুন্দাসীদি লাইকথা, খোংজিনসনবু লৈবনি, খোমজাতরেনবু কৌবনি। শায়ুজম তাকন তাবনি, [illegible] লোংলোল কাওবনি, শদংখোমা খৌশাবা, কৈদা লৈবা কৈরুংব, লৌবা লৈবা লৌমংব', নকনকুদি নম্বাব', সনমেনবু ওইবনি।

লোংখোংকেরবা অচৌবা ভবং হিংরল হোৎজিবা, মৌনিংবদা মৌবনি, চংনিংবদা চংপনি, ওইনিংবদা ওইবনি, পোকপা শিবা লোৎলবা, শিদবা মপু ইবুংঙো। মপোক লৈতবগী শাগৈনি, মচৎ চৎতবগী মরোলনি। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈথাক, অতিয়া মতাম্বু মপু ওইবা লিকনুনি। মতাগী পাওবু মপুনা হায়খি,' মপুগী মখোংবু মতানা পাংখি। মতাবু মপুগী মপানি ওঃ চঃ গুরুবদি মমিনি মমিগী মচুদি যুগি, মমিনা মচু [illegible]লাউভেলা তায়বং পানবা লেমহৌলো মপুগী মতিক থংনখি, মতাগী মমাইঁ কুপোকখি অপানবা মচু লৈকোলনি, নুংশিবা মনম শনবা লৈনি, শিদবা মপু ইবুংঙো মতানা হিংলগা অমনি অমগী মপাদি অহুমনি। মতোমদা শাইংপা লৈরেলনি লৈগী লৈকাদি লিশিংনি। শিদবা মপু ইবুংঙো চিংগু খোঙুব লাইনিংথৌ মোংলোক মালং হুমওইবা, মালং চৈরোইশিংবা খাংখোল খোংমেংনবা নমাং চুখেক মরিমক মাইকৈ নিপাল সুমপায় ভরাতকংকমক, শিংখায় হুমংকুমাখোইনক কোমৌ মরোল মাংলল, মালেম লৈরোল ভরেংমকপু চেংলৌ মীকুপ অমবা ভরংখোক হুমা —ইবেনা অমাবা হইরাং শোম্বা লাইনিংথৌ, অতিংকোক মক ৷ মাইথী রেনহৌভৈনা অমম লৈপা, মাংকপা খেতে হুরেপ

তাঙপ. থোনা পোইরে হুংবু খয়োরকপা মিচু. মিরম্যাও অমীরোইনাই লাইরেন তাওরোইনাই হুংবু পিনবা হুংকাং মহাকুম্বা যাইবী হুংঙৌ পিনবা, হপ্‌লা মাপাল থাবা, হায়ো মউ মিংয়ু. মীশেমবোং কায়বী মহুম হুংগী পাঙ্ক্লিং ল্যাংথং হনুমা মহুমাক খোয়রা যাল্লকপা। চিংঙ্গী মারা, হুংশিবা মংগোলদুংলাক্লা অহানবদা হুং মিং হায়রবা ইরাক্লি ঈনিরা নমু তাইবং ঙিংথুপ্লাং, তুমিং, থুরা, ঙিলবী, ঙিলহল, য়োংমু. য়োংশেল, হুংচেক, পায়রং, খুরিং, খুবায়, মরুক্লা চংপা, মশা পাংবা, পানদবা, কমথেং, খোয়য়ু, কৌজেং হারৌ, অদ্রেংবা, লেংদবা, অপাল খুরং, চেরোল লৈরোল, উরা লৈবখিবিক শেম্বীরিবা ইবুংঙো। ঈগী থাংবলদা হোংপিবা চিংখাগী ঈরৈনা কোইরিবা মৈগী চরৈ থোন্নিবা। ঈখিকৌ কোজোল খিল্লিবা ননাইগী খাইদৌ ইলচংবা নৈ, ইশিং, হুংশিং, কেংনা লৈবীয়ু, চংথৈ কুহুপ অকুমদা নমৈনু নয়ানা চিকুনা লাই-নিংথৌ ভসি যাইকরবা কোঙ্গৌ খবী চৈচেমদবা, থাবা অকেনবা অসিদা উপবা মশিতম থংদবা মপা লাক ঈখুং অনি লোন ইক্লা নংপি চিক, ভক্তা চরৈ য়েং, খুকউ লৈদা তা কাংবী চিদা নুক কৈবা থোকবা তাওবনেম মালেম লৈদা কোংবাং চৈনা তাবনেম হন্না হন্না পুনেমকৈ লাইনিংথৌ। থংজনবা নচানি লংঙ চাওবা নারানি। মঙাং য়েকপু থইবনি। খুমন কোনবা চাওবনি। ইমিং তাঙকং মী কৌবনি। থৌনিজবা নচানি ভসি কৌবা মপুদা কুমবা ঈবাং কৌজরি থৌনিকৈ। য়োলবদা তাকপিয়ু লাক্লবদা কনবীয়ু লংকবা থিবীক কোকপিয়ু। ভক্তা হুংঙায় পিবীয়ু মাইক লৈবু চারুবীয়ু।

মাইথী ইরৌ ঈপাংদা, থাম্বী কৈশা কনবীদা, ইচিক ঈথ চুবীদু লাইনিংথৌ। মিজরিবা পিবীদু য়েক্লী তিথং লৈতবা পাইদু লাইনা চেনলবা পুন্সি তোরোই কংজগে লাইনিংথৌ। নংহেক্কথা ভেবীরো মাহুনকথদা হনবীরো। শজিক মাশৌ লাংদ, থাবগী মরাই চাক্লা, য়েৎনা লৈবা পটংসু ৎইনা হন, ৎইনা লৈবা পাও য়েৎনা হন। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, মালেম, অতিয়া মণ্ডামন[illegible] থানা ভরকমক্কা মপুং ওইথ। তায়বং মী থরাই পানবগী ইক কয়াথদুদা মকম মকম চানা লৈবীরো থরাই অচংবা মীগী অথোইবা, মীগা থানা ভরকমকপু থরাই কুক কুক কুক [illegible] থরাইগী মপুদু হয়া হয়া পুনেমৈ কুবীদু ॥ (হো ঈ সিদবী)